খোমাজিনবা লাইরিক খরা

খোমজিনবাঃ

এসঃ ভাবিনি দেবী



উপন্যাসসি পারুবদা

শরত সলামগী পীক্লা মগুন লৈবা উপন্যাসনি 'সুনোলতা'। মীওইবগী মবী অমসুং নাইতোম তাবগী চৈন কয়াগী ঈথক-ইপোম মরক্তা শাগৎলকপা নুংশি নুংঙনগী ব্লারীনি। ইমুং-মনুং অমদি সমাজগী যুম্ফম ওইবিবা নুংশিবা হাযবসিমক ঙসিদি অচৌবা সমস্যা অমা ওইবক্লে। চেকশিন্দবা য়াদবনি। চেকশিনবা য়াবা চেকশিনখি সুনোলতাসু। অদুমু মহাক মহাকপু লাঙ্গোই চল্লক্লিবা খুদোংথীবশিং অদুদগী নীংতম্বা ফংখিব্রা? নান্থোকচবা ঙমখিব্রা? মদুনি ব্লাহংনি। মদুনি লুরিবদি।

নৌনা লুখ্রশীংদা চল্লবী থম্বালগী মচানুপীনি সুনোলতা। শক্তা-চুদা থোইদোক্লা তোমথিন ঙানবীনি। লৈত-লাইরগী মৈশা মৈখু মবক্তা শক্কী কল্লক-মিহৌ কয়াগী কলঙ্কদগী ঙাকথোকচনবা হোৎনে‿ সিমক থন্নুংগী অশেংবা লান্থেং ওইবকই। মমা থম্বাল লান্থেং অসিগী মৈথক্তা লৈবী। হাৎকে-তুপকে ঙম্বা ইনাকখুনবা নোংয়াইনা থম্বালবু নোংমতং ওইরবসু মাগী ওইনবা তেমশিংলকখি। মদুগী ব্লাহৌদা নোংয়াই সমাজনা খোঙ্গোইনখি। অকি-তুজুংলবা থৌদোক অসিগী মরক্তা শাগৎলকই শেংলবা মরী অমা। লুবির্বদি নোংয়াইগী মচানুপা নোংতম্বা অমসুং থম্বালগী মচানুপী সুনোলতা অনীগী নুংশি মরীনি। অৱা-অনা কয়া লান্থোক্তুনা চথুবকই। অদুবু নোংয়াইগী হন্থনা য়েংলকপা করেম-কথায়নবা মীৎয়েংখাদা মরাল লৈত্রবা মরীদু অর্থ থোকহনখিদে। সুনোলতাবু থম্মোয শেংনা নুংশিজবা,লাইরবসু মান্নবা কুনজবসু নুংশি নুংশি মতম চানা ফোংদোকচবা ঙমখিদে। মতৌ অসুম্না কায়নবদা মতাখি সুনোলতাগী মতাবোয বেবিকা অমদি পুঙ্গিবা অনিগী মরিগুম। য়াম্নমক লুরিবদি নোংতম্বগা লুহোংগনি লেপ্লববা কৈন্যাসু চেনখ্রে তারী।

নোংয়াইনা মচানুপা নোংতম্বদা খুদক্তা সুনোলতা ফারুনবা তকশিল্লি হায়বগী পাউ য়ৌরক্লি। করি থোক্লগবা হায়বসিনা উপন্যাস অসিগী অবোনবা নুংশাম্ববনি।

নুংশি-নুংওনগী পুন্সিদা লৈরিবা অরু-অথেন কয়াদু উপন্যাসকারনা য়াম্না কুপ্না চিংথোকই। মফম মতম চানা ৱাবী লীবগী মহুত্তা নৈনবগী তাঙ্কক কয়াসু লৌরি। শ্নতু হোংলকপগী খোঙচৎ তুংইন্না থম্মোযগী ইহুল তান্থাগা চান্নর্হল্লি। কায়নবা, থুংনবা, কপ্পা,নোকপা, অৱাবা, নুংঙাইবা অসিগুম্বা উপন্যাসকীদি য়াঙলেন কয়াৎনি। সমাজগী অরুবা, থম্মোয়গী হৌনশা অনীগী উন্নফম লংদাই খুদিং খোন্থাং য়ৈবক্লি ঈশৈগী নৎত্রগা মীকপ-মীরাওখোলগী। চিংনবা, খঞ্জানবা, আশা অমদি শীংনবা কযানা অচৎপা মূর্ত্তিগুম ফন ফন চোংথোরকই। ৱারী ফজে। ফজনা লী। কোইথোক্তে। ৱাকোই শুদে। মৈ য়াঙশিল্লকই। লাঙতক্লহল্লি। শ্বায় শ্বায় লাওবা মতাঙ য়াম্না য়ালই। মহৌশাগী ফজবগা অমত্তা ওইনা তত্তনা তিনশিনখি। উপন্যাস অমগী মায় পাকপা হায়বদু মসিনি।

শবত সলামগী ‘সুনোলতা’ সাইকোএনালাইজ তৌবা য়াবা উপন্যাসনি।

তাং ৪/৯/‘০৩ ইং - ডা: এম. প্রিয়ব্রত সিংহ

অহানবা শরুক

নোংনা চিফেৎ-চিফেৎ চুবা থবান-থানি। হায়নৈ অহলশিংনা মতম অসিবু চাক মমৈশিং মামৈ লাইরবা, নোংমগী চরা তাঞ্জবা শূরগা চাজবা মীওইদি হায়নীংঙাই লৈতনা বাবা মতমনি। চেংবু থিগদ্রা, শীংবু থিগদ্রা, নোং য়ুরিবা যুম্বু শেমজিনগদ্রা? মচাশিংবু লাইরিক তম্নবা হোৎনগদ্রা? চরা হেন্দনববু হোৎনগদ্রা? ফজফম ঈরৈ লৈত্রবা মতমনি থাবান থা।

লাইরবা মপুরোইবা নৌনা কাযনখ্রবা লুখ্রাশিংদা তাহৌরবী থম্বালঙাংবীগী পুন্সি করিনো? চহী ৩৫দা ঙায়রিবী, নৌনা যূম পানবগী লম্বীদা চত্থিবনা, অঙাংসু অনি (২) শুহৌরে। মচানুপী অহল অদুদি চহী তরাগা নিথোই মুক শুরবী নুপী মচানি মথা অদুসু নুপীনি। থম্বাল ঙাংবী লৈকাইগী মীনা শম্না কৌনৈ থম্বাল-থম্বাল, খবা অমনা ঙাংবী-ঙাংবী। লৈত-লাইরগী বাখলনা কোক শমজেৎ হাৎকনি খঙদ্রবা ঙাংবীনি।

মচা লাইরিক তম্নবা হোৎনগদ্রা চানববু হোৎনগদ্রা হিংনবগী লম্বীদা অঙকপা ফংনা লালথেংনরিবা লুখ্রাবী মৌ নহানি। মচা নুপীসু চাউরক্তুনা ক্লাস টেন কারক্লে। ঙাংবী, লৌ-শিং শুবা মতমদসু লৈকাইগী লৌ-লিংবা, পেংবা অমদি লৌ খাওদুনা মচাশিংবু মী ওইনবা কন্না হোৎনৈ।

লৌ উবগী থবকসিসু মতম নাইবনিনা চাবা থকপা কোন্নরমদে। হিংনবা লম্বীদা নুপা নুপীগী থবক থিরমদে। নূং হোনবা, নূং থুগাইবা পুখ্রী তৌবা লোইনা য়াওরম্মী,

ইকায়বা হাযবসিনা নুপীশিংগীদি খ্বাইদগী হেনবা গুণ অমনি। থবক শুমিন্নবিবা লৈকাইগী মচে-মনে মবুং নত্তনা কনা অমতনা থম্বাল ঙাংবীনি খঙলমদে। মবমদি কোক্তা য়েৎলিবা ফি অদুনা লোইনা য়েৎশন্দুনা মীৎতা মীৎ ফাত্তুনা থবক শূবা য়াওজবীনি। ফজবদসু লম যৌনা হায়নীংঙাই লৈতনা অৱাৎপা যাওদনা ফজবী ঙাংবীনি। ঙাংবীনা লৈশাবিঙৈদা অউবা মীনা তিল যোৎনদবা য়াওদে। ফনেক খোইদোম শেৎলিঙৈ পন্থৌ নাক্তা লৈবিঙৈ থম্বালগী লৈনমদা ঙাওবদুনা অথাপ্পা লমদম কযাদগী খোইমু কযা পাইবকখি। লৈকোল শঙজবা লৈকাইগী খোইবু কযানা, তাম্না পাইবকপা খোইমুশিংদা খূৎতা নাওবি পাযদুনা চেকপল-ৱাবক মকমদা লৈদুনা নাওবিনা কাপখিবা খোইমু কয়ানি। লমতাগী থাবল চোংফম কযাদা কোক কযা কাযখিবা, শাবেং পাম্বোম ঙানদুনা ঈ-লাই তানদুনা শোইনাইবা মী কযা য়াওনখ্রবনি। অঙাং ওইবিঙৈদগী ঙাংবী হাযনীংঙাই লৈতনা ফজবকপি নুপী মচানি। থাবলগী মঙালদা থম্বালঙাংবীনা নিংথীনা শাৎপা মালংবগী তাম্বাদা তথক নাইনা শাৎচবা অদুবু উবগা পূক্লিং ওন্দবা কনাবু লৈবগে? অঙৌবা কুচু অদুদা ঙাংলৈনববা কুচুনা মঙালবু ওইবিবা নোংজাবীগুম নিংথীনা ফজববী পীশুম, মীৎস্না থম্বাল অনি অদুনা শঙাই মীৎতাগুম তথকনবী ঙাংবীগী ফজববু কবম্না হাযগনি। অইবা ঐনা ইবা হৈতবনা মাগী ফজবা অমদি নিংথীনা চীং-লেম্লবা, যেংখিবদা অৱাৎপা লৈত্রবা ঙাংবীগী ফজববু কবম্না শৈথাগনি। মচা অনি লৈববী লুখ্রাবীনি হাযবগী ৱাতনি। মপুং ফাবকপী লৈশাবী মচানা কৈদৌকনি। ফজবা হায়বসিদা নুংশিবসু মশানা লোযনবা তাবনি, লৈকাইদুদা লমদমদুদা মাবু নুংশি হাযনদবা অমত্তা লৈতে। পূক্লিংগী ৱানা ফাগী ওইনা পুথোক্তুনা লৈপূং ফম্বদা পুথোক্লে। ঙাংবীনবু যাববদি লৈশাবী লৌজবোইহায়না ফাগী ওইনা অওইবদা হায়নৈ। নিপা অমনমুক হায, ইতৈমা থম্বাল ঙাংবীদা নখোয অদুম্না খনগনু। মাগুম্না খুনসিদা লমদমসিদা ফজবা লমচৎ-শাজৎ লৈবগে নুপীশিংনা তমজনীংঙাই ওইবিবা ফিদম্নফম অসিবু থাগৎনীংঙাইনি। ঐদি ইমা ওইনা ফংজনীংই, হৌজিকসু ইমামক্লি খল্লিবনি। নিপা অমনা, হেবা ভাই, নংসু চহীদি নঙনা হল্লমগনি। অসুম্না উকেক্লোন হায়না খংনবিবা পূক্লিং হূনা নুংশিববা চীংযা অমদা তাবিবা খুঙ্গং

অমগী ৱারীনি। চীংখোংদগী খরা চথরগা পাৎওইনসু তৌবা য়েলাং, কোমপ্রেক, থম্বালসু হৌরিবা মফমনি। লমদম অসিদা লম য়েংবা লাকপা মীওই কয়াসু লমদম অসিবু উরগা মমীৎতা মপি তাখিদবা যাওদে, হূরানবা মী, শা, ঙা হাৎপদা হালেংবা লৈত্রবা মী ফাওবা মফম অসিগী পুন্সি মরেন অসি উরবুদা সাধু-সৈন্যসি ওইখিবা যাওখিদবা নত্তে। সোইবম চাওবনা পোকচবা থম্বাল ঙাংবীনি, নিংথৌজা শাগৈদা ওংলকপীনি। লাইবক চাউবী থম্বাল অঙাংবীগী মপা মপাসু লৈখিদ্রে। তাইবংদা মাগীনি হায়বদা মচা অনিদু নত্তনা শাগৈ-নাতৈ লৈরগসু হৌজিক্কী মতমসিদদি লাযববগীদি শাগৈ অমত্তা লৈতে। মৌনহা অমনা মপুবোইবা লৈত্রবা মতুংদা ফংলিবা অৱাবা অসি চাবা, থকপা, শেৎপা খক্কী নত্তে। মশক ফজবা হায়বসিতবু মীনা খরা য়েংশল্লি, লম হেনবা, নিশা চাবা, অফ-ফত্ত খন্থবা ঙমদবা ঙাইহাক্কী অনীংবা-অপাম্বা অদুনা অমাঙবগী মশক ওই হাযবা খঙদবা কয়া অমসু মফম অদুদা লৈতবা নত্তে।

নোংযাই কৌবা নিপা অমনা থম্বালঙাংবীবু নোংমদং ওইরবসু নোংয়াইগী ওইনীংলমখি। নোংযাই মফম অদুগী ইনাকখুনবা মচীল চৎপা ইমুং অমগী মচা ওইরম্মী। নুপীসু মরি শুবে চেল্ল-চেল্লগা লৌখিদবা মযূমদা নুপী অমা লৈরি মদুদি মচা মবি শুরে, মহাক্না লৌবম্বা নুপীশিং অদুগীসু মচা য়াওবা যাওনখ্রে।

নোংমা নিশা চাশিল্লগা থম্বাল অঙাংবীগী ময়ুমদা চঙলক্ললম্মী। ঙাংবীদি মচা অনি অদু নুমীদাংগী চাক পীজরগা তুমহন্দুনা ঙাংবীনা নুমীদাংগী কোল-লিক ফেঙলিঙৈ তাল্লক অদুদা হূরানবগী শাজৎ চৎপা নোংয়াইনা থোঙ হাংদুনা লৈরিবা মনীংথোঙদা চঙলক্তুনা থম্বাল ঙাংবীবু থেল্লম্মী, যাদ্রগসু ঙাংবীবু নমদুনা ঙাইহাকতং ওইরবসু মাগী ওইগে খল্লমই। নোংযাই ঙাংবীবু থেল্লম্মী। মাগী অনীংবা অদু ফংননবগীদমক, ঙাংবী - নহাক ঐনা হাযনীংঙাই লৈতনা নুংশি। ঙাংবীনবু ঐনা হাযরিবসি হেক যারবদি যূমগী নুপীদো হেক ফূদুনা তাম্লোকখিগে। ঐনা হাযরিবসিনি। নহাক ঐগী অনীংবসে থুংহল্লু ঙাংবী। নোংযাইনা মনীংথোঙদা হেক চঙলকপসিদা ঙাংবীনা তাদা- কৈদৌবা লাক্লিবনো হাযদুনা চৎখিনবা কন্না হাযবা অদু তাদবা মখে নোংযাই ঙাংবীগী নাক্তা তপ্না চঙশিল্লকই, লৈকাই লৈকাই

হুবানবা চঙলে- হুরানবা চঙলে খোনফম থীনা লাউবকপা অদুদা লৈকাই মযাম চেনশিল্লকই। লৈকাইনা কনানো, কনানো হাযদুনা ইমুং অদুদা চঙশিনখিবদা নোংয়াইবু লৈকাই ময়াম চঙদুনা ফাবে। খবা অমদি নোংযাই ওইবম্বা অদুদা, মখোয় মপাম চাগী তৌবা ঙম্বা অদুদা কিবদুনা তূমীন্না হন্নখিবসু য়াওবি। অদুবু মফম অদুদা থৌনা ফবা নুপী কয়া লৈতবা নত্তে। মীযাম অদুগী মবক্তুগী থৌনা ফবী নুপী অমনা অসুম্না হাযবকই। নুপীশিংগী ইজ্জৎপু কবিসু লৈতনা খনবা, শেল খবা পায়বগা মীবু কবিসু লৈতনা খনবা অসিগুম্বা মীওইশিং অসি চৈবাক পীগদৌবনি। নুপীশিংগী ইজ্জৎপু মাঙননবা হোৎনবম্বা নিপা অসি মক কোকতৌবনি অমসুং ইকাইবা পীগদৌবনি হাযদুনা মীযাম্না লাওরম্মী। লমদম অদুগী ক্লবকী নহাবোল অমসুং মৈবা পায়বী কযা খোবক্তুনা হায়বিবা নিপা অসি অতৈ নুপী কযাদসু অসুম্না খোকথ্রবনি হাযদুনা ৱাবেপ অমা লৌদুনা নোংযাইবু মক কোক্লবা হোৎনবম্মী। তাঞ্জা অদুদা নোংযাই পোকপা মপা শেলয়াম অমা পাযবগা লাক্লম্মী অদুগা মীযাম অদুদা হাযবম্মী, মবাল কবিসু লৈতবা ইচা নোংযাইবু কবিগী নখোযনা খোঙ্গোইনবিবনো? মপাগী ৱাহৈ অদু মীযাম্না যাবমদে। নচা নিপাগী শাজৎ ঐখোয়না খঙই হাযদুনা লাউনবকখি। নোংয়াইগী মপানা মৈবা পাযবী লিডব অমসুং ক্লবকী সেক্রেটবি উন্নদুনা লুপা লিশিং তবা অসি লৌহৌবো ইচা নোংযাই মবা লৈতে হাযদুনা পুজথ্রগে হায়বম্মী। মদু তাবদা লৈকাইগী মীয়াম অদুনা হেন্না শাউবম্মী। অসুম্না নোংযাইবু মক কোক্তুনা নোংযাই মীযাম মমাঙদা সোবোক্তা পুদুনা খোঙ্গোইনবম্মী। অসুম্না মীওইবগী পুন্সি খোঙচত্তা নংলিবা অৱাবা নোংলৈ-নুংশিৎ কয়া কযা ফজবা অমসুং অফবা মী হায়বসিতবু মীনা খবা যেংশিনগল্লি।

-- ০০ --

অনীশুবা শরুক

নোংমগী অসুম অসুম হৌখিদুনা লাক্লি মথং মথং। নুমীৎ তরেৎনা চয়োল অমা, চয়োল মরিনা থা অমা, থা তরানিথোইনা চহী অমা অসুম্না হৌখিবনা থম্বালঙাংবীগী মচা ঙাংবীদোন লৈশাবী মপূং-মরৈ ফারক্লে। চুং-ফিরান, ফিভম-মূর্তি, শক-চু; কুচু-কুমেন অৱাৎপা অমত্তা লৈতে। মমাগী ফজবা অদুদগী মচানা হেনবরা? অদুবু মচানা মপুং-মরৈ ফাগৎলকপতা ঙায়রিবনিনা মচানা হেল্লি হাযবা তাই।

থম্বালঅঙাংবীগী মচা ঙাংবীদোনবু উরুবা নহা-পাখংশিংদি লাযরদনা হনু-হনানা ফাওবা ঙাংবীদোনবু য়েংলিঙৈদা ষন্না ৱাইবা খঙদে। ঙাংবীদোনদা য়েংলগা তুং-হন্না চৎপদা পুখ্রীদা তাবা কযা অমনি। লুখ্রাবী থম্বালঅঙাংবীগী মচা ঙাংবীদোনবু ইচা, ইমৌ ওইজনীংখ্রেদা হাযদবা কনা অমত্তা লৈত্রে। ঙাংবীদোনবু উরুবা মীপুং খূদিংমকনা নুংশিবা হায়বসে শাগে-নাতৈ, মরুপ-মপাং, মমা-মপা, মচীল-মনাওগী লৈনবা নুংশিনবা অদু নত্তনা করিসু খঙজরমদবা ঙাংবীদোন ঙসিদি নুংশি ৱাখলনা, অহিং কয়া তুমখিদরে। থাবল ফরবা অহিংদা, মীচিক-মীরাওখোল তাদ্রবা মতমদা লৈরমগদৌবোই নীংদুনা মহৌশা উনফম চীংয়াগী থৈবোং মখোংদা ফমদুনা নুংশি মাদবু ঙাইরি। অতোপ্পা অমগা ৱারি শান্নবগুম মথন্তা মুরুম-মুরুম শোল্লি ৱাহং কয়া হংজৈ, পাউখুমসু মথন্তা খুমজৈ। অতাবা মীনা তারবদি লৈপূং ফম্রিমানে লৈকাই পাখংশিংসে হায়নবা নত্তনা অতৈ কনানসু নুপী মচা মথন্তনি হাযবা খঙদে।

নুংশিবা হায়বসে অকিবা লৈতে। মফম মতমসু লৈতে। নুংশি মাইগৈদগী পাইরকপা লৈচীল, নোং, উচেক উরগসু নুংশি মপাউ পুরকপরা হাযনা তত্তনা হংজৈ। পাউখুম পীরমদনা পাইখ্রবা উচেক অদুবু য়েংলগা কপহৌই, মদোম হীক্লা ..। পূক্লিংদা মওল-মওল খনহৌই। করিবু থোক্লিগবা অসুম্না পাইখ্রবা অমুবা নোংবু য়েংলগা।

ঙসি ঐগী মঙদো ওহোক্লা নুংঙাইখিদ্রে। নুংশি মানা ঐবু মূনা য়েংলগা ৱাদি ঙাঙদা, মীৎকী পিনা শিহৃদুনা ঐবু য়েংলগা হীক্লা হীক্লা কপ্লম্মী। ঐসু হীক্লা হীক্লা কপখি ৱা অমত্তা হায়রমদনা অদুম চৎখিরম্মী ঙাংবীদোনগী মতৌ অসি কনানসু খঙদে। তুমীন, তুমীন মচী খূদিং। অহৌবা উয়ুংগুম চপ-চপ লেপ্পী। তৌরাং ফক্তা হেদো নাহেবগী মতৌগুমখ্রে। মমানা মচাগী মতৌ উবদা,

মমা -ইমাগী ইবেম্মা ঙাংবীদোন নঙবু করি তৌবগে মচী খূদিং তূমীন তূমীন অহৌবা উপালগুম, নশাদো নুংঙাইত্রগা ডাক্তরদা যেংখোক্লবনা ফরোইদ্রা? ইমাসু চানবা হোৎনবদা কোইচৎ চৎলিঙৈদা ইচাশিংবু যেংশিনবা ঙমদে। মচা - করিসু তৌদেদা কোক খরা চীকপনি।

- নত্তে নঙবু হন্দক মরকসি মহৌশাগা ইমান মান্নদে, নংবু কলেজ চৎপা লেপ্লিবনা করিগীনো? নমানা মখা তাবকই।

মচা - ইমা ঐ লাইরিক মখা তম্লরোই। টুয়েল্ব পরিক্ষা ফাওবদি পীথ্রগে পাস তৌরে ফরে তৌদ্রে ফরে। ইমাগী মতৌসে যেংবা ঙমদ্রে, ঐসু ইমাগী মতেং খবা পাংলগে?

মমা - ইমাগী ইবেম্মা, ইমা লৈরিঙৈ মতমদা ইচানা পূক্লিং শোন্থবা হৌনদে। ইমা লৈরি ইচাগী করি ৱাৎলি। ইচাগী অৱাৎপদো ইমাদা হাযযু। ইচাগী অমত্তা ৱাৎহল্লোই।

মচা - নচাগী করিসু ৱাৎতে। অদুবু ... ইমা, ইমাগী লাইবক্তা চন্দোন মুখিবনা ঙসি ইমানা লুখ্রাবী অমগী অৱাবা শকফম অদো নচা নিংঙোল ঐগী থম্মোয়দা মৈশা ফংবা নত্তনা পুন্সিদা শোইনাইরবা মীশক অমনি।

মমা - ইমানা লুখ্রাবীনি হাযদুনা ইচাগী মায খুনবা করি তৌথ্রবগে?

মচা - ইমা.......।

মমা - নৎত্রগা করি ৱাৎলি। শেৎনীংবা শেৎলু। চানিংবা চাও। নপা লৈতে হাযদুনা ইচানা করিগী পুক্লিং হম্বরি। অসুম্না মমা মচা যূমগী লৈত-লাযর তান্নদুনা হিংননবগী লম্বীদা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লি। ঙাংবী মচানা পীক্লিঙৈদা ৱাবা হেনলম্মী নহা

ওইরিবী মৌ নহা অমনা লুখ্রা শিংদ তারবদা লৈকাইনা করম্বা মীৎয়েং চঙলকপা, মীরা ঙাঙলগা মবুক থঞ্জবা ঙাঙনীংবা কযা অমনা পাউখোকপী। অদুবু অচুম্বা চৎপা ঙাংবীদি অরাবা খাওদুনা পীল্লিবা মচাশিংবু চাউননবা মৈশা মরক্তা খঙলকখি কুইরবা তুংদদি ঙাঙনরম্বশিংদো মখল্তা তোক্লখি, অফবদা ঙাঙনবা নত্তনা। অদুবু থম্বালগী মচানুপী মপুং-মরৈ ফারকপা হায়বসে মমা ঙাংবীদি হায়নীংঙাই লৈতনা রাবম্মী। মমা থম্বাল ঙাংবীগা শক মান্নে হায়দুনা মচা নুপীসু ঙাংবীদোন হায়না কৌই। অশেংবী মীংদি সুবলতা কৌই।

ঙাংবীদোন মাগী নুংশিনজবা নিপাদো উদবা কুইরক্লবদা পূক্লিংদা মওং-মওং খল্লকই। খঙনবা কুইদনা তহা তহা থম্মোয় তিংথোক্লুপা ঐগী ইরাল ওইরদ্রা? মসিনা অশেংবমক ওইরবদি মতুংদা ঐ নিপাশিংসে অমুক থাজখিদ্রা? হায়নবা লৈ নিপাদা হক্লা থাজবা থম্লুনু। চমলবা মাগী রাহৈশিং ঙসিদি পূম্নমক হূ ওল্লদ্রা? অদুগা ঐনা মাবু অসুক নুংশিরুরিবসিনা করিগী? থাবলনা মতোয়না ফরবা লাক্কদৌবোই নীংই মহাক অদো। নোংনবু মতোযনা চুরবা। হাযনীংঙাই লৈতনা মম্নবা অহিং অসিদা লৈবমগদৌবোই নীংই ঐগী কাগী থোঙনাও মপাদা। নুংশিৎনা লেঙলকপা থোঙনাও অদো মানা লাকপা খঙহল্লকপা ওইরবোই নীংদুনা য়েংলুই তপ্পা ইকায, ইকায়। নত্তে হাযবা খঙন-খঙনা করিগী অসুক কুইবসে লাক্তে হায়না হংলুই। কনাদনো খংদে। ঐসিবো অসুম্না অসুম লেল্লদ্রা? খাঙফম খঙদ্রবা চৈনা অসি করম্না খাঙগনি লৈশাবী অমা ওইনা কেবা-মৌবা রাখল লৈখিদ্রে। লৈকাই মমান্নবীগীদা চৎখিদ্রে মমান্নবশিংনা লাক্লগা ফম্মীন্নবা নত্তনা। মমান্নবশিংনা হায,করিনো সুনোলতা নঙসিমা হনুবীদৌনা ইমুংদা সুরু-সুরু লৈদুনা লৈরিসিবো, মপান্দসু খরা থোক্লকউ। মশক-নতৌ ফজরবা, গারি তোংবা পাখং কয়া লৈরক অসিদা হনগৎ-হন্দা চৎলিবসে যেংলুসি লাউ। মখোয়নসু ঙাংবীদোনগী শক হেক উবদা ঙাওদবা ঙম্বরা যেংগে।

- ঐবু করিদনো মখোযনা যেংনীংগদৌরিবসে?

- খঙই ইবেম্মা, নপান তাংজগে। নঙোন্দগী হাযদোরকপদো ঐখোয ওকচগে।

নুপী হায়বা ঐখোয়সে পাপ কয়ানা পূনশিল্লগা শাই হায়বদাই চুমখ্রজাৎনি। ঐখোয়না পাম্বা নিপাশিংসে ঐখোয়না হায়জবা ঙম্বগী থৌনা লৈতে। পাম্না পাম্না, চাক্লা চাক্লা যেংবা নত্তনা কবি উপায় লৈ।

- য়াইনা নুপী ঐখোয়সু অপাম্বা ফোংদোকপা।

- য়াববুদি য়াই, অদুবু তৌবা ঙম্বী লায়দবী হাযবীদুনা ফত্তবা তাহল্লিনে।

- খন্থরুরবদি নুপী ঐখোযসে মীকুপ অমা ফাওবা হিংনীংদে।

- অদুনবু নুপী পোকপদা হবাওনদে। চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না মমাগী পুক্লুংদা লৈরিঙৈদা নুপা নুপীবা হায়দুনা যেংথোক্লবে। নুপী ওইবগদি মাঙহনবীবে। মসিগী চৎনবীসিনা কুইরক্লগদি নুপী মশীং হন্থদুনা নুপী ঐখোযসু হাযনীংঙাই লৈতনা ব্বারকখিনি।

- ফাগী ওইনা হায়রগদি অথিবী নুপী ঐখোয় পূম্নমকসে নুপা ফংলগনি অসুম হায়দুনা নোকমীন্নে। হা .. হা।

- অঙাওবীসিনা ঙাংথোরকপসিদি।

-- oo --

অহুমশুবা শরুক

নোংতম্বা, সুনোলতাগা উনদবা কুইরে খন্দুনা অমুক্তং উননিংদুনা চৎকে খন্না সেম শাবি। কোক্তা থাও তৈরি, মনমসু হাইফেৎ নুংশিবা থাওনি। শমসু ঙসাই অযুক্তা, মমান্নবশিংদা ককহন্দুনা। সেমনিংবা মওংদা শেমখ্রবনি। মায়দা তৈবা যাবা মখৈ মেক-অপ তৌদুনা শেম শাবি। শেৎলিবা ফি-রোল হাইফেৎ মমল য়াম্বা ফি-বোলনি। কাদা খিল্লিবা শকযেন মীংশেল অদুদা হন্না-হন্না যেংদুনা করিদা শোইবিবগে হাযদুনা তুং-মাং লৈ-লৈদুনা ঐ যেংঙকই।

তোম্বদা গাড়ি শেংদোক্লবসু হায়খ্রবনি। তোম্বা, তৌফম থোকপা মথৌনি খ" দুনা গাড়ি মারুটি কার অদু নিংথিনা চাম্বা লোইদুনা তৈথোকই। হন্না-হন্না নোংতম্বা তোম্বদা 'দা-তোম্বা, য়ারবরা?

তোম্বনা, য়ারে য়ারে ইবুঙো। ফজনা সেম শারবনি। হোরেল কৈন্যকা, পুরকপসু খংদে হায়দুনা নোক্লগা ফাগী তৌই। হায়রকপনি।

নোংতম্বা - হা... হা.... হা, দা-তোম্বা নংনা ঙাংথোরকপসিনা ইহোকপা-ইহোকপা ব্রা ঙাক্তা।

তোম্বা, ইনাও নোংতম্ববু উবদা ঙাওদবা নুপীবু লৈরিবরনে?

- দা, তোম্বমক ঙাইরে ঐবু থাগৎলিবা?

- অশেংবনি ইনাও ইবুঙো।

- দা, তোম্বা হোরেন করি লৈরকউগে?

- হাইফেৎ নোক্লগা হা-হা নযাম্বদি করিসু চাদে, ইবুঙোনা পীজগে হায়রগা রাজা খৈনি অমতং হেক লৈবীরক্লগা লোযরে।

- অদুগীদি লুপা তরা পীরস্লগদি দাদানা লৈজবা যারে নত্রা?

মপুক্লিংদা নোকফেৎ তৌনা

- এ-এ, পৈশাবু পীরবদি লৈবগী ব্রাবুদি যাম্না লায়বা জাৎনি।

- অদো দা-তোম্বা, চৎলুখিগে। সে নঙগী পৈশা খৈনি লৈনি হায়দো সে। ·

- ইবুঙো সিদি লুপা তরানি। রাজাদি লুপা অনিতনি পিরিবা। পংতক তৌজরবসু থম্মোদি য়াম্না চমজবা মীনি। মরাইবকসু য়াম্না থিরবনি। মাগীনি হায়বদা কনা লৈজদ্রবা মীশক্লি। শুবা-নোম্বসু যাম্না শুবা, ঙৈহাক্তং মশাদা পোথানিংদবা, অরেম্বদা মতম মাংহন্দবা মীনি। ব্রা ঙাংবদবু খরা পংবা মানবা মীওই ওইনা তৌবা মীনি।

- অরেম্বদুনা দা-তোম্বগী ওইরো। ঙসিগীদি করিমত্তা শুরুরনু শেংনা ঈরুজথোক্লগা লৈরো। নঙনা ঈরুজবা কান্দা গামলাগী লৈদো ঈশিং খরা চাইরম্মু অদুনা লোইবে ঙসিগী দা-তোম্বগী থবক।

- গমলাদা ঈশিং চাইববুদি ঈশি পেরে অম-অনি থক্কুবু।

নোংতরা গাড়ি ষ্টার্ট তৌই। ঙাইহাক ঙংদুনা লৈরগা তোবদা হাইরকই।

- দা-তোবা, ঐ কোইথোক্লুখিগে।

গাড়ি মমায় লৈথোক্লুনা থৌদোকখি। তোম্বনা মথন্তা শোঞ্জহৌই। নোংতম্বনা গাড়ি থৌদু না চৎখিবদু য়েংহৌবগা। মীগী মচাদি কযাদা মবাইবক ফঙবনো। তোম্বা ঐগী ইবাইবকসিদি ওহোক্লসু থিখ্রে।

নোংতম্বগী মপা নোংযাইনা মুংদগী থোবক্লুনা তোম্বদা হংঙি

তোম্বা কদাযদনো, নখোয বাবু মচানা চৎখিবসিনা?

- কদায ওইনি বাবু-অচৌবা, নচানুপানা কেনা চৎলবদি, থম্বালগী মচা থম্বাল ঙাংবীতোনগী মনাক্তা নত্তনা।

- তোম্বা কান্নদে ইবান্নিসু চৎসি। ঈকজথোক্লো। বোবা কাংঙৌ চাকসি। বোবা য়োনবি মৌনহাদো কোযকসি?

তোম্বনা ফাগী ওইনা অসুম্না হাযবকই, ইথা থাজদনা

- বাবু অচৌবগীদি নুপী যাম্না লৈ। ননাই তোম্বগীদি অমত্তা লৈতে।

নোংয়াইনা হৌনা নোক্লগা হাইবকই।

-নঙসু নুপী থিনিংববা তোম্বা?

তোম্বনা ইকাযনা

- বাবু-অচৌবা, ননাই তোম্বসু মীনিদা। খুবাক নাম্মতা খুবা যাবা নত্তেদা বাবু চৌবা। ননাইগীসু ঈ অমদি থন্নম্বা ফৈ তাইবংসিদা।

- তোম্বা, নঙনা হাযবিদু, চুর্মদি যাম্না চুম্মী। অদুদা । নুপীবু কনাননো তোম্বা? নঙোম্দা যাবক্তৌবিবা নুপীবু ।

- ঐসু মীনিদা, ঐবু পাম্বা মীসু লৈজাৎনি বাবু-চৌবা।

নোংয়াইনা তোবগী বা অদু তাবদা নোক্লিংবা অমদি মতৌ ইমান-মান্দনা ঙাংথোবকপা অদুদা যাগীওই কবিওই হাইবকই।

- তোম্বা, নঙবু চাজেনবি বোবা যোনবী উখোং কৈথেল ফম্বীদু ওইনা লৌশল্লসি হাযববা?

তোবাগী অমা ওইবগী চগ-চাবা পাউথুম পীবকই।

- মৌ-নহাদি নুপী নত্তববা? কবিগুম্বা মবাইবক থিবদগী নৌনা লুখ্রা ওইবগী ৱানি মখোয়সু অমুক লুহোংবা য়াইনা। চহি কুনগা মবি-মঙাদা লুখ্রাবী ওইহৌবগা য়ুম পান্দনা কবম্না হিংগনি বাবু-চৌবা?

- তোম্বা নাঙনা ঙাংখোবকপসিনা অচুম্বগী অচুম্বা ঙাক্তা। কান্নদে তোম্বা নংগী নুপী থিবা চৎসি। বোবা য়োনবি নতৈমদুদা নঙগীসু অমত্তং শিনবিবকউ হাযদুনা হাযবগা লোইবে।

তোম্বা উপায লৈমন্দবগী মীগী থবক শুদুনা মীগীদা পীনাই ওইদুনা লৈবগী ৱানি। খবসু পংনা উই, মাগী মতৌ অদুদা। মবুক ফবা মীসে খবা পংনা উই মীওইবনা। চহিসু পাখং, মপুং চপ চাবি, শক্তসু অদুম চৎনবা যানা অদুম ফজে। মাগী হাইববু মমা-মপা, মচীন-মনাও কনা অমত্তা লৈত্রে। মযুম অপীকপা, শঙফৈই মচা অমখক্তং লৈবদুসু চকনা কুপ্পনি। অদুসু যাম্না কুইনা শেমজিন্দ্রবনিনা নোং লোইনা যুবে। ফক্লাংদুসু নোং য়ুশিল্লবনিনা মচেৎ মচেৎ কিহ্নবে। ৱাগী মখোংননিনা অমত্তা লেপ্পা ঙমদ্রে। যুম অদু মনিংলোমদা হাইফেৎ চেপথবে। ৱা অমা-অনিনা চৈঙাক পীদুনা/ ঙাক্তুনা থল্লিবা অপীকপা শঙ মচাদো খক্তনি তোম্বগী লৈবিবা হাযববু? মী লৈতবা যুমনি খন্দুনা ঙাক শেল্লিবা উবি ৱাবিশিংনা যুমগী মথক অদো ইকুপ-কুপশিল্লি। তেবা দনদল পাম্বী নাপি খবসু য়ুমথক্তুদা হৌজিল্লি। অপিকপা মাঙ্গোল মচাদুসু ইকাই কাযবে, নাপীসু হৌজল্লে। তোম্না কুইনা ময়ুমদা চঙদ্রবনিনা।তোম্বা ৱাখল অমদি খল্লকই। ঐ মীগী থবক শুববসু যুমদা হঞ্জিল্লগে খল্লে। মতম কুইবে ঐনা য়ুমদা হঞ্জিন্দবা। মীগীদা মীনাই ওইদুনা অদুম লৈবগা হযেং ঐগী অবোইবা মতমদা ঐগী নুংশিববা হকচাংসিদা মৈনা চুবীনবা লৈগদ্রা? তোম্বা, হৌখিবা পুন্সি নিংশিংলক্তুনা পুক্নিং নুংশিবকই। তোম্বগী মওং অদু নোংযাইসু নোংযাইসু নুংঙাইত্রে। নোংযাইনা

তোম্বা নঙবু কপ্পিববা?

- কপতেদা বাবু-চৌবা ।

তোবা, কবিগীনো নংবা নপুকিং অদুক শোহবিববু? নোংযাই লৈবিবসিদি নঙ কবিগী ৱাগনি। ঐনা থাগী ওইনা পৌশা খবা-খবা পিবদুসু নঙনা নিংথিনা থাজিল্লি

হায়বদায়? মদুসু নিংথিনা থম্মু ঐনা নঙগী নতেং যাম্না পাংগনি। নঙগী নুপীসু ঐনা লুহোংবিগনি। নঙগী য়ুম মচা অমদি লৈ হায়বদু ঐনা নিংথিবা মচা অমা শাবিগনি। ঐসু য়াম্না ফত্তবা মীদি নত্তেদা। চহি তবামঙামুক শুবনি নঙনা ঐগীদা লৈবকইবা মতমসে?

- হোয় অদুমাইনা শুবক্লনি (তোম্বনা মথা তাবকই)

নোংযাই ইনাকখুনবা মীগী হৌনবী ৱাজাও ঙাংলবসু লাযববা মীগী অৱাবদি মতেং খবা পাংগল্লি। মাগী হাযববু নুপী খবা কোইগল্লি। নুপী অঙাংদা খবা চোপকল্লি। তৌববুদি উচেক ক্বাকনা কোক্কিল উচেক্কী মচা অনি যোকই। ক্বাক মীওইবনা ফত্তনা উই। থম্মোযদি মীওইবা তাইবং মীগীদমক যাম্না ৱাই। তাইবং মীগী অৱাবা, দম্বা ক্বাক মানা হান্না খংগল্লি। মানা হান্না পাউ পী। মতম চাদনা ক্বাক খোংই। মতম চাদে হাযদুনা মীওইবনা উচেক ক্বাকপু লান্না লৌনৈ। অসুম্না মীওইবনা ফত্তবা ওইনা লৌনবিবা নোংযাই ফত্তবা লমচৎ মবক্তা অফবা লমচৎ অদি য়াওই।

- তোম্বা য়াববা নত্রা? যাববদি চৎসি চৎলু ঙাল্লিঙৈদা নুপী মশক য়েংহৌকসি চৎসি।

০০ -

মরিশুবা শরুক

হৈকোল অমদা, নোংতম্বা অমদি সুনোলতা ফমদুনা নুংশি-ৱাবি শানবি। নিংথিনা ফজববা হৈকোলনি। থৈবোং পাম্বী অচৌবা অান অমসু হৌই মচা মচা খবসু পবেং-পবেং থাবি। হৈনৌ পাম্বী বযাসু পবে, পবে হৌবি। হৈথা, পুংদোল, লোবাপ পাম্বী অতৈসু ফজনা হৌই। যেংবদা অদুম ফজবা মফমনি। অতোপ্পা ফিল্ম নম্বা কযাসু মফম অসিদা কযা অমপু লাক্কুনা ফিল্ম নম্নবা মফমনি। মফম অসি সুনোতলাগী হেক থোঙ্গাল মচীনি। অচৌবা হৈনৌ পাম্বী অমগী মথোংদনি। নোংতম্বনা অসুম্না তপ্না হংলকই। কবি ইঞ্জাং চাবকপগে?

সুনোলতানা মচীন্দা থোকপা অমা হেক্তা হায়।

- ঙা চাই।

- য়াম্না হাওনি কনানা থোংঙি ?

- ইনাওনা থোংবনি। ঐদি চাক-ইশ্বাং থোংবকা হৈতেদা।

নোংতম্বনা

- চাগে হাইবোইএ।

- অদোম্নবু চাবীগে হায়বগদি যাম্না লৈহৌই চাকসে।

- ফাগী তৌবনি। সে, নিংথিনা ফম্মু। মখুৎ পাইদুনা চিংখে।

সুনোলতা ইকাইনা হাইরকই।

- খুত্তা পাযবক্কনু মী উবগা ফজদেযে ?

- অদুদি নিংথিনা ফম্মু ব্রা হাযগে ?

- ফমগে সে খবা চথোক্কে, ব্রা ঙাংবা অদুম তানি।

- ঐবু খুৎ-শা যাম্না শাংখ্রববনে? ঐসিবু মীগা ইমান মান্দ্রবরা?
  অদুদি ঐঙোন্দা হংলক্কনু। নশাদা অদুম হংজৌ?

- ফরেসে নঙনা যানিংদবা অমত্তা ঐ তৌবরোই। য়েংঙু, নুমীদাংব্রাইসিদা পাইরিবা লৈচীল মপৈশিংসে য়েংঙু। লান চৎপা মান্দ্রা? মরোল-মবোল। শা মানবা, উচেক মানবা, শগোল মানবা, মখুৎতা থাংশাং পাইবা মানবা। লৈচীল মপৈ-মপৈ কযানা অহাংবা অতিযাসে ইরাং লাংলিবসে। অবাপ্পা মফমদা চাক্তারুবা লমগী চেক্লা কয়ানা মযুম মাইগৈ তম্না পাইবক্লিবসে নুংশিদরা? মপাং-কায়নরবা চেক্লা চা কযা অমনা মদোম তরক পায়রিবসে যেংঙুনে নুংশিদরা? অদোমদা নত্তেএ পাযরিদি অসোমগী চীংয়াসিদনি। মখুৎ থিন্দুনা তাকই।

- (সুনোলতানা) মপাং কায়নরবা চেক্লোনা মদোম তরক পায়রি, অহেনবা কনাবু উবদা। তাক্তামিন্নরব্রা মশাবীবু হুন্দোক্লগা পায়খ্রিবা হে-নুংশি হৈত্রবা লমগী চেক্লা? পুন্সিগী অব্রাবা শরুক কয়া পুমীন্নদুনা। নোংজু-নুংশা, নোংলৈ-নুংশিৎ কয়া খাঙমিন্নরকলগা অহেনবা সনা লুপা খবা উবদা নাথৈদুনা পাযখিনুকো ঐগী থম্মোযগী চেক্লা চা। অমুনবা উহৈ উরগা ঐবু নাথৈদুনা থক্লগা চাক্তাফম হোংগে কনবীগনু।

নোংতম্বনা পাউখুম পীনবা শেম-শারিঙৈদা, সুনোলতানা অমুক মখা তারকই

- নখোয় নিপা হায়বা জাৎসে ইচম চম্না লৈজবা নিঙোলশিংগী পুক্লিং থম্মোয়দা লৌনম-চীরোল তৌরম্লগা শমাই লৈদুনা পায়খ্রগা অমুক হন্না ফাওবা য়েংবিরমদে।

নোংতম্বনা অসুম্না হাযরকই।

- কনাগী লৌনম চীরোলকা হৈজদে ঐদি, শেংলবা থম্মোয়গী চেম্বরক্লিবা নুংশিগী ইরিক অসি নত্তনা। লৌনম ৱাহৈ হৈজদে। ঐগী হায়ববু নঙবু য়েংজবসি নত্তনা করিসু হাইনিংঙাই লৈজদে। ঙসি উনরিবা অসিদগী অমুক চহি কয়ানো নঙ-ঐ উনদনা লৈগদৌরিবা? হন্দক মতম খরা য়ুমদা লৈরিঙৈদি নঙগা তোয়না উনরমগে খল্লি। হয়েং কনানা খংগনি। ঙসি উনরিবসিদগী অমুক হন্না উনবা ফংদবসু য়াই। ৱা হায়বা লোইদ্রিঙৈদা সুনোলতানা ৱা মরক থৎলকই। মাগী ৱা অদু হায়হন্নিংদবা য়াওদুনা

- করি ৱানো হায়বিরিবদুবু? হাযহৈদবা ৱা য়াম্না হাই। মদুদি ঐদি হায়হন্নিংদে।

নোংতম্বনা মখা তারকই

- খংদেদা সুনোতলা, পুন্সিসে করি হাইগদৌবনো?

- অদুক চানিংবদা চা। পাইনিংবদা পাইজবা ফংজরিবা ইনাকখুনবা নখোয়সু অৱাবসে লৈবরা?

- অৱাৎপা অমত্তা লৈত্রবা ঐগী পুন্সিদাঅৱাৎপা অমদি অদুম হাংদুনা লৈরি। হাইফম খংদবা নুংশিবা হায়বা, নহাকসে ঐগী নাক্তা লৈরগা ফগদ্রা খল্লি অমুক। (পুক্লিং নুংশিনা হাইরকই)

- দা-নোংতম্বা, ঐগী ৱাখল থাদোকওবা..?

- অদুবু হেক্তা য়াবরনে?

- ঐদি লায়রবী মচানি। ইমা লুখ্রাবীনা য়োকপনি। থিক অনেম্বা ঐখোয়না থাক অৱাংবা লাম্বা তাদুনা অরেম্বদা কায়না মৈচাক পুহৌবদো মীয়াম্না ঐবু পেন্নগনি। হৌজিক ঙল্লিঙৈদা কায়নহৌবনা ফরনি। (অসি হায়রগা হীক হীক কপ্পী)

- নুংশিবদা লায়রবা ইনাকখুনবা লৈবরা? নুংশিববু মায়থিবা পীখিবা কনা লৈখিবগে? নঙগীদমক মতম পুম্নমক্তা ঐনা লেপলি। নঙ করিগী চীংনরি ?

সুনোলতানা পুক্লিদা হাযফম খংদনা নুংশিবা অমা ফাওবকপা অদো ৱাহৈনা ফোংদোকপা ঙমদবে। মীৎলুদা পিগী ঈবা চেল্লদুনা, মীৎলুদগী তারকপা পীগী ঈরিক্লা ফজববা সুনোলতাগী ঙৌ থাংলবা খজাইদুনা ইবং লংনা মনিগুম খজাই অনিদুনা ঙাইহাক লৈবন্নগা লৈমাযথক্তা তাখিবা অদু নোংতন্বনা উরক্তু না সুনোলতাবু মুন্না য়েংলগা হাইবকই।

- কবিগীনো নঙনা কপ্লিববু? সে, কপকনু ঐ লৈবিসিদি? ঐ নঙবু সুপথা-থাদোক্লোই সুনোলতা।

- উনা উনা লাম্বা ফংদ্রবা ঐগী নুংশিবনি। লাযববা লুখ্রাবী মচাবু কনানা মীচং শঙ্গ ওইনিংগনি? ঙসি ঐগী মীৎলুদগী শিন্থবক্লিবা মীৎকী পীবাংসে হয়ে মতম অমগী কাযনা মৈচাক্রুদি?

- কবিনো? সুনোলতা নঙনা ঙাংলিবসে? ঐবু তশেংনা থাজদবগী ৱাবা? নোংতন্বসু হায়যম খংদে। ঙসি সুনোলতানা ঙাং৷৷বা ৱা মযামসে অচুম্বগুম নোংতন্বা ৱা খুন্ফম খংদে।

- নখোয অহনশিংনা ঐবু পামদে। লাযরবী লুখ্রাবী মচা ওইরম্বগীদমক। নোংমসু ঐখোযদা লাক্লুনা কবেম্লবম্মী। মতম অদুদা ঐখোয় ইমাদি ঐঙোন্দা য়াম্না শাওই। ইমানসু ঐঙোন্দা অসুম্না হায় 'ইবেম্মা, ইমা ইচাগী কনাসু লৈতে ফবিমখৈদি ফৈ। হয়েং ফৎলক্রবা মতমদা লায়ববি লমহেনবি অহল-লমন্না ৱাবক্তবি তাহনগনু' হায়না। ইমাগী য়ারক্তা লোইনা শোইদনা তাবগনি খল্লুবদা থম্মোয অসে পুবা ঙমদ্রে? তুমিন্না লৈয়ু য়াবক্তবে ঙসি ঐগী থম্মোসে ৱাবৌনিংঙাইসু লৈতে। লমহেনবি ঐগী পুক্লিং অসিবু ইদোম ৱাবকচবনি। ঐ কনাবুসু ৱারৌদে দা-নোংতন্বা? নোংতন্বনা সুনোলতাবু কবম্বা ৱাহৈনা মাগী থম্মোয়বু পেলহনগনি খনবদা উপায় থিবি। কবম্বা ৱাহৈনা কবম্বা মীনোক্লা

ঐখোয় ববাগী ৱাদি যাববোই। মশাগী হৈনদ্রবনি। ববাগী ৱাদুনা মবম ওইদুনা ঐ-নঙ শাওনবগী মবম অমদি ওইহল্লোইসি সুনো? ঐ নঙোন্দা শেংনা হাযবিবসিনি। নঙনা যাম্না থাজদ্রগা ঙসিমক চৎসি। ঐ নঙগীদমক লেপ্লি, নঙসু ঐগীদমক লে৷৷য ?

সুনোলতানা নুংশিববু থাজবা ইঙম-ঙমদে। নুংশিবনা ঙাংলিবা শক্লিবা পুম্নমক মীনম্বা-লৌনম্বা ওইনা থম্মোয়না খল্লি। অদুনা নঙগীদমক লেপ্লি হায়দুনা নুংশিবনা কয়ারক হন্না হায়রগসু থাজবা লৈতে সুনোলতাগী থম্মোয়দা

- দা-নোংতম্বা ঐসু খংঙি। দা-নোংতম্বনা ঐগীদমক লেপ্পীরি হাযবা। অদুবু..।

ঙসিদি হায়দবা য়াদবগী হায়বা মানবা ৱাহৈশিংদুনা ঐবু তোইনা লাক্করি। হৌখিবা থৌদোকশিং অদুনা তুংগী পুন্সিবু অপংবা তাহল্লি পুম্নমকশিং অদুনা মরম ওইদুনা ঐবুদি হয়েং মতমদুদা কাওথোকপীগনুকো অসি হায়রগা হীক-হীক কপ্লকই। নোংতম্বসু থম্মোয় শেংনা পুক্লিং নুংশিনা হায়রকই।

- নঙনা ঙাংলিবা অদুশিংদুগীওন্ন-তৈনবদা হয়েং ইচাও চাওনা ঐবু ইকাইবা পীরম্নবদি মদুগী দোষ নংসু ফংঙুকো।

- অসুক ৱাজরিবা থম্মোয় অসিদা। থাজদবা ৱাহৈ অমতং হাযবিবা ঐগীদি কয়তা লাইবক ফরিবনো?

অসুম্না অমনা অমবু থাজনদ্রদুনা ৱারৌনরি। পুক্লিংগী ৱা শেংদোক্লদুনা। অরেপ্পা থম্নরি। অসি ওইরমানে পাখং-লৈশাবী হাযবদো। অসুম্না নুংশি ৱারি শানরিঙৈদা হৌখিবা খংহৌদে মতমসু।

কোরৌ নুমীৎনা মালেমসিদগী হেক চোংথখিবদা খংহৌদনা মমখ্রবা মালেম অসি। ইচিক চিক্লক্লে অতিয়াদা থৱাম্মীচাক্লা পুংলং লংলক্লে। ঙশাইমখৈ কদাযদা লোৎলুবনো খংদে। মথৌদা পুক্লিং চংবা অঙানবা নুমীৎ মাবু কিদুনা লোৎলুবা ওইরমানে? তঞ্জাইদা ঙাইরিবা থা অমসু ঙশাইমখৈদি মঙাল ফাওরমদে। হৌজিক্তি ইংনা তপ্পা অথোৎপা মঙালনা মালেম শিনবা থুংনা য়েংলক্লে। থৱাম্মীচাক লিশিং লিশিং থোক্লক্লবসু মচেৎ তারিবা থাজগুম্না নুংশিবা ঙমদে মসিনি ঐগী থম্মোয়গী অরেপ্পা।

মখোয় অনিমক ঙাইহাক তুমীন-তুমীন লৈনৈ। লোন্না-লোন্না য়েংনৈ। মীৎচীনা য়েংনবসু ঙম্নদে। অসুম্না লৈরিঙৈ সুনোতলাগী মনাওনুপীনা নুমীৎ তাশিল্লকপা অদুদা চীংনদুনা য়েংবা থোরকই, মমানসু কুইমল্লি হাযনা হায়রকখ্রবনি।

- ইচে-ইচে, ইমানা থেংলে চংলকও হাইযে, ইতৈ ঐখোয় ইচেদো পাখৎ চাওবনি।

কদায়দগীনো অহল-লমন ময়ামসিনা অঙকপা অমনি।

- মীনা তোইনা হাইজিল্লক্লবদি, তোইনা ঙংলক্লবদি নোংমদি শোইদনা মপুক্লিং ওনখিবা য়াই। ঐগীনি হায়দুনা কপ্পুনা থম্বদি য়াবা নত্তবনি। মীগী মচা লৈশাবীনিনা নঙ-ঐনা করি হায়রুনি।

পুন্সিবগী বাদো তাবদা নোংতম্বা থম্মোয়দা অবাবা ফাওরকই, পুক্লিংদা চিংনবা অমদি ফাওরকই হায়দি হায়দোক্তে। পুক্লিংদা মওং মওং খল্লক্তুনা ঙাইহাক অহাংবা অতিযদা য়েংদুনা তুমীন্না লৈ। মতৌ অদু পুন্সিবনা উরদুনা অসুম্না অমুক হায়রকই।

- করিসু চিংনরুনুদা! হৌনশানি তাইবং মীওইবগী।

-- ০০ --

তরুকশুবা শরুক

কালেনগী তবামরি পানবা নীংথিনা শাববা মতম্মনিংইশাদা ফি থোংনীংদ্রবা মতাংনি থেংলবা অহিংদা নুংশি মৈচাক্লা তুম্বা য়াদ্রবা ঙাংবীদোন ফমুংদা লৈবদু য়ারক্তুনা কাগী থোঙনাও অদু হাংদোক্লুই। কালেনগী নুংশানা চাকথেক্তুনা হৈরো ঙমদ্রবা মনা-মশীং কয়া অহিংগী লিক্লাদা তগৎ-তগৎ তেকথৎলি। ঙাংবীদোন থোঙ হাংদুনা তপ্না থোরকই। মৈচাক অদু খবা ফগদ্রা খন্না অদুবু নিংথীনা ফরবা থাবলগী মঙাল অদুদা মাঙ্গোল দাবিদা মখোঙ য়াম্নদুনা ফন্নগা থাবু মুন্না য়েংদুনা লৈ। নীংশিংলকই হৌখিবা থৌদোক মথং-মথং, তাঙাং-তাঙাং পোমতক তৌবা খজাইদুদা মীৎকী পীনা তপ্না তপ্না ঙাইহাক খজাইদুদা তোংলন্নগা লৈমাযদা তাথি। অসুম্না মথন্তা শোঞ্জে। মহাক্লা ঐবু নুংশিবমখিদ্রা? নৎত্রগা কনাগুম্বী মতিক চাবী অমগা....... থাজনীংঙাই লৈত্রবা নিপাগী থম্মোযসে চিংনদবসু ঙমদে। নোংমা নুংশিবগী কল্লবা নোংলৈ নুংশিৎ অমনা মফম খঙহনখিদ্রবা ঐগী চরৈ ফিদো মানা

তপ্পা খুনগৎপীদুনা ঐবু নুংশিবা ৱাহৈনা থেমজখি। 'ঙাংবীদোন নঙনা ঐবু থাদোক্লুনা অতোপ্পা কনা অমগা পুন্সি লৈপুল শেমগ্রবদি ঐদি করম্না লৈহৌগনি? নহাক ঐবু থাদোক্লুনা মফম কৈদসু চৎখিনুকো ঙাংবী'। ৱাহৈশিং অদু মখং মখং নীংশিংলগা মখন্তা অমুক পূন্নমক মীনম্বা ঙাক্তনি ঐগী ইফমদা, কবিগীনো অসুক কুইরবা মতমসি চিঠি অমা ফাওবা ইরকখিদ্রিবা ইনাক-কৈবাক খুনবা মচাশিংসে অসুম্না লোইনা তৌবা জাৎলা? নোংমা মানা লাইবিক তম্বা চৎলমদাইদা হায়খিবা ৱাহৈশিং অদুগা ঙসি মানা ইফমদা ৱাহৈ অমফাওবা খঙহন্নক্লিবা ময়ূমদা চত্তুনা মাগী লৈফম হংলুবসু ইকায়। ময়ূমদদি শোয়দনা চিঠি পীরক্লমলনি। ঐগী ইফমদা করিগী? নৎত্রগা ঐবু ৱারৌবকা লৈখিবা জাৎলা? অসুম্না ঙাংবীদোন থেঙলবা অহিং অদুদা হিক, হিক কপ্লম্মী। মমানা মীকপ থোবকপদা মপান্দা ৱারি শান্নবগুম তাবকখি মঙ ওই হা ওই পাখৎনা মীহুন তিং-তিং চোংবা মখৈ তপ্পা তাবি তুমিন্না অমুক লৈখিবা অদুদা য়েংলুবদা মচা ঙাংবীদোন্না ফম্বা অদু উবকখি।

মমা - ঙাংবী?

মচা - ইমা?

মমা - কৈদৌবে? অথেঙবা অহিংসিদা মাঙ্গোন্দা নখন্তা ফম্রিবদি? থেঙলে তুম্বা য়াদ্র?

মচা - তুম্লিংদদুনা লৈবম্লিবনি ইমা।

মমা - তুম্লিংদ্রবসু ইমূংদা চঙলকউ মতম ফত্তে।

মচা - হোই ইমা চঙলক্লগে।

মমা - নত্তে নঙবু কৈদৌবগে?

মচা - ঐ কৈস্‌সু তৌদে ইমা।

মমা হন্দক মবক্সে নহাক মওং অমা ইতৌ-তৌই ইমা য়েংবা নুঙাইতে। ঢাকসু নিংথী নুংঙাইনা চাদবা কুইবে। নশাদো নুংঙাইত্রগা ডাক্তর চৎসি।

মচা - ঐ কৈস্‌সু তৌদে, চুম্না কোক থবা চীকপগী ৱান ইমা।

মমা - চাক, ঈশিং অমত্তা চাদ্রিবদুদি।

মচা - অইং-অশা ওন্নরকপা অসিদা হকচাংসে চানীং-থক্নীংদবা খরা পোকপতনি।

মমা - ইবেম্মা ইমাসু নিংঙোলনি।

মচা - ইমা, (মমাগী বাহে অদুদা সুনোলতা পূক্লিং নুংশিরকই)

মমা - নঙবু পোকচবী নমা ওইজরবসু নিংঙোলগী অফ-ফত্তা তান্নফম থোকই। ইমা ইচাগীদি কনার্সু লৈতে। ফরিমখৈদি ফৈ। ফংলক্রুগদি লুখ্রাবী মচা লমহেনবী হায়নখিনি।

মচা - ঐসিবু ইমাগী নচা নত্রবরা?

মমা - ফরেসে চঙলকও খেঙথ্রে।

মমা, মচাগী পাউখুম অদুদা মথা তা'দে। থাবল ফরবা অহিংসে নুংশি বাখশ দা পোখাফম খঙদ্রবা, পূক্লিংদা মওন-মওন খন্দুনা, হিক্লা হিক্লা কপচরিবা থম্মোয়বু অমুক থেম। বারৌদুনা মাবু অমুক চৈ। তাইনফম খঙলক্রুবা মতমদা লাঙ্গদ্রবা নোংমদোল থাজদা তাইনদুনা ওইনজে। অতিয়াদা পাইরিবা অমুবা নোং মপৈ-মপৈবু তংতনা হংজে। চান্নবী ইতা, পাম্মুবা কনাগী মপাউবু লাক্লরোই হায়বা খঙলকউবা, ঙাইরি লাকখিনি খন্না। চুম্না নাবা অনাবদি হিদাক অমা চারগা ফৈ। নুংশিবনা নাবসিদি, করি হিদাক্লা ফগনি। কংদুনা কেঞ্জরিবা অকংবা ঊনা ফাওবা ঊরগা মখত্তা কপচৈ। চেক্লা পী থাদোইনা খোংলগা থম্মোয় শোক্লা কপ্পী, মসি ওইরমানে নুংশিবা হায়বদো। মচি খূদিং তূমীন-তূমীন ঊন্নদুনা বারি শান্নরিঙৈ করিসু খল্লমদে। হেক লাপথোক্নখিবগা চিংনবা বাখলনা পোখাহনদে থম্মোয়বু হায়নীংবা বা কয়া হায়হৌদে পাউখুম কয়া শেমদুনা থমজে থম্মোয়দা অদুবু নুংশিবনা ইনাক্তা হেক লেপ্পরবসু হকচাং পুন্না নিক্লিবনা করিগী? থম্মোয় শেংনা নুংশিরুবা হায়বসে মাগীদমক লেপ্পীংই। তান্নবা মীরম্রেন্দা নিংথীনা ফজরবী কনাগা ফম্মীন্নরমগদ্রা? নুংশিগী বারী শারমগনি। খঙঙি নিপা হায়বসে থেংনা থেংনরুবা মাগী ওইনীংঙি। নিঙোলগী থম্মোয়বু খূত্তুম চন্নবা লৌনম বাহে কয়ানা তত্তনা থেম্বীরি। মসিদা

থাজরুবা নিঙোলগী থম্মোয়সে ঙসিদি হায়ফম খঙদনা ৱারে। নোংমা মানা হায়খিবা ৱাদো লৌনম্বা ওইরমগদ্রা নীংশিংলকই। হৌখিবা থৌদোক মথং-মথং নুংশিরবা ইতারোই হাক্লা থাজবা থম্লুনু নিপা হায়বা জাৎসে চিরবা মতমদা নিঙোলগী লেপ্পীদে। মশাগী য়েংখি, কনা অমগীদমক নাথৈখি।

-- ০০ --

তরেৎশুবা শরুক

মেরা থাগী তরুক্পি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎকি নুংখিলদা ঙাংবীদো মখোয়গী মমাঙ পুখ্রী মপান্দা হৈ-লৈ নিংথীনা হৌবা মফমনি। নুংতিগী শিৎ-শেংদুনা থম্লিবা মফমনি। ঙাংবীদোন রেডিও পায়দুনা নোংমাইজিং নুমীৎকী পুং ১২ গী ড্রামা (নাটক) তাদুনা ফম্লি। মশামক্কী ৱারীগুম কপ্পি ড্রামা তারগা... হে নুংশিবা নহাকসে অসুক নুংশিবসিবু করিগীনো, নুংশিবনবু হায়রক্লবদি য়ানীংদবা লৈতে। পাম্মুবসু খঙদে, মানা হাযবদা য়ানীংই। অদুবু! নুংশি-নুংশিনা কায়নবখিবদি মীগী ওইথ্রবসু অদুম নুংশি। মতম অমদা ঐগী নুংশিবা .... ইপান থাগী ঈচেলনা, অহানবা লৌবুক্তা মাইগৈ খঙদনা লৌরি পাবা মখৈ চেনখি। কুমগী নোংনা লৈরিঙৈ মতমদা চুরম্মী তৎতনা থম্মোয়দা মাগী নুংশি ৱাহৈ..... অদুবু ঙসিদি লৈকংলা ওল্লে লৌবুক-লমহাং খাঙবা ৱারে, নুংশি মপাউ তাদরে।

অসুম্না ঙাংবীদোন নুংশি ৱাখলদা অঙাওবীগুমখ্রে। অমুকসু হেদো নাহে চল্লিবা অনাবগুম চাদ-থক্তরে। ময়াং ইকং-কংলে, শম্লাং ইফা-ফারে, তৌরাং ফবাক্তা ওল্লে অমত্তা ৱাবতা নত্তনা অপোকপী মমাসু ৱারে। মচাগী মতৌ অসিদা মমা ওইজরবসু নুপী মশেন্নি, করিগী খরমখৈদি খঙদনি। মচা নিঙোলশিংনা মচাবু মমান্নবীগুম অমুকসু অফ-ফত্ত খন্নে। ঙাংবী - ঐগী ৱারীশিংসে ইমাদা হায়দোক্লদ্রা খঙদে। ইমাসু ঐগী ইতৌসিদা খঙদবদি নত্তে। অসুম্না ঙাংবীদোন হাযফম খঙদনা

লৈবিঙে মমান্নবী বেবিকা গাবি মচা তোংদুনা লাকই। বেবিকা, য়াম্না ফিংনা নুংঙাইবা মাযথোং পুদুনা চঙলকখি। ঙাংবীদোন, ঙাংবীদোন ... ঙাংবীদোন মোং ইহা-হাদনা কবিনো অদুক ফিংনা?

বেবিকা - কবি ওইনি নুংঙাইবা মপাউ তমগে হায়গে লাকপনি। নয়ুমদা লাক্লগা কৌনীংদ্রবদি চৎলগে ইবেম্মা?

ঙাংবীদোন পূক্লিং লাঙতক্লনা - বেবিকা মীগী মতৌসু খল্লা খঙর্নসি।

বেবিকা - ঙাংবীদোন মাগী মপাউ অমত্তা তাখিদবে, চিঠিসু থাবক্লখিদবে ।

ঙাংবীদোন - কবিবু হার্যসিগে, মাগী মপাউ - অসি হাযবগা কপখি, কপ্লা কপ্লা - বেবিকা নুংশিবা হাযবসে কবিনো অসিবা।

বেবিকা - কবিসু খল্লুনুদা নোংমদি মাসু শোযদনা লাক্কনি ননাক্তা।

ঙাংবীদোন - নিপা হাযবসে নিপানি, মফম অদুদা লৈবিবা নুপীশিং মশক যাম্না ফজৈ হায। মীবমদগী লাকপা নিপাশিংসে মখোযবু উবদা ঙাওদবা ঙমদে হাযনৈ।

বেবিকানা পূক্লিং নুংশিনা - নিপা হাযবা জাৎসে ইনাক্তা লৈবিঙৈ ঐগীনি ইনাক্তগী হেক লাপথোকখিবদা নিপা হাযবসে ঐগী নত্তে হায়নৈ।

ঙাংবীদোন - মদু অসেংবনি ঐগুম্না নুংশি মৈচাক ফংবা কন্না - থম্মোয শোক্লা ফোংদোক্লম্বা ৱাহৈনি।

বেবিকা - থেংলবা অহিংদা লাক্লবোই নীংই মানা ইনাক্তা, থাবল ফববা নুমীৎ খূদিং মাতনা ইনাক্তা লৈহন্নীর্ংঙ।

ঙাংবীদোন - অশেংবনি বেবিকা থামম্বা অহিং কয়াদা খাকনা-লাউনা চুবিবা নোংলৈ নুংশিৎ মবক্তা নোংমা মানা লেপ্লম্মী। ঐগী কাগী থোঙনাও মনাক্তা, মাগী ৱাখন্দা তূম্বা যাদ্রবা অহিং অদুদা, হেন্না থোইনা নুংশি মৈচাক খাঙলিঙৈ তাঞ্জা অদুমক্তা মায়াগী শক্তমগুম লাক্লম্মী। মানা চৎলমদায মীবমদা। লোইনা চোৎলবা মশা অদু ঐনা কযাদা নুংশিখি। থেঙলবা অহিং অদো খঙহৌদে হৌখিবা। নুমীৎ অদুদা চেম্বিবা নুংশিবগী ঈচেলনা মাইগৈ খঙদনা চেম্বখি। - অসুম্না হাযবগা

হিক হিক কপখি। বেবিকাসু পূক্লিং নুংশিনা কপ্লকই।

বেবিকা - ঙাংবীদোন ঐসু নুপীনি নঙোন্দা থোক্লিবা অদুম্না ঐগীসুনি, কবিবু হায়কনি পঙলবা থম্মোয অসি ইতোম কপচবা নত্তনা?

ঙাংবীদোন - নক্রা লৈবিঙে অসুম্না ৱাবমদে। নুংশিবনা লাক্কনি হাযখিবা নুমীত্তা। কযাদা ৱানা ঙাইজখিবা। হে নুংশিবা নঙনা অসুক থেঙনা লাক্লিবা কবিগীনো হাযনা হংলুবা। নুংশিনা খুম্বীবকখিবা মাগী পাউখুম, তাখিদবা কুইবে।

বেবিকা - মীবমদা লৈবী নুপী কযাগা ফম্নীন্নবমগনি খল্লুবদা হায়ফম খঙদনা ৱাবা হেল্লি ঙাংবী।

ঙাংবীদোন - অশেংবনি অসুম নীংশিংলুবদা ঐনা কযাদা কপখিবা, ইথক্তা লৈববা মতমদা মাবু নীংশিংবা অসুম হৌল্লে। মীৎকী পীসু মনিং তম্বা হেল্লি।

বেবিকা - ঙাংবীদোন, খল্লবোই খল্লুবা মীৎকুপ খুদিং খনবা হেল্লি মাবু অসুম, অদুবু ঐগীদি লৈকাই অমতদা লৈমীন্নবনা হাযফম খংদনা ৱাই।

ঙাংবীদোন - অদুক নক্লনা লৈবগা কবিগী অদুক ৱাবিবা? উননীংবা মতমদা উনবা ফংবা, অযুক-নুংথিল লৈতনা উনবা যাবা নুংশিবা অদুবু কবিগী ৱাবিবা?

বেবিকা - (হাইফেৎ নোক্লগা) লৈকাইনা হেন্না ৱাই, ইবেম্মা।

ঙাংবীদোন - ৱাবগা হেক চেনখ্রোদনা।

বেবিকা - অদুসু হেক য়াদে ইবেম্মা।

নোকমীন্নৈ, নোক্লা-নোক্লা হাযবকই ঙাংবীদোন্না,

- মীতুম্ন্থবা মতম, কাগী থোঙনাও হাঙদোক্লুনা তুমদ্রিহায়বা খঙনবদো, ঐদি নত্তেইবেম্মা।

বেবিকা - (নোক্লা নোক্লা) নঙমক ঙাইবে খঙবিবিবা।

ঙাংবীদোন - খঙদদি কৈনো, ঐসু নিঙোলনি।

বেবিকা - নঙগী শক্তা ঙাওখিবা পাখং কযা-কযা যাওখ্রবনি। ঙাংবীদোনগী ফজবদা ঙাওদবা কনা লৈবগে?

ঙাংবীদোন - (শকফম হজ্জিন্না) পংথা থাগৎপীগনু, ইবেম্মা ঐগী করি ইতিক লৈদুনা ফজরিবনো?

রেবিকা - ফজৈ হায়রগা, শকফম হঞ্জল্লিবদুবু করিনো? ঐখোয়দি ইবেম্মা, নঙদৌনকা ফজরবা নিপাকা অমত্তা কোয়নরোই। নিপাকা চাকহন্দুনা থমদৌনি।

ঙাংবীদোন - (কন্না নোক্লগা) নঙোন্দগী কয়াম হেল্লদনা!

রেবিকা - খঙলেসে, ইবানিদা থাগৎনরোইসি ঙাংবীদোন, অতাবা মীনা তারগা নোক্নীংলম্লনি। অদো চৈরাওবসিবু কৈদৌসিগে?

ঙাংবীদোন - চৈরাওবদি কৈদৌকনি এঙ্গাং মখেল চারগা, চহী পোরগা লোইরেদনা।

রেবিকা - চহীসু পোসি চীংসু কারুসি ।

ঙাংবীদোন - চৈরাওবদি অনীনি করম্বা নুমীত্তনো? নঙগীনা নোংমা পানবা, ঐগীনা থাসিরমদায অদো, করম্বা নুমীৎতা চৎসিগে? ধর্ম্মনেনা তৌরিবসিনা চুম্বদি মৈতৈগীসিনা চুমদরো?

রেবিকা - অহলশিংনা যাদবগী তৌবনি। হয়েং মী ময়ূমদদি তোঙান হেক চাবগা মৈতৈ ওইনা তৌবগীদি মখোয ইমুংদি মৈতৈনি।

ঙাংবীদো - খঙদেদা লৈবাকসিদা তৌরিবা মতৌসে মুস্লিম অমত্তা খাইদোক্লদে, চীংমী অমত্তা খাইদোক্লদে, ঐখোয় মৈতৈ হাযবা জাতিসিনা খরা-খিৎ হেল্লি। মখোং মরম খঙদনা অচৌবা পাম্বা, শূদি শূনীংদনা অহাওবা চানীংবা লৈতি লৈতনা অরৈবা শাবা, মতৌ তম্বদদি মীনা হেন্দে।

রেবিকা - অদুইরাদি মচীন্দনা মরৈপাক্কী থবক্লা মশাগী, অফাওবা শানীংদুনা অখুনবা নোংমৈ অমা পায়রগা ঐদি... অদুদি খরা লৈরগা হেক্তা শিখি।

মরক অদুদা মমানা তপ্পা কৌরকই ইবেম্মা, ঙাংবীদোন নখোয়বু করি ৱারি শান্নরিবনো? নুমীৎ তাখিদৌরে, ঈশিং শোকচল্লরা?

ঙাংবীদোন - হোয় ইমা, শোকচল্লগে।

রেবিকা - ঐসু চৎলগে, থেঙখ্রে ইমানা কদায চৎখ্রবনো হায়রম্লনি।

ঙাংবীদোন - চৎলো থেঙখ্রনি।

মমা - নখোয অনিবু কবি ৱাবিনো, ওহ্নোক্না কুইনা শান্নখ্রেনে। বেবিকা নঙবু নমাদা হায়বগ্রা? খিবক্লোইদ্রা?

বেবিকা - হাযববুদি হাযবম্মী, চৎলে-চৎলে।

মমা - ইবেম্মা ঙাংবীদোন, ইমা মনা-মশীং খবাসিতা যোহ্নোক্লুখিগে থুমসু লৈত্রবনি ইমা লৈবক্লগে।

(৫)
নিপানশুবা শরুক

শজিবু থাগী নোংমা পানবা ইবাই নুমীৎনি থা অসিগী অহানবা হৌবা নুমীৎ অসিবু মৈতৈ চৈবাওবা, ঐখোযগীদি চহী হৌবা নুমীৎ নোংমা পানবা হাযনা খঙনৈ। অদুবু মৈতৈ ঐখোয়গী ইবক্তা ইকুই কুইদনা তোঙানবা ধর্ম্ম লাকপদগী তাঙ্কক অনি থোক্লা লৈখি। নোংমা পানবা নুমীৎ অসিবুনা মৈতৈ ঐখোযগীনি খঙনখি। অদুগা থা অদুগী মবক্তা নুমীৎ অমা হেক্তা তাবা নুমীৎ অমদা গৌব ধর্ম্ম চৎপা মীগী ওইখি। অসুম্না ঙাংবীদোন অমদি বেবিকা মখোয়সু চৈবাওবা চীং কাবকখি। বেবিকাগা নুংশিনজবা লৈকাইদা লৈবা পুন্সিবদি চীংখোংদা লৈবম্মু হাযনবদগী ঙাইদুনা লৈবম্বনি। অদুবু ঙাইহাক ঙাইদুনা লৈবম্বদগী মমান্নবা খবনা পুদুনা লম্বী অমদা চৎখিবম্বী । সোমদনা ঙাংবীদোন অমসুং বেবিকাসু চৈবাও চীং তম্না লাকই। মখোয অনিগী ফজবা অদুদা লম্বীদা চৎলম্বা মীয়াম্না শোন্নৈ। ওহ্নোক্না ফজখ্রেদা? অঙাংবা মচুগী ফুবিৎ লীৎপী ঙাংলৈনবা ফনেক অসিগা কয়াদি চানখ্রে। অমসিসু হাইবপ ফজে অদুবু! অমসিগা পান্নবসিদদি ওহ্নোক্না খেন্নবে অসুম্না অহল-নহা-হনু কযা ঙাঙনদুনা লৈহৌই। মশক অসি উবদা ইচা-ইমৌ ওইনীংখ্রেদা মতিক

মপা চাদবা পাখং মচা কযানা তকসি শোন্দুনা মতিন যোৎনৈ । অমুকসু অসুম্না হাযনৈ লম্বী চৎপী ফিঙাং ইনবী তাদৈ কৈনো ইতৈমা হায়দুনা ঈশৈ ওইনা শক্তুনা লৈহৌবসু কোঙ্গাযনি। ঙাওশিন্নবা নহা কযাদি মতুংদা শল্লুপ-শল্লুপ ইন্নবি। ষন্নাও মচানা মথি তৈবগা তোকই হাযবদো অসি ওইবমানে। নহা-পাখংশিংনা লক্নবিবদো খুন্নুবা লৈতে, তাং ু লৈতে, যেংলুবসু লৈতে। মখোয অনিমক যেংবু-যেঙলুদ্রবদি, তাবু তাকদ্রবদি, খবা ইন্নবন্নগা অদুম চৎনখি, কান্নদ্রে থন্দুনা অসুম্না মখোয অনি।

ঙাংবীদোন নঙগী হেবোদুবু ঙাইবমগনি হাযবদাই।

বেবিকা - চীংখোঙদা লৈবমগনি হাযবনি, খঙদেদা লৈকাইগী মীনোক মৈশাবু খঙগদ্রা? নুংশিবগী অহল-লমনগী চৈবাকপু খঙবনে? ৱাবী শাফমসু খঙদে। পাউ তম্ফমসু লৈত-থম্মোযনুংদা চাক্লিবা মৈচাকসে কনাসু খঙদ, লৈকাইগী ইমান্নবী কযা লৈ। লুনা তিন্নবা কযাসু অদুবু, লৈকাই খঙগদ্রা, ৱাবিবা মা-ঐগী নুংশিবসে। লৈকাই কনাদা তম্লুনি।

ঙাংবীদোন নখোয ইমা পাবুংদি কবি হাযবি?

বেবিকা - ইমাদি চপ চানা খঙলে, পাবুংদি ইমাদা পাবুং খঙহনগনু হাযদুনা কন্না মেল্লি। যুমলোন্নৈ হাযবগী ৱানি, উননীংবা মতমদা উনবা যাম্না ৱাই।

ঙাংবীদোন - অদুবু হৌজিকপু লৈকাই খঙদ্রিঙৈদা কাযনবগে হাযববো?

বেবিকা - কাযনবা ঙমনি হাযবা থাজদে।

ঙাংবীদোন নুংশিনববু লৈকাইনি লম্লানবনি হাযদুনা নুংশিনবোইসি যাববো?

বেবিকা - হোযদা, লৈকাইনা লুদে, নুংশিবনা হেল্লি।

ঙাংবীদোন - চীংখোঙদি যৌবে, অসোমদা মীযাম চৎনবিবা অসোমদা চৎসিবা?

বেবিকা মফমসিদা থেংনসি হাযবনি। লাক্লিববা খঙদে, ঙাইবা ওইনা ঙাইহাক পোথাখিসি হৈনৌ মখোঙসিদা ।

ঙাংবীদোন - ফজদ্রা চীং লম্বী অসিদা পবেং পবেং চৎলিবা মীযাম অসি, অদুগা

কযা অমনা মাগী মাগী পাখং লৈশাবী, উখোঙ খুদিং।

বেবিকা - (ফাগী ওইনা) মসি যাওদ্রিসি ইবানিগীতা ঙাযবে, নোকমীন্নে।

অসুম্না মখোয অনি হাযনখিবা চৈবাও চীং মখোঙদা ফমদুনা লৈ। পাখং লৈশাবী রাবি শান্নবিবা খবা অমনা লুকথনা শান্নে, খবনা নোক্ল-খেনা শানৈ, খবনা খূৎ শম্ন দুনা চীংদোন তম্না কাবি।

শাববা নুংশা মবক্তা অঙাং-অহল কযাসু চৎনবি, পঙ্গুংফম অমা তম্না। অঙৈংবা ববফ যোনবা মযাং অমদগী ববফ অনি লৌদুনা ঙাংবীদোন, বেবিকাসু নুংশাগী অশাবা মৈশা অদো খাঙলি। ববফ যোনবা নিপা অদুনা পৈশা লৌখিদে। বেবিকানা তান্নদুনা পী, লৌ হাযবা যাখিদে। বেবিকানা কাবগীনো ববফ যোনবা মযাং অসিনা ইবানিদগী পৈশা লৌদ্রিবা অসিনা নাইতোম তাববা ইবানিবু উবদা নুংশিকববা খংদে।

ঙাংবীদোন (ফাগী ওইনা) অতৈনা নুংশিবীদ্রবসু ববফ যোনবা নিপা অ[illegible]নদি নুংশিবীবিদনা।

বেবিকা - (কন্না নোক্লদুনা) অসুক যামখ্রবা মীযাম মবকসিদা নন-মণিপুরি অসি খক্তনি ইবানিবু নুংশিবিবা। মসিগী চপ চপাবা প্রমান্দি চূপলিবা ববফ অসিনা সাক্ষিনি।

মখোয অনিমক কন্না নোক্লিবা অদুগী তাঙ্গাদুদা তুংলোমদগী পুন্সিবনা

পুন্সিবা - ববফ অদু ঐসু চূপচগে? খংপ্রেক খংবা মখৈ মখোয অনীনা - ববফতি মপু পানখবে।

পুন্সিবা - যাহৌ থেঙবা সেন্দ্রাং সুক্ল লাল্লদ্রা?

ঙাংবীদোন - নপুকচেনতা শেংঙু মচং পীজগে।

পুন্সিবা - পুকচেলগী রাদি শজিবুগী নোংলৈনা মাইগৈ খঙদনা পুবীখিগদ্রা খন দুনা ইমান্নবা অমত্তা তাক্লমদনা নোংলৈনা হুন্বা অকংবা উনগুম মাইগৈ খঙদনা পাইবকপনি।

ঙাংবীদোন - পাইবক্লবোই খল্লম্বা চেক্লাদো পাইযক্লে। হৈনৌ মাপল উমদুনা। চৎলো

বেবিকা নংগী থম্মোয লকানুংদা মনীংতম্না খোংহল্লুবো।

বেবিকা - ৱা খঙবী ইবেম্মা, নঙগী মীগী অৱাবা উবসে উইদা?

ঙাংবীদোন মবোল খোক্রুবা উপাল অসিগী মপান তাংদুনা কংলবা থম্মোযগী লৈকংলাগী ৱাবীসে তন্নমগে লেঙদ্রবা উপাল অসিদা।

পুন্সিবা - থৌজাল হৈনা মপু মালংবনা কংলবা থম্মোযগী লৈকংলা অদুদা অমুবা নোং পুদুনা শোযদনা লাকখিগনি।

বেবিকা - ঙাংবী, নথন্তা নুংঙাইগদ্রা? পূন্না সুম কাকসিদনা চীংদোল যৌনবা।

ঙাংবী - ঐদি কাবা ঙম্রোইএ, চৎলো নখোয অনি।

পুন্সিবা নুংঙাইগদ্রা? নথন্তা।

ঙাংবী - দা পুন্সিবা লাপ্নদি পুবীখিনু মীপাই চাউবীনি।

বেবিকা ফবে অদুদি অসুম যন্নম্মুকো কুইবক্নোই।

পুন্সিবা - নাইতোম তাবা কৈনা চাজনিকো?

ঙাংবী - নখূৎ চল্লে খন্দুনা লাপ্না পুবীখিনুকো? পুন্সিবা

পুন্সিবা - (লাপনা) তাংনা ফংবা মতমনে। তহা-তহা থাদোকফদে

অসুম্না চৈবাওচীং মখোঙদা ঙাংবী মথন্তা ফমহৌই। মথন্তা শোঞ্জহৌই তপ্রা হন্নিবা হে মালংবা, ঐবুসু পুবীযু নুংশিবগী মনাক্তা। কৈদৌঙে ঐনা মাগা অমুক্তং অসুম্না উনবা ফংগদৌবা? তোনলিদকো হে নুপী? ঙাংবীনা চীংখোঙ অদুদা ফমদুনা মীযাম্না চীং কাবিবা অদোমদা যেংদুনা মীত্তা পীবাং শিন্থনা কপ্লি। চৈবাও চীং কাবা লাকপনি অদুবু ঙাংবীদি চৈবাওবগী এঞ্জাং মথেল অহাওবা মযাম অদু যেংলমদে মমানা খোংলিবা ঙা অদো শেমদি শেন্নম্মী হাযববু কযা হবাওবা উদনা, ফজববা মাইখোংদুনা হৈনীং শিংনীংদবা মতৌগুম, তূমীন-তূমীন লৈবা অদু মমানা উবম্মী। চীং কাবা লাকখিবা ঙাংবী চীংকাবা চৎনীংখিদে অদুবু মমান্নবীনা কন্না হাযজবদগী চৎনীংদ-চৎনীংদ লাকখির্বনি। চৎনীংদ লার্কাখবী ঙাংবী অমুকসু লাকমীন্নখিবা

মমান্নবী অদুনসু মাগী নুংশিবা নিপা লাক্লবদা চীংখোঙদা মথন্তা থনম্লগা চৎখিবা অসুম্না ঙাংবী হাযফম খঙদনা পূক্লিং নুংশিবকখি। অসুক নুংশিনা লৈবিঙৈ ঙাংবীনা ফম্লিবা মনাক্তা হৌবিবা হৈনৌ পাম্বী অদুদা চেক্লা পী-থাদোইনা খোংলকই। পি-থাদোই, পি-থাদোই, পি-থাদোই পি পি পি পিপিপি।

শাববা নুংশা, শজিবুগী নুংশা অদুবু খন্দুনা হৌবিবা হৈনৌ পাম্বী অদুবু মুন্না যেংখৎতুনা কপ্লকই। হা-চেক্লা, নঙসু ঐগুম্না নাইতোম তাবব্রা? নৎত্রগা নতাবোই কনা কাযনবগী অদুক থম্মোয শোক্লা তেংথাবিবা। হৌবিবা হৈনৌ পাম্বী অদুবু ঙাংবীগী মতৌ উবদা মবোল থোকপা পাম্বী অমগুম তূমীন, চেক-মোক লাউদনা লৈখ্রে। অসুম্না ঙাংবী মফম অদুদা চৎনবিবা মীযাম অদো উকুবা লৈতনা নুংশি মাগী ৱাখলদা লাউদুনা কপ্লিঙৈ ঙাওশন্নববা নিশানা লাইজুববা নিপা অনি গাবি যামহা অমা তোংদুনা লাক্লগা ঙাংবীবু হেক উবদা, মসিদা মথন্তা ফম্লিবা নুপী মচা অসি ফজদবা? নিপা অমনা হাযবকই, তান চাবে ভাই, ঙসিদি ইবানি অসিদা ওইনা । গাডি দক খাম্মী। তু ংদা তো ংলিবা নিপা অদু শৎ কূমথে। মাবু কৌখিবগুম পবপ পবপ চঙশিল্লি। নিপা অমনা কবেম্নবকই, ঐখোযবু ঙাইবীবা কযাম কুইববগে? ঙাংবীনা যেংলুবা তাকুবা লৈতনা তূমীন্না লৈ। নিপা অমনা অমুক কবেম্নবকই, কুইনা ঙাইহল্লি হাযদুনা শাউবদো হেন্না ফজৈ। নিপা অমনা সে, শাউবনু, হৌগৎলকউ, নঙগী নিঙবা থুংহল্লগে চৎসি উবক-ইবক মবকসিদা। কনামত্তা উববোই। ৱা হাযবদা পন্দবা অকিবা লৈতবা হাযবসে নিশা চাবনা খবা খিৎ হেল্লি। ৱা অদু তাবদা ঙশাই মখৈ খুন্নদবী ঙাংবী শাউবনা মশা পুম্বা থক-থক নিক্লকখি। অশাউবা ৱাহৈনা নখোয কৈদৌবা লাক্লিবনো মফমসিদা নশকশিংদু যেংনীংদে। নিপা অমনা হাইযেৎ নোক্লগা কবেম্নবকই, তবাববা চীনবান অসিদগী খোবকপা খোযথুম্নববা যাৱা অসি তাবদা অবাম খৌবাংবা হেনগৎলক্লে থম্মোয় অসি। ঙাংবীনা ঐবু ইথন্তা লৈ হাযদুনা উশিৎত্রিববা? চৎলিবা মীযাম অসি তাননবা লাউদ্রিঙৈ থুনা চৎখো, নখোয নিপা হাযনা জাৎসিনা ঐখোয়বু কবিসু লৈতনা খল্লিবা কবিগীনো ' নুপী ঐখোযসু মীনি। নিপা অমনা ভাই, কান্নবোই ঙাইহাক মী চিল্লিঙৈদা ফাবগা অসিগী লোক মচা অসিদা পুবগা লোইবে, কনাসু

উবোই, পাখং-লৈশাবীনি খঞ্জনি ভাই। মখোয অনিনা ঙাওনবা অদু তাবদা ঙাংবী খোঙলৈ থুনা মীযাম লৈবা অদোমদা পবপ পবপ চৎলম্মী। নিপা অদুনা ফাবগা পুননবা, নুপী অদুগী মাঙদা থৎলম্মী। নিপা অমনা ফিদা হেক পাযবা হৌবগা নুপী অদুনা লাউবম্মী - নিপা অমনা যাম্না থুনা চীন মেন্ননবা হোৎনবম্মী মশানা যাদবা নুপী অমবু, নিপা অ[illegible] ফাবা হাযবসে অবায়বা থবক নত্তে। নুপী মচা অদুগী অবোইবা পাঙ্গল পুথোক্লুনা নিপা অনি অদুবু কনথৎলম্মী। তাঞ্জা অদুমক্তা ঈশ্বরনা ঙাইদুনা লৈবম্বগুম নিপা অমনা মশাবী অমগীদমক শিবা কিদনা থৌনা লৈনা, ফৎত্রবা নিপা অনি অদুবু ফূদৎলগ্লগা নুপী মচা অদুবু কল্লম্মী। নিপা অনি অদু যাম্না থুনা গাবি থৌদুনা চৎখিবম্মী। নুপী মচা অদুবু কনখিবা নিপা অদু কনাসু নত্তে, ঙাংবীবু যাম্না নুংশিজবা মতম পূম্নমক্তা ঙাংবীবু ঙাক শেল্লিবা কুনজবনি অদুবু নোংমতসু ঙাংবীগী মফমদা ফোংদোকখিদবি। ফোংদোক্কে খনবা তাঞ্জা কয়া লাকখবে অদুবু কুনজব হাযঙম তৌঙমদবা নীংঙমজদবা মীনি। অদুগী মথক্তা ঙাংবী নোংতম্বা মবী লৈনখিবা মীৎকুপ অদুদগী ঙাংবীবু নুংশিবা হেনখি, ঙাংবীগীদমক কথোক্কে খনখি। চীনবাম্লোক্লা নুংশি হাযববোই ফোংদোক্লবোই খনখিবা কুনজব নুংশিববু থম্মোযদা চেৎনা থল্লগা ঈশ্বরদা তৎতনা নিজবা হাযজবা নৎতনা কুনজবগী লাৎচর্বিবা ঙাংবীগী নুংশি শক্তমনি। ঙসিসু ঙাংবীনা অরাফমদা তাবগদৌ মীৎকুপ্তা কুনজবনা কনখি। ঙাংবীনা - তা কুনজব, লাক্লমদ্রগদি নুপী ওইবীগী ঈজ্জৎ মাঙলমগনি।

কুনজব - কবিগীনো নাইতোম তাবগ্লিবা ।

ঙাংবী - বেবিকাগা লাকমীন্নবনি।

কুনজব - সুনোলতা মফমসিদা কুইনা লৈনু

হাযবল্লগা চৎখিবম্মী, সুনোলতাসু মতুং ইন্দুনা চৎনীংলম্বনি অদুবু হাযবা ঙমহৌদনা লৈহৌই।

-- oo --

মপনশুবা শরুক

লাংবল থাগী তবানি পানবা ইবাই নুমীৎনি। নিংথীনা শংলবা লবুক্কী ফৌনা মপূং ফাববা ফৌনা মালংবগী তাঙ্খাদা থেক্না নৌনা নিংথীববী নুজানা থেক্না জগোই শাবগুম ফৌনানা জগোই শাবি। লাংবনগী নুংশা লৌচি লেপঙমদে হায়নবিবা থানি। লৌপুনা, লৌচিদা লেপ্তুনা মোমোন নোক্নি। নুমীৎনা নোংচুপ চীংগী চীংদোন্দা তোংদুনা চোংথগদৌবগী শেম শাদুনা লৈববা মতমদা, নুংশি ৱাখলদা ঙাওদুনা লৈবিবী নুপী মচা ঙাংবীগী মতৌ, সনা অহিংবা মতৌগুম নিংথীনা ফজববা নুমীৎপু মীৎকুপ্তুনা যেংজে। মতাং অদু উবদা নুমীৎমকসু ঙাংবীবু যেংলম্লগা খঙহৌদা চোংথখবে। উনা উনা খুম্বা ঙমহৌদ্রবা মশাবী অমগুম হিক হিক কপ্পি। 'লিবি হুন্নিবা মালংবদা হায়জৈ নুংশি মাইগৈ তম্না হুন্নিবা মাল্ংবা ঐবুসু পুবীযু নুংশিনাক্না কৈদৌবগে? নুমীৎ লৈবিঙৈ মতমদা ঙাল্লম্বনি, নুমীৎনা মযূম চঙখিবদা খঙহৌদনা মমখ্রে তাইবংসে, মযেক শেংনা উবম্বা চীংযা-তমযা উখিদবে। মযেক শেংফাৎত্রবা মমিং নত্তনা, উবা ফংদবে। অসিবা নুংশিবা, হায়নবা লৈ নিপা হায়বসিতবু ইনাক্না লৈবিমখৈ ঐগীনি হায়নৈ। ইনাক্তগী হেক চৎথোকখ্রগা মীগীনি হায়। অসুম্না ঙাংবীসু মপূক্লিংদা মওন-মওন খন্দুনা থম্মোয়দা অৱাবা অমা ওইববকখি। মপূং-মবৈ ফাবকপা চূং-ফিবান চানা নিংথীবী নিঙোল অমবু অউবা কনানা কল্লক্তবা লৈতে। ইকায খঙদবা কল্লকবতা ওইবা নুংশিবা যাওদবা কনা অমনা তত্তনা ঙংলি। লৈকাইগী মনে, মচে, কযাদা। অসিতা ঐগী ওইহনবীযু চাক কৌজগে হায়বকপা কয়া অমনি। অসিগুম্বা ৱাহৈ কয়া অসি তবা-তবা হেল্লি ঙাংবীগী ৱাখলদা মশানৌ পাখং অদুতবু নুংশিবা। অসুম্না ঙাংবী মখা থংবা মাঙ্গোল দাবিদা ফমদুনা মহৌশা মখোয় অনিনা চৎমীন্নখিবা মফম কযা মথং-মথং নীংশিংলি। মন্নি মন্নি উবিবা মমাঙ চীংগী চীংদোন্দা লাম্মৈনা চাকপা উবকখি অদুঙৈ ঙাংবীগা নোংদম্বগা চৎমীন্নখিবা ঈশিং থিংবী চীংদোন্দা চাক্লিবা লাম্মৈ অদু উবদা ঙাংবীগী থম্মোযদা হায়ফম খঙদবা অৱাবা হেনবতা নৎতনা হীক্না হীক্না কপ্লকই। মফম অসিবু হেক উখিবা মীওই খূদিংমক যাওবা কাউবা ঙমদ্রবা মফমনি।

চীং অসি ইম্ফালদগী নোংপোক চীঙ্খৈ ওইনা লৈ। ৱাংজিং হৈবোক্কীদি নোংপোক্তা লৈ, হৈবোক্তগীদি যাম্না লাপত্রে। হৈবোক্তগী খবা চৎলগা ইঙাংলোক লৈবে, ইঙাংলোক যৌদ্রিঙৈদা লোক মচা অমা লৈ মসিদগী খবা চঙশিল্লগা শাজিংখোং হায়না খঙনৈ অসুম্না ইঙাং লোক্কী ৱাবীসু মমাংঙৈগী অহৱশিংনা হায়বীবম্মী। ইঙাং লোক হায়খিবগী ৱাবী লৈ। অদুঙৈ অৱানা মৈতৈদা তত্তনা লান্দাবকখি, চহী তবেৎ শুন্তাক্রিঙৈগী মতমদা অৱানা শামু তোংদুনা লান্দাবা লাকখি। মতম অদুদা মৈতৈ লান্মীশিংনা মফম অদুদা চেল্লিবা তুবেল, ৱাংজিং তুবেন অসি থিংদুনা ঈশিং মৌখৎহন্দুনা অৱাগী লান্মী লানশিনবা ঙমদনবা হোৎনৈ। অৱাগা কন্না তত্তনা লাল থেংনবা মফমনিসু হাযবি, মতমদুগী ৱাবীদি অবিবা লাইবিক্তা থেংনবীবনি। ইঙাংলোক্তগী খবা চৎলগা চীংলম্বী মচা অমদা কাখৎলগা লৈবা ঈশিং থিংবীনি। মফম অসি হাযনিংঙাই লৈতনা ফজে। খূৎ-হৈবা কনানা শেল্লম্বগুম কযাদা নিংথীবিবা, উমংগী লৈকোলনো? উযুং, শহি পাম্বী, উনা পবেং পবেং, হৈগী জাৎসু পুংদোল, নোবাপ, হৈনৌ, কফোইনচিংবা পবেং পবেং উবদা পূক্নিং হূবা মশাক্নি। কনা কনাগুম্বনা মফম অসিদা কোযবা লাক্কুনা লম যেংলম্বগী, চাক থোংদুনা চাখিবগী চাক থোংফম মফমসু পবেং পবেং লৈ। চীং অনিগী লোক্তগী চেম্বকপা ঈশিং অদু চীং অমনা ফৈনা থত্তুনা লৈবিবা অসিবু ঈশিং থিংবী হাযনা খঙনৈ। ঈশিং থিংবী হাযবমক যাই, লাই অমগী শক্তি শোযদনা লৈগনি। পুম্নী অচৌবা অমগুম লৈবিবা অসিবু নোংজু কযাদসু পাথোক্তে, নোং চুদবা ঈকং কযাদসু মযেং তাদে। লৈবিবা চাং অমদা অদুম লৈবা ঈশিংনি। থেংনকবা মীওইবা কযানা হায, মফম অসিদা ঙানু অঙৌবা অমা চাক্তাদুনা লৈবা থেংনৈ হাযনৈ। থৌওইনা ফাগে তৌকববসু মফম খঙদনা হেক্তা মাঙখি হাযনৈ। লাইগী শক্তি লৈববা মফম অসি অউবা কযাদি খঙলমগনি।

উযুংগী উফৈ ফৈবাদা তোংদুনা শাৎলি খোঙ্গুমেলৈ কদাম্বদি লৈ, যেকমলৈ উবৈ ফৈবাদুদা কযাদা নিংথীনা শাৎলিবা চবোং-চবোং যাম্বিবা লৈ অদুবু হেক্লীংদবা কনাবু লৈবগে? মফম অদুদা লৈবিবা উচেক মখল কযা। চীংনুংগী হাবৌ তম্নাগী মখোলনা নুংশিবা ঈশৈগী ম্যুজিক্কুম কযাদা পূক্নিং শোক্লিবা। মাগী মাগী নুংশিবা,

নুংশিবী কযা পুবক্কুনা নুংশি ৱাবি শাকনি লাক্লগা মফম অদুগী ফজবা অদুতবু যেংদুনা লৈবিঙৈদা নুংশিবা নুংশিবী কযা কাউথোক্কুনা অবেম্বদা মতম মাঙহন্দুনা হন্নখিবা কযানি। হাযবিবা মফম অসিদা নোংতম্বগা সুনোলতাগসু নোংমা লাকমীন্নখি। নুমীৎ অসিগী থৌদোক মথং-মথং নীংশিংদুনা কপ্লকখি। ঙাংবীনা নুমীৎ অদুদা নুংশিবা মানা ঐগী হকচাং অসিদা তম্না পাযবকখিবদা ইকাই নুংশি যান্ননা ঐনা তত্তনা চৈখি। মঙোন্দা মতৌ ইমান-মান্দ্রবা মানা ঐগী থম্মোয়বু লাইনা খুদুম চনশিনখি। চৈখাইদুনা লৈবিবা ঐগী চবোই ফি অদু খোমজীনবীদুনা মাগী তম্পাকথক্তা ঐনা কযাতা নিংঙাইদনা লৈথোকখিবা। অসুম্না নুংশি ৱাখলদা লৈবিঙৈ,

মনাওনুপী - ইচে তুম্লসি থেংলে।

মচে - কবি হায়বা ইনাও,

মনাওনুপী (মচেগী মওং অদুবু খঙলদুনা) - ইচে ঐদি নুংশিনবা হেক লৈবগা হেক্তা চেম্বোকখিনি।

মচে - চেনসি হাযবক্রবদি?

মনাও - নিপাবু অমত্তবো, চেনসি হায়বা নিপাদা

মচে - নুংশিদুনা হায়বা ওইবমদ্রবদি?

মনাও - ইচেগী ৱাসিদি ঐসু খঙদ্রে। অদু ইচে থেংলে তুম্লবসি, ইমানা চৈবক্লনি।

অসুম্না হায়বল্লগা তূম্ফম কাদা চঙদুনা তুম্নবা শেম-শাবি। মচেসু ইমূং চঙলক্কুনা থোঙ লোনশিন্দুনা তূম্ফম কাদা চঙখিবম্মী। অসুম্না মনাওনুপীসু তূম্ফম কাদা চঙখি। ঙাংবী ফমুং ময়াযদা ফমদুনা নুংশি মৈচাক খাঙলিঙৈ, হাঙদুনা লৈবিবা থোঙনাও অদুদা থাবল মঙাল চঙলক্লিবা অদু তপ্না যেংথোকখি। ৱাখন্না পুবকখি মহাক্কী শক্তম, কোকচাওবী শ্বাই কায, নুংঙাইবা ৱাখলগা। অসুম্না তূম্বা চাবা খঙদ্রবা ঙাংবী তপ্না হৌগৎতুনা যেংলুই থোঙনাওদা মকোক থিন্দোক্কুনা, থাবলগী মঙালদা হৈনৌ পাম্বী মকমদা লেপ্লিবোই খন্দুনা অমুক্কা শ্বাই লাউই। ওইথোক্রোইদবা ৱাখলদা

মংলান কযা শাগৎলি। অবেম্বদা হকচাং শোহ্নহন্দুনা ৱাবা লেপ্তে মাগী ৱাখলদা ঙাংবী।

নুংশিবা হাযবা অসিবু তশেংনমক নুংশিকবর্বাদি ঙাওদবা লৈতে। থম্মোয কখোল্লুবা কনাদি নুংশিবা অদু উবক্তুবা মতমদা লৈফম চাফম খঙদবা হাযবসে মশানা তাবনি। নুংশিবা অমনা নুংশিবা অমগীদমক কদায়ফাওবা কখোকপা ঙম্বগে হাযর্বসি শিবা ফাওবা ঙম্মী। চান্ন-নুংশিননা লৈমীন্নবন্নবা মচা, মশু যাওনবযাওবা নুংশিনবক্তুদুনা মোৎ চানবক্তুদুনা কাযনখিবা কযাসু লৈতবা নত্তে। কনানা তম্বা ঙমগনি মীওইবগী মতমগী খোঙচৎ। অসুম্না সেকেণ্ড দগী মীনিটতগী পুংদগী নোংমা অসুম্না হৌখিবনা অহিং অদো নোংঙানখিবা খঙহৌদে, মশাবী নোংতম্বনা পীবম্বা খুদোলপোৎ কযা পুথোক্তুনা নুংশি চৈনা খাংঙি।

-- ০০ --

তরাশুবা শরুক

মেরা থাগী পুর্নিমাসি নুমীৎ অসিবু মেবাগী ৱাযুংবা হাযনা খঙনৈ। মেবা হৌ চোংবা হায়নসু নুমীৎ অসিদা চীং-তম অনিনা মৈহৌবোলদগী চৎনবী অসি ঙসিফাওবা কাযদনা চথবি। নুমীৎ অসিগী অযুক্তা পুন্সিবনা কুনজবগী যূমদা লাকই। কুনজব মাগী কাদা ঙাংবীগী শক্তম যেক্তুনা লৈবিঙৈ তাঞ্জা অসিদা পুন্সিবা পবপ পবপ চঙশিল্লকখি কুনজব লৈত্র হাযনা। কুনজবনা কনা অমত্তা খঙহন্দনা থম্মোযদা চেৎনা থমজবিবা নুংশিববী ঙাংবীগী শক্তম অদো পুন্সিবা উহন্নীংদবনি অদুবু লোৎশিনবা নংহৌদ্রে। কুনজবনা লাকই হাযবকা খঙদে ৱানি।

পুন্সিবা - ঙাইখোহৈ, অতৈ লাইবি নঙনা যেক্লিবসে কনাগী শক্তমনো?

কুনজব - কনা মাল্লি ?

পুন্সিবা - নঙদি লাই যেকপা মীসু নত্তে।

কুনজব - ফজদ্রববো?

পুন্সিবা - নঙনা যেক্লিবসে ঙাংবী নৎত্রনে?

কুনজর - (ইকাইবপ তৌনা) নঙসু হেক্তা হাযমল্লেদা।

পুন্সিবা - ফজববা চীনবাল মখাগী শম্ভু অসিদি হায়নীংঙাই লৈতনা ফজৈ। য়েংবদা অমত্তা ৱাত্তবী ঙাংবীনি। লৈকাইগী অহলশিংনা ঙাংবীনা অঙাং ওইবিঙৈদা ফজবা অদু উবদা থম্বালগী মচানুপী অসিদি থম্বালনা অঙাং ওইবিঙৈগী অঙাংবীনি হায়দুনা ঙাংবী ঙাংবী কৌনবগী ৱানি। মাগী অশেংবা মীংদি সুনোলতা কৌবনি।

কুনজব - খঙহন্নীংদদুনা কবিনো পুন্সিবা নঙনা থিবিদুবু? অদু পায়কনু চিঠিনি মীগী।

পুন্সিবা - মীগী চিঠিদি ঐনা যেংবা য়াইনা

চিঠি অদু পাগে তৌবদা কুনজবনা মুনখি

পুন্সিবা - কুনজব, নঙনা সুনোলতাবু কয়াগী মতীক নুংশিবগে হায়বদো ঐ ঙসিদি চপ চানা খঙলে। ঙাংবীগী মফমদা নঙনা মবোল থোক্রুবসু থম্মোয়দা হায়ফম খঙদনা পাউখোং, ঙাংবীদা চনখিবদো?

কুনজব - (নুংশিনা মকপতা হায়বকই) - ঐনা মাবু নুংশি হায়বসে নহাক মাগী মফমদা খঙহনবীগনু ঐনা মাবু নুংশিবদি কবি হায়না হায়বসিগে?

পুন্সিবা - অসুক কুইববা মতমসে থম্মোয় অদুদা খাঙদুনা লৈবিবা মকপ নঙসে তশেংনা ঙমদি ঙম্মী। মাগী মফমদা মকপনা নুংশি হায়বসি যাম্না কিনা খল্লুবমানে। নিপা ঐখোয়না লৈশাবী অমদা নুংশি হায়বসে মসিদগী হেন্না মমল অমা লৈত্রবনি। লৈশাবী অমগী মপুন্সিদা নিপা অমত্তনা নুংশি হায়বক্রুবদি নুপী অদো মবাযবক অদুদগী হেন্না থীবা লৈত্রবনি।

কুনজব - অদুবুদি চুম্মী। অদুবু মাগী মফমদা অযেৎপা ওইবনি খন্দুনা থম্মোয়নুংদা মাবু নুংশি শোঞ্জবা নত্তনা কবিদি লৈবি ঐগী উপায। মকপ নোংতম্বনা মবী লৈনবমদ্রবা খবসু ফদৌনি অদুবু হৌজিক্তি উপায় অমা লৈত্রে। ইচিনসিনা হায়বা ঙম্নি হাযবসু ঐ থাজদ্রে। মা নত্তনা ঐগী নুংশিবসু লৈববোই।

পুন্সিবা - কুনজর। হৌজিক মতম য়াম্না লৈরি লৈশাবা অমনা মযূম হেক পান্দ্রিবখে মপু লৈতে। নঙসু মপু ওইবা য়াই।

কুনজর - হৌজিক্তি হাযরবোই খল্লে। ইমা-বাবানদি ঐবু য়ুম পালহন্নিংঙি, মখোয়সু অহল ওইশন্নরক্লবনিনা অদুবু পুন্সিবা ঐ য়ূম পাল্লরোই।

পুন্সিবা - করিগুম্বা ঙা ্বীনা নুংশি হাযরক্লবদি ?

কুনজর - মতম অদুদা ঐগী থম্মোযদা শক্লিবা ঈশৈ অসে মাগী মফমদা তাহনগনি। ঐনা মাবু নুংশিবদি করি হায়না হাযরসিগে?

পুন্সিবা - নোংমসু রেবিকানা হায়খি, দা-কুনজরনা ঙাংবীবু নুংশিবসে কবিদা হাযরুনি। অদুবু কনামদা হাযগে খনদে। মীনা হানখিবনা মরম ওইদুনা নুংশিবা হাযবসে মশা তাদনা হায়নীংঙাই লৈতনা নুংশিবসু লৈতবা নত্তে। তিন্নরিবা মকপ অনিনা লৈ ্বী অমবু হেক উরুবা মীকুপ্তা নুংশিরুবে চপ মান্ননা অদুবু নি ্া অমদি হাযঙম-তৌঙম্বা নিপানি নীংবগা চীলগা হেক্তা মান্নবা।

অসুম্না নোংমা নোংতম্বগা কুনজরগা চৎমীন্নবা নুমীৎ অসিদা থেংনখিবনি। হাযরিবা ঙাংবী হায়না খঙনবি নুপীমচা অসিবু নুমীৎ অদুদা নীংঙমদনা লৈহৌবা কুনজর লাইববা ইমুংগী মচানি। শূবা-নোম্বা তন্দবা নিপানি। নিশা চাদে, য়ু থক্তে, লাইরিক-লাইশু মতিক চানা অদুম ফৈ। মশক ফজে নিপা অমা ওইবদা মতিক অদুম চাই। ঙসিগী তাইবংসিদা চৎনরিবদি ইনাক-খুনবা, পৈশা পাযবা অসিবুদং ফৈ, ইনাক খুল্লি, পৈশা পাই, ইচা ইমৌ ওইবা য়াই হায়বা মীৎয়েং অসোমদা লোইনা চৎনৈ। পৈশাবু পাযববা হৈবু শিংলবা মবম ওকপা মীনি হেক্তা হায়, লাইবু লাইররবা কযা হৈশিংলবসু মরম কযা ওক্লবসু শু নীংদবা অপংবা মীনি হেক্তা হাযবি।

পুন্সিবা - কুনজব, অদুক থম্মোযদা ৱানা খাঙদৌ শরুক ঙসিমক চত্তুনা কুনজরনা নঙবু থম্মোয শেংনা নুংশি হাযগনি।

কুনজর - হাযকনু অমুক, যেৎনীংদ্রে মীগী মকাদা মরূপকী মফমদা যেক্লবা ওইরনি।

পুন্সিবা - কান্নদে মরূপ, অদুক পাংদবা হৌনদে? নঙগী নুংশিবা অদো ফোংদোক্লবগা তাথি-তাথি চৈবক্তুনা, নঙোন্দা ইকাইবা পীবকখিবসু নত্তে।

কবিগুম্বদা মাসু নঙবু নুংশিদুনা লৈবল্লবদি অমসুং নুংশিবা, অপাম্বা অসি নুপীশিংগীদি ফোংদোকচবা ঙমজদে। মহৌশানা ইকাই থিবী ওইবনা, নঙগীদমক মৈচাক অসে খঙদুনা লৈবল্লবদি কমদৌবা?

কুনজব - মদুদি ঐগী লাইবক ফবনি। অদুবু নিংথীনা ফজববী বাশিনা যোল্লম্বী মাগী মাযথোংদা মুববা শল্লাংনা চোইজাইননা তাহল্লি। শাংতক তৌবা ঙকশম অদুদা চল্লবা লিক মবীনা লৈতেংলিবা য়েংবদা মীৎফম হোংনীংদ্রিবা মহাক অদুগী মনাক্তা মীৎকুপ অমতং লেপচবা ফংলবদি কযাদা ঐগী লাইবক ফবগবা? হীক হীক কপ্লকই। মতৌ অদু উবদা পুন্সিবনা

- নিপানবু অদুক পেৎপা হৌনদে, কপকনু সে, মকুপ ঐ লৈবিসিনি। অসুক কুইববা মতমসে করিগী ঐঙোন্দা হায়দোকত্রিবনো?

কুনজব - মবোল থোক্তবনা, ঈশৈ শকপগুম ইদোম থম্মে যনুংদা কনা তাদ শক্লগে ।

-- OO --

তরামাথোইশুবা শরুক

কালেন থানি, অয়ুক অঙনবা নুমীৎতা ঙাংবীদোন্না যূমগী কোন-লিক ফেঙদুনা, বাই-বম শিং-শেংবা লোইদুনা মাঙ্গোলগী কাদা থল্লিবা ফি কোন্দা ফমদুনা ফি শাবি। মমানা ইথোলদা যোৎপাক পাযদুনা লৈবাক তৌবি। মচানুপী অতোম্বীনা লাইবিক পাদুনা লৈবিঙে, খুল অদুগী ইনাক খুনবা নোংযাই উশিৎ-থৌওইদনা যূম অদুদা লাক্লগা সুমাং মচিদা লেপ্লগা অসুম্না হায়। ইবেম্মা, নমা কদায চথোকখি। ঙাংবীদোন, নোংতম্বগী মপানা লাক্লগা মমা হংলগা অশাওবা উৎপা অদো থম্মোযনুংদা লাংতক্লনা ইমুংদগী মোবা পুথোক্লুনা,

- পাবুং মোবাসিদা ফম্বীযু। (বা হাযবা লোইফাত্তনা শাউবংননা)

- ইবেম্মা নখোয় মোরাসিদা ফম্বা লাকপা নত্তে। ব্বা অম্বা হায়নসি নমা কৌরকও।

ঙাংবীদোন্না মনীংদা থবক শূরিবা মমাবু কৌই, ইমা - ইমা! মমাদি ঙশাইনা উথ্রবনি মীফত্ত নিপা অসিনা করিগীনো ঐখোয়দা লাক্লিবা অসিনা? মচানুপীনা মমাগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা ইমা পাবুং নোংয়াই লাকই।

মমা - করি হায়রিনো?

মচানুপী - খঙদে অমুক্তা লাকউ।

ঙাংবীদোনদি থম্মোয়দা চিংনবা অমদি লাংতক্লবনা থম্মোয় অদো চেনখিবগুম লৈরি। মরমদি নোংয়াইগী মচা, নোংতম্বনা মরী লৈনবা মরম্না

থম্বাল - দা, করি থবক্কী?

নোংয়াই থম্বাল ঙাংবী হেক উবদা অপাম্বা মীনোক নেক্লুনা

হা... হা.... হা.... করিসু নত্তেদা, চৈরুগে খন্না লাকপনি।

থম্বাল ঙাংবীবু হেক উবদা ব্বাখল অসি নহাগী ব্বাখল হেক্তা লাকই।

ব্বা মরক থংনা থম্বালঙাংবীনা

- দা, ব্বা অদুগী ওইরগদি ঐ থবক শূজরুখিগে, দা - লেঙবীবনা ফরনি লেঙবিরো।

- অসি হায়রম্নগা থম্বাল ঙাংবী চৎখিগে তৌই। নোংয়াই থৌ ইশা শাদনা, শাউবীগনু থম্বাল ঙাংবী, নচা নুপীনা ঐগী ইচা নোংতম্বগা মরী লৈনৈ হায়। ঐদি খঙদদুনা অতোপ্পা নুপী হায়ন-শিংনরুরে। মরম অদুনা ঐগী ইচা নোংতম্বগী ব্বাখল থাদোকউ হায়গে খন্না লাকপনি। অদুবু ইবেম্মা, নঙগী নচাগী শকসিদি ইহোক্লা ফজখ্রেদা? মীনদি অদুম ঙাঙনবা। থম্বাল ঙাংবীগী মচা ঙাংবীদোন য়াম্না ফজৈ হায়নবা অদো ঐদি থৌওইনা উদবনি অসুম্না ফজরমগনি হায়বসে থাদি অদুম থাজবা? ইচা নুপাদা মণিপুরদা থোরকও লুহোংনবগীদমক কৈশাম্পাৎতগী নুপী অমা হায়নদুনা লৈরে নঙগী পরিক্ষা লোইরবদি থোরকও হায়না হায়রুবদা ইচা নুপাদুনা অসুম্না হায়রকই।

-ঐগী পুসিদা নুপী অমত্তগী লুহোংবা পামদে কবিগুরুদা লুহোংবা তাবগসু ইনে, থম্বালঙাংবীগী মচা সুনোলতাগা ওইনা হায়নবিববদি নচা পূমমক যাজগনি হায়না হায়বকপা অদুদা ঐগী অনীংবা অপাম্বদা যেৎলিবা মখোয় মমা মচাদো চৈকগে খন্না লাকপনি অদুবু হৌজিক্তি নচা নুপীসে ইমৌ ওইদবা য়াদে। ঙাই-শেল হায়দো ওইববদি চঙখোক-চঙশিন হায়দো তৌবনি। চঙখোক-চঙশিন তৌববনিনা থম্বাল ঙাংবীগা ফম্মীনদুনা ৱাবী-ৱাতাইনচিংবা কয়া ফংলগদবনিনা নহাগী ৱাখলসু অদুম লাকচবা পোৎনি।

থম্বাল ঙাংবী - দাদা, মতুংদা খন্নবসি ঙসিগীদি চৎপীখ্রো? অসি হায়বল্লগা শাউবংননা যুমগী মনীংলোমদা চৎখিবম্মী। অদুঙৈ ঙাংবীনা বদনাম চাখিবদো হায়বিবা নোংযাই, নোংতম্বগী মপা অসিননি। ঙসিফাওবা নীংশিংলুবদা থম্মোযদা তাসোন্না থিল্লি। ইমুংগী কাদা তূমীন্না তাদুনা লৈবিবা ঙাংবীনা শাউনিংবনে, ইকাইবনে, লাংতক্লবা ৱাখলনা - চৎখ্রগে হায়দে, ৱাবেম শূদুনা লৈবে হায়দুনা মথন্তা শোঙ্গে।

নোংয়াই - কদায়নোনে নুপী মচাদুবো? নমা নচাগী শক-কুচুসিদি মীপুম খূদিংমক্লা ঙাওনবে-হে। ইপা-ইচাদি নখোয় নমা নচাদা ঙাওবে, চৎলে-চৎলে - অসি হায়বল্লগা মশা ফম্দুনা চৎখিবম্মী।

সুনোলতা মথন্তা শোঙ্গে - অসিগী মচানিকো ঐনা নুংশির্কবিবসে ইঙোকপনিদা ঐগী লাইবক। নিপা অদু চৎখিবা উবদগী ইমুংলোমদা প্রপ-প্রপ চঙশিল্লক্লকপদা,

মমা - ইবেম্মা, সুনো নঙবু কদাইদা লৈগে?

সুনো - ইমা, ঐ সিদা লৈএ।

মমা - শাউনা, নত্তে নঙনা নহাম্দগী তুম্বা চাবা খঙদবা মখৈ হুকচাং মযেং তাবা মখৈ খল্লিবা ৱাখলদি মীযত্তসিগী মচাদা ওইবে। ইমাদি, অসি নুপাসিগী মচাদা ওইবদি ওহোকা পামখিদ্রেদা?

থম্বাল ঙাংবীগী মচা ঙাংবীদোন (সুনোলতা) সু অহোংবা অমা হেক লাকই। [illegible]াগী তৌ [illegible]ঙাং শা[illegible]াং অকি-তুজুংই নীংশিংলবই অদুঙে নোংত[illegible]া

নুংশিনা হাযখিবা ৱাহৈশিং অদু শাজিন্নবা লৌনম্বা ঙাক্তা ওইরম্লনি খল্লি।

- সুনো, ঐনা ইদি তৌবা চৎলিবসে হযেং ঐখোয অনিগী যাইফনবনি, চহী অহুম (৩) অসি লৈরগদি পূংলোই লোইবগনি।

- থবক খূদিংমক য়াইফবতা ওইবকউ, অনা-অযেক য়াওদবা ৱাহৈ অসি নত্তনা করিসু হাযনীংঙাই লৈজদে।

- নুংশিবীনা থম্মোয় শেংনা আশির্বাদ পীনবীবা অসিনা ঐগী থবক খূদিংমক যাইফবতা ওইবসনু।

- মফম অদু শকহেনবী য়াম্না লৈ হাযনৈ। মশক ফজবী কযা উবগা ঐবুদি কাওগে খনবীগনুকো?

- সুনো, মফম অদুদা ঐগী মীৎসিদা নুপী অমত্তা উদে, অদুবু তোযনা উবা অমখক্তদি লৈ।

সুনোলতা থম্মোযদা চিংনবা অমগা লোযননা হাযঙমদনা খঙনিংবা ফাউরকখি। শকফম হজিন্না হংঙকই,

- কনানো অমা লৈবিববু?

- অতৈ কনাসু নত্তেনে, ঐগী মাঙদা লেপ্লিবী হায়নীংঙাই লৈতনা ফজবী নং নত্তনা কনানোনে ঐগীবু?

থম্মোযদা চিংনবা কোক্তুনা নোকফেৎ তৌনা - নিপাগী থম্মোযসে কবম্বা মতমদনো থাজগদৌবসিবু? খঙদে নিপা হাযবা জাৎসে ইনাক্তগী হেক লাপথোকখিবদা ঐগী ওইদ্রে হাযনৈ?

- অদুগী ৱাদি, নুপীসু অদুগী মথেলনি হাযনবিবনি।

অসুম্না পাখং-লৈশাবীগী নুংশিববু থাজনদ্রদুনা ৱাহৈ কযা ফোংদোক্লবি। নুংশি-নুংশি কাযনখিবা কযানা নীংবা কাযনা লেনখিবা কযা লৈখিদবা নত্তে। কবিগুম্বা ৱাহৈ অমনা পুন্সি চুপ্পা কৌনখিদবা কযাসু লৈতবা নত্তে।

- নুপী ঐখোযসে নিপা নখোযনা ৱারি শানবদা হেক-হেক পংথৈ হাযনৈ, পংথদ্রিভৈদা চৎখ্রগে - অসুম্না সুনোলতা হৌখিবা থৌদোক ঙাইহাক নীংশিংদুনা, তূমিন লেপ্তুনা করিগুম্বা পোৎশক অমদা য়েংবগুম লেপ্লি।

মমানা ঈংনা-তপ্না মোং হাদনা মচাদা চৈবসু ঙমদা- কন্না ঙাংসি ঙাংঙমদা, অদুবু ঙাংদবা য়াদ্রবা মতাং ওইরক্লবনিনা মমানা মচানুপী লৈশাবীদা ঙাংলি।

- ইবেম্মা, নুপী ঐখোযগী খোংথাং য়াম্না লুবনি। খোংফম অমা শোয় বদা পুন্সি চুপ্পা লৈখা তানা মাঙবা, খোঙফম চুম্লগনা অফবা ওইবা, মীওইবা তাইবং মী হাযবসে ফংগদি কৈসু ঙাংনবীরোই। ফৎত্রগদি পারি, পুরি চীংথোকতুনা ঙাংনবী। ইমা ৱা য়াম্না ঙাংনীংদে। নখোয় লুখ্রাবী মচানি। মীনা নথক্তা ৱা ঙাংহনগনু, লুখ্রাবী মচা তাহনগনু, নখোয় অঙাং নৎত্রবনি। নখা তাবা ননাওসে নঙগী নতুং ইনদোইনি।

মমাগী ৱাদো মুন্না তাই, মীৎলু পীরাং ইহৌরকই, মচানুপীগী মীৎলুদগী তাবকপা পীরাং অদো মমানা উরকই। মমাসু পূক্নিং নুংশিরক্তুনা মচাগী মনাক্তগী চখোকখি, মচানুপীসু মমাগী মতৌ অদু খঙঙকই। পরপ-পরপ মাগী কাদা চঙশিল্লি, ফমুংদা উপ্পগা হিপ্লি, হিক-হিক কপ্পী। ফমুং ময়া অদুদা থারিবা টৈবল অদুদগী চে, কোলোম লৌদুনা কবিগুম্বা খরা ইনবা শেম-শারি। সুনোলতাগী পুক্নিংদা নোংতম্বদগী লাপথোক্লগে খল্লে। অদুবু অসুম্না পূক্নিংদা মওং-মওং খল্লি, ঐবু চিঠি ইরগা পীখ্রসিরা? নত্রগা তূমীন্না লৈথোক্লসিরা? ফরে তূমীন্না লৈথোক্লগে, ঐ-মাগা অমুক উন্নররোই। হে নুংশিবা। নংসু থম্মোয়গী লৈকানুংদা লৈরো? চীনবাল যৌবক্কনু। অসুম্না নিঙোল কাদা সুনোলতা মমান্নবা অমগা ৱারী শান্নবগুম পুক্নিংগী ৱা চীনবাল থোরক্লিবা অদু মনাও নুপীনা স্কুল চৎলুবা হল্লক্তুনা মচেগী কাদা চঙশিনবদা মচেনা হীক-হীক কপ্লিবা উবদা, মনাওনুপীনা

- ইচে কৈদৌবে ?

মচে সুনো, মনাও নুপীনা হংলিবা অদো খুমদনা মপি অদো তৈথোকই। মনাও নুপীনা অমুক মখা তানকই।

- ইচে নঙবু কৈদৌরগে? নশা ঙমদ্রবরো?

- করিসু তৌদে? নঙ চাক চাখোক্লুরো।

- ইচেসু চারসি লাকও।

-- ০০ --

তরানিথোইশুবা শরুক

পুন্সিবা নীংবা কায়না নুংশি মৈচাক খাঙলি। অসুম্না ওইরক্কনি খল্লুদবা রেবিকাগী থম্মোয় অদুবু হায়নীংঙাই লৈতনা খম্মোযদা অকিবা ফাওরকখি। নীংশিংলুবা থৌদোক খূদিং থম্মোয়দা মওন-মওন খল্লি। হৌখিবদা রেবিকাগা লৈনখিবা মরীদা লৈখিবা থৌদোকশিং ৱারী কয়া অদুনা, পুন্সিবনা পুন্সিবু কিরকখি, লৈকাইদা নুংশিনবা লৈবা হাযবসে লৈকাইগী মীৱা-মৈশা অদুখক্তা নত্তে। অহলশিংগী মূক্লবা, অহল-মশেল নুংশিনদবা হায়বসে মসিসু মচাশিংদা অৱাবা অমনি। অসুম্না পুন্সিবা অহিং অদো তূম্বা য়াদ্রদুনা থোঙ হাংদুনা মপান্দা থোরক্লুনা মৈচাক অসে খরতা ওইরবসু কোক্লনবা খন্দুনা তপ্পা তপ্পা থোরকই। উমং লাইগী লমহাং মচীদা হৌরিবা যেন্নীং চোংদ্রবা মনা কোক্লবা উ পাম্বী অদুগী মখোংদা খুদৈ অদু নাপী মথক্তা শাংনা থাদুনা লোংনা তূম্লগা মচেৎ তারক্লবা থা তংখায় অদুবু মুন্না য়েংলগা অসুম্না মথন্তা শোঙ্গে। ঐদি নঙবু তশেংনা নুংশিবনি অদুবু ...? নঙদি ঐবু নুংশিবা ওইরমদ্রে। নুমীৎতুদা নঙনা ঐগীদমক লেপ্পীগদ্রা খন্না হায়রুবনি। ঐদি তশেংনা নুংশি, ঐ-মাবু থাদোকপা ঙম্রোই হাযনা। নুমীৎতুদা নঙনা পূম্নমক নাথৈদুনা খুমখি, ঐদি য়াদবনি, মানা নমদুনা ঐগী কাসিদা চঙলকখিবনি। ঐ মাবু নুংশিববুদি নুংশি, লৈগে হায়বদি খনদে। য়াম্না লায়না খুমদোরকখিবা পাউখুমশিং ঐ অঙকপা ফাওখি। নঙ ঐ নুংশি মরী হেক থন্নক্লুনা উনবা খূদিং ঐগীদমক শিবা ঙম্মি, লৈকাইগী মীনোক চঙজসনু। নুংশিবদগী

মীনোক-মৈশানা হেন্দে হাযনা। ঐসু থাজহনখিবনি মাগী মওং-মতৌ অদুদা, অদুবু ঙসিদি পুম্নমক মীনম্বা ওইরম্রে। তৌবগীদি রেবিকাসু য়াম্না লানবদি নত্তে, মুন্না ব্রাখল খল্লগা মশাগী ফিরেপ লেপখিবনি। পুন্সিবগী অহল-লমনগা বেবিকাগী অহল-লমনগা অসুক্কী মতিক যানদে, অদুগীসু মথক্তা লৈকাই অমত্তদা লৈমীন্নবা ওইবা হয়েং তুং ফাওবা নুংশিনরোইদবা মওং অদো বেবিকানা খনখি। নুংশি, নুংশি ঐ মাবু থাদোকহৌবা তাবনি, মাসু যাইফহৌসনু। ঐসু ইমা পাবুংনা পীবিবা নিপা অসিদা পুন্সি লৈপুন ওইখ্রগে খন্না লুহোংবগী ব্রাফম হরাওনা য়াখিবনি। পুন্সিবসু রেবিকাগী মওং-মতৌ খঙদবদি নত্তে, ব্রারৌবনা পীক থল্লবা থম্মোয় অদো খবমখৈ থাংথরগা অসুম্না খল্লি। ফবে ওইখ্রসনু মীগী।

ঐ মাবু ব্রারৌরবোই। ঐগী ইফমদা পারা অমদি তম্বীবম্রে, নুংশি-নুংশি কায়নবা ওইরবদি মতুংদা উনবদা কৌনবা ঙমগদৌবনি, কৈসু নত্তবা থৌদোক। ব্রাহে শিংদুনা কায়নবা তাহনবদি হযেং তুং ফাওবা কৌনবা ঙমদনা থৈদুনা চৎনরনি। নঙ-ঐ উনা উনা উদা শা, কৌজনীংবা কযা হংজনীংবা কযা, চীনবাল য়ৌদনা থম্মোয়দা অসুম লৈনবনি। অসিতা থোক্লবা নহাক্কা শিনবনি। ঙমদি ঙম্মল্লি রেবিকা নঙগী থম্মোযদো, ফরে হৌজিক্তি কৈদৌরুনি? লুহোংবা লোইবে, মঙানি চাক কৌবা হযেংনি, ঐগী থোঙ্গাল শমদুনা হযেংদি লাক্লনি অরৈবা ফিজেৎ লৈতেংগা লোয়নননা। সোমদনা ঐগী মাঙদা তৌগে হায়বগী মতাগুম অবৈবা ব্রাজাউগা লোয়নননা ঐবু তান্নবা কন্না ঙাংনরি-শক্লরি। মসিগী খল্লুরবদি কাইনবসিনা হেন্না ফবনি। ফরে থাসিসু তাখিগদৌরে ঐসু চঙলগে। অসুম্না মীওইবা পুন্সি হৌখি, চৎখি। মতম মানা পুরকই, মতম মানা পুদুনা চৎখি। কায়নবা, থুংনবা, কপ্পা, নোকপা, অব্রাবা, নুংঙাইবা। অব্রাবা লৈবগী নুংঙাইবা লৈরিবনি, কাইনবা লৈরম্বগী থুংনবা লৈরিবনি কপ্পা লৈরম্বগী নোকপা লৈরিবনি। অচৌবা লৈবগী অপীকপা লৈরিবনি, অথিবা লৈরম্বগী ফজবা লৈবিবনি, ফত্তবা লৈরম্বগী অফবা লৈরিবনি। অমনা অমগী মতেং পাংনৈ হাযবসে মীওইবা ঐখোযনা কাউনরোইদবনি।

--০০--

তরাহুমদোইশুবা শরুক

অয়ুক্কী চাক থোংলমদাইদা রেবিকানা মপামদা লাকপদা সুনোলতাগা উননীংদুনা চঙলকখি। রেবিকানা পরপ-পরপ চঙশিন্দুনা মাঙ্গোল কাখৎনা কৌরকই।

থম্বাল লাতা, থম্বাল। (চাকশঙদগী)

সুনোলতা - কনানো বেবিকাগী মখোল মানখ্রেদা?

মনাও নুপী লাতানা এঙ্খাং শেন্নম্বদগী হৌগৎতুনা য়েংঙি।

- হাইমা, ইচে বেবিকানে। ইচে চঙলক- ও। লাক -ও।

বেবিকা - নচেদি (লাতানা খুমদ্রিঙৈদা)

সুনো - অঙাওবী চঙলকউ লাও, ঐ চাক থোংলিএ। নঙগী চাকসু হাপলম্লিবনে।

বেবিকা - ঐ লাক্কনি হায়বদি করম্না খঙলিবা?

সুনো - ও ইবেম্মা। লুহোংখিবা নুমীৎ থা চপ চানা ফারে, থা ফাবগী নিংঙোলনা মপামদা লাকপা হায়বসে শোয়দ্রবনি।

লাতা - ইচে সিদা ফম্মুসে।

রেবিকা - লাতাসিবু লৈশাবী চপ চানা ফারেদনা? উদবদি থা অমত্তা ঙাইরি।

লাতা - ইচেসে শক, কুচু থোকইকো? ইতৈনা লুনা তৌবীবমগনি?

রেবিকা - লুনা তৌবগী ৰাদি তুবেল কুমহন্দে।

পূন্না নোকমীন্নে। রেবিকানা মখা তারকই।

- অদো ঙাইখোনে, ঐনা তারিবা পাউসিবু চুম্লিবরো?

সুনো - করি পাউনো? লাতানা ৰা মবক থৎলি।

- আ নোংতম্বা লুহোংবগী ৰা ওইবিনি?

সুনো - ঐখোয় ইনাওনা খঙদবা লৈতে।

লতানা - ও ইবেম্মা! ঐসু মীনে, রেবিকানা নোক্লগা মখা তারকই,

- নঙোন্দবু করিমত্তা হায়রক্তবরা?

সুনো - মানা য়ুম পানখিবা হায়বসে ঐগীদি লাইবক ফবনি।

রেবিকা - নোংতম্বনা অসুম্না তৌরক্কনি হায়বসে ঐদি থাজদবনি। (লাতানা ব্বা মরক থৎলকই)

- ঐখোয় ইচেগীদি ফরিনে? ইচেগীদি, দা - পুন্সিববু ঙাওহল্লম্বসিদি, মী পূম্নমক নুংঙাইনদে। ইচেসু থম্মোয় খরদি কনবা জাৎনি।

রেবিকানা করিমত্তা খন্দবা শাদুনা কাউখ্রমানে খঙহল্লম্বা রেবিকাগী থম্মোয়দো লোৎশিনবা। য়াদে মায়থোংদা ফাওরক্তই, মপী ঈ-রা চেল্লকই।

রেবিকা - অঙাং ওইরিঙৈদগী মা-ঐ নুংশি লম্বীদা খোঙদারকখিবনি। ঐনা মাবু করম্না কাউগনি। ঐনা থম্মোয় পান্দবী শাদুনা ওইজবা থিবা তাবদি, মা-ঐগী য়াইফনবগীনি। (লাতানা মখা তারকই)

- ইচেনা চেনখিবা নুমীৎ অদুদগী লুহোংখিবা নুমীৎ অদুফাওবা মানা খাঙখিবা মৈচাক্তো য়েংবা ঙমদে ঐদি ইচে। ইচেগী লুহোং-পোৎপাং পীগে খন্দুনা নোংমা অথেংবা অহিং অমদা চৎলু মাল্লে। তানা-তানা, তাদবা শাদুনা ইচেনা কন্না তূমশন্নে হায়।

রেবিকা - ঐবু অদু য়ৌনা খনখ্রবা? ঐদি তশেংনা মা লাকই হায়বা খঙদবনি। খঙদবা অদুনবু ঐসু ঐগী লুহোংবা হয়েংনি হায়বা কান্দুদা চৎলুবনি, অথেংবা অহিং অদুদা মী পূম্নমক তূম্নখ্রমতুংদা, অদুবু নুমীৎ অদুদা মানা লৈরম্বা ফিভমদো উবদা ঐগী থম্মোযসে কাযখিবনি। নুমীৎ অদুদা কায়খিবা ঐগী থম্মোয়দো ঙসিফাওবা তাইশিন্নদ্রি অসি হায়রগা হিক-হিক কপখি। মতম পূম্নমক্তা হাংদুনতা লৈবা মাগী কাগী খোঙনাও অদো, নুমীৎতুদি লোনশিন্দুনা লৈরম্মী। খোঙনাওগী উপাক অহোবা অদুদা, তপনা মাগী ফমুংদা য়েংখিবদা হিক্লা হিক্লা কপ্পুনা মোন

অদুদা মমায় অদো উপশিন্দুনা কপ্পী। অমুকসু মমায় হাইগৎতুনা ঐগী ফোটো অদো য়েংই। ফোটো অদুবু চেচেৎ কোনশিন্দুনা থরো-থরো ওন্দুনা কপ্পী। ঐগী হৌখিবা চিঠিশিং অদো অমুক পাই, ঐদি-মাগী মতৌ অদু উবদা ঐসু খোঙনাও ৱাংমদা হায়ফম খঙদনা কপ্পী। ঐ মাগী কাদা য়াম্না চঙনীংখি অদুবু.....।

সুনো - অদুবু কৈদৌরবা.......?

বেবিকা - ঐনা কাদুনা চঙলুরবদি নুংশিবনা পূম্নম্ক নমথেক্তুনা কাং-খোং চাইবা তাবে খন্দুনা ঐহাক লাকই হাযবা খঙহল্লমদনা, খোঙনাও মপাদুদা লেপ্পা য়াবা মখৈ লেপ্পল্লগা ঐহাক হল্লকখি। হৌজিক্তি করিবু কান্ননি, খল্লুবগী অর্থসু লৈত্রে। মতমসু লোইরে, থম্মোয়সু অদুম নূংগুম কনখ্রসনু। সুনো, হৌখিবা থৌদোক খূদিংমক থম্মোয়গী লৈকাদা নূং ওনখ্রসনু। হৌজিক্তি ইপুবোইবগী মরুম-থুপ্পা হিংবা তাবনি। নঙগী ৱারী খঙনীংদুনা লাক্লগা ঐগী ৱারী ওইনা নীংশিংনরেদনা?

সুনো - ঐগীদি লাইবক যাম্না ফবে। ফিরেপ অসি ঐনা হান্না লৌখ্রবনি। ঐগী অনীংবা অপাম্বা পূম্নমক মশানসু তৌরকই, ঐ মাবু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎলি।

রেবিকা - মশা-মশাসু হান্না খঙনমাল্লে, লৈসু লৈমীননীংমাল্লে, অহনখৈসু হাইফেৎ হায়নমাল্লে।

সুনো - মখোয়গী ৱাসে ঐ হৌদোক্লীংদ্রবনি, অদুবু হংলবনিনা খরদি খুল্লগে, - হন্দক ইকুই কুইদনা মখোয় অহল লাক্লম্মী লাইবৈ-নংঙি হায়বগুম করেম্নরম্মী। পুন্সিদা মখোয়মক ঙাইরে হায়দুনা চৎপা মীনি। হাৎকে, তুপকে ইঙম-ঙম্বা ইমুংনি। ইমানসু য়াম্না পামদে। দা-নোংতম্বনা নুপী থিখিবসে ঐসু হরাওই। অদুবু...। মাদি ঐগী নাক্তা তোয়না লাকই। অদুনা অসুম্না হেক-হেক হায়রে।

নোংতম্বা - অহল-লমননা যাদদুনা চেল্লুবনি, ঐ মাবু খোইনা খঙনবসু নত্তে। ঐ নঙবু তশেংনা নুংশি। ঐ নঙ নৎতনা কনা অমত্তগা লুহোংবা পামদে। অসুম্না তত্তনা হায়, অদুবু ঐ য়ানীংদ্রে। ইমা লুখ্রাবীনা ঐবু নিংথীনা শেম-শাদুনা যোকপীবগা ইমানা পামদবা থবক অমত্তা ঐ তৌনীংদে।

রেবিকা - ইমাগী য়াথং ইনগে খল্লবনিনা ইমানা হাযবা নিপা অদুদা নঙসু যাবা তাবে?

সুনো - (পূক্লিং নুংশিনা, মীৎলুদা ঈরা চেন্দুনা) রেবিকা, ঐবু করি হায়না খুম্মু হায়বগে? নুংশিবা হায়বসিবু হৈ-লৈগুম্না হোংদোক হোংজিন য়াবসু নত্তে। ঙরাংসু মখোয় অনি লাক্নুনা ঐবু ফাদুনা পুনবা হোৎনরম্মী। ইমা লৈরম্বগী ফম্বনি। ইমানা নিংথিনা থেমদুনা থাদোকখিবনি।

রেবিকানা য়াম্না হৈ-শিংনা সুনোলাতাগী থম্মোয়দা ইথক-মচা কারবা ফোংদোক্তবা নুংশিবা অমা লৈবনো রেবিকাসু থংঙি অদুবু মদুগী মতমদা ব্রা হৌদোকপা যাম্না কিনা লৈরকপনি। অদুবা তাঙ্গা চাবে খন্দুনা ব্রা মরক থৎলি।

বেবিকা - দা নোংতম্বসে য়াম্না নুংশি অদুবু মানা হন্দক তৌরক্লিবা লীচৎসিদি ঐসু মাবু নুংশিবা ব্রাৎলি। নখোয অনিগী মতৌসে কনানসু কাইননি থাজদে, অসুক নুংশিননা নুংশিনবা দা - নোংতম্বগা করম্না কাইনবিবনো? নোংতম্বনা করম্না নুপী অমা চেল্লুরিবনো? ঐখোয়দি পুংঙক ঙকই।

সুনো - (থৌ ইশা শাদনা, অরাবা নুংঙাইতবা করিসু খন্দবা শাদুনা অসুম্না হায়রকই) মশানা নুংশিজবা, অপাম্বা ঐঙোন্দগী অহেনবা থিজখিবদা ঐখোয়না মঙোন্দা ব্রারৌনিঙাই লৈতে।

রেবিকা - দা কুনজরনা নুপী অমত্তা কোইদনা লৈরক্লিবসে নোংতম্বগী হায়ঙম তৌঙম্বা অদুদগীনি, নঙোন্দা ইহান-হান্না নুংশিজবা মীশক্তি দা - কুনজরনি। অদুবু... মাগী মরুপ নোংতম্বনা হান্না হাইদোকখিবা অদুদা মহাক থম্মোয়নুংদা নঙগী শক্তম কনা খংদা লাক্নুনা থমখিবনি। ইনাক-কৈরাক-খুনবা মচাশিংসে পুক্লিংদা হেক ফাওরকপা অপাম্বা, চীনবালনা হান্না হাইঙম্বা। পুক্লিংগী অপাম্বা হেক্তা হাইদোকপা ঙমগল্লি।

সুনো - পুক্লিং নুংশিনা, খংদেদা বেবিকা ঐসে ইনাক-খুনবা,অরং-অবাং খরদা ঙাওবা নুপী ওইনা উরদরা? ঐসু মাবু নুংশিখিবনি অদুবু মাদি মতমদুদা করি মত্তা হায়রকখিদে। নুপী ঐখোয়গী অপাম্বদি ফোংদোকপা ঙমদবনা, মদুগী ওন্ন-তৈনবদা লাকখিবনি।

--০০--

তরামরিশুবা শরুক

হিয়াঙ্গৈ থানি নিঙোলশিংগী পুক্লিং নুংশিবা থানি সুনোলতাগী ফিভম য়াম্না লুরকই, নোংম-নোংমগী অৱাবা ৱাখল্না লৈতাফম খংদ্রবা থম্মোয়না অরুম্বা পোৎলুম অমা পুরি। করিগুম্বা পোৎশক অমা লুম্না পুবদি পোৎ অদু থারগা অৱাবা অদু কোকই। ৱাখলগী পোৎলুমসিদি পুন্সি লম্বী তেনশিল্লকপা নত্তুনা করিসু উপাই লৈতে।

পুন্সিবা, সুনোলতাগী য়ুমদা লাকই, করিগুম্বা পাউ খবা তম্লিংদুনা প্রপ-প্রপ চংশিন্দুনা সুমাং মতোন্দগী সুনোলতা কৌরকই।

সুনো-সুনো, সুনো-সুনো। (সুনোলতানা তপ্পা খুম্বনি, মাগী কাদগী) খুম্বা অদো তাদ্রদুনা মথন্তা অমুক শোঞ্জবনি কনা-মতা লৈতম্লে। সুনোলতানা পুন্সিবনি খংলকপদগী মপান্দা থোরক্লুনা

সুনো - হাইমা দা-পুন্সিবা, চংলকউ লাও। অদুদা লেপতুনা লৈতসু

পুন্সিবা - ঐনা কৌবা কাসে খুম্লিংদ্রেনে? য়ুমদা চংহন্নিংদ্রমালে? (সুনোলতা ইকাইবপ তৌনা)

সুনো - মীনা খুম্বদি দা-পুন্সিবনা তাদ্রগা? ইকাইবা হান্না পীশল্লক্কনু। সে, মোরাসিদা ফম্বীয়ু, মোরাসিসু তৎলে।

পুন্সিবা - ফম্বা যারগা লোইরেদা, কৈদৌইগে?

সুনো - কমদৌরি দা-পুন্সিবা, নুংঙাইরিব্রা?

পুন্সিবা - (শকফম খঙহন হজ্জিল্লগা খুমনিংদা পাউখুমনা) হোই, ঐ হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইরি....।

সুনোনা করিগী ৱাহং অসি মঙোন্দা হংলুরিবনো মপুক্লিংদা খল্লকই।

পুন্সিবা - (ৱারৌবা ৱাহৈনা) ঐ নুপীশিংসে থাজবা থমদরে। কিসু য়াম্না কি, হৌজিক্তা খংলক্লে। ইশা মতিক চাদে হাযবসিসু।

সুনো - দা-পুন্সিবা, নুংশিবা হায়বসিবু থুংনবা অদু খক্তাবনে? থুংনদনা কাইনখিবসিংসিদি নুংশিরব্রোই হায়সিরা?

পুন্সিবা - তপ্না-তপ্না লাপথোকখিবা ওইরদি খরা ফগদৌবা? অদুদি নত্তদনা ইরাল অমা পীরম্নগা খংথং-থংখিবসিদি করম্বা থম্মোয়না খণ্ডবা ঙমগনি। ফোংনা কপ্পা য়াবসু নত্তে।

সুনো - ঐসু থাদি থাজদবনি রেবিকানা অসুম্না তৌখিনি হায়বসে? অদুবু কনানা খংগনি। উনশানা কুপ্লিবা মীওইবগী থম্মোয়বু, ঐগীসু অদুমক মঙাই।

পুন্সিবা - ঐগী ব্বাদি লোইনা হৌখ্রে। লোইনা চংখ্রে। পুম্নমক ব্বারি ওইহৌরে। অদুক থিনা মীনম্নম্বা মহাক অদুমদি ঐ মাবু ব্বারৌই। হন্দক্কী নিংঙোল চাক-কৌবা নুমীৎতুদা ঐহাক পুক্লিং নুংশিনা লৈরিঙৈদা মথোয়গী অঙাং অমদা ঐগীনি হাইদুনা য়ুবী অমা, লফোই লাফাং অম, কোমলা খরা, সেম খরা ঐনা তোইনা চাগনবা অচাপোৎ খরগা পীরকই লোম্না মী খংহন্দনা পীরকপনি। ঐ পুক্লিং নুংশি কপসু কপনিংঙি, পীসু তারকই। অদুমক ওইবগসু ঐ কদোমদগী লাকখিবনো খংহৌদবা অশাওবা অমনা করিসু খংজদ্রবা পোৎশক খবা অদো ইনাক্তগী য়াম্না থুনা পুথোকখিনবা অঙাং অদুদা চৈবীথি।

সুনো - মরাল করিসু লৈতবা পোৎতুদা তাইনবিখ্রবা।

পুন্সিবা - ঐসু কোম্নবুদি নিংঙমহৌদে। অদুম্মক ওইরসু ব্বারৌরি হায়বসিমদি মাসু খংলম্রনিদনা? রেবিকানা য়ুম পানখিবগী অহানবা চহিগী নিংঙোল চাক্কৌবদো হন্দক চহিসিনা অহানবনি। অরৈবা ফিজেৎ, লৈতে, সনা, লুপা শেৎ-চাদুনা মপাম লমদমদা চৎনবা থানি। লৈতবা লাইরবা কয়াদি চৎতি-চৎনিং শেৎন-ইন্নবা ফি-রোলদি লৈতবা, ফি-বোল লৈরগসু সনা-লুপা লৈতবা নিঙোল কয়ামদি নুমীৎ অসিদা কপনিংদবা নিঙোল লৈরমগদ্রা? সনাগুম্না ফজরবা সনারৈনা কয়াতা নিংথিনা মেরাগী থাবল মরক্তা হিয়াঙ্গে থা নিনি পানববু ঙাইজবিবা, গোরবুধোন চীংগী চীংথক্তা ষনবী-ষন্নাও কয়ানা মঙকশামদা শনারৈ পরেং-পবেং শিদুনা চেন্না-চোংনা শান্নবা জগৎকী মপা শ্রীকৃষ্ণনা খুৎতা বাঁসি পাইদুনা নিংথিবা শুরনা তাইবং

জিববু শুদ্ধংলি, মপু মানা পীবিবা লবুক্কী ফৌনা লৌবুক চোন্না লৈবা উবগা মতম অসিবু কল্লক্তবা তাইবং জিব কনাবু লৈবগে? সনা অহিংবা মচুগুম নিংথিরবা সনা ফৌনা, লবুক চোন্না লৈবা উবগা কবম্বা লৌপুনা মোমোন নোক্তবা য়াওবগে? হাযনিংঙাই লৈতনা নুংশিববা মতমনি, নুংঙাইববা মতমনি। নিনি পানবা চাক্কৌবা লোইথ্রবসু কনা-কনাগুম্বা খবদি নুমীৎতুদা নত্রগসু থা অদুগী মনুংদা চাক কৌনবসু অদুম য়াওবি। (সুনোলাতানা ঙাইহাক তুমীন লৈবগা অসুম্না হাইবকই)

সুনো - য়েংউ। দা-পুন্সিবা লৌবুক্কী ফৌসিংসে ফজদবা?

পুন্সিবা - উম ফজৈ।

সুনো - লৈকাইগী মকপ, ইবুং-ইথা, ইতাবোই কয়া শঙলুপ-শঙলুপ, লৌ-খাওবা, য়েবা চৎপদো নুংশিদবা? বেবিকা ঐখোয মযাম লৌযে, লৌখাওবা, খুল্লং তৌনদুনা শঙলুপ-শঙলুপ চৎপদা নিংশিংলিববা?

পুন্সিবা - হৌখিবা থৌদোক কযানা থম্মোযসিদা কপহল্লিবনি। চৎলিবা থা অসিগী হিযাঙ্গেগী ২৭ পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎ অসিদা ঐগী মকপ নোংতম্বসু লুহোংনবা লেপ্লখ্রে। ঐগী মকপ অসুম্না তৌবক্কনি হাযবসে ঐদি ঙসিসু থাজদ্রিবনি। নোংতম্বনা নংবু তশেংনা নুংশি। হৌজিকসু নংগী ফিবেপ হোংহৌদ্রি, ঐনদি হাইবম্বনি নঙগী পুন্সিদা সুনোলতাগুম্না ফজবা নুপীদি শুকফং ফংলোই। ইনাক খুনবা, সনা-লুপ লৈবা নুপীদি ওইবম্বা য়াই। সুনোলতাগুম্না নিংথিবদি ওইবম্লবোই হাইনা।

সুনো - কবিগী ঐগী ব্রা হৌদোক্লুবিবনো? ঐ মীগী মকাদা অয়েৎপা ওইনিংদে। মাসু মাগী চান্নজবা পুন্সি খোংলোই থিজবনি। মদুদা ঐনা কনাবু ব্রাবৌনিঙাই লৈবগে?

পুন্সিবা - (অমুক মখা তাবকই) নোংতম্বদি মাগী লুহোংবা অদো হেক লোইবগা নঙগা অমুক সুংশোই-শোইদনা লুহোংখিনি হাইহৌই। মদুনা মাগী কবম্বা ব্রাখলনো খংদে। (সুনোলতানা শাওনিংবা ব্রাহৈনা হাইবকই)

সুনো - মদুনা নুপীশিংবু কবিসু লৈতনা খনবা হৎবা মীৎযেৎনা য়েংবীবগী ব্রাফম্রি। মদুদা ঐনা যাগদৌবসু নত্তে।

-- ০০ --

তরামওাশুবা শরুক

থম্বাল ঙাংবী, মমা মচা যুমগী লৈত-লাইব তাম্দুনা, অফ-ফত্ত খন্নদুনা, মমানা মচাদা মচা ওইবগী নুংশিনা পাউতাক কযা পীরি। ইবেম্মা, চেকশিল্লু। নুপীগী খোংথাংসে যাম্না লুবনি। মীনা ঐখোয়বু য়েংশিল্লি। ইচাগী শক-চু অসিদা কল্লক্তা কনাবু লৈরিবগে? ইচাগী মীংসু কৈরোই লৈকাইনা নুংশিবীদুনা ইমাগী মীংগা মান্ননা কৌবী। থম্বাল ঙাংবীগী মচাদি থম্বাল ঙাংবীগুম্না নিংথিনা ফজে হায়দুনা অহল-লমন, নবুংশিংনা কৌনবিবনি। নমা ঐগী শক-মাল্লি হাযদুনা ইচানা লৈশাবী মপুং ফানা লৈবসে ইমা পাখৎলক্লে, পুক্নিং নুংশি, ইচাবু কল্লকপা যাম্মী। নোংমা খুদোংথিবা থোক্লকপদা ইমা ইচাগী ফজফম লৈতে, ইচাবু শক উথিবা মীওই কযানা, ইচা-ইমৌ ওইনিংদবা কনাবু যাওব্রবগে? খুল অসিদদি ইচাবু হাইদবা নিপা অমতা লৈবগ্রোই। মচানুপী সুনোলাতানা হাইফম খংদনা হাযবকই-

- অদুবু ইমা ঐনবো? মখোযনা হাইবকই, হংলকই হাইদুনা ঐনা যাববু যাওখ্রববো মমানা, ইচানা যাই হাযবগী ব্না নত্তে। ইমা ইচাবু নুংশিবদগী হাযবকপা ওইবমগনি। অদুবু ইবেম্মা, ইচাবু নুংশিদুনা হাযবা নত্তবা, ইচাবু কল্লক্নুনা হাইবা কযামসু যাওবমগনি।

মচানুপীনা মমাদা ওইনদুনা অসুম্না হাইবকই।

- ঐবু নিঙোলনি হাইদুনা লৈহন্নিংদ্রববা ইমা?

মচাগী ব্নাহে অসি তাবদা মমানা হীক্না-হীক্না কপ্লকই। কপ্না কপ্না ব্না মখা তাবকই

- ইচা লৈশাবী ফাবে হাইদুনা লৈহন্নিংদবগী ব্না নত্তেনে। নিঙোল ওইবী ঐখোয়গী চৎনবীনি। মচা নুপীদি চম্না সুম মমাদা ওইনদুনা হাইকবনি। অদুবু মমাদি থম্মোয শোক্না পুক্নিং নুংশিখ্রে। অসুম্না মমা-মচা লৈবিঙৈদা থোঙ্গাল্লোমদগী নুপী অমা চংলকপদু উহৌদ্রমাল্লে। মনাক্তা লেপ্লগা কৌবকই - ইবেম্মা ঙাংবীদো, (ঙকচান্ননা) হাইমা, ইনে কাখৎপীবকউ। মমানা, ইনম্মা লাকপা উহৌদেব্নানি।

সুনো - ঐখোয় ইনেসে পোৎ য়াম্না পুরকএদা। এ! ঙাসু য়াম্না য়াওরিনে, ঐনা চাগনবা কাবোংসু য়াওরকইনা 'সিদি য়াম্না হাওনিএ।

মমা - কৈদৌনবা অসুক য়াম্না পুরকইনো ইনম্মা?

মনে - করিসু য়াম্বা নত্তেদা, ঙাসু য়ুমদগী ফাবনি। লৈরুবা পোৎ অমত্তা য়াওদে, য়ুমদা লৈবা পোৎ ঙাক্তনি।

সুনো - ইনে, নখোয় ৱাবাগাইসে থবক য়াম্না শুগল্লি?

মনে - ইবেম্মা, নখোয় ঋাইসিদা তৌনরিবা অসিগা চপ মান্নেদা। অতৈ লাইরি ঙাইখোনে ইমৌ তোনবী উদেদা?

সুনো - ঐখোয ইনাওদি ট্যুসন তৌবা চৎখি, লাক্লনি। ইনে, ইমাগা সুম ফম্মীন্নৌ ঐ চাক থোংলুরগে, ইনেবু করি চানিংগে?

মনে - (হরাওনা নোক্লদুনা হায়রকই) ইমৌননে হেক চানিংবদো ননে ঐগীসু চানিংবনি। চাকপু ঙল্লি ঙাইখো, ইনে ৱা হাইখিগে?

সুনো - করি ৱানো ইনে?

মনে - (তাঞ্জা অদু চারে খন্দুনা ৱা হৌদোক্লকই) নহাল হাইরম্বা ৱাদো, নুমীৎ লেপনরসি, মখোয় অহলশিং লাক্লগে হাইয়ু, য়ানবসু খরা শিনবিয়ু হাইদুনা ঐঙোশ দা ইহোক্না কন্না শিন্নরখ্রে জাৎনি। ইচা-ইমৌগী ৱা তাদনদি ঐনদি হেক ঙম্বা নত্তবনিনা, য়ানি-য়ারোই অমত্তা হায়রমদে। নিপা মচাদুনা মরোল অমা, নোং ঙানবা ঙাইঙমদে। ঐ থবক্কা শুফম-চাফম খংবা জাৎ নত্তে।

থম্বাল ঙাংবী - ইনম্মা, ঐগীদি করি হাইগদৌবনো খংদ্রে? নচা নমৌগী ৱাদা লোইনা লৈ। ঐদি মমানি হায়বগী ৱানি। নমৌগী ৱা তাদনদি ঐ ৱা অমত্তা হায়বা ঙমজদে। লৈকাইসিদগী হেন্দোক্তনা অতোপ্পা কয়াদগী ইচাবু হাইদবা হংদবা অমত্তা য়াওরগ্রোই। মানা সিমদি য়ারেসে হাইবসে সুকহাই হাইদে। ঐ য়ুম পানখিরোই হাইদুনা অদুম লৈরিবসিনি।

সুনো - (পুক্লিং নুংশিনা কপ্লকই, হিক হিক কপ্লগা অসুমনা হাইরকই) ইনে, মমা ওইবীশিংনা মমাগী পিবিক্লুংদা হেক লৈরকপদগী কদাযদা শোইখিগদৌগে?

কদাযদা মাংখিগদৌগে খন্দুনা শুগদৌবা থবক কযা শুবক্ত, চাগদৌবা কয়া চাবক্ত, মচাশিংগী খন্দুনা তুম্বা মচেৎ, চাবা মচেৎ, হৌজিক্তি নিঙোলনা মযুমদা লৈবগী মতম ওইদ্রামাল্লে।? ইমাগী অপাম্বা মফমদা মচা ঐসু লেপ্লগে। ৱাহৈ খবা অসি হায়বক্লগা হিক্লা-হিক্লা কপ্লগা ইমুংদা চংখি। মচানুপী মতৌ অদু উবদা মমাসু মনেসু কপখি।

মনে - (মনেনা মপী তৈথোক্লগা) তাচৌদুমক্তং লৈবক্লবদি কয়াদা নুংঙাইজরমগবা?

থম্বাল ঙাংবী - (খোল থোক্লা কপ্লকই) নচানুপী মপুং ফাবক্লে, অমুক্তংদি য়েংলো লাওনে, ইবুংঙো।

-- ০০ --

তরাতরুকশুবা শরুক

থম্বালঙাংবী, মচানুপী লুহোংবগী কুঠি যেংবা চৎখিবনি। নিপা মযুমগী মীগা, নুমীদাংৱাইবম ওইবক্লে। উচেক-ৱাযা, তিল-কাং, পুম্নমক মবাং-মবাং লাংনবকই অবাপ্পা চীংয়া-তময়া পাৎযাদা চাক্তাকবা মচীঞ্জাক খিবা চৎলুবা উচেক চা কয়াদি। পবেং-পবেং মযুম মাইগৈ তম্না পাইনবি। চীংখোং চীংযাদা ঙৌথাংনব মবক্তা অঙৌবা উচেক, উবোক পবেং-পবেং পাইবা উবগা অসুম্না খল্লুবে। অঙৌবা লৈ কুন্দো পবেংনা পাম্মুবা মাগী ঙকশমদা হুক্রমদায়গুম খল্লুবে। হয়েংতা ঙাইববা মাগী লুহোংবা মতম অসিদা ঐগী থম্মোযসিদা ৱাবিবসিনা কবিগীনো? ঐগীদমক লেপ্লম্বা মহাক্লা মীগীদমক লেপখ্রে। থম্মোয নংবু কৈদৌবগে? মাগীদমক ৱাবসে তোক-ও। হে, মীৎকী পি, নংসু মাগীদমক শিহুবক্লনু কৈদৌবগে?

প্রপ-প্রপ হবাওনা হল্লকই মযুমদা মচা লুহোংবগী পুংফম নুমীৎ পুবদুনা, মমানা হল্লকপা অদু উবদা সুনোলতাগী পীহুল তিং-তিং চোংই। ফাগী-ফাগীদগী

নুংশা থিবকই, ঐবু হৌজিক লুহোংবা তাবেকো? মমানা সুমাং মচি হেক যৌবগী মচানুপীবু কৌবকই।

- ইবেম্মা, সুনোলতা নংবু কদাযদা লৈবগে?

সুনো - ইমা ঐ ইমুংদা লৈযে।

- পোইনুনা নংগী নপোক থা ওইবে অদুগা ৱাকচীংনা নিপাদুগী মপোক থা ওইবে। ৱাকচীংদি লুহোংসু লুহোংনদে অদুনা ফাইবেংগী তবামবি (১৪) নি পানবা ইবাই নুমীৎ অসিদা যাম্না ফবে হাই। ননেসু মখোয নুপা মযুমগী মীগা পুন্না হনখ্রে। থা অনি অহুমসে খংহৌদৌ নত্তে। থবক্তদি তৌবা ঙমহৌবোইদৌবা। মতমদি ঐখোযবু ঙাংবীতৌ নত্তে। মচানুপী সুনোলতা পুক্নিং খঙনুং নুংশিবক্তুনা হিক হিক কপ্লকই। মমানা মচাগী মতৌ অদু উবদা মমাসু পুক্নিং নুংশিবকই। অদুবু অৱাবা নুংঙাইতবা পুম্নমক লোৎশিন্দুনা মচাবু থেম্মী।

- ইচাবু কৈদৌবগে? হকচাং ঙমদ্রববা? নশাদো নুংঙাইত্রগা পোথাবো। ননাওনুপীনা মবাইনা হোৎনজনি, ননাও নুপীনা কদাযদা চত্থোকখ্রে। (মচানুপী লাতানা খুম্লকই)

- ইমা ঐ এঙ্গাং মল্লিয়ে মনিংদা, ইচেনা হঙ্গাম থোংবা চাসি ঙাখা মচা খবা পুখ্রিদগী ফাবদুগা থোংসি ইমা, অদুনা হাওনিযে।

- ফবে, ফবে অদুদি ইমাসু ললোনবী উনকখিগে, ঙবাং কোবী, হঙ্গাম খবা যোনখিবগী পৈশাদো লৌকগে। হেক লৌকদ্রিফাওবা থিল্লক্লোইদৌনি, চান-থক্ক বা থাও-থুমদি লৈবিববা? মচানুপী লাতানা

- থুমদি খবা ৱাৎলমগনি। হযেং লৈবসু অম্মানি লৈবক্লো ইমা। ইমা ইচে লুহোংবগী কুঠি যেংলুবদুদি ইমা, কবি থাদা তাবে।

মমা - ফাইবেনগী তবামবিনি পানবা ইবাই নুমীৎ অসিদা তাবে। থা অনিমথাই মুক্তা ঙাইরমগনি খংদে কবিনো ইমানা তৌগদৌবসে। ইমা পৈশা লৌকখিগে, নচেগা কবিনো অফ-ফত্ত তান্নবম্মু মনাও নুপী লাতানা মচেগী মনাক্তা চংশিন্দুনা মচেগী মনাক্তা তপ্পা ফমথবগা হাইবকই।

লাতা - ইচে, ফাইরেলগী তরামরিনি পানবা হাইরিবসিবু ইচেবু তারবরা?

সুনো - (মচেনা কপ্লম্বদগী অহিকপা খোঞ্জেলনা হাইরকই) উমঃ তারে।

লাতা - ইচে দা-নোংতম্বগী লুহোংবা হয়েংনিদনা, ঐদিনে ইচেদা, নোংতম্বসে লুহোংবা হেক নোঙ ঙানবগা লাক্তৌবা মাল্লি।

মচে - মা লাক্লগা কৈদৌনি হাইগে। কান্নদ্রবা মতমসিদা ?

লাতা - অদো ইচে, মাননে ইচেবু চৎসি শোইদনা হাইবক্কনি অদো ইচে, যারুনুকো ইচে। ইচেগা মাগা লৈনরিবা মরিসিদি মখোযনা খংদবনিনা, ইচেবু অতোনবী মীগী নুপা মুনবী, তৌ-ঙম্বী হেক্তা হাইনদোইনি। ঐগী ইমান্নবী অমা, মখোয় মনাক্তা লৈবদুনা ঙসাই হাইবল্লিবা মখোয নুপী মপাদুনসু দা-নোংতম্বাদা ইনশিল্লি হাই, নুপানা নুপী অনি লোনবা কবিসু কাইদে অদুনা লুহোংবা হেক নোংঙানবগা ইচেবু চেল্লকউ। মশানা যাদ্রবসু ফারকউ হাইদুনা মচাদা ইনশিল্লি হাই। ঐদিনে ইচেদা দা-নোংতম্ববুদি নুংশি হাযববু মখোয মপাদো যাম্না নুংশিদে ঐদি। অদুক হনুববা মানা নুপী অঙাং উবা যাদে, ঙাওশন্নবা নহা মচাদগী খবা হেল্লি ৱাথি-ৱাবেম ঙাংলিবা। মখোযনা ক্যাম ইনাক-খুল্লবসু ঐদি শুকপাম পামদে মখোয ইমুংসে। অদো ইচে, দা-নোংতম্বগী ৱাখল খল্লুরনু। দা-নোংম্বনা কযা হাযরক্লবসু য়ারুনুকো ইচে। হৌজিক্তি মতম হেল্লে।

সুনো - ঐনবু লৈগে খল্লবদি নহান্না লৈরম্রনি। অদুবু খংনরুবা তিন্নরুবনা কাওগে খনবসে ঙমদে। নিংশিংলরোই খল্লি য়াদে মাবু, লম্লানবী কনাগী ঙকশমদা হুকখ্রগদৌরবা মাগী ঙকশমগী কুন্দোদো, লম্লানবী মাগী মখুৎতো কয়াদা লাইবক ফরিবনো?

মপুক্লিংদা খনবা ৱাখল অদো চীনবান য়ৌরকই খংহৌদনা হাইদোকখিবনি।

লাতা - (য়াম্না হৈ-শিংনা ঙাংলকই) হৌজিক্তি ইচেগীসু লুহোংনবা মতম লেপ্লরে। শক হাইরে নোংতম্বনা হেনবা নত্তে, মশাসু মতিক চাই, ইনাক-খুনবদা হাইরুরগসু মখোইসু ৱাগাইদদি মমিং চৎলিবনি। দা-নোংতম্বনা হেনগে হেল্লবদা নুংশিবদা

খরা হেন্দৌ মঙাইরে। অদুসু মানা হান্না নুংশিনরুবগী তৌবনি। কোন্নদদি ৱাগাইদুনা হেল্লকপা শোইদবনি, লৈববা মতুংদদি।

-- ০০ --

তরাংরেৎশুবা শরুক

মনাওনুপী লাতানা মচেদা পাউ তমগদৌবগী মযুমদা প্রপ-প্রপ চংলকই। সোরোক্তা ঙাংনহৌবা পাউ অদু মচেদা তমনিংদুনা

- ইচে, ইচে মখোয লুহোংবগী কৈন্য অদো চেনখ্রে হাইনহৌই।

সুনো - কবি হাইবা?

লাতা - লুহোংবা নুমীৎসিদা কৈন্যদো চেনখ্রে অতোপ্পা নুপা অমদা হাইনহৌই।

সুনো - অদুবু অচুম্ববা? মদুনা অচুম্বা ওইববদি ওখোক্লা ইকাইবগনিদা?

লাতা - চুম্বা চুমদবদি ঐসু খংদে মীনা নিম্বুং-নিম্বুং ঙাংনহৌই।

মচেগী থম্মোযনুংদা অপেনবা অমদি ফাওবকই। চীনবান থোক্লা হাইদোক্ত মীনা ঙাংনববদি শোইদি শোইবগ্রোই।

লাতা - কল্লক পেল্লিদা। ঐ-মক ঙাইরে হাইদুনা তৌ-শাবা মখোয় মপাদো, তৌবগীদি মখোয মপাদো ইকাইবা খংবা মী নত্তে।

অমবোমদনা নোংতম্বগী যুমদা পাউ হংবা লাক্লম্বা মীয়াম অমনা কৈন্য চেনখ্রবনিনা লুহোংবা কাইরে, লুহোংবা কাইরবনি। লুহোংবা নুমীৎ অসিদা কৈন্য চেনখ্রবনি। **হাইরুবা হৱা, গারি, বেন লোইনা হাইদোক্লুবা তাবনি। অহল অমনা হাইরকই**

- হৱা গারি, বেনদি লাইরি, অরাপ্পা মীগী বার্তোনদুনি লুরিবদি, হোরেল শোইদনা লাক্লগনি।

নোংতম্বগী মপানা মচানিপা নোংতম্ববু কৌশন্দুনা অসুম্না হাই, - ইবুংঙো নিপা থোকউ লুহোংবা কাইবা য়াদে ঙসি সোইদনা লুহোংবা কাইবা যাদে। চৎলু, হৌজিকমক গারি ভান পুখো। পৈশা খরসু য়াওখো। থম্বাল ঙাংবীগী মচা ঙাংবীদোনদো হৌজিকমক পুরকউ। হৌজিকমক লুহোংগদৌবনি। মশানা য়াদ্রবসু নমদুনা ফারকউ। তিংফম থোকপা পৈশা তিংলগা লোইরে কৈদৌই হাইগে ? ঐনা হান্না মখোয়না খরা লাইরবদুদা তৌবনি। শক-চুদি মখোয় মমা-মচাবু হেনবীনবা লৈতে। নংনা ঙম্রোই হায়রগা ঐসু যাওগে। অতোপ্পা মী খরসু পুখিসি। হান্না থেমদুনা নৌদুনা য়েংবা তাবনি মদুদা য়ারক্রুগনা নমদুনা ফারগা পুবকপা তাবনি। নিপা মচা নঙ ঙম্রোইদরা?

নোংতম্বা - (মচা নিপা নোংদম্বনা তপ্পা খুন্নকই) ঐগী লুহোংবসে তোক্লসিবা? মচানিপানা ব্বা ঙাংবা লোইদ্রিঙৈদা থৎলগা হাইরকই মপানা

- করিগীনো, নপুক্লিং অদুক শোম্বরিবনো? ইপা লৈরিবসিদি, নং করিগী চীংনবি।

নোংতম্বা - (মচা নিপা নোংদম্বনা তপ্পা হাইরকই) মীসু লুহোংবগী মতম লেপ্ন খ্রবনি, মীগী মকাদা অমুক যেৎতবনা ফরনিদা?

মপানা ব্বাজাওগা লোযননা হাইরকই, মীনদি মীগী মকাদা যেৎলগা ঐখোয়নদি কবিগী য়েৎলোই। নিপা মান্দবা তৌনু? নিপা থোকউ, থম্বাল ঙাংবীগী ইমুংবু করিগী কিরিবনো? যারবসু যাদ্রবসু ফারগা হেক্তা পুরকউ। মশক্তুদি ফজবনিদা ... করি হাইগে ইবুঙো?

নোংতম্বা - (মচানিপা নোংতম্বনা মপাবু ব্বারৌবগুম) পুন্নমকসে বাবানা শিনবনি, হৌজিক্তি মীগীসু লুহোংবগী মতম লেপখ্রে। ব্বারোইপোৎ থাদুনা, অওং-অউনপোৎ শেম শানখ্রে, মতম অমদা ঐদি বাবাদা হাইজবনি থম্বাল ঙাংবীগী মচা সুনোলতা নত্তনা ঐ কনা অমত্তগা লুহোংবা পামদে হাইনা। হৌজিক্তি কবি ওইরে বাবগী পৈশা, সনা খরা অদুনা মীবু মী-ওইনা করিসু খনদে। পৈশানা অপাম্বদি লৈবা ফংই হাইববু নুংশিবদি সনা লুপানা লৈবা যাদে হাইবসি বাবাদি খংদমাল্লে। হৌজিক্কী মতমদা মীবু লৈতে-লাইবৈ হাইদুনা য়াম্না হঙ্গনা খনবা যাদ্রবনি।

মপানা পৈশাগী নাপন্না বা চাওনা ঙাংলকই - হৌজিক্কী মতমদবু পৈশানা ঙমদবা করিবু লৈরিবগে? হৌজিক্কী ৱাতা নত্তে, আ-- মমাংঙৈ নিংথৌ পাম্লিঙৈদগী অদুম চৎনদুনা লাক্লবনি। হৌজিক পুংদি তরেৎ (৭) তারক্লে লুহোংবগী মীদি লাক্লনি। কান্নদে চৎসি, ইপাসু য়াওগে। মখোয়গীদা লৈবা মীনাই তোম্বদা অসুম্না ওনশিন্দুনা হাই, মচানিপাদি তাহন্দনা

- হা:. তোম্ব। করি হাইনি উং আঃ তৌনদুনা লৈবগী মতম নত্ত্রে। অদুনা মমা খংদে, মচা খংদে চেল্লক্তুবা য়াদ্রবনি। মমা ওইরে ঐগী মচা ওইরে ইচাগী। নোকফেৎ তৌনা লাক্লগা ঐগী ৱাসিবু য়াদ্রবরা? ঐখোয়সু নহা ওইরি। চহি হুম্ফু (৬০) খরদমক হেনবতা ঙাইরি পাখং নখোয়না হেনদৌবা নত্তে। হা - তোম্বা নত্তনে?

তোম্বা - (নোকফেৎ তৌনা বা মখা তারকই) য়াই - য়াই বাবুগীসু লুহোংবা য়ারি, নহা য়াম্না ওইরি নচা নুপাগীদি লোইরগা বাবুগীদমক খংনবা হাইবদুনি বাবু?

থাগৎলগা হরাওদবা মীদি লৈতবনিনা, থাগৎলগা হরাওবা মীনিনা, খুইরবা মমাই অদো হে..হে....হে নোক্লকই। নোক্না নোক্না মচা নিপাদা নুপী চেনবা চৎননবা হাইরকই।

- কৈদৌরগে হৌজিকফাওবা ফি শেৎপা লোইদ্রিবরা? তোম্বা গারি ষ্টার্ট তৌ মশা মড় ফবা য়ু থকপা নহা খরা পুখো করিগুম্বা হোরেল হো-হা হাইরক্লবসু নখোয়না ঙম্মক্তবা য়াদবনি।

ঙাংনরিবা ৱাশিং অদু ঙাশাইদগী নুপী মচা লৈকাইদুদা লৈবা, সুনোলতাগী মনাওনুপীগা তিন্নবা মমান্নবী অদুনা ঙাংনরিবা ৱাশিং অদু তম্লনবা চেল্লক্লনা সোমদনা পাউ তম্রি।

লাতা - লাতা নখোয় ইচেদি? শ্বর থবেৎ-থবেৎ চেল্লকতুনা পাউ তম্রি।

- নখোয় ইচেদো দা-নোংতম্বগী মপাগা মখোয হৌজিক লুহোংবগী হাইনি হাইদুনা লাক্তৌগী তৌহৌই। করিগুম্বা যাদ্রগসু নমদুনা ফাগনি হাইদুনা গারিকা, মীকা থৌরাং তৌহৌই, কৈন্য চেনখিবগী ৱাদি তারবা নত্রা?

লাতা - হোই তাবে

মমানা ঙাংনবিবা ৱাদু ইমুংদা তাবদুনা প্রপ-প্রপ থোবক্লগা নুংশা খিনা হংলকই।

- করি হাইবা ইবেম্মা? মখোয়গী কৈন্য চেনখ্রগা ঐগী ইচানুপী ফানি লুহোংবা কাইবা য়াদে হাইবিবসিবু ফনা লুবা ৱানি।

মচানুপীনা মখা তাবকই - ইমা মখোয় মপাদো য়াম্না তৌবা ঙ্শমী, ইকাইবসু খংদে অদুনা শোইদনা তৌরক্কনি।

পাউ তম্রম্বা মমান্নবীদুনা অসুম্না হাইবকই - ঐদি চৎলগে, হোরে, মখোয়না ঐনা পাউ তম্রম্রে হাইদুনা ঐবু ঙাংগনি, ঐ চৎলে। - অসি হাইদুনা প্রপ-প্রপ চৎখি।

মমানা থৱাই ৱানা পুক্লিং চীংননা সোমদসু লুহোংবা মতম লেপ্পখ্রবা? হৌজিক ঐখোয় কবি খন্নসিগে? কদায় নচেদি? মচা নুপীবু কৌই - সুনোলতা. সুনোলতা সুনোলতা।

- ঃ লোইরবা ঃ -

নোংলৈসিগা ছাতিনসিগা
ৱারি মচা

ৱাহৈ খরদং

য়াম্না চম্না ইজবা ঐগী ৱারি মচাগী খুইনি। থম্মোয়নুংদা লৈরিবা কলপ্না কয়াবু ৱারি পরিং অমদা, য়ুমফম ওইরগা শাগৎচবা ৱারি মচা ওাক্তনি। অদুবু মীওইবা পুন্সি অমনা থেংনরিবা অৱাবা নুংঙাইবা অদুখক্তা নত্তবা চৎনা লিচৎ অমগা অমগা খেনবা থজান্দবা হিংমিনবদা নুঙাইতবা মশাগী কলচর লৈজরিবা মীওইবা কাংলুপ খুদিংমক্তা তাইবং ফমপাকতা পুন্না হিংমিনরি। অমগী মতেং অমনা লৌনদুনা, অদুবু ঐগী ৱারি মচা অসিগী কলপনগী য়ুমফম অমা শাগৎপদা অইবা অইবী লাইরিক অসিবু পাবীরিবশিংনা ৱারি মচা অসি মপুং ফবা ফদবা কয়া থেংনবিগনি অদুবু ঐনা হায়জনিংবা অমনা ৱারি মচাসিং পাবীরবা মতুংদা অইবা ঐঙোন্দা হায়নিংবা ৩ক্রীংবা খাদংমক ইদ্না খংহনবিরকউ। নত্রগা হকথেংন্না ইসাদা হায়বিরকপা খুদিংমক হরাওনা অমসুং মথংগি ঐগি লাইরিক ফোংবদা মিংগা কোন্না হাপচরক্কনি।

অরোইবদা লাইরিক অসি ফোংনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাংবিরখিবা খুদিংমকপ্ ঐনা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। অদুগা লাইরিক অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহৈ খরা ইবিরকউ হাইজরুবদা হরাওনা য়াবিরকপা ওজা প্রিয়ব্রতবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি।

১০/১০/২০০৪

অইবা সারত সলাম

অপাবগী নুংশাম্বর অমতং

সবত সলাম মণিপুরী সাহিত্যদা অনৌবা মীং অমা নৎত্রে। চহি নৌবিবা খোইর্জনি। অদুবু পোন্থানা লৈতনা ইনি। লেপ্পা নাইদনা ফোঙলক্কি?

লৈচল শুবে মতাক্তু শেমগৎচব বাখলগী লৈকাল। শৈরেং, লাবে, ড্রামা পুম্নমক্তা খুৎ থাবে। খুদাল তমখো মণিপুরী সাহিত্যকার কয়ানা সবত সলাম কনাগে, কদাইদগীনো খঙনীংঙনা হৌনবক্ত [illegible] নহা ওইরিবা অহল অসিবু নীংবগী লোংতুনা হাওবা [illegible], মতম [illegible] [illegible]নী। [illegible]

[illegible]

বরী মচ [illegible] অপুনবা [illegible] উৎফলদগী বা [illegible] পক লাই। পবা [illegible] অমত্তা উন্ননখিদে [illegible] লাইরিক হাপিবী [illegible] তালগৎ থম্মোয় মশক [illegible] অমাগী [illegible], [illegible] (সবত সলাম্না তৌবগুম) বানা অদব মোমেন [illegible]

কাযথবক্কুবা মীওইবগী বানান লাইবিক অসিগী লায়মায়শিং অসিনা লাক্লিবা। [illegible] পুনসিগী মচম ঙাক্তনি নত্তে পবেং খুদিংদা নম্বরবিবা। তাযদৌবপা [illegible] অশেঙবা ঙাক্তান [illegible] পুম্নমক্তা হাংদোক্লিবা। সাহিত্যনা বস্ত [illegible] শেন্নবা হোৎনবি মীওইবগী মবী, বাখল, মীৎযেং অমসুং বাইও, সবত সলামগী লাইবিক অসিনা পীবিবা নুংশাম্ববদি মীওইবগী মবী কদোমদা হাযবসিনি। নোংলৈলক্কী ছাত্তিনগুম তনিক তনিক্তবা কনাগী যাওবীবগে? বাতং অমনি। মবমদি যাম্লক্লা যাই

মরমদি চারম্বা য়াই। মরমদি অমা নৎত্রগা অমা পীশিল্লম্বসু য়াই. লাইরিকসিদসু মরম কয়া পীরি। লুরিবদি লেঙফম থোক্তবনা লেঙলকপসিনি। নুংশিবনা লৈখা তারকপসিনি। মীকুপ অমা থাজরম্বগী পুন্সিচুপ্পা কোয়চেন চেনবা তারকপসিনি। থম্মোয় খূদিং থরুম্মরকপা হেঙ্গৎলক্লি ঈশিং ঈচাওগুম। পাকথোক-চাউথোক্লিবা লম্বীসিদা চৎফমদি অশুম অশুম খূজিল্লক্লি। মীওইবগী রাখলনা ঙাওচৎনরক্লি। মীৎয়েং খূদিংদগী মায়কৈ মমী শাম্লক্লি। রারীশিং অসি অশুবী মতীক মতমগী ওইখ্রে। থম্মোয়গী অরুম্বনা রারী লীবগী নিয়ম পুম্বা ননশিনখি। মসিসু ওইথোক্তবা নত্তে।

লাইরিক অসি হীরম খূদিংমক্তা ফজরে মায় পাক্লে হায়জবা নত্তে। অইবগী ইশম-শম্নদবা রাখল-মূর্ত্তি কয়া রাহৈ ওন্থোকপদা তকাগা-নাম্থোক্লদবা মতাং ফনা য়াম্না থেংনবীগনি। লীথোক্লিংবগী ইথলনা পূদুনা চৎখিবা রাহৈগী অতেক-অকায় শক্তম কয়া ইফোং-ফোংনা উরী। অদুবু পূন্নক অসি অইবগী খাওঙুমদবা, পোত্থাফম খঙুলহুবা, চৈনবকপা নুংশাম্নরগী তসবীর পরেং-পরেংনি। অইবা অমা ওইনা মহাক সমাজদা মীৎয়েং থম্লক্লে। য়েংহৈদ্রবা-তাহৈদ্রবা দৃশ্যশিংদা মীৎ উইশিন্দনা ঙম্লক্লে। মীওইবা জাতিগীদমক থরায় রাজনা পুন্সিগীদমক থম্লজবা, নীংজবা হৌরকপসিমক অইবগী অহানবা মশেক-মঙালনি। অঙকপা রারী ভুক্তনি। লীথোকহল্লিদবসূ যাওবকই। মরক-মরক্তা লৈরোং কয়াসূ শাৎলি।

০৭/০৯/২০০৪ -ডা: এম: প্রিয়োব্রত

ৱারি মচাগী ৱাওফম

ৱাবি মচা

লুখ্রাবী

থেংলবা অহিংদা, মাঙ্গোল ডাবিদা মখোং যাঙ্গদুনা ফমলগা পুন্সিগী অৱা মাযোকনবিবা বীনা। পিক্লিবা মচা অনিবু কবম্মা চা ওননবা যোকসিংগে খন্দুনা উপাই থিৱবা বীনা, মাৱা মপুবোঙবসু লেখিদবা চহি ফদ্রি। মাম্মা নৌবিবী বীনা, নৌনা লুখ্রাবী ওইহৌই। চহি কুননিপান্দা ডাইবিবী নপীন বীনা। মচা অদস্ যাম্মা নৌবি। মচা অহন অদ্ নুপানি, চহি মঙাতং ঙাইহৌন [illegible] অঙাং [illegible]। নুপী মচানি চনি অনিনি ঙাইনি। নৌনা [illegible] ঙানিপান্দা [illegible] পানল কৰ্পানি। বীনা মপামক্তে মদস্ যাম্মা নাতে চাদে, [illegible] নুপ অহনগী মচানি [illegible] নৌ[illegible] [illegible] বীনা [illegible] নুপা। অমা পুসানলকাই, চাহি [illegible]। [illegible] অমা [illegible] ঙৈবিদনী [illegible] [illegible] [illegible]। মমা [illegible] নবাগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] বীনা [illegible]। [illegible] বীনা [illegible] অৱা [illegible] লাইবা নাইদে অমাগী [illegible] অমা, [illegible] [illegible] অবকাই, মমা অৱানা। মাগী নু [illegible] মাগী নিপান নৌবিদে [illegible] অহুম মাবি অদখক্তনি বীনাগী পাওদা মোমোন [illegible] ফংজাখবা। [illegible] অমুক্তস লুখ্রবী ওইত্তৌবে বীনা। [illegible] শক মতৌস অদম [illegible], মী মযাইদা কুচু [illegible], [illegible] নিংথিনা লৈবান, মঙক শং [illegible] তৌই, [illegible] পাস্ সাংই, শাবাল মাংদা ফজে, নোইস্ নোইদে, পাসু পাদে, মওং [illegible] শাবাল মুত্তিন। পিডাফমদা শমবু অমা লৈ। মীৱা খবা ঙাংননিংবা মীনদি বীনাগী পিদাফমগী শমবু অাসনান মমা, মপা, মৱা পুন্সিদ্রিবসে। শমবুদা মবাল সিবশি ঐ কযা যানিংদে অদুবু খবা চানকবা যাওনাসদা মীগী সিত্রা-কুপতা যেংলগা মীৱা ঙাংননিংবশিংনা ঙাংনৈ।

বীনা, মাঙ্গোল ডাবিদা মখোং য়াঙ্গদুনা ফল্লগা অসুম্মা মথন্তা শোঙ্গে, হৌজক্কীদি চাখ্রে, হায়েংগীদি কদায়দগী অমুক থিকনি। অসুম্মা খন্না-খন্না নোংদোল থাবু য়েংদুনা [illegible] খিবা পুন্সি ৱাবি, থৌদোকশিং মথং-মথং নিংশিংদুনা কপলি। মিকী পিনা ঈপান থাগী ঈচেলগুম চেঙ্ছবি। তাঙাংলবী

খজাইদা পিদাফমগী শমব্রু অদু পানা, পানা চেষ্টারকখি বীনাগী মিংকী পি। অসুম্না হৌখিবা মতম কয়া চৎখি লেপ্পা লৈতে মতম মাদি। নোংমা মনেম্না অসুম্না হাইখি - বীনা, ইনেমদি শোনলবনি ইমৌগী মতেং পাংবসু ঙমদে মিৎ-নাসু থাওইনা উদ্রে, চৈসুসি নত্রবদি লেপ্পসু ঙমদে। ইমৌসু ননেম ইগুম্না লুখ্রা ওইহৌরে, ইচা নুপাসু মপাগুম্না নৌনা মনুং-মতম চাদনা মপাগী মতুং ইনখ্রে। হিরিদিতি হায়বদো মপা-মারি ওইখ্রে। করিনো খংদ্রে ইনেমসু মিংনা মিং উরক্তাবনে, ইনেমদি হায়ফম খংদে। ঐগী হায়ববু ইসু অনিশিদং খরা শেন্নবসি নত্তনা করিসু ঙমদ্রে। বীনা অসুম্না খন্ন-খন্ন অযুক ঙননা হৌগত্তুনা কোনলিক ফেংদোক্নুনা ৱাইয়ম সিং সেংই। পিক্লিবা মচাসিং তুম্বা হৌরক্ত্রিঙৈদা থবক অতৈ লোইহৌগে হায়বগী ৱাখলদা পরপ-পবপ হোৎনৈ। লুখ্রাবী যুম্বাল ওইরবসু তক্ক তনাম্না লৈজে। বীনাগী মনেমনা অসুম্না হাইরকই মমৌদা - " ইমৌ ইবেম্মা, নঙবু ঈংলনিনে ? কোবী, হঙ্গাম য়োনবসু চংতৌবা ঐহৈরিনি, ঙসি অহিংদি ইংসু ঈংখ্রে, উননা মরোল অমা তাবিদা, শিঙনা মপেল অমা লৈত্রিবা, চেংনা চেং লৈত্রিবা। সুফম চাফমনা লৈত্রিবা, মীশিংনা য়াগসললকপা, লমনা পিকশিনলকপা, পোখ্রোক্লা বালকপা লৈবাক লৈহাও মাংথবকপা, মসিনা ঈংখোল মনা-মশিং থাবসু ফবা ঙমজরে। ঐখোয়না অঙাং ওইরিবৈঙে মতমদদি জারক্লো হার-চাইবা খংলমদে। ঈংখোলদা থরম্বা পোং পংফদা করমই। হৌভিন্ক্রি হাম্না খেংনরে"। তুম্লিবা অঙাং অদো কৌরক্লুনা, অতোনবা নুপী মচাদো কপ্লকই, মনেম্না হাই - " ইমৌ ইবেম্মা, অঙাংসিসু হৌরকএ, নুপী মচা অসি খোম খরা ইনবীরম্মু"। বীনা মীঙোল্দগী তিকউবা মনা-মশিংশিংদো বোড়াদা হানবা লোইদুনা মচা অপিকপা অদো খোম ইনলি। অদুগা অসুম্না মনেমদা মতেং খরা পাংবীনবা হায়রকই - " ইমা, ইবুঙো মচাদুমতং স্কুল চংননবা চাক পীজরগা শেংনা ইরুজবীরগা স্কুল চৎহনলম্মো। ইচন মচাসিদি ঐ অদুম পুবীখ্রাগে "। মনেমবোক্লা তপ্পা হায়রকই, হোই, হোই অঙাং মচাদুসু ইনেম লৌহৌগে হায়ববু, হোরেল মনা মাবুক লাম্লকপদা কপলকপা ইনেম য়েংবা নুংঙাইতে। বীনা অঙাং মচাসিদি থম্লম্বা ঐসু নুংঙাইতে, পোৎ য়োমফম খংদে। থৱাই য়াম্না ৱাই, কপলমগদ্রা মবুক লামদুনা খনবদা পুক্লিংসে লৈতফম খংদে। খরা ৱাজরবসু অঙাং য়াওবসিনা থৱাই ৱাবা

খবামখৈ ফৈ। মনেমবোক্লা পুক্লিং নুংশিংনা হাযবকই, - ইবেম্মা থেংনদি হল্লক্কনু ! অমমম অথেংবদা, ইমৌনদি নহা ওইবিবনিনা ননেমগী থম্মোযসে পোত্থফম খংদে। মনেমগী থরাই ব্রাজবা অমদি লৈ। মমৌ নুপীনা নহাগা ওইবনে. মশক মতৌনা ফজবনে, মচা অনিসে হুন্দোকল্লগা মযাম পানা খগদো খননদা নেমনা কযাদা ব্রাজবা। মমৌনা [illegible] লাল্লোন-ইতিক চংপসে কযা চংহনবা [illegible] অাবু ইমৌনা [illegible] কদাযদগী চাক্কা যমগী যিজেং-চাকচা কনানা তৌগনি। বীনা [illegible] [illegible] পাম শাদনা লোইবা মতংদা মরে [illegible] থোংখ্রুনি কৌ [illegible] বাসিমা [illegible] থোংগাপন্থ। মনেমনা [illegible] কোবী [illegible] মমৌনা [illegible]। ইবেম্মা লম [illegible] নচাদগা [illegible] [illegible]

[illegible]

[illegible] মীনাদি [illegible] [illegible] [illegible] থৌনীনুদি [illegible] চিংনবেং [illegible] ভাইরবা [illegible] অমনা নৌনা লুখ্রা ওইহৌবগা যুম পান্দনা লৈবা হাযবসে খবা [illegible] অদুনান মনেমম্না ব্রাবিবসে [illegible]শাবী ওইনা যুম পনখিদবদি ফনা যাম্না লৈ। অদুগা যুম পানলুবগা পা[illegible] [illegible]খ্রা অমদি কাইনদুনা লৈবগা যুম অমুক পান্দনা লৈবা হাইবসে কা হেন্না থেংনদে। বীনা, মীনা ঙাংনবা মনাদা তাই।

নিপা নহাগী মীৎয়েং মা খণ্ডই, অদুবু করিগুম্বা বখল অমদা খনলুবা লৈতে, থৌ ইশা শাদে। মাগী তৌরিবা থবকতুদা পুক্লিং লুপপি। লালোন ইতিক তৌবা হায়বসিদবু লম চৎথোকপনিনা নোংমসু থেংই, নোংমসু ঙনলি। নোংমা থেংলকপা নুমিৎতা মনেমনা, বাদি ঙাংদ্রগা মামৌদমুক য়েং, মাসু সিংদমুক য়েং, মমিৎতগী পি তাবকই ,মনেমগী মতৌ অদু মমৌসু খণ্ডই। থেংলকপা নুমিৎ অমদি মনেম্না থবাই বানা লৈবন্না অদু উবদা, বীনা অসুম্না হায, ইমা, ঙসিদি খবা থেংদোকখবে, পোৎ য়োম্বা নুংঙাইতদুনা। মনেমনা অসুম্না খুমলকই, হোইদা, হোইদা, লম চৎথোকপা হায়বসি তম্বা ঙমপোৎ নত্তে। পুবিবা পোৎতুনা যৌখিবগা সিংখিবা ওইবগা ঙান্নহেক হনলকপা, সিংপা বাংলগনা থেংনা হনলকপা মশানা তাবনি। বীনা কৈথেলদগী হনলকপদা মনেমনা হবাওনা লৈবমলগা, বীনসু মপুক্লিং হবা ওই। মনেমনা শকফম হনজননা লৈবমলগা থবাই মাই বীনা। ঙাসদি অমুক্তা হাইদবা বা ওম হায়নকই মনেম্না উবেম্মা। ইমা ঙসিদি বা অমা হার্যানিংই। ইমা ইচা [illegible] কনাসু লৈতেদো ইস ইবেন ঐখোয় মনি খক্লনি। ইনেম হা[illegible] [illegible] খংদ্রবনিদে। মাংগী লম্বীনা তেনশিনলকপা, তুংগা লম্বীনা শাংখনা পুশিনি। পুক্লং নুংশিংনা হাইবকই, শোন্নবা [illegible] অমাদ [illegible] ই শু আন অসি থাদো ক্লনা যুম্নাক হোংগে [illegible], আস হাংবগা হক্লি হিক্লা কপপি। বীনা মনেমগা বা অসি তাবদা নোকাম নোকাম তৌবগা অসুম্না হায়বকই - ইমা, হাইদৈবা বাবু হাইবকহদা, নমৌগী বাখলদা পাপকী মশক ওইবা থবক্তো মিৎকুপ অমত্তসু নিংশিংদে। নমোনা খনজবা হায়ববু, নশু অর্নিসনা মযুম-মকৈ পানবা ফাওবদংদ ইনেমবু তেক্ত-কাইদনা লৈহনবীয়ু হাইনা ঈশ্বরদা নিজবা অসিখ্তান নমৌনা খনজবা হাইববু, হিক্লা-হিক্লা কপলগাঅসুম্না অমুক হাইবকই নমৌবু নচা-নুপাগুম খন্দুনা চিকোন-নাওকোনবীয়ুকো ইমা ----। □

ৰাবি মচা

ঙারি য়োমখ্রবা চে

ঐগী য়ুমগী অৰাং থংবদা অতোপ্পা শাগে অমগী য়ুম লৈ। মখোয মতৈ-মনাও অনিদুনা পোকপা মচা অহুমগা লৈ। নোংমা নুংতি খুদিংগী খৎনৈ। লৈকাইস্যু থৌশাদে, নুংতিগী হায়-হায়ুনি। মখোয় ইমুংগী হৌনবীনি। নুপি অসি খবা চিন থি। নুপী ক্বাকনি, নুপী চাবোইনি, নুপী চোঙানি হাযবদুগী মবক্তা মাস্যু অমনি। নুপীগী মমিংনা কুমাবী মাগী নুপাগী মিং ইবোতোন কৌই। মচা অহুম অদো ফনা যাম্না চাওবে। অহনদুদি নুপীনি, লৈশাবী মচা ফবে। ক্লাস টেন তমলে। লৌ, ইংখোল চাওই। ইবোতোন থবক শুবা মীদি নত্তে। খবা তনগনবা মীনি। মাগী হাযববু মীগী য়ুম শাবা খবা চৎকনি। মখুৎ মশাদি পংহৈতা হৈগল্লি। মখুৎতি লুদে, মানা শাবা য়ুম, কৈ, উচন ফজদে হাইনৈ। শাবদি থুনা লোইগল্লি। ইবোতোন সহিত্যা মমি তাবা মীনি, শৈবেং ৰাবি কয়া ই। শৈবেং লাইবিক অর্মদি ফোংখবে। ইবা পামজবা অমদি ওইবা মীনি। ঈংখোলদগী মনা মশিং খবা পুথোকপা, লৌদগী ফৌ খবা লোকপা অদুনদি চাবা কোন্নদবা ইমুং অমনি। নুপী খুংচাও খবা থাই। অহাওবা খবা চাগল্লি। খুত্তা পৈশা পাইবা যাদে, লোইসননবা হোৎনৈ। নুপা, নুপী চানবা খবা ৰাৎলি। ইবোতোন, ইবা লেপতে, নুপীনা ইসৌ লাংই। কুমাবী - "কবিনো নুপা নঙনা ইবিদুবু ? চেংদি লৈতনা ? নচামখৈ চাক চাগে হাইবক্লনি, স্কুল চংন্নবা। নঙনা চৌক্রিদা ফমদুনা নুংঙাইনা লৈবিবনিনে ? নচিন্দুনা মুকম-মুকম, মাইবনা থৌ তৌবদৌনা"। খোল কন্না ফজদবা ৰাহৈনা তৎতনা ঙাংসনলকই। ইবোতোনদি ইবিবা ৰাবিদুদা যাম্না লোইসননিংবনা কনা অমত্তা লাংহন্নিংদবা মতমনি। নুপীনা ঙাংলিবা অদু তাদবা মখৈ কন্না ইবি। অদুবু মাগী নুপীনা মখুত্তগী কোলোম মুল্লি। মখা তানা ঙাংলকই - " ক্লাস টু ফাওবা পাস তৌদবা, মৈতৈলোন নিংথি নুংঙাইনা পাবা হৈতবা নঙনা ইবিবদুবু কবিনো ? খুইনেনা তিলথোক্লা চৎপা মানবা মখৈ।

বি এ, এম এ না ইবা ফাওবা পাননিংদ্রবা মতমসিদা লাইরিকসু হৈতবা নঙনা ইরিদুবু করিনো ? চেগী পৈশাদুনা ঐগোন্দা পিরবদি নথিবোংদো চাগদৌবা খংলবরা ? নঙনা ইরিবা চেশিং অদো ঙারিগা ওন্নরুগে দুকান্দা। ইবোতোন তুমিন্না লৈবম্বদগী শাওরকই - " হৈ, নুপী নঙ ঙসি চৈ শোইদনা চাগনি, ঙরাং ঐনা পিখিবা পৈশাদো লোইখ্রবরা ? অদুক য়াম্বা পৈশাদুবু "। নুপীনা ওনখৎলগা খুমলকই - "এ ! লুপা চহুম খক্কুবা ? অদুদি ঙরাংনা লোইখবে। ঙসি চনবা লৈত্রে। নঙনা ইরিবা চে ময়ামদো লোইনা খোমজনলগা দুকান্দা কেজিদা ওনথোকলুগে। চেং কেজি মখাই অমত্তা ওইববসু ফংগনি, মদুনা নঙ-ঐ পুক থলগনি"। খোইদৌ শাওগৎপা ৱা ঙাক্তা ঙাংলকই, ইবোতোন তৌফম খংদে। ফুকরে নুংঙাইতে, কাইনসি হাইরে হেক্তা যাবা নত্তে, ওন্নোক্লা নুংঙাইরোইদৌরি। পুন্সিসে অসুম খন্ন-খন্না ইবোতোন। মনা য়ুম শাকন্বা য়ুম্বদুদা লুপা চানিম্নব ৱাংতৌবানি লৌকগে খন্না চংখি। হাযবগা তৌরবগা কুমারী কুইদে। মাই নুপানা চংথোকখিবগা নুপানা ইবন্সা অমসুং অইবা চে মখৈ লোইন খোমদনা পথোক্লগা দুকান্দা যোন্থোকলই। ইবোতোন লুপা চানি পুদুন লাকপদা মমান্নবা থোংনদুনা য়ু খবা থর্কাখাস হায়বদগী য়ু থক্লগা হনলকই। হোই মাই হায়দনা ইমুংদা প্রপ-প্রপ চৎলা ফমুংদা তুংথে। কুমারী, মাই নিপানা তৌবিবা অদু ঊবদা প্রপ-প্রপ চংশিল্লগা ঙাংলকই - " যোইদনা য়ু থক্লমগনি, ফুনখাওদা পৈশা শোইদনা যাওনমগনি " হায়না-হায়না ফুবংখাউ মথং-মথং হুমই, অনিবক হুম্বদা থেংনৈ পৈশা। লুপা ১৫০ যাওবমই। কুমারী - " সি যাওনা যাওনা ঐগোন্দা পিদ্রবনি, কযাক্তা মবুক ফাক্তুবা নিপানো ?" পৈশা অদু কুমারীনা ফনেক ফিজদা পুনশিল্লগা ফৈবেদা যেপাশিল্লি। মচিন্দা ঙাংবাদি লেপত্তে, মাই নিপানু শাপ তৌবকই, অথিবা ৱাহৈনা। নথিবোং য়ু তপ তানা থক্লগা হনলকইবনি ? পৈশাসি সিতা ওইবল্লোই ? নাথিবোং য়ু থক তাক্লমগনিএ। মচিন থিনা থিনা নিপানা তুন্নিবা অদু কাংখল খনজিনবীবমই অদুগা প্রপ-প্রপ থোবকই। মচানুপীদা ৱা খবা হাইরকই - "ইবেম্মা, চাক্তো থোংলমহৈনু, ইমা সোরোক কৈথেন থোক্লখিগে। ঙা লৈবকে, শিদৌবা থৱাইনি। অহাও-অহাওবা চাথোক্লগা লোইরে। ৱা ঙাংনা ঙাংনা থোকখ্রে। মচা নুপী লাইরিক পাদুনা লৈবমবদগী মমানা কুইনা লাক্তবা অদুদা ফলাংদা য়ানলিবা ঘাড়িদা য়েংলকই পুং কযা তরাবা জাৎনো খন্না। পুং তরেৎ মখাই তারে,

হৌজিক ফাওবা ইমা হনজিল্লক্তে, মচানা চাক থোংবা হৌরগে খন্না চাক মৈ থাগৎপা হৌবদা মমা লাকই, ঙাং-ঙাংদুনা। কুমারী মথন্তা, ঙা রৌ লৈরকপনি। তপ তানা থোংলগা অয়ুক্তা ঙারেল চাগে। ঙাংনা ঙাংনা ইমুংগী থোংঙ্গিন কানশিল্লকই, মচানুপীবু কৌরকই - 'হায় ইবেম্মা, ননাও"। মচানুপীনা খুল্লকই - ' ঐ চাক মৈ থাগৎপা হৌরে ? করিনো থোংদোইসিবু" ? মমানা ঃ - সে, ঙাসি শেম্মু । চাথোকসি, চাদুম চাথোককে হায়না লৈরকপা ঙানি। মাতুম চাওরপ-চাওরপ ককউ। হে,-হে,... শিদৌবা থব্রাইনি। অহাও-অহাওবা চারগা লোইরে। মচানুপীনা তপ্না খুমলকই, শিদৌবা থব্রায়নি হায়দুনা লোইনা-লোইনা চাথোক্লবদি শিদ্রিঙৈগী থব্রাইনা করি চাগনি, ঙাদা ময়াম্মা লৈরকতৌ শরুক, চেংদো খরা য়াম্না ব্রানলক্লবদি ফাগদৌবা। চেংবু নোংমগী চারা চরাদা ব্রানশিলবসিবু ইকাইদ্রা খংদে। মমানা খুল্লকই - করি তৌবগী পুন্না ব্রান্দোইনো ? থোঙ্গালদা দুকান অসুক য়াম্না লৈবসিবু, চেংফুদা চেং হাপকুম্বনি, পৈশাগী ব্রানি। নুমিদাংগী চাবা থকপা লোইরদুনা অঙাংখৈ তুম্নখি। য়ু ঙাওবগা তুমখিবা মপা অদো, ফমুংদা ওক-ওক তৌরকই। য়ু থকপগী হৌনব ওনিংলকপা অর্দুনি। কুমারীনা ঙাংলকই - নথিবোং য়ু তপ-তানা থকচল্লগা ওনিংলকইনিনে, অওবদো অমুক নয়াদা ইনগে ওথোক্লীদো পৈশানি। য়ু ঙাওবদি ফরজাৎনি। মাগী নুপীনা ঙাংলিবা অদু লোইনা তাই, নুপীনা ঙাংলিবা অদু থৌশাদে, মপোক্কী অদুম ঙাংগনলবনি। শাওনিংদুনা খৎনে। চৈনা ফুবদসু ফত্রবা, ব্রা ওক্টনা ফজনা তাকপদসু কান্নদ্রবা নুপীনি। মাগী নুপীনা ঙাংলিবা অদু মা কয়া তাদ্রে। মাগী নুপীনা মখা তারকই - নঙবু নথিবোংসে চাররোইদ্রা, ঙা থোংবনি খরদি চাওদনা ? নবুক্তো করিমত্তা য়াওরম্লরোই লোইনা ওথোকখ্রবনিনা। ইবোতোন তপ্না খুল্লকই - হায়েং চারগে। নুপীনা - ফবে-ফরে অদুদি কাংখলসে নিংথিনা য়েপসনল্লু, কাংনা চিকচনি। অসি হাইরল্লগা কুমারী মাগী তুমফম কাদা চংদুনা তুমখি। মথংগী নুমিৎনি, কুমারী তুম্বসু ঙন্না হৌগৎলি। মাগী নিপা ইবোতোনসু ঙন্না হৌগৎলি। মচামখৈসু লোইনা মথং-মথং হৌগক্তুনা সুমাং থেংলোং ব্রাইরম লোইনা তৈবা সেংবা তৌরকই। চিন-য়া শেংবা লোইরদুনা কুমারীনা মাই নিপাদা হংলকই - ঙসিদি থবক চৎলরোইদ্রা ? ইবোতোন তপ্না খুমলকই - মনিংগী য়ুমদুদি শাবা লোইরে। অতৈগী হায়রকত্রিমখৈ লেপ্পা তারে। কুমারীনা মখা অমুক তারকই - পৈশাদি লৌনিংঙাই লৈত্রবরা?

ইবোতোন - ঙরাং পুরকপা লুপা চাম্মগা য়াম্থেদুনা লোইরে। ইবোতোন লুপা য়াম্থে অমদি হায়দোক্কে। মদু হায়দোক্লুরবদি মাগী নুপীগী হৌনবী তৌরক্কদৌবদু মা খঙই। মাগী নুপীনা কুপথি থিরকই - য়ুম অমা শাবগী পৈশাবু কদায়নো ? ইবোতোন খরা কনলপ হায়রকই - লিশিং মরিদা শাবা য়ুমনি, অচৌবা য়ুমসু নত্তে। অদুগী মনুংদা ইথস্তা শাবসু নত্তে, ঐখোয় অনি শামিন্নবনি। লুপা চাম্মা চানিখক ব্রাৎপদুদি ঙরাং পুরকখ্রিবদুনি। কুমারীনা ইখং-খংদবগুম ইহ্বোরকই - খংদে খংদে হৌজিক্কীদি হাইনা-হাইনা লৈরে, হোরেলগীদি লৈত্রিকো চেং। মরক থৎনা মচানুপীনা - পাপা চরা ব্রাল্লসি, ঙাইহাক লৈরদি লোয়না পুমথ্রনি, চাবা য়াররোই। চাক থাংদোরকই, ঙা মতোংনা পিক থন্না য়াওবা তেঙ্কোৎ অমগা লোইননা। পুথোরক্লীবা চাক অদো মপানা ঙরাং চাদবগী শরুকনি। অতৈসু অমুক পুথোরকই। মখোয় মমা মচা লোইনা চরা ব্রান্নরে। মপাদুদি লোইনা চাবা ঙমদরে। ঙা থোংবদুসু তেঙ্কোৎ তংখাই অমা লেম্লম্লে। মদ্যসু মমা-মচানা চাথোক্লে। চাবদদি হকলেংবা লৈতে। পামুবা খংদে। চাবা থকপা লোইরদুনা অঙাংমখৈসু মাগী-মাগী লাইবিক পাবনা পাবা, অতৈ থবক তৌবনা তৌনখ্রে। মপা ইবোতোনসু ব্রাবি অমা ঙরাং ইবা হৌরম্বদো মখা ইথাগে খন্না, তুমফম কাদা লৈরিবা টেবলদা চংশিনখি। টেবল অদু ইহাং-হাংনা লৈরমই, মদু উবদা ইবোতোন স্বাই লাওই। অদুবু মাংলমগনি হায়বদি খনদে। কুইথি থিরকই, মোন্পাক মখা, উপু মনুং মথক মখা। মচাশিংগী লাইরিক পাফম কা , উরক্রুবদা হংলকই খোল খরা কলপ - ইচাশা ঐগী অইবা চেসিং অদু উদ্রা ? মচাশিংনা খংদে হাইনা খুন্নকই। মপানা মখা অমুক তারকই - নমাদি ? শাওনা হংলকপনি। মচানুপীনা চিংননা খুন্নকই - ইমাদি মনিংদা লৈএ। মপানা - কুমারী, কুমারী কৌরকই। ইবোতোন মাগী নুপীবু মিং অদুম কৌবনি। খুন্নকই - করিনো অমুক লাওরক্লীবদুনা ? কুমারী খনদি খনলি মাগী অইবা চেশিংদুগী ওইরিনি। ইবোতোন মখা তানা হংলকই - অইবা চেশিংদুদি ঐগী ? কুমারীনা থৌ ইশা শাদনা খুন্নকই - ও ! ঐনা ঙরাং দুকান্দা পিথোকখরে। শাওবা হৈরেমদ্রবা ইবোতোন খোইদৌ থিৎনা শাওনিংলকই। য়াম্না শাওনা চৈরকই - হৌজিকমক চৎলু লৌরুচো, চে অমদং হেক ব্রাৎলম্বদা নহাক ঙসিদি খংগনি। নুপীনা হেন্না শাওজনলকই - করি তৌগে হাইরনো ? হানুথংদা পংইতা ইরগা ? কনানা নংগীদুবু পাবীনেনা ? ইবোতোন

য়াম্না শাওনা মাই নুপীদা চেশিংদু লৌরুনবা কননা হাইরকই। নিপানা কন্না শাওরক্লবদি, নুপীনা ঙম্বা নুপি ফাওবা কীদবা নত্তে। কুমারী দুকান্দা লৌরুগে খন্না চৎপনি। চে অদুগী মমলদি লুপা মরি লৌদুনা বীবি সুনা ঙারি লৌখ্রবনি। ঙরাং অদুম পিসনবগা দুকান্দুনা খুদক্তা সেগাইরগা ঙারি তম্বা হৌখ্রবনি। কুমারীমক্না লৈরকখিবা ঙারি ময়োম অদু কুমাবীনা পুরকখিবা চে অদুগী মচেৎনা য়োমখ্রবা ঙারিনি। কুমারীনা দুকান্দা হংই। দুকান্দুনা লোইনা পোৎ তমথোকখরে। অমত্তা লৈত্রে হায়রকই। কুমাবী নিপাবু কিদবদি নত্তে। লম্বী চৎনা-চৎনা খনলি ঐ ঙসিদি চৈ খরা চাবা শোইদ্রে। অদুনা ইবেমচাখোইদা ঙাইহাক ফমথোকখিগে খন্না লৈথোকই। শোমদনা ইবোতোন শাওনিংবা অমগা লোইনন' যুময়াই অমদি চাকশঙ মনিংথোংলোমদা হনগৎ হন্দা চৎলি, শাওনিংবগী ময়াইনা। ঙবাং মচানুপীনা চাক থোংবদা মে'রোক মেৎপদ' হাপনবা ঙাবি লৌথোকখিবা চে মচেৎ অদু মনিংথোং ময়াদ' তাদুনা লৈবদু ইবোতোন উবকই। মশাগী অইবা খুইনিনা হেক উবদা খংই। ইবোতোন চে মচেং অদু খুনগৎলগা যেংই, ও! ঐগী অইবা থবাই যাওনা ইর্জখিবা বাবি মচাদগী চেজেৎনিনা। ইবোতোন কপনিংলকই ও! ঐগী অইনা চে ঙারি য়োমখ্রবা।
❐

ৱাবি মচা

মীতা নত্তে উচেকসুনি

নোংমা নুমিৎ অমা, ঐনা যুমগী থবক খবা শুগে খন্না ঙন্না হৌগৎলগা ঐখোযগী মনিংগী ঈংখোল অদো মক-মবাং, থবী-মাইবেল থাজিনগে খন্না মকশিং অদো নুংশাদা ঙাইহাক ফৌবা ফৈই খন্দুনা নুংশাদা ফৌদোক্লগা যোত্তু পাইবগা লৈবাক তৌই। ৱাবদুনা ঐনা ঙাইহাক পোথাদুনা লৈবিঙৈদা লৈকাইগী অঙাং নাওবি পাইদুনা লাক্লগা ঐগী যুমগী যাংলেনদা তোংদুনা লৈবিবা উচেক চোঙা অঙাংবীদু নাওবিন কাপথখি। চোঙা অদো চে হাইবল্লগা লৈমাইথক্তা তাবকই। নাওবি মক পানবদা চে হাযবল্লগা তাবকখিবা অদু উচেক্কী মবোলদা ইমা হাযনা অবোইবা ওইনা কৌবল্বা ওইবমানে। উচেক চোঙা অদু তাবকপা অদুদা নাওবি কাপলিবা অঙাংশিং অদুনা লাওদুনা চেনশিনলকই। পাল্লে-পাল্লে, তাবে-তাবে অঙাং ময়াম অদো হবাওদুনা অসিবা চোঙা অদো যেংনৈ। ঐগী যুমগী সাদাংখাদা মাকোল শাদুনা লৈবা চোঙানি। লাবা অদুদি ঈমুমামগী মহুৎ ঙাইহাক শিন্দুনা মকম কোনবা মাল্লি। চোঙা অমোম অদু নাওবি মকনা পান্দুনা চে হাযবল্লগা লৈমাইদা তাখিবা অদো। মকম কোল্লিবা চোঙা লাবদুনা ঐগী নুপীসে কৈনোমা তৌখবে হাযদুনা মকোন্দগী পাখৎ পোই কবিবোই পাইথোবকপা মাল্লি। উবকই অসিবা ওইনা লৈমাইদা তাদুনা লৈবদো। চোঙা লাবদুনা কপাপ মানে পাখোংতা খোঙই - চে..চে..চে. চে মবোলদুনা পালোনতসু লোনলি। ঐসু উচেক্কী মতৌদুদা পুক্লিং নুংশিবকই। তাইবঙ মী ঐখোযসু অসিগুম্বা কযা খোকখ্রবনি খল্লুবদা ঐ অঙাংশিং অদো যাম্না শাওনিংদুনা চৈ পাইবগা অঙাংশিং অদুবু চৎলু হাযদুনা তাম্থোকখি। ঐনা চৈবিবা ৱাদো তাদবা মখৈ অসিবা উচেক চোঙা অদু পুবগা লাওদুনা চেন্নখি। অঙাংসি অদুনা অসিবা চোঙা পুদুনা চেন্নখিলা অদু তান্নদুনা খোংই চোঙা লাবদুনা - চে..চে। অঙাংশিং অদুনা অমুক হন্না নাওবিনা কাপকে তৌই। ঐনা চৈ - হে কাপকনু চৎলু, চৈসিন ফুবক্ত্রিঙৈদা। অসি হাযবদগী চেন্নখি। তৌবগীদি অঙাংশিং অদুনা চেন্নখ্রিবদু ঐবু কিবদগী ওইবমদৌ মান্দে। অসিবা চোঙা অদুদা যেংনবগা চেন্নখিবনি। মতম অদুদ

নুমিদাং ৱাইবম ওইবক্লে। লৈহৌবিবা চোঙা অদু ঐগী য়ুমগী য়াংলেন্দুদা চোং চোংদুনা খোংবদি লেপতে। উচেক অদুনা খোংলিবদু চুম্না খোংবদি নত্রে। মখোযগী মবোলদা সোইদনা কপ্পা অমদি তেংথা-নাওইবা ওইবমগনি খনলি। ঙাইহাক্তংদি চোঙা অমাদো সিবা নাবা কিদবা মতৌনি। তাইবং মীমখৈ মথন্তানা শেৎলগা চাগে হাযবগী মতৌনি, অবাকপা মী মখৈ পাইসন্দুনা চিককে তৌবি। মখোযগী মিংচংদা লৈবা ঐ ফাও উবদা মনা থাজবা লৈতে। ঐঙোন্দা চিককে তৌবা মশিং থিঙমদে। ঙাইহাক লৈবগা অঙাংমখৈসু অমত্তা লৈত্রে। ঐসু নুংঙাইত-নুংঙাইতা যোৎ ঙাইহাক তৌবি। চোঙা অদুসু তুমিন্না যুম যাংলেন্দুদা তোংদুনা লৈবল্লগা, মিনট তবামুক ওইবা যাই, মানা মকোন মনাক্তা ৱা অমত্তং হায়বমদনা লৈবল্লগা নোংপোক চিংখৈ ওন্না পাইখিবা ঐ উহৌই। মদু উবদা ঐনা খনলি - ও' চোঙা অসি পাইখ্রেদো ? মকুম অসি মাবা তাবে খন্না খন্না ঐগী তৌফম থোকপা থবক ইনখাং লৈইশিল্লি।

[illegible]তম মনা লেপত্না চৎখিবনা নুমিৎ মাসু নোংচুপ চীংগী মতোন্দা ঙাইহাক তোংবা মান্না লৈবল্লগা তপ্পা তপ্পা মমথখি। নুমিৎ মাসু চংনিংদ-চংনিংদা মশাগৌ অমা লৈহৌবগী মতৌশুম তুং হন্না হন্না চিং অদুদগী চোংথখি। নুমিৎ অমন [illegible]ক চংখিবদা খংলৌদনা কুপশিনলকখি ম'লেমসে অমম্না। মল্লি মল্লিবা মতম ওইবক্লুনা ধুক থাওমৈ থান্নবি। ঐনী নুপীসু ইচা মখৈ কৌসন্দুনা ধুক থাওমৈ থাবি। ঐদি চোঙাদো কাউবা লৈতে। অমুকসু খনলি, ঐগী তুমফম মপাদা মকোন লৈবনিনা লাংদি যাম্না শাংই। নুংঙাইনা তুম্লিঙৈদা চোঙা মই[illegible]-মনাও খংনবক্লুনা ঐনা তুম্না থুগাইবনি অদুব ঙসিদি লাংলবোই খনল্লি ঙাইহাকসু। মমথবক্লুবা [illegible]তম অদুদা [illegible]সাই নোংপোক চিংখৈ ওল্লগা পাইখিবা চোঙাদুদা অতোপ্পা চোঙা অমা পুদুনা নোংপোক চিংখৈগোমদগী অমুক পাইবক্লে। চাঙানা পাইবকপা অদু ঐ উই। ইঙক ঙকই। চোঙা অনি অদু ঐগী যুম যাংলেনদুদা তোংলগা মবোল লোলনৈ। অদুগা তপ্পা তপ্পা মকোলগোমদা চংসিনলি। অদুগা মকোলদা চংখি। ও ... ঐনা খনলি ঙসাই শিবা চোঙাদো অমোম ওইবমানে। লাবা মথন্তনদি মকম অদো কোনবা ঙমদমাল্লে অদুনা অমোম অমা থিরুবগা পুবক্লীমান্নে। ঐ ঙসাই নু[illegible]ইবমদবা অদু নোক্লীংলকই। নিংশিংলকই ঐখোয কাকানা ইদোমচা লৈখিদ[illegible] ফদনা ইদোমচা অমা পুবকখিবা অদু। কাকা তোম্বগী ইদোমচা যাম্না নৌনা যুম পানলকই। যাম্না ফজবা মীমক নত্রবসু অদুম চন্নবা যাবা মীনি। বাশিদি যাম্না লৈ। লৈকাই মীগা নোংমতা ফম্মিন্নদে মাগী

মথৌ তৌনবা হোৎনবদা। কবিগুম্বদা মতম ফংলবসু মহাক মীগীদা চৎকনদে। থকসি-খাসি ফজনা খংই। মন্না মপুবোইবা মশক খংই। নুপী অমা ওইবগী অদুম চপ চানা লৈ। অদুবু অঙাং নুপা অমা পোক্লবা মতুংদা চহি অনিগা থা নিপান লৈবল্লগা খংহৌদনা লৈখিদবনি। ঐসু মতম অদুদা পাখং ওইবি। কাকাগা ইদোমচাগা লৈশাবী পাখং ওইনা যাম্না নুংশিননা থুংনবকখিবনি। কাকানসু ইদোমচাবু যাম্না লুনা তৌই। অদুবু লুহোংলবা মতুং চহি অনি হেক শুবগা অঙাং নিপা অসি পোকপনি। কাকাগা ইদোমচাগা চহি মবি খবা হেন্না লৈমিন্নবল্লগা ইদোমচা খংহৌদনা লৈখিদবা অসিদা কাকা হাইফম খংদনা ঙাওই। অপিকপা অঙাং অসিগা ? ঐসু হাযফম খংদে কাকাগী মতৌ অসিদা। পিক্লীবা অঙাং অসিবু হাযবগা মযাম পাকপতা কপনৈ। অদুবু ইদোমচাগী নুংশি ব্রাখলদা ঙাওববা কাকা ইদোমচা লৈখিদবা থা নিপানখক্তা ঙাইবিবৈঙেদা ইদোমচা অমা পুবকখি। মযাম ইঙক ঙক্লখি। মেমচৌবীগী ফিবোই লোইবা ফাওবদং নুপী হিবক্লবাদ ফগদৌবানি হাযনা মযাম্ন' ঙাংনবনি। ঐসু কাকাবু নুংশিবম্বগী শাওনিংখি লৈখিদবা ইদোমচাগী খন্দুনা। অদুবু ... ... । কাকা তোম্বা থবক যাম্না চিনবা মীনি। কাকাগী অঙাং সেন্নবীনবা ইমুংদুদা মী লৈতে। কাকাবু পোকপা ইবোকসু যাম্না শোন্না লৈবনিনা ? অঙাং অদুনা অহিংদা কপলকই। মমাগী খোম থক্লীংদুনা। মমা মশক খবা খংহৌববা মচানিপা অদুনা মমাবু থিদুনা কপ্লাদা ঐসু কপখি অঙাং অদুগী মতৌ উবদা। কনানবু কপনিংলোইদৌনো ? কাকাগুম্না মবাইবক থিববা যাম্না নহা ওইনিবী মৌনহা অমা ইদোমচাগা চপ মান্নবা, চহিসু মান্নবা, মশকসু হাইফেৎ মান্নবা ইদোমচা অতোনবী অমা পুবকখি। ঐনা হাইখি, কাকা ইদোমচাগী ফিবোই লোইবা ফাওবদং ইদোমচা অতোনবীসে পুবক্লবদি ফাগদৌবা হাযনা হাযকবনি। অদুবু কাকানা তপনা খুল্লকখি - ইবুংঙো নুপী যাওদনা যুম পানবা, নুপী যাওদনা অঙাং চেনবা, চাংখোং ফৌসু তৌবা অবাইবা থবক নত্তে। মতাংনা যাদদুনা তৌবনি, কাকানা নত্তে হাযনা হাযবকখি। ঐসু খল্লখি, মসিমক্তা ইদোমচা মেমচৌবীবু নুংশিদবগী নত্রগা কাওথোকপতগী তৌখিবা নত্তে। নদোমচাবু কাওবা ঙমদবদগী অমদি মাগী ব্রাখল খবতা ওইববসু হান্নগী নদোমদুমক্লি খন্না। থম্মোযদা চপ যুংনা খংলগা পুরকখিবা নদোমচানি। নখোয ঐবু লান্না কৈসু খনগনু। অসি হাযবগা কাকা তোম্বা হিক-হিক কপ্পুনা মপি তৈথোক্লুনা ইমুং চংখি। নুমিৎতুদা ঐনা খনখি - ও! মীতা নত্তে উচেকসুনি। □

রাবি মচা

ডাকু

চহি কুপ্পুমঙা মুক্কী রাবিনি নোংমা থৈনা অঙাং ওইরিবৈঙেদা থৈখোয লৈকাইদা থোকখিবনি। মতম অদু খৃঃ ১৯৭০ মুক্কী বীবেল কৌবা নিপা অমগা দাসিনি কৌবী নুপী অমগা যাম্না কন্না নুংশিনৈ মখোয লৈকাই অমতদা লৈমিন্নবনি যাম্না অঙাং ওইরিবৈঙেদগী নুংশিনবকই। মতম অদুগী অঙাংশিংগী মশানা, লিংথৌ হাযজবী, ফিপুল লাংথী, বোল থোমবী, ঈখোং ফুকপা, তোমলোম শংগাইলোম, সে সে লেবোক্তিল তোং - তোং তোংথমবী, চৈ তেক কোংবী, হাযবিরা মশানসিং [illegible] মতমদদা [illegible] শানবকই। [illegible] শানবকপদগী [illegible] নুংশিনবা [illegible]

[illegible] চব [illegible] লৈশাবী সকল্লে। [illegible] নুংশি [illegible] হাযদিং [illegible] [illegible] দাশিনিনা চহি [illegible] মকমৌন। [illegible] নুমিৎ [illegible] চেনলসি [illegible] মতম [illegible] লৈনবা [illegible] নিপা অদু [illegible] বীবেল [illegible] [illegible] খবা লৈ। মতম যাম্না [illegible] বীবেল [illegible] মতম খবা [illegible] মযাম মযমদা লৈনৈ। মতম অদো। দাশিনিগী নুংশিং অমাদি মমা মপানা শিনদুনা অতোপ্পা নিপা, ইম্ফালগী নাগা মপানদা [illegible] নিপা [illegible] শাবা লোইহৈ। নুপীদসু মমা মপানা হাযবা [illegible] ইননি। নোংমা বীবেলনা থবক চৎখিডৈদা অতোপ্পা নিপা অদুদা [illegible]। বীবেল পাউ অদু তাবদা মহাক যাম্না নুংঙাইখিদে। [illegible] মখোয শেংনা দাশিনিবু নুংশিজবা নুপানি বীবেল। দাশিনিসু বীবেলবু নুংশি[illegible] অতোপ্পা নিপদা চেনখিবদি নত্তে। নোংমা নুপী ওইবগী রাখল ডাইগাক [illegible] বা হাযবদুনি। নোংমা লৈকাই অদুগী ইমুং অমদা দাশিনিগী মবুং যাওবা মীওই খবা চাক চানৈ। মদ বীবেলনা মগী নুপী অতোপ্পদা

চেনহনখিবগী লমন খুমনিংদুনা লৈবা মতমনি। মতম অদু তানচাবে খন্দুনা বীবেল মখুক্তা থাংশাং অমা পায়বগা। মমাংথোংগী থোংজিন্দা বীবেলনা থাং পায়দুনা লুমদুনা লৈবি। তাঞ্জদুদা দাশিনিগী মাবুং অদু থোবকপদগী তান চাবে খন্দুনা বীবেলনা থাংনা হাইথবকপদা নিপাদুগী মখুৎ নাম্মা তৎতুনা তাবে। বীবেল থাং অদু পাযদুনা চেনখ্রে। ইমুং অদুদা লৈবিবা মযাম কৈনো হাযদুনা ময়াম পাখৎনৈ। মযাম মনি, মনি বীবেলনি খঙনবকপদগী তুমিন্না লৈনৈ।

মতম অদুগী গুন্দাসিংদি থাং পাযবগা গুন্দা ওইবনি। মদুগী মতুং চহি আনামুক লৈবগা নুপীগী মবুংদুনা অমুক থাংশাংনা মখোংদা যানাজ অদুবু শাম্মা থিনা সোকপা ওইখিদে। অসুম্না নুপী কাইনখিবদগা বীবেল থবকসু তৎখি। মতম অদুদা বীবেল হাযফম খংদনা নুংশি ব্রাখলদা গুন্দা অমা ওইবর্কখি। মী হাংপা কপ চংবা শগুল তৌবা গুবাল চিনাথ কযা তৌবর্কখি। মতম অদুদা লমদমদুদা অমাদি লৈকাই কযাদা মখোযগী মমিং তাবদা কিনবা অমা ওইবর্কখি অসুম্না এবং মহাক গুবাল চিনথি কযা তৌবকপদগী মনিপুবদা লৈবা যাব ক্লুদা ব্রহ্মাদা লৈ... ...নাং। ব্রহ্মা মদাসু হৎবানলুবদা ব্রহ্মাগী সিফাই। ফাদনা বেঙ্গন ... ...।

নুপীনা যুম পানবা অহান্না সোইখ্রনাদ মথ ... ... নুপী ... মংফম অতুম মাব সুগর্লালি। অহান্না ... নুপী নুপী আনন্দক ... লুহংদগুঙদা, অর্মাদি চেলাদ্রগুঙদা মুম্না ... ... মদু দাশা থোকত্র। দাশান নুপাদগ অঙাং অহুম পাক্লবা ... অমুক নুপাদুং অমুক ... দাশান মপামদা ... ... বীবেল ভেলদগী থাবক্লুনা মযুম পানলে অঙাং অমা ... ..., অদুং বীবেল ... দাশিনি লৈকাই অমত্তদা লৈবাননা মনক ... ... বাদি ... হৌদি খোদোকাশং নিংশিংনবগী মতং মাল্লে। মিংকা মিংকা ... চানবগা স্বাং স্নাই ... থক থক নিকনৈ কুইনা খেংনবা ... মসোক ... লুকথনৈ। মখোয় অনিগী মওং মতৌ কনাসু উদবগুম তৌহ। লৈবক অমা ... উনবদা, অমনা চৎখিবা ঙাউদুনা অমনা মাচ অমদা লৈসন্দ্রনা লৈনৈ। হাযনকবা যাওদে মশান। মশাবু ব্রাবেপ লোনজর্বান। অদুবু হৌজিক্তো কৌবা ঙমনদবনিনা কাব উপাই লৈবি। দাশিনিসু নিপা অহুমদা ময়ুম পানলুববীনি। বীবেলসু নুপী অমা লৌদুনা মচা অহুম সুবাবনি। মশু উনববা মতমনি। চহি হুম্ফু মঙা সুববা মতমনি। অদুবু নহা ওইবগী থৌদোকসিংদি, উনবা খুদিং মতৌনৈ। থম্মোয় অনিগী মতৌসিবু কনান খংগনি। থম্মোয় অনিসিখক্তনি খংনবিবা। নোংমা

মাইযোক্লনা থেংনবা মতমদা দাশিনিনা, অসুম্না হায়খি ঃ ঐনা ইপামদা হনলক্লনা লৈবসি নঙ য়াম্না ৱারববা ? ইমুং মহি যাম্না লাংলববা ? অদু ওইবগনা নঙগা অমুক হন্না উদনবা ঐহাক হোৎনবাগে। বীবেল অসুম্না খুমই, নঙগী অপাম্বাদা ঐনা থিংবা লৈখিববা? । ঐনা থিংবগী হকসু লৈতে। নঙনসু হক পিদে। পিকমসু খোক্তে। দাশিনি অমুক মখা তাবকই-হৌজিক্তি ঐনা হক পিবগী মতম লৈত্রে। পুম্নমক চৎখ্রে, পুম্নমক হৌখ্রে। নঙগী নফমদদি ঐসে উ মঙ্গোল ওইবর্গনি। বীবেলনা শাওনা খমলকই, মদু পুম্বা নহাক্না সিনজবা নত্রু ? দাশিনি মামৎতগী [illegible] তাবকই, পাউখুম অমুক পিবরু। মাবে, ৱা মখা অমুক তবক্লন পুম্নমক এগী ইশাল ওইবসন্। অসুম্না দাশিননা মপামদা চাং মঙাম্বক লৈবকই দর্শনি। মীনা ঙাংনে ওকতবী ওইনা দাশিনিগী লৈবক্লনি হাযগদ্রা নএগা দাশিনি নিপা [illegible] কুইনা যুমপান্নদে। দাশিনিনা নোংমা হায়খিবদ [illegible] [illegible] ঐনা নুংশিনবা বাইনখবদা এগী পুন্সিদে কারিসু [illegible], অদুবু ঐগী [illegible] মতম খবা [illegible] যুম পান্নবমই। অদুসু লাইবক্তা কুইনা [illegible] [illegible] ফাগিদগী কাইনবা [illegible]। মাসু মীনা কিনবা মীশাক অমা ওইখ। [illegible] সমাজনা শিংনবা অমা ওইখি। নোমহৌরাব পুন্সি খবগী ওইবসু [illegible] দাশিনি [illegible] লৈবসু নবা [illegible] ওইতে মর্মদি [illegible] [illegible] অহোনবী [illegible] মখস্তা [illegible]। [illegible] [illegible] খদনব। মম অহনবা পোম্লম্বা নুপী অদুমনি। [illegible] [illegible] পাক্ল। মপা [illegible] মমা [illegible]। মবু শিনাগ [illegible] দাশিনি [illegible] [illegible] [illegible] মমা শিবা [illegible] [illegible] [illegible] অমা [illegible] [illegible] অমা শাইদনা [illegible] লোকই। [illegible] মবু [illegible] থোকই। বীবেলসু দাশিনিবু মপুক্লিংদা [illegible] [illegible] [illegible] মতম অমদ [illegible] মীগী [illegible], নুপাগী নাদা য়ানবা [illegible] না শোইদৎলগা [illegible] [illegible] খুৎনেক কযাদা মী কয়া [illegible] ৱলুববা বীবেল ঙাসাদ মীচম অমগুম শাধু [illegible] লৈখবে। মাতা নত্তে মাগ [illegible] মিৎনবন্বা মীওই খবাসু শাধুগুম হিংলি। অবাবনা খম থেংনা ফংলবা মতমতদা মশানা মশাবু মশক খংলকই। ঐনা খনলি - ও ' মতম-মতমগী মতুংইন্না কপ চংবসু অহোংবা লৈবে, হৌজিক মতমগী কপ চংবদি

ঐখোয় হয়েং লাককনি হায়নকা চিঠী হান্না পিসনলে। চিঠিগী মরোল পৈশা অদুক থম্লম্মু ঐখোয় লাক্কনি হায়না কনাগুম্বা অমদা হেক হায়দোক্লবা নখোয় ইমুং তুম্না হাৎপা। চিঠিগী ৱারোল মতুংইনবদা হয়েং করি থোক্লগদবা ? চিঠিগী যাথং ইনবা তাবনি। অসুম্না ঐ মখোযগী ৱাবি নিংশিংবা লেপপি। মখা তানা ইবা কিখি। মতম অদুগী ডাকু। ☐

ৱাবি মচা

ঈচেল তৎলুরবা

শান্তিবুগী নিনি পানবা নুমিৎনি। খংহৌদনা লাকখিব। নোংলৈ নুংশিৎনা হুমদোক্লুনা থুদেকপিবম্লবা, পিশক্কী যুম। নোংলৈ নুংশিৎ মথক অদুদা কযাদা বানা [illegible] ঙাওলিবা অথেংব, অহিং অদুদা [illegible] অপিকপা মচা অদুগা। ফমুংদা তুমলিরিবা [illegible] নোং নুংশিৎ ডাইবনা পুদোনগী মৌবনা [illegible] ইমুংগী মডাল [illegible] উপায় লৈত্রবা পিশক্কী নুপী মেমথোইহক্লা [illegible] নোংলৈ নুংশিৎ অদুদা মপামক্কী [illegible] হায়থনকই। [illegible] নোং-নুংশিৎ অমুক্তনি লেপখোনবা। শান্নাবা [illegible] ডুমলিরবা [illegible] মেমথোইবীগী [illegible] ফিদকই। নোং নুংশিৎসু [illegible] লেপপ্রে [illegible] তন্দন মখোনা পিৎপা, [illegible] পুংকুপ কপথ্রে মলেমসে। মেমথোইনা, পিক্লবা মচাবু মতম্বা ক্লা [illegible] নোংলৈনা থুদেকপিবম্লব, নুমলপা মাঙ্গোল [illegible] দা ফমদুনা ঙাইহাক যুমগী অৱাবা কাওথোক্লনা [illegible] খম্মোযদা [illegible] হৌখিল অমা পিবকই।
তন্দননা তৌবিনা মতৌ অদু তন্দননি হায়বা খনলক্তে। নোংলৈ-নুংশিৎনা মাংহনলিম্লবা [illegible] ওইবা কযান। মগুক্তা [illegible] পাযদুনা মফম [illegible] দনা মাংখ্রবা মচাশিং থিবকপগুম খন্দুনা মেমথোইবীগী খম্মোযদা লাংতক্লবা অমা ফাওবকই। মেমথোইবীগী মতৌ অদু উবদা মপুবোইবা পিশক্লা তপ্পা চংশিন্দুনা মেমথোইবীগা লেংবান্দা পাযদুনা [illegible] মেমথোই, মেমথোই। মেমথোই ঙাইহাক ৱাখল

অমা তৌরদুনা লৈরুবনি। ফিংনা খুমলকই, ব্রাখল অমদা লৈরুবনিনা। পিশক্লা অসুম্না হায়রকই - কৈদৌরে মেমথোই ? নঙ কপ্লবরা ? মেমথোই খুমদে। তুমিন্না মমিত্তা মপি তারকই। পিশক্লা মখা অমুক তারকই, ঐনা মতিক চাদবনা নহাকসু ব্রারে। ঐগী অব্রাবা পুন্সি লন্নীদা নঙবুসু পুবিরে। মেমথোই, মহাক্কী মপুরোইবগী ব্রা অদু তাবদা হেন্না কপ্লগা হায়রকই - করিনো হায়বীরিবদুবো ? ঐসিবু নঙগী কনানো ? হৌজিকপু নং-ঐ হাইবা অমা লৈরিবরা ? য়েংঙু মখোয় বাবাসু, নোংলৈ-নুংশিৎনা শিৎপা লেপখিবদা পাইরিবা তন্দন কুফেৎ-কাফেৎ, লৈমাই মথক্তা পাই-পাইদুনা থিবিবসে। কারিগুম্বা পোৎশক অমা মাংখিবা থিবগুম কয়াতা থব্রাই ব্রারিবনো ? পিশক মাগী নুপীগী ব্রাখল অদুদা মহাক ওকখি। মিৎকুপ অদুদগী পিশক্কী ব্রাখলসু অনৌবা অহোংবা কয়া লাকখি। মেমথোইনা তপ্লা ঙাথরগা হায়রকই। ঐখোয়না ইমা-ইপাগী নাক্তা লৈরিঙে মতমদা, চাবগী থকপাগী, যুমগী নোংয়ুবগী ব্রারমদে। অদুবু ঙসিদি ঐখোয়। যুম পানলবনিনা, মমা মপা অমগী অব্রাবা অদো ঐখোযসু খংলে। খল্লুবদা নুংশিবক্ক পুন্সিসে ? পিশক্লা ব্রা শমথরকই, অব্রাবা নুংঙাইবা কপানংব। নোক্লিংবা ময়াম অসিনা পাবেং শন্নগা পুন্সি অমা ওইরকই। তৌবগীবুদি পিশক অমসুং মেমথোই জাৎ পুন্দে। মেমথোইনা মৈতৈনি, পিশক্লা মুসলিমনি। খুন লোন্নবনি। তুবেল ব্রাংমা ব্রাংমানি। তুবেল তাফম পুল্লি। হায়নিংঙাই লৈ তনা নুংশিনরকই। খুল অদুদা মৈতৈ-মুসলিম লৌনা লৈনবকপা অহানবা নত্তে। অদুবু মখোয় অনিগী অহল-লমনদি যান্না য়াদে। মখোয অনিগী থৌদোক্তগী খুলগী ব্রাখোক অটৌবা অমা থোকখি। মদুনা মরম ওইদুনা মচা-মচা অনিগী নুংশি মরিদা অকনবা চৈরাক চৈথেং পিখি। নুংশি মরিনা কনখিবনা কাইনবা ঙম্নদে পিশক অমসুং মেমথোই। মখোয অনিগী মতৌ অসি উবদা নুংশিদবা কনাসু য়াওদে। অদুবু ... লৈকাই খুদিংদা লৈবগুম মফম অদুসু মীফম্ভা-মীগী মাংনবদা শিনবা। মচিন্দা অফাবা শাবা খোংনা মৈ যাংবা। খৎননবা সিনবা কযা অমসু লৈ। মবম অদুনা পিশক অমসুং মেমথোই কয়াতা ব্রানা নুংশি ব্রাইথুংনরকপা, থামম্বা অহিং, নোং-নুংশিৎ কয়াগী মরক্তা, মখোয় অনি উননবা হোৎনরকই। উনবা তারগসু ব্রা অমত্তা ঙাংনবা লংনদে। মিৎকী পিনা মাং থারকই। চিনবানথোংদা নোক্লে। পিতনা মাইথোং পুম্বা চোৎনৈ। উনবগা চেৎনা কোনশিন্নে। ব্রা ঙাংনদে মনিং হন্দোকনৈ। খোংথাং মঙা তরা। অমুকসু চেনসনরক্লুনা কোনশিন্নে। চৎনবা ঙমদে। ব্রা ঙাংবা থোক্লদে। মিৎকী পিতমক

শিষ্টনৈ। চিন্দদি হায়নদনা থম্মোয়নতা থংনখি। মথংগী নুম্বিৎতুগী অহিং পুং ১২ থম্মোয়দা ফাওনবনি। চিনবান থোক্লা হাইবা নত্তে। করি অমুক হায়রুনি, মখোয় অনিগী মতৌ। অমনা নিংঙকপগা অমনা হাইনিংবগা চপ মান্ননৈ। অদুবু নুংশি মরিনা হেনখিবনা, নুংশিনবা থুংনখি। সমাজগী পল অমদি অহন-লমন অনিমক্কী অশাওবা কয়ানা মখোয় অনিবু খাইদোক্লবা হোৎনখি। অমসুং ইকাই খাঙদগী খুল অদুদা লৈতনবা মমা-মপাশিংনা অহকপা য়াথং থমখি। মমা-মমানদি খামনৈ। অসুম্না মখোয় অনি মফম অদু থাদোক্তুনা মফম অমদা লৈনবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। লোকতাক্কী ফুম মথক্তা য়ুম মচা-মচা শাদুনা শৈদাংলিবা মফম অদুদা মখোয় অনিসু শৈদাংদুনা লৈরকপা চহি মঙামুক ফরক্লবনি। হিংননবা হোৎনবদা অব্বাবা কয়া লাম্ছেংনরিবা মেমথোই অমসুং পিশকনি। ব্বানা মখোং ওইরগা ব্বানা উরা হুমদাং ওইরগা চারু শিংনাংনা কুপ্পনি। ফক্লাংসু শিংনাং চা রোক্লা খাবনি। ফমুংসু ব্বাচেৎনা শাবনি। হান্না লৈরম্বা মফম অদুগী মীওইনসু মতেং য়াম্না পাংই। মখোয় অনিগী মতৌ অদু উবদা মফম অদুগী মীওইনা নুংশিনা লুনা তৌই। অসুক ব্লানা লৈরকপা মতম অসিদা ঙসিদি নোংলৈ-নুংশিৎনা শোল্লবা য়ুম অদো থুদেকপীরমলে। অব্বাবগী মথক্তা অব্বাবনি। মফম অদুগী মীওইনা নোংলৈ-নুংশিৎ কনখিবা অদুদা, মথং-মথং কৌদুনা অব্বা-অনা হংনৈ। পিশক্কী য়ুম তেক্কে হায়নদুনা অহিং অদুদা খুত্তা মৈরা পাইনদুনা লাক্কে। য়ুম মঙা তরুকখক তানবা মফমনিনা। মফম অদুদা লৈবা খরা অহন ওইবা নিপা অমনা পিশকতা হাইরকই- নখোয়গী য়ুমশে হয়েং অয়ুক শেম্লশি। হৌজিক্কীদি অহিংনিনা শেম্বা নুংঙাইররোই অদুনা ঙসিগীদি পাংন-শানবা ঐখোয়দা চিল্লবসু চিননা লৈরুরশি হায়না হাইরকই। পিশকতি য়ানিংই। অদুবু মেমথোইদি য়ানিংলবসু হুইনাও-মচা অমা লৈরী অদু মথক্তা কমদৌবা হায়না খনলুবদা য়ানিংবা ফাওদে। হুইনাও মচা অদুসু মেমথোইনা মচা থমলিবা মনাক্তুদা চংশিনলক্তুনা মমৈ ফৈ-ফৈ হাইদুনা কুনলৈ। হুইনাও অদুগী মতৌ উবদা মেমথোই পি অমুক নৌরকই। মেমথোইনা ব্বা অমত্তা ঙাংদনা ফিজিনা মমিত্তো নোইবদু লাক্লিবা মীশিংদুনা উরকই। মীশিং অদুনা অমুক মখা তারকই মেমথোইগী মতৌ উবদা। নখোয়না চৎনিংদ্রগনা ব্বা মচা অমা অনিদংনা কাবক-কাবক ঙাখৎশি হাইবরা ? য়াম্নমক পাকথানা তুবসু নত্তে। অহন অদুগী ব্বাদুদা মেমথোই য়ানিংবগুম তৌরকপা মওং অদু পিশক্লা উরক্তুনা হাইরকই - হোইদা ঙসিদি খজিক্তং ঙাখৎলগা তুমবোই-তুমদবোই খাঙলগে। অসুম্না ময়াম অদুসু হন্নখি।

অসোমদনা নুপাগী মমা-মপাসু মচাবু উদবা কুইরক্লবদা মচাবু নুংশিবা হৌরকই। করিগীসু নুংশিরোই, মচা নিপা মথন্তনি। মেমথোইগী মমা-মপাসু অদু মঙাই মচানুপী মথন্তনি। মেমথোইগী মমা-মপাদি মচাবু কদায়দা লৈবগে হায়দুনা থিবা কুইরবনি। ময়ুমদা পুসন্দুনা থম্লগে খনলক্লুনা ময়া নিপাগা লোইননা। মতমনগা ফত্তবনে তুম্বা চাবা খংলক্লবনি। মেমথোইগী মমাদি মচাগী ব্রাখলদা অনাবা ওনলবনি। পিশক্কী মমাসু অদুমঙাই। অহল অনিদো কন্না শাওনখিবগী মরুওইবা থৌদোক্তি, মেমথোইগী মপানা নোংমা পিশক্কী মপাদা - নখোয়না নুংতিগী ষন হাৎলগা চারিবদো চাগনু খরা লৈরগদি ষন লৈরক্লরোই। ফত্তে হাইরুবদগী মদুনা মরম ওইরগা খৎনখিবনি। তৌবগীসু পিশক্কী মপা ষন হাৎপা (কাইবা) শা কেজি য়োনবা মীনি মরম অদুনদি মনা হেন্না শাওখিবসু। অদুবু মচা অনিগী মওং মতৌদি খংদনা থিনা চৈনদুনা খৎনখিবনা মচা অনিমক থিবা খংদনা মাংখিবনি। হৌজিক্তি, মপা-মপা অনিসু কৌননিংই নুংশিবা ফাওনরকই, মরম অদুনা মিৎকা-মিৎকা য়েংনৈ, লোল থোক্তনা কৌনৈ। মচা-মচাগী পাউ হংনৈ লোল থোক্তনা। কিরুপ-কিরুপ চিনবাথোক্লা কৌনবদি ঙম্নদে। মমা-মমা অনিদি ঙাংনা কৌনদুনা মচাশিংগী লৈফম থিবা হৌথ্রবনি। মতম ফত্তবা মতমনিনা, মী অমা শিদুনা লৈবমলে হায়না বেডিওদা, খবরদা হেক হায়রকপদা মমা অনিগী থস্মোয়না লৈফম খংদে। পন্থদনা মোক্তা য়েংবা চৎলি। মমা-মপাশিংনা মচাশিংগীদমক ব্রাবশিদি করিদা হাইকনি। মেমথোই নুংঙাই-য়াইফবা ইমুংগী মচানি। থবক ইনখাংদি লাইরদনা চাকফাও নিংথিনা থোংহনলক্তবা মীনি। মপা থবক তৌই, লন-থুম মতিক চানা অদুমা লৈ। মীনুংশি চাওই। পিশক্কী মপাসু থবক তৌই। য়ুম-কৈ চেক্কীনি, ইনাক অদুম খুনবা মীনি। মুসলিম ওইবগী ষন কাইবগা য়োল্লি হায়বগী ব্রানি মসিদি মুসলিমশিংগী চৎনবিনি। অদুবু ষনশিংবু হেক নুংতিগী চিঞ্জাক অমা ওইনা পাক্তক্লনা হাৎলগা চাবকপদি ঐসু য়ানিংদে। ষনগী মশিং হন্থরক্লবদি মীওইবা ঐখোয় হিং-দা অব্রাবা অমা শোইদনা মায়য়োক্লগনি। হোই চাবুদি মৈতৈসু চাবা য়াম্না য়াওরে অদু ওইরবসু মখুৎমক্লা হাৎলগদি চাদ্রি। হাৎলগা চাবমক্তি ঙমদৌসু মান্দে। অতোপ্পা চীংমী নত্রগা মুসলিমশিংনা হাৎলগা অসেমবা লৌদুনা অমদি অথোংবা লৌদুনা চানবতনি। অসুম্না মতমনা মিৎকুপ অম' পন্দনা চেল্লি কনাগী ব্রা তাদনা। মথৌদা পুক্লিং লুপলি। অসুম্না নোংমা কয়া হৌখিদুনা পিশক অমসুং মেমথোইগী মচা চহি মরি খরা হেনলক্লে। মখাদা অমা অমুক মীরোল্লক্লে। থা মরি-ঙা হাইরক্লে।

মমা-মপাশিংনা থিবা লেপতবনা মখোয়গী লৈফম খংলক্লনা মফম অদুদা থিবা লাক্লে। অমুক অনিরকতি লোৎলি। মফম অদুনা লৈমিন্নরিবা মীওইশিং অদুদা মখোয় খংদে হাইবীয়ু হায়না হান্ননা মেনবনা। অহনশিং অদু চিংনহুনখিবা ঙাক্তনি। অদুবু লৈকাই অদুদা মখোয়বু নুংশিবগী, উনিংবগী, মচা কাইনবগী পিরাংশিং অদু উৎলম্বনা মেমথোই অমদি পীশকতা তম্বদা মখোয়সু পুক্লিংদা অওনবা অমা লাকখি। মথং লাক্লবদি সিদা লৈ হায়বীয়ু হাইদুনা তম্লরে। নোংমদি মেমথোইনা মোইরাংগী কৈথেলদা ঙা য়োন্দুনা লৈরিঙৈদা মমানে, মনেমনে অনিনা থেংনখি। মদু উবদা মেমথোই মমা স্বাই লাওই, পুক্লিং খঙনুং নুংশিরকই। সেগাদা অঙাং মচা অমগা শকফম ওনলবা অদুদা অমুকসু মচা নত্রবরা চিংনৈ, পাক কৌবা ঙমদে। মনেমসু অদুমঙাই মশা পুম্বা তু খ্রিাও চুংই, মশা পুম্বা থক থক নিকই মেমথোইবু হেক উবদা। মেমথোই মমা অমসুং মনেম্মা লাক্লিবদু হান্না উরমদবনি অদুবু খবা নর্কশিলক্লপদদি ঙা লৈবা লাক্লিবোই নিংদুনা হেক য়েংথোকলুবদদি মমা অমদি মনেম ওইবম্বা অদুদা মেমথোইগী মশা স্বায় লাওই। খংহৌদনা কুমগী নোংগী ঈচেলগুম মিংকী পীনা মাং থাবকই। কৌনবা ঙম্লদে. থম্মোয়দা মমা-মচা চেজেৎ কোনশিন্নৈ। মিংকী পিনা পাউ হংনৈ। লাপলিঙৈদগী পাম্বোম ব্রাংনা থাংগৎনৈ। ব্রা ঙাংবা থোক্লদে। খোন্স পুম্বা থোক্লদে, লৈযে পুম্বা ফাজিনবগুম তৌনৈ। মনেমদি নুংঙাইবা অমা ফাওবকই মাইথোং মক লামলকই। মমৌদমুক যেং, মাসুদমুক য়েং, মচানুপা পীশক্লা অঙাং ওইরিঙৈগী মতৌদো মানমনখিদুনা থম্মোয়দা কয়াদা হবা ওনা নুংঙাইজবা। ব্রা অমত্তা ঙাংবা নংনদনা মনেমনা মমৌগী সেগাদগী অঙাংদো লৌই। মমৌসু কাবমত্তা হাইদে। মিংকী পিশিং অদু তৈথোক্লবা কন্না হোংর্নাব। মমাসু মিংকী পিশিং অদু তৈথোক্তনা মচাবু চেজেৎ কোনশিল্লি।

কৈথেল অদুদা লৈরম্লিবা মীযাম অদু মখোয়না তৌরিবা মওং-মতৌ অদু য়েংনবকই। মনেম অদুদি মাসু অদুনগা নিপা ওইরম্বা অদুদা হেন্না পুক্লিং নুংঙাইবকই অমুকসু মশা লুম্বগুম উবকপা অদুদা হেন্ন-হেন্না নুংঙাইরকই। মসিগী মশাপুম্বা পংচুপ্তা চুপলকই। অঙাং অদুসু চাওরবনিনা শিংলক্লবনি ইঙক ঙক্লা য়েংদুনা হোই মাই হাইদনা যেংদুনা লৈ। মখোযনা তৌরিমখৈসু লোইনা য়াই। মেমথোই পোৎশিং অদু প্রপ-প্রপ লোইশিন্দুনা মখোয় লোইনা চৎলি। মমা অমসুং মনেম মেমথোইগী মতুং ইনলি। অঙাং অদুদি মনেমনা পমই। মেমথোইনা ওক্টো কাখৎলি মখোয অনিসু কাখৎলি। মমা মচা ঙসাই মখৈ ব্রারি শানরমদবা

অদু শান্নরকই অঙাং অদু মবোক অনি মুন্নবা হৌরকই। অমনসু পমগে অমানমুক পমগে। গাড়ি মনুংদদি নোক্লরকই নুংঙাইবা ফোংদোক্লরকই। অসুম্না লাকপনা গাড়ি থাফম য়ৌরে। ওক্টোদগী কুমথরগা হিথাংফম তান্না প্রপ-প্রপ লাকই। পিশকসু হিথফম তান্না হি থৌরকই। নৌগী তাম্না হেনজল্লকই। মেমথোইনা মখুনা থিন্দুনা তাক্লকই - তু, ... আদা ... হি হোনলকইবসে মানি হাইনা। ঙসাই কৈথোলদা তৌবগুম পিশক্কী মমা অমদি পিশক লাপলিঙৈদগী কৌনরকই লোনথোক্তনা। মিৎকী পি শিন্থনরকই। লাপলিঙৈদগী পাউহংনরকই। মিৎকী পিনা মাং থারকই, লোনথোক্তপা থম্মোয় অনিনা পাম্বোম ব্বাংনা থাঙ্গৎনৈ লাপলিঙদগী। নুংঙাইবসু কপপি, কাইনবসু কপপি, থুংনবসু কপপি। মিৎকী পি নঙসে কদায়দগীনো? পিশক হি হোনবা ঙাইহাক লেপ্তুনা ঈপাক-ইয়াই অদুদা লেপপি। মমানি খংলকপা মিকুপ্তা হিদগী কুমথদুনা মখোংনা চেল্লকনিংলকই। য়ৌনিংবনা হেনলকই, নুংশিৎকী মাংথদুনা হোলনিংলকই। হে-ঈশ্বব, কৌরকই হে আলা তাইবং মপু - ও ! নহাক্লা অমুক্তংদি থৌজানবীয়ু। মমাসু মচাগী মনাক য়ৌনিংলকই। ঈশিং মথক্তা চেলনিংলকই। লোক্তাক পাৎনি হাইবা কাওরকই, মতম কুইনা উবা ফংদ্রবা মচাগী মশক উবদা। মমানা লাই শোনলকই - হে, অলা খুদার ! নহাক্লা থৌজাবীয়ু হে ! আলা হে ! আলা ! হে, খুদার ? ❐

ৱারি মচা

কুইরবগী তুংদা

চহি খরাগী মমাংদা মোইরাংদগী কুন্দোলৈ কৌবী নুপী অমা ৱাংজিংদা ময়ুম পানলম্বনি। নিপাদুগী মমিংনা বোকুন কৌই। লাইবক থিবনি চহি তরামুক লৈমিন্নরকপদা কুন্দোলৈ অঙাং অমত্তা য়াওদে। মশানা কুন্দোলৈ অঙাং লৈতাবা নুপীদি নত্তবা জাৎনি। নুপা-নুপী চান্নদবা হাইবদো ওইরমাল্লে। অঙাং য়াওরক্তাবা অসিদা ইমুং মাহি লাংলকই। কুন্দোলৈ ইং তপপি, মৱা-মপুবোইবা সেবা নিংথিনা চংখোলবা নুপীনি। মঙোন্দা য়ুম্বানবগী মরমদা তাক্লিংঙাই লৈতে। থোপা, নৌজবা ৱাহৈনা নুপীগী হাযনিংঙাই লৈতনা ফজবনি। শক্তি নিংথিবা মাইথোংদা ফজবদসু মশিং থিবা য়াওবিনি। মোইবাংগী নিংঙোলগা ওইবে মীয়াম্না হায়নৈ। মোইবাংগী থোইবীগী শাগৈনি হায়না কলকপা কনানা অদুম হাযনবা নুপীনি। অসুম্না নুংঙাইনা য়ুম পান্দুনা ইংনা চিক্না হিংলম্বা বোকুনগী ইমুং-মনুং মাহি লাংনরকই।

বোকুন লৌক শঙগী জিলাদাবনি। নুপীদুদি লাইবিকতি ইবা-পাবা খবা খবা হৈ। লাইবিক হৈবগী মওংনি। মঙোন্দা তাক্লিংঙাই লৈতবনা। নোংমা ইথা থাজদনা কুন্দোলৈ থা খরা হেনলকপদা বোকুন নুপী অমা থিবকখি। থা অনিমুক লৈবগা নুপী মশা লুমলকই। বোকুন হাযনিংঙাই লৈতনা হবাওখি। খবা লৈবগা মচানুপা অমা ফংজরে। চহি অনি লৈবগা অমুক অঙাং নুপী অমা পোকখি। মথং-মথং অঙাং মরি পোক্লগা মখা অমুক পোক্তনবা সেম শাদুনা অঙাং মখা তাহনখিদ্রে। অসুম্না হবাওনা নুংঙাইনা হিংলম্বা বোকুনগী নুপী লাযনা অমদগী খংহৌদনা তাইবং সংশারসে থদোক্তুনা তাইবংগী ৱাংমদা চৎখি। নোংমগী অসুম-অসুম হৌখিদুনা বোকুন থবক পেন্সিন চৎলি। মশা অহন ওইবকই, মচানুপা অহন ময়ুম পাল্লে। বোকুন মচা অমত্তা মমিত্তা উররোইদ্রা খনলম্বা ঙসিদি মশু কযা মমিত্তা উবা ফংলে। অদুবু বোকুনগী মশাদা ইহাং হাংবগুম তৌই। নোংমা ইম্ফাল বজাবগী শরেং ঙা য়োনফম গালিদা কুন্দোলৈগা

বোকুনগা হেক মায়োক্লনা থেংনৈ। চহি হুমদ্রমঙা (৭৫) শুরবা বোকুন অমসুং কন্দোলৈ চহি হুমদ্রা (৭০) শুরবা অহন অনি। হেক থেংনবা মিৎকুপ্তা থম্মোয় অনিদা হাইফম খংদবা ঈথিল অমা ফাওনৈ। মশা পুন্না থক-থক নিক্লে। খোংদগী কোক ফাওবা তু চুংনৈ। কৌনবা ঙম্নদে, চিনবান খপ-খপ চিংনৈ। মখোয় অনিদা ফাওনৈ হৌজিক্তা পাখং-লৈশাবীগুম, পুক্লিং ইনৌ-নৌরকই। করিগীসু পুক্লিং ইনৌ-নৌরোইদৌনো ? পাখং-লৈশানা নুংশিননা থুনরকখিবা কুন্দোলৈ অমসুং বোকুননি। কুন্দোলৈদি মচি অমদা লৈশিন্দুনা হিক-হিক কপপি, মতম কুইনা উবা ফংউদ্রবদা। চহি তরামরি মঙা লৈমিন্নরম্নবা ঈশ্বরমক্তি খনজরম্বা মপুরোইবনি। চহি নিফুমুক কাইনরুরবনি, শাওনরগা কাইনখিবসু নত্তে। নুপীদা অঙাং পোক্তবগীনি। ইকাই-নুংশি য়াম্ননা ওইনবদগী অওইবা ওইনা কাইনবা ওনখিবনি। কুন্দোলৈনা কবম্বা মতমদ অমুক্তং উজবা ফংজগবা হায়না নিংজরিবা মপুরোইবনি। অদুবু ..... ঙসিদি ইখং-খংহৌদনা থেংনবা অসিদা কুন্দোলৈগী থম্মোয়দা হাইফম খংদবা অমা ফাওই। বোকুনসু অদুমঙাই অদুবু বোকুননা নুপী থিদুনা মচা মথং-মথং পোক্তুনা লৈখিবদগীদি তৎনবা হাইবদো অদুম ওইখিবনি। কুন্দোলৈদি ময়ুম অমুক হন্না পানগে খন্দনা অদুম লৈখ্রবনি। মনাওনুপীগী মচা নুপা অমা য়োক্তুনা লৈমিন্নে। হৌজিকতি মশু ফংলে। বোকুননা তপ্না চংশিন্দুনা কুন্দোলৈবু কৌগে খননা নুংশিনা চংশিনবনি। মিৎকী পি উহল দনা তৈথোক্লগা অদুবু তাঙা অদুদা বোকুনগা থবক তৌমিন্নরম্বা নিপা অমনা প্রপ-প্রপ চংশিনলক্তুনা বোকুনবু কৌবকই - এ ! বোক্ষু বোকুন নত্র। কমদৌরি নুংঙাইরি? হকচাংদি নহা ওইবমলি। বোক্ষু ঐদি য়াদ্রে। চৈসুশে নত্রবদি চৎথোকপা ঙমদ্রে। বোকুনদি কুন্দোলৈগী ব্রাখলদা মরুপ অদুনা হংলিবা অদো থওইনা তাদে। অদুবু ... মকপ অমনা হেক উনবদা অব্রা-অনা হংনবা হাইবসিদি মশানা তাবনি। অসুম্না ঙাইহাক ব্রাবি খরা শারিঙৈদা কুন্দোলৈদো ইকাইবক্তুনা ঙায়োনবী মরক্তা অদুম হন্না-হন্না য়েংলগা অদুম চৎখ্রে। বোকুনসু কুন্দোলৈবু কৌহৌদ্রে। করম লেপ্লি হায়বসু হংহৌদে। কুন্দোলৈসু কৌরকদ্রা খুন্দুনা হন্ন-হন্না য়েংদুনা অদুম চৎখ্রে মীয়াম মরক্তা। ঙাইহাক ব্রারি শারগা বোকুননা বোক্ষু পুন্সিসে খরা শাংনা হিংখিসিকো হাইনবগা মরুপ অদুগা কাইনরকই। বোকুন মাগী থাইনগী নুংশিজবী কুন্দোলৈবু মীয়াম মরক্তা থিরকই। অব্রাং ফি য়োনলিবা পারেং অমদি অতৈ পোৎ মরুক্তা থিরকই। কুন্দোলৈসু অমুক হনজিল্লক্তুনা ঙসাই বোকুননা লেপম্বা তান্না মহাবীনি থোং অদোমদগী প্রপ-প্রপ লাকই।

অদুবু মফম অদুদদি লৈরমদে। ঙাইহাক মানা লেপ্পা মফমদুদা লেপ্লগা উরু-উরু লৈনা য়েংলল্লগা কপনিংবা ফাওরিবা থম্মোয় অদো থেমজিনলগা মোইরাং পার্কিং তম্না প্রপ-প্রপ লাক্লগা মোইরাং গারিদা কাখৎলি। গারি অদুসু থৌদোগী তৌরম্বা ওইবনা গারিদা হেক কাখৎপগা থৌবা হৌই। গারি অদু হেক থৌখিবগা বোকুনসু মোইরাং পার্কিংলোমদা চংশিন্দুনা কুন্দোলৈবু থিরকই। চংখ্রিবা গারি অদুদা মুন্না য়েংই মিংলুদা পিরাং শিল্পুরকই। মথন্তা শোঙ্গহৌই গারি অসিদা সোইদনা য়াওরম্লনি। ইছোক্লা নিংঙমখিদ্রেদা। ঙসাইনা উনবা অদুদা কৌবসু ঙমহৌদে। অদুগা করিগীনো ঐনা মাবু কৌবা ঙমহৌদ্রিবসিনা ? চহি হুমদ্রামঙা (৭৫) সুববা অহন অমনা চহি কুনমক্কী পাখং অমগুম অঙাওবা ব্রাখলদা মাগী নুংশিজবী নুপী অমনা করিসু হায়রমদনা চংখিবদা খলহৌবা ব্রাখলগুম কয়াদা ব্রানা খাঙহৌবা।

কুন্দোলৈসু গারি তোংলিবদো মংদ্রংগা চপ মান্নে। থোংনাও অদুদা খুৎনিংনা শৌরগা খুৎ তা খাদাং ঙারগা হৌখিবা থৌদোকশিং মথং-মথং নিংশিংলি। গারি অদু য়াম্না থৌই। গাবিদা হাপ্পা তেপসু খোংই। নুংশি নুংশিনা কাইনখিবনা ঈশে কয়া কুন্দোলৈগী পুম্সিগা চানবা ঈশে ওইনা অনম্বা খোংলকই। ড্রাইভর অদু কুন্দোলৈগী মওং খংবদৌনা। কুন্দোলৈ পুক্লিংদা অসুম খনলি হে! ঈশ্বব ঐনা নঙবু নিংজরীবসে মানা ঐগী নাক্তা অমুক্তং লাক্লবা নিংজখিবনি৷ হে ! ঈশ্বর নহাক্লা ঐবু নুংশিবীদুনা মাগা অমুক্তং উনহনবীয়ু হাইদুনা তত্তনা লিজখিবা অদো ঙসিদি মফম চাদবা অমদা কবিগী উনহনলিবনো ? হে ঈশ্বর ! ঐনা অমুকসু হাযজবি মহাক অসে ঐগী নাক্তা অমুক্তং লাকহবীযুনে। নহা ওইবিঙৈদা অসুম্না নুংশি মৈনা চাক্লগদবা মাল্লি। অহন ওইবক্লবা ব্রা ঙাংবা ফজবা খোং নিক্লবা কুন্দোলৈনি। হৌজিক খক্তা ইনৌ-নৌবা নহাগী ব্রাখল থম্মোয়দা ফাওরক্লীবসে করিগীনো ?

বোকুন ময়ুম য়ৌবগা ব্রা অমত্তা ঙাংদনা ফমুংদা নোংনা হিপলগা কুন্দোলৈবু নিংশিংই। হৌখিবা মখোয় অনিনা লুহোংবদা কাপখিবা ফোটো কোইথি থিরকই। বোকুন চংপম ফও বা মঙম ঈশান শান্দ্রবা চহি ৭৫/৮০ শুবক্লবা মীশকনি। বোকুনগী মাসু নিপা চহি নিপান (৮) খরা হেনবা মাসু নিপাগা তুমিন চামিন্নবনি। মচা মমৌমখৈসু মাগগী-মাগী থবক ইনখাং হোৎনরি। অসুম্না মতম মাসু লেপতনা চংখিবনা নুমিদাংগী মতম ওইরে চাক চাননবা মমৌনা পাউ পিরকই। বোকুননা মমৌদা চাক চানিংদবে, চাববোই হাইনা খুমই।

নুমিদাংগী চাক চাবা লোইনদুনা মাগী-মাগী তুম্ফম কাদা চংনখি। বোকুনসু মশুনুপা অদুগা তুম্ফম কাদা চংলগা মশুনুপাদা তুম্ননবা হাইরকই। মশুনুপা হংলকই - পুপুদি তুমহৈবোইদ্রা হায়না । মপুনা খুমই - পুপুদি কৈনৌমতা ইখিগে নঙ তুম্না হৌবো হাইনা হাইবগা বোকুননা মশুনুপাদা হংই। ইশু থোইবা নঙগী লাইবিক খাও মনুংদগী ইদাবা চে অমত্তা লৌগে। কোলোমসু লৌগে পুপু কৈনোমতা ইগে। অঙাং অদুনা - ঐ পিগে পুপু হাযরগা লাইরিক খাও মনুংদগী খাত্তা ইদবা চে অমা সেৎলি। কোলোম অদুগা মাপুদা পি। অদুগা অসুম্না হাযবকই - পুপু ঐসু তুমহৈবোই। পুপুনা ইদোইদো কৈনো য়েংখিনি হায়না হাযবকই। বোকুননা ইদোইদু অঙাং অদুদা উইননিংদ্রে অঙাং অদু মৈতৈবোন্দা পাবা ফজনা ঙমই। মবম অদুনা অঙাং অদো উইননিংদবনি অদুবু অঙাং অদো খংদবা ইযা যাবোইদৌবি। মবমদি বোকুন কোলোম পাইদুনা ইদবা যাম্না কুইবে। অদুতা নত্তনা ইগে তৌবদা মখুৎসু যাম্না নিক্রে। ইবা সুঙম ঙমদ্রে। ফনা কন্না হোৎনবনি চিঠি অমত্তং ইবগা কুন্দোলৈগী মফমদা পিনিংবনি। অদুবু ইবা ঙমদ্রে মখুৎ নিকমনবনা । বোকুন মশুনুপা অদুদা হাযবকই - ইশু থোইবা, নঙ পুপুগী চিঠিসে ইযু। ঐ মবোল হাইবককে হাইনা অঙাং অদুদা হায। অঙাং অদুসু অশিংবা অঙাংনি। অঙাং অদুদা চে ফজনা থুপ্পুনা পি অদুগা অসুম্না হাই - ইবা হৌবো সে ঐ হায়বরুগে ঃ

"লমদম তাম্না লৈপ্রবী কুন্দোলৈ, নহাক্কী নফমদা চিঠিসিমত্তং ইখিবনি। কমদৌবি ? নুংঙাইবিদনা ? অসুক কুইবা মতমসে নোংমতং কবম লেিন্ত্র হংনিংঙি অদুবু ঐহাক নগাক্কী নফমদা ব্রাহৈ অমত্তা হাইজবা ঙমখিদে। কুন্দোললৈ নুংশিবা হাযবসে কবিনো ' আসবা পুন্সি। ঐদি নঙবু তশেংনা থাদোকনিংদবনি ' অদুবু ইবান্নিগী পুন্সিদ' মতম কুঠনা খুংনৌ তমলমদবনি খন্দুনা নহাক কাইনা মৈচাকসে ঙসি ফাউবা থম্মোযসিদা ব্রাম্মৈগুম চাক্রুনা লৈবি। নহাক্না খংলমদবা যাই। অদুবু অমুক্তং শেংদোক্লীংবগী নহাক্কী নফমদা কবম্না মতমদা অমুক্তং উনবা ফংলগবা খন্দুনা লৈবকপা মতম শাংলকলে। অদুবু ... ঙবাং ইখং খংহৌদনা নহাক্কা থেংনখিবদা ঐহাক হাযফম খংদনা পুক্লিং নুংশি। কপসু যাম্না কপনিংখি। নহাক ঐগী চিঠিসে হেক ফংবগা ঐগী পাউখুমতবু খৌবাংনা ঙাইজবি নোংগৌবীনা লাইজ-ঈশিং ঙাইবগুম্না ঙাইজবি। ঙসিগীদি ইবা লেপ্লগে। নহাক্কী মতম অমগী বোকুন সিংহ "।

নহাক্কী বোকুন সিংহ
ব্রাংজিং

চিঠি ইবা লোইবগা অঙাং অদুনা মখা তাবকই - পুপু সিগী চিঠিসিদি নুংশিবী নুপীদা পিনবা চিঠিনিনা। বোকুননা মচা মমৌ তাখিনি পাখত্তুনা -হে! নখোয ইমা-পাবুংদা হাযগনুকো। মী তাবা যাবা চিঠি নত্তে। অসুম্না অঙাং অদুদসু ইকাইদুনা মীঙোন্দা অমদি মমা-মপাদা হাযদোক্কনু হাযনা কন্না মেনলি। অসুম্না চিঠি অদু পোষ্টতা বেজিষ্টাব তৌদুনা থাই। অসোমদসু কুন্দোলৈনা বোকুনবু অমুক্তং মাগী মনাক্তা লাক্লবা ঈশ্বরদা তত্তনা হাইজে। হে, জগৎকী মপু, হে শ্রীকৃষ্ণা নহাক্না অমুক্তংদি থৌজানবীদুনা ঐগী ইবুংঙো বোকুনবু অমুক্তংদি ঐগী নাক্তা লাকহনবীযু কৈদৌবগে হাযদুনা তত্তনা ঈশ্বরদা মিৎলু পিবাংগা লোযননা তত্তনা হাযজবি। অসুম্না খনলিঙে মতমদা, বোকুনগী চিঠি ফংই। কুন্দোলৈ অহানবা বোকুনগা হেক লুহোংখিবা নুমিৎ অদুদগী অতোপ্পা নিপা অমত্তগা ফমমিন্নদুনা ব্রাবি শান্নদে। কুন্দোলৈনা অঙাং পোক্তে হাযদুনা কাযনখিবা নুমিত্তো অদুদগী মহাক লাইনিংবী অমাগুম ব্রাহ্ম চবিগুম লৈবকপী কুন্দোলৈ মতম কুইনা কাইনকববা মাগী মপুবোইবগী পাউ পুবা চে অদু পুশিন্দুনা মাগী কাদা চৈসু সুনা সুনা চংশিনখি। কুন্দোলৈ চিঠি অদু তপ্পা অহন ওইবকপগী মখোন অনিকপদুগা পাবকই। চিঠি অদুগী হেক মকোক্তা কুন্দোলৈ হাযনা মাগী মিং ইবম্বা অদুদা মহাক খাংকপ কপই। অসুম্না হিক্ল-হিক্লা কপলগা চিঠি অদু পাবা লোইবগা চিঠি অদু কোনশিন্দুনা কপপি। কুন্দোলৈ মতৌ যেংবা ঙমদে। অদুক অহং ওইববা মহাক্কী মওং-মতৌ অদুদা ইনৌ নৌবা ব্রাখল। ঙসিতা মপুং ফাবকপি লৈশাবীগুম ব্রাখল পুক্লিং ইবাং লাংই। কুন্দোলৈসু মনাও নুপীগী মচা নুপা অমা যোকপনি। মযুম-মাকৈ পাল্লে। মশু উবে। মশু অহন অদু নুপীনি ফনা যাম্না চাওবে। লাইবিক ইবা পাবা ঙমলে। ক্লাস ফেব তম্লবী চহি নিপান মাপন শুনবী নুপীমচানি। নুপীমচা অসিগা মশুগসু তুমিন-চামিন্নৈ। কুন্দোলৈসু চিঠি অমত্তং হন্নবা শেম শাবি। অদুবু পাবদি তপ্পা-তপ্পা পাবা ঙমই ইবদি শুকঙম ঙমদ্রে। মখুৎ যাম্না নিকপনা মবম ওইদুনা। মশুনুপী ইহল্লি মানা তপ্প-তপ্পা হাযবগা। মাগী মওং অদু মথন্তা নিংশিংলকই। লৈশাবিঙেদা মমাঙ্বী মখোয মশেন অমনা হাইবগা অমনা চিঠি ইবা অদু নিংশিংলকই। মশুনুপীনা চিঠি ইনা ইনা হাযবকই - বোবোক চিঠিসিদি পাখং কনাদা পিদোইবা ? বোবোক নঙবু পাখংগা কোইনববানে ? অঙাং অদুনা মখা তাবকই। অদুক হন্নুববী চৈসু শুববী নঙনবু নিপা কোইনবিএ হাযবগা হা-হা হাইনা নোকই। কুন্দোলৈনা মশুনুপী অদুদা ব্রাবি লি। ব্রাবিশিং অদু তাববা মতুংদা অঙাং ওইজববসু মশুনুপীদা তুমিন্না লৈখি। অদুম্না মশু-

মবেন কপমিন্নৈ, চিঠিসু ইবা লোই। মখা তাবা চিঠিদদি মখোয অনি অহানবা ওইনা ইম্ফালগী বজাব মনুংগী মহাবানি থোংদা উন্নসি হায়না চিঠিগী মবোলদা হায়খি। বোকুনসু ঙসিদি মহৌসগা ইমান মান্নদে। থাও মনম নুংশিবা কোক্তা তৈ। মাই-তৈনবা মেকপ কয়া তৈ। কোই অঙৌবা খদাংদা খবা হৌবিবদু নিংথিনা পাফোইনা ফোইদোকই। খোংগ্রাও ফুবিৎ ইষ্ট্রিনা নিংথিনা তকই। মশা পুম্বা নিংথিনা ঈকজে। খুত্তা কাতি পাইদুনা শম অসোইবা মাংদা তাবকপা ককথৎলি। কেবা যাবমৈখ কেদুনা ইম্ফালদা চৎননবা শেম শাই। হায়নখিবা পুং যেংই। মাংদা লৈবিবা শকযেং মিংশেল অদুদা মকোক্কী শম অদু যেংন-যেংনা হন্ন-হন্না হাংলি। মশা পুম্বা লৈ লৈদুনা শকযেং-মিংশেল অদুদা যেংই। মশুনুপা অদুদা ফজববা হায়না হংই। মশু অদুনসু যাম্না ফজবে পুপু হায়না থাগৎলকই। অসোমদসু কুন্দোলৈ অখুইবা মশা অদু তৈবা নানবামখৈ হোংনবি। কোফি মচুগী লিপষ্টিক অদুনা চিনবান অদু নিংথিনা তৈ। মদু উবদা মশুনুপীনা হায়বকই - বোনেক ঐ তৌবীগে সে, ঐ কেবীগে হাইবা বোবোক হায়না মশুনুপীনা হায়বকই। কুন্দোলৈনা কবিবা অদু মশুনুপীনসু মতেং পাংলকই। লম লাপ্পানিনা যাম্না ঙনা অহ মম্নদগী হেৎনবকপনি অযুক্কী পুং নিপান (৮) দা শম্মু মখোং মহাবানি খোং মফম অদুবাইদা উনাস হায়নখিবা লৈবনা কুন্দোলৈ অমসুং বোকুন হায়নখিবা পুংশিং কবিমত্তা শোইদনা যৌনবকই। লাপ্পবা মফমশিংদগী কুমজা কয়া উদ্রবা তান্ন লমদম অদুদা, মবুংঙো বোকুন উবদা মতু চুংই। কুন্দোলৈ মহাবান খো ব্রাংন থাংমদা লাপ্পা উইন। মিৎলু নাপোম অনিদা নীক নীক লাওখ্রে। পিবাংনা কৌঞ্জনকই তনাং ইবা সেন্দুনা লাপ্পইঙেদা কৌনেদে, পাম্লোম বাংনা শাঙ্গৎনৈ তানক্রবা শ্ববনা, নকশিন্নবা মতমদা, বা ঙাংনদে অনিমক। মিৎলুদগী তাবকপা পিবাংতনা পাদনবে। কোকিল শুব ঙমজবা নুংশিববা যবানা মবুংঙো বোকুননা কুন্দোলৈদা কমদৌরি নুংঙাইইনিব্রা কুন্দোলৈ ? কুন্দোলৈ মাইথোংদো লৈমাইদা লুকখবগা তিক-তিক কপনা কপনা খুল্লকই, নুংশিত্রীন ঐ হায়ফম খংদনা। হিংলি পুন্সিসিনা অবোইনা মিৎবু-শতো ঙাহৌব। অসি হায়বগা মাইথোং খুল্লিব। ফিজিদুনা শিন্তবক্লিবা মিৎকী পী অদু তৈগোকই। বোকুনসু নুপানি হায়দে থম্মোয শোক্লা হিক-হিক কপলকই। কুন্দোলৈনা পী তৈখোক তৈথোক্লা হংলকই। ইবুংঙোদি ননাই ঐবুদি মিৎকুপ অমা ফাউবা নিংশিংদনা নুংঙাইনা লৈবিদনা ? অনা-অযেক অমত্তা যাওদনা ? কবিগী অসুক কুইববা মতমসে নোংমতসু কবম লেল্লি হংলক্তবা কবিগীনো ? অনৌবা নুপীদুগী ব্রাখলদা

ঐবু পুংকাও কাওথোকপিখ্রে । ইনাওনুপী অদুনা হেক লাকপগা ঐগী হক করিমত্তা থম্বীখিদে নহাক্লা। অদুবু মমা অমা ওইবা ঙমদবা ঐগী পুন্নমক ইরাল ওইখি। অসুম্না কুন্দোলৈ অমসুং বোকুন অনিগী মওং অসি হায়নিংঙাই লৈতনা নুংশিনরকই। অদুবু ... ? অসুক অহন ওইরবা মখোয় অনি অমুক থুংনগদ্রা ? করিগুম্বদা বোকুননা কুন্দোলৈবু মতম অমগী নুপীনি হায়দুনা পুশিনগদ্রা ? অসুক কুইরবা মতমসিদা মীয়াম্না করি হায়নবা ? কুন্দোলৈনসু ঐনা মতম অমদা লৈরম্বা নুপানি হায়দুনা হৌজিকপু হেক্তনা লৈরুবা য়াবরা চহি ৮০ গী মতমশিদা ! অসুক কুইরবা মতমসিদা ।। ❑

ব্রারি মচা

নুপীনা নুপীবু

ইবোবী থবক চৎননবা ইরুজরি। মতম অদু অয়ুক্কী পুং ৯ খরা হেল্লে। নুপানা থবক চৎলমদাই চাক চাখিনবা কন্না হোৎনবি, ইংথ্রবা নিংথমগী অয়ুক অদুদা। লৈমা ইবোবীগী নুপীনি। মচা অহুমনি। মচা অহন অদুদি নুপানি। অনিশুবা অদুনা নুপীনি। অহুমশুবসু নুপানি। পাখং লৈশাবী লোইনা ফনরে। মচানুপা অহন বিএ ফাও তম্লগা থবক থিরিবা মীনি। মচানুপীদুমদি মখা তমখিগে হায়রিমখৈ তমহনগে খনলি। মমা-মপা অনিনা বি এ লোইদুনা এ এন এম তম্ন বা হোৎনবিবা মতমনি। মচানুপা অতোনবা অদুসু বি এ তম্লি। লাইরিকতি খবা-খবা লোইনা ফৈ হায়বা তাই। যাম্নমক মকোক-মথং নত্রগসু অদুম চৎনবা যাবা ওইনা অদুম তৌই। ইবোবী হাইস্কুল ওজানি। ইং তপপি, কা হেন্না শাওগন্দে, শাওথ্রবদি থেম্বা য়াদে। ইবোবীগী নুপী লৈমা মচিল খরা কল্লি। অচাওরম পামই। ইবোবী য়াম্না হে শিংই য়ুম পানবা কুপ্না য়ুম পানবা নুপানি। মশাগী লৌচা-লৌরক অমা লৈ। অদুদগী থোরকপা ফৌ অদুনা চাবা কোন্ননবা কন্না হোৎনজে। ইবোবীনা চহি অমদা ঐখোয় ইমুংনা চারিবা থা অমদা সিনি, চহি সুক্লি হায়না পাথোক্লগা থম্বদদি লৌবাক অমগী ফৌনা খরা লেম্বগুম তৌবনি। অদুবু ... য়ুমগী নুপীনা কোমথোকপনিনা চহি অমত্তা চাবা কোন্নদে। য়ুমগী নুপা খংহন্দনা অকে-অমৌ লৈবগীদমক মাসু লাইতং, শংবাই খরা-খরা তাইথোকপদা। নুপানা ফৌদি চাবা কোন্নফম থোকপনি। ফৌ লৈতে হাইনা হংলকপদা নুপীনা লাইনা খুমই - নচাশিংগী লাইরিক লৈথোক-লৈশিন, লৈকাইগী মরুপ, দেব-কর্ম্ম করম্না পৈশা পিরোই। ফৌবু ঐনা হেক্তা মীঙোন্দা পিথোক্কদ্রা ? ইবোবীনা খল্লি মাগী নুপীনা ঙাংলিবদো চমদি চমই অদুবু মহাক্তি যানিংদে। মরমদি মবক্কী অহোবা, দেবা-কর্ম্ম, থৌদোক-ব্রাথোক, মচশিংগী লাইরিক তম্বগী পৈশা মানা লোইনা হোৎনৈ। অদুবু মহাক মাগী নুপীদা কন্না যেৎনিংদ্রে। মরমদি মাগী নুপী চিন খরা কনবনিনা ব্রা-ব্রা ঙাংলক্কনি খনবদা। ইবোবী তুমিন্না লৈথোই। ...কাইনদি ইবোবীগী মতৌ অসিদা নুপীনা ঙমই হায়নৈ। নোংম-নোংমা হৌজিল্লকই। ইবোবীগী মচানুপা অতোনবা মমিংনা

বসন্তা নুপী অমা চেন্নকই। ময়াম্বা অমদি মচে কাম্বোক্লগা। মীগী মচানুপী চেন্নুববনিনা তৌফম থোকপা লোইনা তৌখ্রে। লুহোংবা লোইদুনা মঙানি চাক্লৌবসু লোইখ্রে। লুহোংবা মতুং থা ফাবকপদা মৈতৈগী চৎনবী ওইবিবা মৌনা থা ফাবকপগী মপামদা চৎপগী চৎনবী অদু চৎনবা শেম শানবি। লৈমদি মমৌসে কয়া পামদে। মশক্তি অদুম চৎনবা য়ানা অদুম ফজে। লৈমানা পামদ্রিবগী মবমদি অতৈগী নত্তে অউৎপোৎ যামদবা অসিনি। মমৌনুপীবু থা ফাদ্রিঙৈদগী ওৎপা হৌবকই মবমদি সনা লুপা যাওদে, উপু কাংথোল অনি-অনি ওইবক্তে। অবাং-অবাক যাওবক্তে হাইনা মচিন্না থোক্লা হাযদুনা মমৌবু নৈবা হৌখ্রবনি। নোংমা মমানা মচানুপা বসন্তবু কৌশিন্দুনা অসুম্না - ইবুংঙো নঙবু নুপী অসিবু হান্না অউনপোৎ যাওবলোই হাইবাখৎদববা ? নঙবু ঙাওববা ? ঙসিগী চৎনবিবা মতম অসিগী চৎনবী অসি ইচাদি কবিমত্ত খংলমদ্রেদনা ? মমানা অমুক্কা মখা অমুক তাবকই - অব্বাংগী চাওবগী লুহোংবা সনাতনা কেজি কেজি অদুতা নত্তে যুম অমা পানবদা চংবা পোৎচং মখৈ অমত্তা চিথদে। গাবি মচা ফাওবা। চাওবগী ইমুংদি কবিসু লৈবা নত্তে। চাওবদগী নঙনা যাম্না হেল্লি। মীগী মচাদি তৈ শিংবনিনা নুংঙাইখ্রেদনা হৌজিক্তি। নুপীগী অউনপোৎতগী নুংঙাইবা হাৎবা ওইখ্রে। বসন্তা মমানা হাযবিবা ঙাংলিবা মযাম অদো যানিংবা যাওদে। মমাদা ওনশিন্দুনা খুন্নকই - নখোয নুপী সমাজনা নুপী সমাজবু অদুক ওৎলিবা কবিগীনো ? নুপীনা নুপীবু ওৎলি। নুপীনা নুপীবু হন্থনা যেংই। মসি ঐদি যানিংদে। অসুম্না মমাদা ওনশিন্দুনা পাউখুম পিবকই। মমাসু মচাদা ওনশিন্দুনা চৈবকই অপংবা অঙাওবগুম লৈমিন্নবিবা মপাদুনদি মমৌবু কযাতা লুনা তৌবিবা। নুপী অমা ওইবগী চপ -চাবা গুন চেল্লি হাইদুনা। অউনপোৎনা নুপী সমাজবু চিংথাবি। অউনপোৎনা নুপীবু ওৎলি। নখোয নুপী হাযবসিনা খবা খিৎ হেল্লি। নুপীনা নুপীবু ওৎপা-নৈবা, অউনপোৎকীদমক হাৎপা ফাওবা কযা লৈখ্রে। মসি নুপী সমাজ খুন্নাই নখোযদগী থোবকপা ঙাক্রনি। মমানা খল্লি মচানুপাগা যেৎনবোই, মমৌনুপীদা ওইনা নৈবগে খন্না নৈবা তৌবকখিবনি। মমৌনুপী অমনা খঙফম থোকপা খঙই। মনেমবোক ফত্তবগা মকুবোক ফত্তবগসি মনেমবোক ফত্তবনা মমৌনা হেন্না ব্রাই। ইবোবী মমা-মচা ঙাংনবিবাশিং অদু লোইনা তাবা যাবা মখৈ তাবগা তপ্পা-মমাদা হাইবকই - হায় মমা, নখোয়না ঙংনবিবদো মীনা তাবগা যাম্না ফজদ্রে। তুমিন্না খিৎ লৈবো। মীগী মচাসে থা ফাবদা ঙাইবি ঐখোযগীদা ইমৌ ওইনা লৈবা। ইমৌ অসিনা নোংমা নুমিৎ অমত্তা

ঐখোয়দা থকশি-খাশি, ব্রাহে-ব্রাতা অমত্তা অকাইবা চৎখিদ্রি। মপানা হায়রিবা ব্রাদু থওইনা তাদবদৌনা মমানা মমৌদা চৈরকই। যুম পান্নি হায়বদি খংবা অউনপোৎ য়াওনি হায়বদি খংদবা। অদুগা হৌজিক্লা মপামদা চৎপগী সনা লুপাবু মীঙোন্দগী ব্রাইবা পংচেন্তা চেন্নরি। ইশৌ লাংবা ব্রাহেনা হায়রকই - ইকাইদ্রা ? ঙরাংখক্তা লুহোংলগা মীঙোন্দা সনা লুপা ফিরোল ব্রাইগে হায়দুনা হাইরিবা নখোয়গী নচিন্দুবু ঙমইনে মীঙোন্দা হায়বা। অসুম্মা মমৌ অমদি মচানুপাদা চৈরকই। মচানুপা মমানা ঙাংলিবা ময়ামদো করিমত্তা খুমদে। মমৌ নুপী অদুদি ইকাই নুংশি য়ান্নবা মমিত্তা পি ইরা চেল্লি। মদু উবদা মকুবোকতি হেন্না নুংঙাইরমদে। ইবোবী মাগী নুপী লৈমবু শাওরগা চৈরকই - ঙাইখোনে মমা, নঙবু , সীদা লাকখিবদা করি অউনপোৎ য়াওবকপগে হা ? মমা নঙসু নুপীনি মৌ ওইনা মীগীদা লৈরপনি নঙনা লৈরকপদা নোংমা নুমিৎ অমত্তা ইমানা নত্রগা বাবানা নঙোন্দা অউনপোৎ যাওবক্তে হায়না নোংমত্তা পনখিবা য়াওবরা।? অউনপোত্তি লাইরদনা নিঙোলদা নিঙোল দৌনা মমিৎনা ফাওবা কন্না য়েংলমদে। অদুগা নঙদি নচা নমৌদা কযাদা নমথরিবা। হৈ মমা, নঙসু নুপীনি ব্রাখল মুন্না খল্লু। নচা নুপীসু লৈরি। হযেং নোংমদি মীগী ময়ুমদা চৎখিগনি। মীগী অশোইবাদা য়েংলাইশি । ইশা-ইশাগীসু খবা অশোইবা উনশি মমা। মমানা শাওনা খুল্লকই, আ..! মমাংগী ব্রাদো তোকখিসি হৌজিক মতম অসিদদি অউনপোৎ য়া ওদ্রবদি যুম পানবা য়াদ্রে। ঐখোয় লৈকাইদা লৈশাবী অবিবা ময়াম্মা লৈরিবাসে অউনপোৎ লৈতদনা লৈরিবা ঙাক্তনি। অউনপোৎ লৈববদি নুপাগী নুপা ঙাক্তনি। আ ... মমাং লৈকাইগী লৈশাবী মখোং শোইনাইবীদো ঙহান লুহোংথ্রিবদুনি। অউনপোৎতি সনা, লুপাত নত্তনা লৌ-ও. গাবি ভান-ও উললেদো নুপাদুসু আ... মথকলোমদগীনি। মপানা মমাদা শাওনা হায়বকই। মমা নঙগী নচানুপী অসিদদি নঙদি কয়াম উনদৌরিবা ? ঐ হায়বে মপা অমগী তৌফম থোকপা অমমম খক্তানি পিগদৌবিবা অদুসু কা হেন্না মমল চংবা পোত্তি অমত্তা যাওবোই। মমানা খুন্নকই - ইচা নিঙোলগীদমক্তদি মমা ঐ লৈরি। হায়েং করিমত্তা ব্রাত্তনা পিগনি। অসুম্মা ঙাংন,ঙাংনা, নোংমা, নোংমা, হৌখি।

ঙসি ফাওবগী মনুংদা অউনপোৎকীদমক নুপীশিংবু ওৎপা নৈবসি ভারতকী মফম অতৈদদি দলান মথক্তগী মমৌবু ইছদুনা হাৎপগী থৌদোক কয়া লৈখ্রে। ঐখোয়গী লৈবাসিদসু তমথিবা মওংদা হাৎপা তাখ্রে অউনপোৎকীদমক। অসিগুম্বা লৈবাক্কী থৌদোক-ব্রাথোকশি নুপীশিংদগী খরা হেন্না থোক্লকই।

লৈমানা মমৌনুপীবু কবম্না তাম্থোকশিগে খনবদা তুম্বা চাবা চংখিদবে, কবম্বা লালনোং তৌসিগে খনবদা অৱাবা অমা ওইৱি লৈমা। মমৌনুপীসু থা ফাবগী মপাম চৎপা অদুদা লৈহৌবসিবা খনবনি। মথন্তা খনজে কনা অমদা হায়দোকতে। মমা মপানা থোনবীবা মিংনি মেমথোই। লাইববা ইমুংনি। অদু ওইববসু ইমুং অদুগী মচানুপী অহননি মেমথোইনা। মেমথোই পুক্লিং নুংশি, মমিত্তা মপী তাবকই। হৌখিবা থৌদোকশিং মথং-মথং নিংশিংই। মথন্তা শোঞ্জে - মতম অমদা ঐগী ইয়ুম হায়বম্বা হৌজিক্লা ইপাম। মসিবু নিংঙোল ওইবী ঐখোয়গী পুন্সিসে খল্লুববদি ওম্থোক্লা নুংশিখ্রেদা। নিংঙোলশিংনা লৈশাবিঙৈদা ইমা ইপাদা অমদি ইবুং ইপৱাগা লৈবম্বা মবি। ঙসিদি কযাতা লাপ্লববা। মতম অমগী ঐগী কা ওইবম্বাসে ঙসিদি চংলুবদা কযাদা কিবিবা। ঐবু পোকপা পম্থৌ পালেমগী কাদা চংবদা হঙ্গোইবিবশিনা কবিগী ? মসিবা নিংঙোলগী পুন্সি। অসোমদনা ইনেমবোক্লা ঐবু ওৎলি অউনপোৎকীদমক। ঐসিবু লৈহৌবশিবা ? ঐনা লৈহৌবগা মানা কবি হাযবা। ঐনা লৈহৌগে হাযবগা মানবু যাগদ্রা ? ঐনা লৈহৌবগা মনা কমদৌবা ? মনা চৎখ্রগা ঐনা কবম্না লৈহৌবা ? অসুম্না হিক্ল-হিক্লা মানা লৈবম্বা নিঙোল কা অদুদা থাবিবা ফমুং মানা তুল্লম্বা ফমুংনে। ফমুং অদুদা ফমদুনা হিক্ল-হিক্লা কপলি মেমথোই।

মেমথোই মমাসু মেমথোইনা কপলিবদু উবদুনা মচাগী নাক্তা চংশিনলক্লুনা কপ্পা অদু মতেং পঙলে। মমানা অসুম্না হাইবকই - ইচাবু লৈবা ইনুং নুংঙাইত্রববা ? মচানুপীনা খুম্লকই, মনেমবোক্লা অউনপোৎকীদমক ওৎলি নৈবা নুংঙাইতে হাইসিবা খনলুবনি মমাদা। অদু হাইবগা মমা নুংঙাইবোইদৌবদু উবদা অসুম্না খুমই লৈবগীদি যাম্না নুংঙাই, অদুদা ....। অদুদা হাযবগা তুমিন্না লৈখিবা অদুদা মমানা মখা তানা অমুক হংলকই ? ইচানা অদুদা হাইবগা কপলিবনা কবিগী ? মচানা তপ্পা খুমলকই মাসু মবুক যাম্না ফৈ। হৌজিক ফাওবগীদি ঐবু যাম্না লুনা তৌই। ঐনা কপলিবসিদি ঐনা অঙাং ওইরবিঙৈদগী লৈবজবকপা ঐগী তুম্ফম কা অসি নুংশিবক্লুনা কপলিবনি। মমাসু খংই মচানুপী লৈবা খবা ৱাই হাযবা । মানা বাবিবগী মবমসু মা খংই। মনেমপোক অদু অউনপোৎ যাম্না পামই হাযবা মচানুপীনা হাযদ্রবসু। অসুম্না নুমিৎসু তাশিনল্লকদৌবে। মমানা - ইবেম্মা, মতমনদি হৌখি, চৎখি কনাবুসু ঙাইবম্বা তৌদনা। মনেমপোক্তি অউনপোত্তা ঙাওখিবনা, অউনপোৎ যাওবক্তবী মমৌ অদুবু মচাগা কাইনহনশিগে খনবদা অঙকপা লালনোং অমা খনলকই। মমৌনা চাক থোংনবগী ঈকজবা

চংখ্রিঙৈসিদা চাকশঙগী গ্যাস অসি থাদোক্কুনা থম্লগে। মানা হোরেল চাক থোংবগী মৈখেৎ খেৎপদা মাবাইনা থৌদোক অমা থোকচরনি। সিবা চংবা লাইবক যেংবা তাই। অঙকপা নুপীনি। নুপীনা নুপীবু কযাদা তমথিনা ওৎলিবনো নুপীনা নুপীবু ।

(লোইববা)

ব্রাবি মচা

রাজনিতিদা

চহি মঙাগী মতম লোইদুনা অনৌবা মীখল অমা তৌনবা মাগী-মাগী পার্টি তি কযানা লাংনবি। মাগী মাগী মীচং খোম্লদুনা বা ঙাংবা হৈনা তান্নবি। মুনবী কেন্দ্রদা ভোট লেপ্পলিবা মী ওই অনিনি। মখোয় অনিমক হেক পোকমিল্লনা মচিন-মনাওনি। মযাম্না অদুনা ইবোহল, মনাওনুপা অদুনা ইবোযাই কৌই। মমা-মপানা মখোয় অনিখক্তং পোকই। মমা-মপা অনিমক লৈইনা লৈবি। মখোয় মচিল-মনাও অনিমক পাখং চাক্লেন। কেন্দ্র অদুদা মখোয় অনি কন্না ভোট লেপ্পমনৌ মচিল মনাও অনি নুংতিগী খৎনবা যেৎনবা তোক্কে। মনাওনুপা ইবোযাইনা মযাম্বাদা দাদা, নঙ পোথবো ঐ অন কন্টেস্তা কাবগে। নংনা পিস্থ হাযবা পৈশা ঐ পিবগে। মযাম্বনা খুমই শাওবংননা - ইবোযাইমা, নহা ক্লুম তাকও নঙগী অপাম্বা পৈশা হাযয় ঐ পিগে। মনাওনুপা খুম্লকই ঐদি কাদবা নাদে। মন্ত্রি শোইদনা ওইগদৌনির্বান। ঐদি মীযাম্না যাখ্রবজাৎনি। কাবসু শোইদনা কাগনি। দাদার্দনি কাগোইদৌবিবা অদুনা পৈশা অসি লৌতৌবগা লৈহৌবনা ফগনি। মযাম্বনা খুম্লকই শা ওনা - এ। ঐনিনে সোইদনা কগদবদি। মীযাম্লসু যাখ্রবা অদুগীসু মথক্তা পার্টিগী অচেৎপা মীনি ঐদি। পার্টিনা ঐঙোন্দা যেৎনবা লৈতনা ঐবু ভোট লেপহল্লিবনি। মনাওনুপা, খুম্লকই যাম্না শা ওনা ঐসু ঐখোযগী পার্টিনা ঐনা লেপ্পদি শোইদনা কনি হাযদুনা ঐবু লেপহল্লিবনি। ঐবু কাববা

শোইদ্রবনি সিএম ওইবা। ঐখোয় পার্টিনা ঐবু ইন্থোক্লা থাজবা থমখ্রবা পোৎনি। নখোয় পার্টিসিদি অবেপ্পা লৈতবা ৱাখল তাং তাদবা মী ঙাক্তনি। অসুম্না মচিল-মনাও ভোট খোমনৈ। মযাম্বনা মনাওনুপা হুন্দুনা ৱা ঙাংই। মনাওনুপানসু মযাম্বসু চৈ-থাংদুনা হুন্দুনা ঙাংই। মীযাম্না মখোয অনিবু মচিল মনাওনি হাযবা অমুক-অমুক কাওই মীযাম্না। মখোয মচিল-মনা ওগী ৱার্কব মশেম ফুনৈ, হাৎনৈ। মখোয মচিল-মনাওসু নূং লংশিন্নে। মাগী-মাগী খৎনেক গুন্দা থজিন্নে। পৈশা দিমান্দ তৌনৈ। হুনন্দুনা অসুম্না হায। মাদি মমা মপা পিজনিংদে। নুপীশিংবু কবিসু লৈতনা খনলি। অদুননি মানা হৌজিক ফাওবা নুপী থিদদুনা লৈবিবা ? মাদি যাম্না ফত্তবা মীনি। মমা-মপা লুহোংনক্তবা মচানি অদুতা নত্রে মাদি মপাগী অসেংবা মচাসু নত্তে। অসুম্না মযাম্ববন্ থিনা ঙাংবা চৈনা হুনবা নত্তনা মমা মপাবুসু শিনা চৌব। অদুবু মখোয অনিমক্না মশা-মশা চৈনবতা নত্তনা মখোয অনিবু হেক পোক্লিবা মমা মপাবু বাজনিতিনি চৈদনা যাদে শাযদনা চৈনান মখোয অনিগী মওং মতৌ অসিদা পন। মীযাম্না খন্নে, মখোয মচিন মনাওসু পোকামন্নদব মান্নে, অমাদ অসোকপান নত্রগা অতোপ্পা নপ গী ফজবকপান মচাবা হাইনা মীযাম্না খন্নে। হেক পোকমিন্নবা মচিন মনাওনি ... মীদি ল ইদনা শাগৈগী মীনা ফাওবা ঙাংনবা হেক্তা যাওই। পার্টিনা ... ঙাংনদবা যাদে, হুন্নদবা যাদে, ভোটনিবু ... যববদি হাযনা বাখল ... মখোয মচিল মনাও অনিনা ঙাংনবিবদু মমা মপা অনিসু তাই। অদুবু মমা মপানা শাওই। মচা অনি অদুদা চৈগে খল্লি। অদুবু মথেংবা নুমিদাংদা হনাজল্লকপদদি কা অমদা থানিবা ফমুন অমমম অদুদা তুমিন তুমিন হেক্তা তুম্নখি। ঙাংগে খনলম্বা মম -মপা অনিমক ঙাংবা হেক্তা ঙমদে। অযুক যাহৌ ঙন্না হৌগৎনবগা চাক পুখম অমাখক্তদা চবা ৱানমিন্নবগা হেক্তা থোক্লখি। অমনা মখা শঙ্গোইদা অমনা অৱাং শঙ্গোইদা। মাইযেপ পান্নে। মিটিং হেক্তা তৌনবকই। অমনা অমবু হেক্তা চৈবা হৌবকই। ঙসাই চাক পুখম অমদা চাবা ৱানমিন্নবম্বা অদু হৌজিক্তি মাগী মাগী বাজনিতিগী শঙদা হেক চংখিবদা অমনা অমবু নিংথি নুংঙাইগী ৱাহৈ নত্তে হাযনবিবা। মখুত্তা থাঙ অমমম পাযনবগা হাৎনবগী মওংনি মখোয অনি মিটিং মফমদা ঙাংনবিবা। মসি ওইবমাল্লে বাজনিতিগী ৱাঙাং-শাঙাং। ঐনা খল্লি, মমাংঙৈদা নিংথৌ ফম মুন্নবগীদমক মচিন-মনাও হাৎতোক্লবিবা। নিংথৌ ফমগীদমক অপোকপা মপাবু হাৎলগা নিংথৌ ওইনবা হোৎনবিবা। মফম অমদনা নিংথৌ ফমগীদমক মমা-মচা, মচিন-মনাও, মপা-

মচা হাৎনৈ নিংথৌ ফমগীদমক। হৌজিক্তা বাজনিতিনা মচিন-মনাও, মপা-মচা কাং-খোং চাইনবে। অমগা অমগা কৌন-ঙাংনহন্দ্রে। চনবীনি। ঐনা কনাবুসু শাওনিংঙাই লৈতে। ঐনা ঐগী অপাম্বা অদুদা থৱায থাই। মীশি মীনা যামখৎলকই। থৌদোক-ৱাথোক যামখৎলকই। চহি মঙাগী মতমখক্তা চৎনহনলি। মীওইবগী ৱাখল অমুক অমুক অহোংবা যেংই। মীযামগী অপাম্বা অওনবা। ঐসু তুমিন্না লৈবা হৈনদে লৈবাক্কী থৌদাং অফবা ইশু কযাদা ঐসু শরুক যানিংবা মীশক অমা ওইবনা ঐসু বাজনিতি যাম্না পামজৈ। মবম অদুনা ইবোহনগী বাজনিতিদা যাওদুনা অকনবা বার্কব অমা ওইখি। ঐগী ইযাম্বসু। ইবোযাই মাগী পার্টিদা অকনবা ৱার্কব অমা ওইদুনা ইবোযাইগী সেক্রেটাৰি ওইখি। ঐখোয ইচিল ইনাওসু মিটিংদা ব[illegible] [illegible]তৈনা ঙাংহল্লি। ঐনন্দা ঙাংলবা মীযাম্না হেক্তা নোকই। [illegible] [illegible] [illegible] খুই। [illegible] [illegible] [illegible] নোকই। ঐখোয ইচিল ইনাওসু [illegible] যাম্না [illegible] বাজনিতিগী [illegible] [illegible]। ঐনা ঙাংই ঐনা [illegible]। ইযাম্বনা [illegible] ইযাম্বনা চুমই। [illegible] [illegible] [illegible] পথোকনৈ। ঐখোয অনিযাও [illegible]সুক যাম্না খৎনবিবসিনদি [illegible] অনিদি কযান [illegible] [illegible] ওইনমাল্লে ফম [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থৌখিসনিং [illegible] [illegible]দমক ফম [illegible] ইচিল ইনা [illegible] অমদি [illegible]সাইদ্রে ঐখোয ইমুংদা। ❒

ৱাবি মচা

লানদা হিংহৌবগী

সোবোজিনি মচা অনি অদু, অমনা পমুংদা তুমহনলগা অপিকপা মচা চহি অমত্তা ঙাইবিবা নুপা মচা অদু পমলগা ফমুং মথক্তা মচা অদু খোমলাং পিথকই। মগী নিপা তাইবং ঙাংবনা কাস্মিবদা মাবৈবাক্কীদমক মাবৈপাক ঙাকপা চৎখিবদু চহি ফবককদৌবে। হৌজিক মমানা পমলিবা অঙাং অদু পোকপা থা ফাদ্রিঙৈদা চৎখিবনি।

কাস্মিবদা ইবাং কনলি, নোংমগী কাপনবা লেপতে। শিবা লেপতে হাযবা পাউ মহাক তোইনা তাই মনাকোংদা। তাইবং ঙাংবা B S F নি। তাইবং ঙাংবা মথৌদা পুক্লিং চংই। চৎখিবা থবক খুদিং মাইপাক্কনা মহাক হনগে খনদে। অঙাং ওইরবিঙৈদগী মমা মপানা হায। মসি অ ৯াংসি হযেং চাওবগা মা সোইদনা ওইগনি। অবানবা থবক অঙাং ওইবিঙৈদগী মহাক তৈংপা পামলকতে। সোবর্বোজিনিস্ মগী নুপী ওইবা মতিক চাবী নুপিনি।

ৱা ঙাংবা ইং তপ্পি। মীনম্বা ঙাংদে মথৌনা ফবী, মখাং কপ্পা মপেপাক নিংবী নুপিনি। মহাক্কা খনলি, ঐগী নুপাদুবু? লালফমদা মখাথবা ঙাৎলা? হুম হন্দক থা অমা খবা হেল্লা ফাওবা চিঠি অমত্তা থাবক্তে। নত্রগা যুমদা থোবক্লগে খল্লবা জাৎলা? সোবোজিনি ৱখল পোগাফম খংদে। মা লৈজদবগা অবাবনে মচা অঙাং অদুনা মশা খজিত্তুং শাগৎলকপদা মপুক্লিং পানুংদা নুংশিজদুনা কপ্পী। হিক্লা হিক্লা মদোম। সোবোর্জিনি থম্মোয অমুক চাওখোকই। ইবৈপাব ভাবতকীদমক ঐগী নুপানা লালফমদা থবাই খজবর্বাদ ঐগী কযদা লাইবক ফবিবা? ঐসু লৈবাক অসিগী নুপীনি। মমা ওইজবা ফংলবা ঐগী লাইবক কযদা লাইবক ফবিবনো? নুপী ওইনা পোক্লগা মমা ওইবা ফংদবা কযা অমসু ঙাসিগী তাইবং অসিদা লৈবি। অদুবু ঐদী ইপুবোইবা অমাগী মিৎযেংখাদা মচা অনি ফংজবে সিদগী তেম্বা অতৈ কবিসু লৈতে ঐগী। মথন্তা অমুকসু সোনজে। ঐসিবু কৈদৌববা জাৎনো? বাখল নত্তবা বাখল কবি কবিনো পংখন্তা খনলি।

হায়দুনা মথন্তা অমুকসু পাহংতা হংজে। অসোমদনা তাইবংঙানবা লালহৌবগী খুৎতা ফাদুনা লৈ। ইণ্ডিয়াগী লমদা লৈবা কাশ্মিরদগী লালহৌবা মখোয়না ফখিবনি নোংমা নিংথিনা সেমশাদুনা লৈবক্লাবা বোম কয়া ফুমলিবা লম্বী অদুদা, মখোযনা পেট্রোল্লিং চৎলিঙৈদা লালহৌবশিং অদুনা খুদোংচাবা লৌদুনা অযাম্বা লোইনা হাৎখিবনি। অদুবু তাইবংঙানবদি যাম্না হৈশিংনা খুদোং থিবশিং অদুগী কন্নবাহোৎনবদা মথন্তা ওইখিবনা উপাই লৈত্রবা লালফম অদুদা লালহৌবশিংগী খুৎতা তাখিবনি। লালহৌবশিং অদুনা মাবু ফবগা ফুবা চৈবা অমদি লাললোং কয়া তৌদুনা লালহৌশিং অদুনা হংই। নখোয ভাবত মচাশিং অসিনা ঐখোযবু অসম যাম্না উশিংত্রিবা কবিগীনো ? ঐখোয নখোযগী ভাবত্তা তিনবা পামদে। ঐখোয লৈবাকসে তোখাইজবগে। ঐখোয ইবমদম হিংবা ঢমলি। নখোযগী মিৎয়েং মপাদা ঐখোয হিংবা পামদে। অসুম্না হাযদুনা বাহং-পাউহং কয়া চৎখ্রি। লালহৌবশিং অদুনা যুংদুনা লৈনিবা ভাবতকী ফিবাল অদু লৌথোক্লুনা মৈনা চুই [illegible] অদুগা হাইবকই যেংহু, নখোয ভাবতকী ফিবালশে লোইনা মৈনা [illegible] ঐখোযগী লৈ [illegible] ভাবতকী ফিবাল অমত্রা পাইবা [illegible] অদুনা [illegible] অচৌকপ ফিবল অদু ইন্দীয [illegible] কই। [illegible] লৈবিবা তাইবংঙানবগী [illegible] [illegible]। [illegible] মনাংমথুংদা লৈ [illegible] লৈবিবা [illegible] কী [illegible] [illegible] লোংনা [illegible] [illegible] চাকনিদ। [illegible] জাতিশিংদা [illegible] অদু [illegible] লালহৌবশিংনা [illegible] লালফম ওইবিবা [illegible] অদুনা [illegible] তৌদুনা ইকাই খুম্নবা ঐৎলি। [illegible] অমুক [illegible] হাযদুনা লালহৌবা অমগী খুৎ [illegible] অদুনা হাযবকই। লালহৌবশিং অদুনা মগী মথৌনা অদুবু হন্না-হন্না [illegible]। [illegible] মচাক মনিপুব মচানি খংলকখি। মযম অদুগী লালহৌবশিং অদুনা হাযনবব ই মনিপুব মচাদি মথৌনা যাম্না লৈ হাযবদো সোইদনা ওইগনি। অমনসু হাযবকই মখোয মণিপুব মচাদি লালতা নত্তে, শানা খোৎনবদ [illegible]। বেডিও, টিভিদা খববদা পাউ কয়া হাযবকই কাশ্মিবদা বিএসএফ খুৎপু [illegible] লালহৌবা খৎপু অমগা নোংমৈ কাপনবদা, বিএসএফ ৪০ শিবে অমদি থিবা খংদ্রে। তাইবংঙানবা মণিপুবদগী অসুম্না টিভি, বেডিও অমদি খববদা অসুম্না হাযনবকপা তাবদা সোবোক্তিনি কোকচাওবী স্বায কাই।

খংহৌদে মিৎকী পি, পিক্লীবা মচা অনি খাংকোন কোনসনলি। খোলজেল থোক্লা কপলকই। পাউ মখা অমুক তনিংলকই। মমানা কপ্পা অদুদা মচা অনি অদুসু পংকপতা কপপি। মমানা কপলি, মবম অমাগী। মচানা কপপি মবম অমাগী। সোবোজিনিনা খল্লি, নুংঙাইতাবা অমা ফাওবগতসু থম্মোয় সোক্লা অব্রাবদি ওইদে, চিংনবা অমদি লৈ। মনা মণিপুবদা লৈবিঙেদা মণিপুব লালহৌবশিংগা নোংমা মনা ঐখোযগী য়ুমসিদা ঙাংনবশিং অদো তহৌই। মণিপুব লালহৌবশিং অদুনা খুৎলাইকাওবা থগে তৌখ্রাবনি। অদুবু লালহৌবশিংদুগা ব্রা চপচানা ঙাংনখি। মণিপুবদা ইণ্ডিযা আর্মি কযা থর্মাজিল্লকপগী মবম। মনিপুবদা সিফাই যাম্না লৈববসিদি ইবাং লৈবগী লৈবিবনি। ইবাং লৈএ্রবদি মশানা অতুম হনজখিবা তাবনি। মনিপুবদা লালহৌবা মশিং কযা লৈ। লালহৌবা খুদিংমক পান্দম খেৎনৈ। মনিপুবদা অ‌ংহনবা ফোর্স লাক্লিবসিদি লালহৌবা নখোযনা কৌথজবনিনা। ঐখোযসু প্রজা ঙাক্লিবনি। প্রজাগীদমক ঐখোযনা অহিং নু াংল নাইদনা চৎলিবনি। নখোযসু ইমা লৈবাক্কীনিদি হায, থনক্তি কাবনো ? নখোয ঐগী যুমদা লাক্তুনা ঐবু ফানবা অমদি হাংনবা হে ংনবা মবম কবিগীনো ? ঐনা ইথৌদা পুক্লিং চংবগীবা ? অস‌ুম্না নখোয কযা ঙ‌ংনত্তর্বনি। মওান্দা মনিপুব লালহৌবনা ফাওনা খং নাবা ঙর্মাখিদ্রর্বনি। অসুম্না হৌখিবা থৌদোক কযা নিংশিংলকই মথং মথং। সোবোজিনি, মখত্তা তামুকপু থনসি ও ! মনা চিঠি থাবর্কাখিদবগী মবম । পিক্লিবা মচা অনি মদুদি কোইচেনা চেংদুনা শান্নবি, তৌফম খংদে সোবোজিনি। অসুম্না নোংম নোংমা হৌখি। খামাংমুক লৈবগা তাইবংঙানবা মযুমদা থোলকত। লাক্লনি হাযনগী পাউসু ফংদনা অমদি হিংলিববা নত্রগা শিখ্রবশ হাযনগী পাউসু চপ চানা খংদে অদুবু নোংমা ইখং খংহৌদনা মযুমদা লাকপা অদুদা হওক ওকই সোবোজিনি। মুন্না যেংই শকখংদবা অমগুম। তাইবংঙানবনা হাযবকই সোবোজিনি, নঙবু ঐ মশক খংদ্রবকা ? নঙগী তাইবংঙানবনি। সোবোজিনিদি মদু ফাওবা ঙক্তুনা যেংদুনা ঙাইহাক ভাব অমা তৌকই। অসিগা মাগী মমিনা ঐগী নাক্তা লাক্লিবোই খন্দুনা ঙাইহাক কিকই। অদুবু অসেংবা মাগী নুপা তাইবংঙানবনি খংলকপা অদুদা কপলকই হাযফম ফংদনা নুংঙাইবগী ঙমখৈ লৈতনা। কপপা হাযবসিতবু নুংঙাইবগীহসু কপপি, অব্রাবগীসু কপপি। কাইনবগীসু কপপি, থুংনবগীসু কপপি। মৈতৈগী চৎনবী অমা ওইনা লমদা কুইনা লৈকববদি মৈ ওকথোকনৈ। মদু পুম্না সোবোজিনিনা পবপ-পবপ হোৎনৈ। অদুগা ব্রা মখা তাবকই -

করিগীনো চহি অহুম মরিবু করিসু হায়রক্লগা ঙসি মফম মরাং খংদনা হেক্তা লাক্লিবসিবু ... ? ননাইনুবীদি অব্বাবা পাউ কয়াসু তারুরে। মফম অদুগী ইরাংনগা ফত্তবনে ঐদি কয়াদা ব্রারুরে। তাইবংঙানবানা, নঙনা ব্রারিবা অদুদগী ঐনা হেন্না ব্রারমগনি। লালহৌবশিংগী মখুত্তা থা মরি চুপ্পা লানফ ওইনা লৈরুবা মতুংদা ঐবু থাদোক্লকখি। ঙসি হাপ্তা অমাতা ঙাইরি। ঐখোয়গী বাতালনে অদুদা নুমিৎ হুমিন লৈরব্লগা ছুটি মতম খরা লৌরগা ঐ যুমদা লাক্লিবসিনি। লাকপগী ফমথদ্রিঙৈদা মচাশিং হংলকই - কদায় মমা ঐগী ইচাশিংদি ? মমানা নুংঙাই মাইথোংগা লোইননা খুমলকই - ফমুংদা অনিমক তুমলিবনি। তাইবংঙানবা ইমুংদা চংশিন্দুনা মচা অনি অদু ফমুংদা থিরকই। নুংশিরবা মচা অনি অদুনা ফমুংদা চপ মান্ননা তুমদুনা লৈরম্বদো উবদা মহাক হায়ফম খংদনা নুংঙাই। ইশি-শিনা তুমলিবা অঙাং অনি অদু চপ মান্ননা লৌখৎলগা চেৎনা কোশিল্লি। হৌখিবা মাগী লালগী থৌদোক অদু নিংশিংদুনা। অদুগা পুরক্লিবা পোৎ ময়াম অদু মথং-মথং য়েংলকই। মাগী মচাগী ফিরোল, সনা খুজি য়াওরমই। অঙাংগী ফিরোল অদু লৌথোক্লগা হায়রকই সোরোজিনিনা - সিদি অঙাংশিংগী ফিরোল সনা খুজি নত্রা ? নুপানা - মান্নি। নঙগীসু যাওখিবনি ফজরবা য়েংঙু। সোরোজিনি ফিরোল ময়াম অদু মথং-মথং লৌথোকপা লোইরবা মতুংদা মাগী লৈরকপা ফি সাল অমসুং সনাগী লিক অদু উরকই, মদু উবদা সোরোজিনি ইরাং লাংই। কপ্পুনতা লৈরম্না সোরোজিনি, মোমোন -মোমোন নোক্লুনা মমাংগী অব্বাবা ময়াম অদো পুংকোক কোকপগুম সোরোজিনি ইরাং লাংলি। মপানা মচা অনি অদু মপান্দা পুথোরক্লুনা মচাগী খননা লৈরকপা সনা খুজি ফিরোল ময়াম অদু মথং-মথং লিংশিনবীদুনা য়েংলি। অসুম্না নোংমা নিনি হৌখ্রবা মতুংদা নুমিৎ তারামঙামুক লৈরগা তাইবংঙানবগী চিঠি পোষ্টমেননা পুরক্লুনা পিরে। মদু উবদা তাইবংঙানবা য়াম্না থুনা য়েংই। ঐসি ছুটি থা অহুমগী লৌরকখিবনি। ঙসি লাক্লিবা চিঠিসে ঐবু অমুক হন্না হনলকউ হায়রিব্রা হায়দুনা মপুক্লিংদা ইরাং লাংনা চিঠি অদু হাংদোকই। চিঠিগী মথক্তা ইরব্লিবা ব্রাহে অদু উবদা তাইবংঙানবা লালদা য়েক্লবগী মখুত্তা লালফা ওইরুরগা করিমত্তা তেক্তা কাইদনা থাদোরকবা অদুনা মরম ওইরগা তাইবংঙানবগী মথক্তা চিংননিংঙাই ওইবা কেস কয়া ফাইন তৌদুনা থবক তৎপগী চিঠি অসি ঙসি তাইবংঙানবগী মখুত্তা লাকখিবনি। লালাদা হিংহৌবগী ঐ থবক তৎলে। ❐

নুংশিবদি মিৎত্তগীনি

অসুক কুইববা মতমসে কনা অমত্তা খংদে মখোয অনিগী মওং-মতৌ। ঐদি চিংনবা কুইবে। মখোয অনিগী মতৌ অসিদা ঐগুন্না চিংনবা মীসু লৈবমগদ্রা খংদে কনাসু হাযদোক্লদবনা কনাসু খংনদে। ঐদি তসেংনা ইমিৎমক্লা উবা কযা যাওখ্রে। মখোয অনিগী মওংসিদা ঐস তসেংনা ইমিৎমক্লা লোন্না যেংবা কযা উসনন্দা সাদুনা। খঙই উবে হাযদুনা হেক্তা হাযদোকপা যাবা থবকতি নাত্তে। অমনা লৈশাবীনি, অমনা মচা লৈনবা নপা। নুপা লৈববা নুপানি। নপী মনা অদুগী মমিংদি বোশসিনি। নুপী লৈববা নুপা অদগী মমিংদি কঙ ইনি লৈকই হমত্তদা, লৈমিন্নবনি। চহি লেং গয খবাদি খোনা নুপি মচা অমনা চহি ... (১৫) অদুগী মতমদনি। নুপাদি চহি কল্লা (৩০) সনবা মতমনি মংমদদনা মখোয অনি নুংশিনবকই,। হৌজিব নপা মচা অদ চাহি কুনমাব চংলকএ লৈশাবী মপুং চপচনা ফবে। বোসশিনি কোংশম অমদি যুমগী থবক নিংথিনা সুই। লাইবিকসু তাদুম হৈক নপী মচানিনা লৈকাইগা অখাংশিং পুক্তিভেট্যু ওঈ। লোকাইগী মীনা হাযনৈ লেপশিনি হাবী নুপী মচা অসি যাম্না ফ। মাগী ঋজ, কোলেস চৎলুবগসু মগী যুমগী থবক কনাসু লোইনা তৈনবী অফবা নুপী মচানি হাযনা মীনা ঙাংনৈ। অসুক যাম্না হৈ-শিংবী, খোংঙুল তাবী নুপী মচা অসিনা লম্বী অমদি চৎলি। মসিনি ঐনা বাবিবসে। ঐসু যুমগী নুপীদা হাযদোকতে। মবমদি, নাপনি মচিল থিগল্লি অদুনা মীঙোন্দা হাযদোকউবো। কনানা হায হাযদুনা ঐবু থিনা চৈবতা নত্তনা ইচা নুপী বদানাম পী। কাহ্নাইগী নুপীনসু ঐগী নুপা বদানাম তৌই হাযদুনা ঐঙোন্দা অবানবা সোইদনা পিগনি। মবি লৈনবিবা মখোয অনিনসু ঐবু চুম্না-চুম্না শাওগনি। মবম অদুনা ঐ-ঐগী নুপীদফাওবা হাযদোকক্তে। বোসশিনি কক্লাই যুমদসু মবক মবকতা চংদুনা কহ্নাইগী নুপীদা,

ইনম্মা ইনম্মা কৌদুনা অঙাংসু হেক লৌবী মযুমদসু অঙাং পুদুনা হেক্তা চংখি। থবক ইনখাংসু মবক-মবক্তা অদম য়াওবী। কঙ্গাই নুপীনা থাজবু যাম্মা লূনা তৌই। থাজনসু মবক-মবক্তা পাউখোল অদুম সি। থাজনা পাউখোংসিবদু কঙ্গাইনা হবাওহমপুক্লিংদা। বোশিনিসু থাজনা পাউখোল শিবদু নুংঙাইজে। নোংমা বোশিনিনা কঙ্গাইদা হায়খি - ঐখোয় অনিনা তৌবিবা মওং মতৌসি নোংমদি শোইদনা খংনবক্কনি। ঐখোয় অনি খবা চেকশিনবা ফে। ঐখোয়গী ইমানা ঙসিদি ঐঙোন্দা ব্রাহং অমা হংই কোকচাওবী কাই। ইমানদি চুম্মা হংবনি ঐনা ইথন্তা পাখৎচবনি। অদুবু চিংনবা লৈববা থংদে ঙসিদি ঐ যাম্মা ব্রাই। নহাক ঐগী নাক্তা কুইনা লৈথোক্কনু ঐ য়াম্মা পাখৎলি। নুপাদুনা খুমলকই - খংলগদি কুমাইনা তৌগনি ইবান্নি ? নখোয ইমা শোইদনা খংলবদি ঐখোয থাজনাসু শোইদনা খংলক্কনি মর্সিনি ঐনা ব্রাবিবা। বোশিনিনা খুন্নকই ব্রা লুশিল্লকপা অদুদা অতোপ্পা নুপাদা চেলখিগে হাযবসু নুপা অমত্তা নুংশিনবা থমহৌদে। থমগে, হযেং অশোইবা ঙাক্লবা হাযনদি খনবনি অদুবু ...। অদুবু হাযবগা বা মখা তানক্তবা অদুদা কঙ্গাইনা হংলকই - কবি তৌবে অদুদা হাযবগা তুমিন্না অমুব লৈবিদি ? বোশিনি কপলকই হিক হিক অদুগা অসুম্মা হাযবকই নঙ ঐবু কবিগী নুংশিবীবন্নীবনো ? নঙনা ঐবু নুংশিবা হৌবাদুগা ঐহাক ঙসিদি যাম্মা ব্রাবে। কাইনসি হাইবে হেক্তা ঙমদে ঐহাক যাম্মা ব্রাবে নহাক ঐগী নাক্তা লাক্লনু হায়না বোশিনিনা কঙ্গাইগী থবাক্তা খুৎ অনিনা খুতুম তাবগা তোপ তোপ থাই। অদুগা হিক-হিক কপ্পি। কঙ্গাইসু মদুগী থম্মোয শেংনা নুংশিবানিনা বোশিনিবু খুনাকপা ঙমদে। যুমদা পুশিননিংবনা অদুবু . । তুংদা হোক্লকখনিব মযাম অদু নিংশিং নুবদা হাযগুম খংদনা বাই। কঙ্গাইসু যাম্মা কপবা নুপা ওইনা নুপী অঙাংদা ওৎপা নৈবসু তৌদে। যুমগী নুপী থাজাবু হাইনিংঙাই লৈতনা নু শংজে। লুনাসু অদুম তৌই। নোংমতা অখিবা ব্রাহে শিক্লন্নদে। তসুক নুংশিবা থাজাগী নংদা অতোপ্পা নুপী অমা পুশিনবা ... থাজদে। কঙ্গাইসু যাম্মা খনলি বোশিনিবু ... খিবা কবিগী ... হংজবা ব্রানি। থাজা অমসুং ... শিনি অনিমক কাংনিংদে, নুংশিবসু ... নুংশি। অদুবু সমাজনদি ... খবা লৈগনি। থাজাগী নুপানা নুপী ... পুশিনলকপদা থাজাবু কয়া ... তৌববসু থাজাগী থম্মোযনা খনলক্ক দাবা ব্রাখলসে কবিনো ? মসি কঙ্গাইসু উদববদি নত্তে। অসুম্মা বোশিনি অমসুং কঙ্গাই অব্রাবা অমা ওইবকই। যুমগী মী খবা-খবা খংনবা হৌবকই। তৌবগীদি

বাশিনিগী মমা অমসুং কহ্নাই নুপী থাজানি। থাজাসু মাগী নুপাদা হাইদে হংদে। মাগী নুপাগী মওং অসিদা অমুকসু চিংনদে। চিংনবা মতাংসু লৈতবদি নত্তে। থাজা, মাগী নুপানা চৎথোকপা কযা থিংদে। থিংফমসু লৈতে। মবমদি কহ্নাই থবক যাম্না শুই, চৎপা মতমদসু মাগী থবক চৎথোক্লবগা যুমদা হেক হনলকপদা থাজাগী মতেং যাম্না পাংই। অঙাং অহুম শুবা অদু হেক্তা মনঙ্গন্দা পোখৎলি। অঙাং পোনা পোনা থবক কযা শুই। কোবী মখোং অমসুং খামেন মখোং হেক্তা শোমই। কবিগুম্বদা মাগী নুপীনা মশা খবা নুংঙাইতে হাযবা নুমিত্তদি কোন ফেংই ব্রাইবম তৈই। চাক থোংই। অদুবু চিংনবা খবা লৈবনা থাজা কবিমক্ত হাইদনা কহ্নাইবু শেন্নবা তৌই। তৌবগীদি মবক-মবক্তা কহ্নাই থেংনা হনলকপা নুমিৎ যাওই। অদু ওইবগসু থাজা কবিসু চিংনদবনি মবমদি কহ্নাই নহা ওইনা লৈকাইগী থবক কযা তৌই। বাজনিতিসু অদুম যাওই। অদুনা মবক-মবক্তা মিটিং তৌবগী থেংবদুনি খনদোকই। অদুবু চিংনবদি লৈববনিনা থাজা হাইদোকতি হাইদোক্তনা তাঞ্জা যেংলকই। বোশিনিবুসু মহৌশা নুংশিবদগী খবা হোংলকই। মসিদি মশানা তাবনি ঐনা হাইদ্রবসু বোশিনিসু থাজাবু নুংশিবা ব্রাৎলকই। মসি মবম কবিদগীনো ? কহ্নাইগা বোশিনিগা মবি হেন্না নকশিন্নবদগীনি। বোশিনিদি থাজাবু লোন্নবী মচেগুম খনলকই। নুপা খম্বনবা হৌবকই। মসিনি ঐনা ঙকলিবা। মগী নুপাবু নুপী লৈ খংনা খংনা নুংশিনথোক্লগা তৌজিন্না মাগী খব ওইগে হাইবকপসিদনি ঐনা নুপীশিংবু ঙক্লিবা ? নোংমদি ঐগী নুপীসু থাজাহোযদা মকপ অমগী পৈশা লৌবা চৎলুবদা থাজানা ব্রাহং অমা হংলকই হাইনা ঐঙোন্দা তমই। ব্রাহং অদুদ কবিসু নত্তে, কহ্নাইনা ঐগা যাম্না তিন্নে থবক পুল্লি। অদুনা ঙবাং নখোয নুপাগা কযাম থেংনা হনলকই নুমিদাংদা। ঐগী নুপীনা খুমলমই হায, ঐগী নুপাদি ঙবাংদি চৎথোক্তে যুমদা লৈ হাইনা। থাজা ব্রাহং অদুমখক হংলম্লগা ব্রা মখা অমুক তাবক্তে হায। ঐগী নুপীনা ঐঙোন্দা তমই। ঐখোয নুপীনা অদু হাইবকপা অদুদা ঐনা খনলি হাযদোক্লশিবা ? ঐনা চিংনবিবা অদু ঐ অমুক খনলকই। হুম ! ঐনা হাযদ্রবসু নোংমদি মশানা খংজবক্লদৌদুবু। অসুম্না ঐ চিংনবা অদু মপুং ফাবকখি। তৌবগীবুদি নুংশিবা হাইবশে মিৎ তাংই হাইনবিবদুনি কানসু লানদে। থম্মোযদা ফাওবকলিবা নুংশিবা অসিবু কনানা থিংবা ঙমগনি। কনাসু থিংবা ঙমখিদে নুংশিববু।

নোংমা মেনাগী থানা মপুং ফাবকপা মতম অদুদা বোশিনি তুম্বা যাদদুনা থোংনাওদা ফাওজিনলক্লিবা থবল মঙাল অদুবু য়েংদুনা ঙাইবি লাকহননিংদ্রবা

নুংশিবা মাবু। লাক্লবোইদবোই নিংদুনা অমুকসু থবাই ব্রাবি বোশিনিনা। মচিন্দদি কয়াবক লাক্লনু হাইখ্রে অদুবু থম্মোদদি থাদোকপা ঙমদ্রি। মথন্তা শাওবগুম মুকুম-মুকুম শোল্লি - হে নুংশিবা নংবু লাক্লবোইদ্রনে ? ঙসিদি ঐগী নাক্তা ? লাকটবা কৈদৌবগে ? ঐ নঙবু যাম্না নুংশি অদুননি ঐনা নঙবু লাক্লনু হেক হেক হাইবিদো। ঐবু মাগী মনাক্তা চৎশিবনে। মাবু নিংঙাইদনা তুমদুনা লৈবিদ্রা নত্রগা মাগী নুপীগা ....। শ্বব শাংনা হোনলি। মানা ঐবু নুংশি হাযবিবসিবু তাৎ তৌবিববা ? ঐ থাজাবা ঙমদে নঙবু। অদু ওইবগা কবিগী ঐনা মাবু নুংশিবিবা ? কবিগুম্বদা অশেংবা ওইবগনা কবি ? ঐবু মীযাম্না কবি ঙাংনবা। ঐবু তৌঙম্বী, মীগী নিপা মুনবী অদুতসু নত্তনা খংনা খংনা, উনা-উনা ঐনা চুম্বা যাবোই মীযাম্না ঐবু সোইদনা নোক্লগনি। অমবোমদা মাদি নুপানি। নুপাশিংগী লেমজনিংঙাইনি। কবিসু ইকাইনিংঙাই ওইদে। তৌবগীবুদি নুংশিনবা থুংনবসে অহন-লমন পাম্নুনা অমসুং নুংশিননা থুংনবদি খবখক্লান। ঐসু সমাজ কিবগা ঐ মাবু নুংশিদবা তাবনি। সমাজনা তেল্লিবা ঐগী নুংশিবসে তশেংনা মাবু নুংশিবা যৌদদুনা তৌবনি। বোশিনি তৌফম খংলক্তে। ঈশ্বরদা তাইনবকই - হে ভাগৎকী মপু শ্রীকৃষ্ণ, বাধাগুম্না ঐসু কহ্নাই মাগী বাখলদ ঙাওবে। উনিংবনা থম্মোযসে তুমিন্না লৈঙমদবে। সোমদসু কহ্নাই তুম্বা যাদে। মাগা তুমিন্নবিনা মচানুপা অঙাং অদো তুমখিবা ঙাইবি। মচা অদুদি তুমখবে লুপিবদি মমা থাজাদুদি অবাংগী মাগী কাদা তুমখিবনি। কহ্নাই মাগী নুপাবু অমুক চিংনবকই। কবিগুম্বদা তুম্লমদ্রবদি ঐনা থোং হাংদোক্লগা থোকখিবদা মানা খংখ্রগা ঐনা কবি খুম্বা ? মসান খ্বায লুপিবদি। হান্নদি কবিসু খনলমদে, অহিংদা থেংনা ঙনসকপা, অহিংদা মপান থোকখিবা। অদুবু হৌজিক্তি চিংনবা অমা লৈবদগী মাগী নুপাবু কুপ্না যেংলবই। অদুবু লাইবক ফাবনি কহ্নাই তুপ্লা হৌগৎতুনা বোশিনি মনাক্তা থোং হাংদোক্লনা চৎলি। তাঞ্জা অদুদা থাজাসু তুমথখিবদা ঙাইবি। মদুনি কহ্নাইনগী উকন হাইবনু। যুমলেং অহুমমুক্লনি লাপ্পবা। কহ্নাই পনপ-পনপ বোশিনি মনাক্তা চৎলি। বোশিনিখোযগী ইমুংগী মী তুম্নদ্রিবজাৎলা হাযদুনা অমুকসু চংবা খবা খৌতক লৈনা চংই। বোশিনিসু কহ্নাই লাকপবা হাযদুনা মপন্দা থোবকপগা চপ মান্ননা থেংনবে। লাকপগা বোশিনিনা চৈবকই - কৈদৌবা থাক্লিবনো ঐবু ব্রাহনবা লাক্লিববা হাযনা। কহ্নাইসু মাগী মওংদুদা হাইবকই - হেক থোবকপা যাদদুনা তৌবনি কৈদৌবগে হাযদুনা থেম্বা হৌবদা কহ্নাইগী ফমুংদা তুমহৌবা অঙাংদো কপলকই। অঙাং কপ্পা তাবদা

কহাই য়াম্না থুনা মাগী নুপী থংখিবা তাবে হায়দুনা চেনলকই। য়ুম্নদি লাপনবদি নত্তবনিনা। অঙাং কপ্পা, ব্রাবি শান্নবা লোয়না তানবা মফমনি। কহাই তপ্পা ইমুংদা চংশিন্দুনা ঙসাইদগী তুম্লম্বা শাদুনা মচা অদুদা কৈদৌবে তুম্মু-তুম্মু হাইদুনা অঙাং অদু থেমই। মমা তুম্লিববা নত্রগা তাবিববা যেংদুনা কৌবকই। থাজা, থাজা, মমাসু অনিবক কৌবদি তাবমদে অহুমলক কৌবকপদদি খুমলকই, কন্না তুমথকুবগী অফিং অফাই ওইনা। কহাই ব্রাবম্বা খবা কোকই। অসুক নক্লনা লৈবিবা মখোয অনি হৌজিক্তি যুমগী মীনা খনবা অমদি চিংনবা হৌবকপদগী মখোয অনি উনবা যাম্না লুবকই। বোশিনিসু কহাইহোইদা চংহনখিদবে। কহাইসু বোশিনিহোযদা চংখিদবে। লৈকাযসু নিংফুং-নিংফুং ঙাংনবা হৌবকই। বোশিনি মীনা ফজদবা ব্রাহেনা হাইনবা হৌবকই। লৈশাবী মচা মানু নুপী অঙাং লৈবা নুপা অসিগা কবম্না নুংশিকবিবনো' খংদেদা হৌজিক্কানগী লৈশাবীশিংসে কৈনোমা ইতৌ তৌবকই। খংদবা উদবসু নত্তবা। নুংশিবা হাযবসিদবু খবা যেৎনবা লৈবশিনা খবা হেন্না নুংশিনবগুম তৌই। অসুক বাবমদবা কহাই অমসুং বোশিনি নুংশি ব্রাখলদা ঙাওবদুনা মবান্নিগী ব্রাখলগী লম্বী থিবা হৌনবক্লে। ইকাই ইকি খংনদবে। মাগী মাগী উপাই থিবা হৌবকই। মখোয় অনিগী মবিসে ঐগী নুপীসু চপ চানা খংবা হৌই। নোংমা ঐংঙান্দা তুম্লমদাযগী মতমদা তৌদোবকই ঐনা ঐগী নুপীদা হাযখি। নঙদি কবিমত্তা মসিগী মবমদা কনা অমদা ব্রাবি লিক্নু। হাযকবা হংলুবদা ঐখোযনা হনজিন্দুনা শাওগে হাইনি। হৌজিক মতমগী মীসে যাম্না লুববনি। তৌবগীদি কৈসু কাইদে। নুপী অনি শানবসে মীসু লোন্নবা যাওই। মমাংঙৈগী নিংথৌদি লৈবাক অদুদা লৈবিবা মশক ফজবা নুপী মখে মাগী ওইনি হাযবা নিংথৌ থাওখ্রবনি। অদুবু অদুমকসু নত্তে। মখোয অনিদি ইস্লোক্লা নুংশিননা লৈনবা মর্বিনি। অদুগী মনুংদা কহাইসু নুপী অঙাংদা ঙাওশিন্নবা লমচেনবা মীসু নত্তে। ফত্তবা নিশা ক্কা, চুকট, বিড়ি, যু কবিমত্তা চাবা থকপা মীসু নত্তে। মাগী নুপী থাজাবু নুংশিদদুনা অমদি পামদদুনা তৌবসু নত্তে। থাজা, কহাই মখোয় ইস্লোক্লা নুংশিননা লৈখ্রপোৎনি। মবম অদুন থাজাসু মাগী নুপা অসুম্না তৌমগনি হায়বসে মহাক ঙক্লিবনি। নোংমা ন্নমিৎ অমদা ব্রাহে অকনবা অমত্তনা থাজাবু ঙাংদ্রি। থাজা, থাজা হাইদুনা মাগী নুপীইস্লোক্লা লুনা তৌথ্রবজাৎনি। অদুনা থাজসু মাগী নুপাবু ঙাংবা ঙমদ্রিবা? থাজাসু ঙসিফাওবা মশাওবা অমত্তা উদ্রি চিংনবা কযা লৈবদসু। অদুবু থাজাগী থম্মোযদা অব্রাবা তিং তিং লাওনা ... ... অমদি লৈ। কবিশুম্বদা নুপীমচাসে হেক পুশিল্লক্লো

ঐনা কমদৌবা ? লৈকাইগী মীনদি ঐবু পামদবদগী নুপী অমা পুরকখ্রে হাইনা হাইনবা। মসিদা ঐনা কয়াম ইকাইবা ? অদুগা মাদি ইকাইরোইদ্রা ? ইচা লৈরে খংন-খংনা অতোনবী ওইনি হায়দুনা লাক্লিবা মাসু ইকাইফম থোকই। ইকাইবা ইকাইদবা অদুদি লারদনা মাসু মাগী নুপানি ঐগীসু ঐগী নুপানি হায়দুনা মুন্নরক্লবদি মাগী হক চপ চানা লৈরকখিনি। খবা লৈরগদি মাগী মচা য়াওরক্লনি। হয়েং তুংদা খৎনবা চৈনবা থোরকপা তাবগদি কমদৌবা। অহনবগী মচা অতোনবীগী মচা পিকখ্রবা যুম অসি মচেৎ-মচেৎ যেন্নবা। অসুম্না থাজা অহিং কযা তুমদবা হৌবকই। অদুবু থাজানা থবক অসি থোক্লিগুদা মাগী নুপাবু থেমগে খনলি। ব্রা হৌদোকপা ইকাইদুনা লৈববদি হযেং ব্রাবগা ইথল্তা ব্রাগনি। অদুবু অমুকসু থাজানা খনলি, ঐগী নুপান্দা ব্রা অসি কবম্না তৌদোক্কনি! মানসু ঐগোন্দা কবিমন্ত্রা হাইদে। অসুম্না থাজা অযুক নুংথিল তুমফম চাফম খংলক্তে। থাজানা ব্রাবদগী লক্নাইনা হেন্না বানি মনমদি কক্নাই কবিনুংগী মাবু অসুক নুংশিকবিবনো " নুপী মচাগী ফজবা মওং-মতৌ অসিদা ঐনা কবিগী কল্লক্লবিবা " ফজবা নুপীমচা সমনা ঐবু মাগী মনাক্তা পোথাক্তনি। ঐ মাগী ফজবা অদুনা যেংনিংলুই নসি ঐ ইথল্লগী নত্তে। নুপা খুদিংমক ফজবা নপী উদ্দা যেংনিংদবা নুপা লৈবনা " অসুম্না কক্নাইসু খনলি কাইনশি কদায়, থংনশি কদায়। অসুম খন্না খন্না নোংমাদি মখোংবা অহিং মমদা বোশিনি অমসুং কক্নাই মখোয় অনি উনবিগুদা, বোশিনিগী মমানা থেংনখি। বা লোৎফম লৈতবা মখোয় অনি চেনফম খংখিদে। ওহন্নামখৈ মমানা হংবদা উনদে মবি লৈনদে হায়না চৎলম্না ওসিদি চেনবা যাদে। অদুবু মমানা খনলি ঐগী ইচাদি লৈশাবীনি মী খঙহনবা যাদে। ❏

নুপীগী সিন অমা

নুপী অমনা ওইবিবা শকলোন অসি নুপা অমত্তা খংদে। থস্মোয় কনবা হায়বসি নুপাদগী নুপীনা হেন্না থস্মোয় কনবা শকক কয়াম্মা লৈ। অদুবু থস্মোয় চেত্তনা থওইনা হায়বগসু শিনদৌবা ব্রা কযা নুপীগী চিন্দগী ওইবকই। নোংমা ঐগী নুপীদগী ঐনা ব্রা খবা খংবা ঙমখি। অসুক ইকাই থিবা নুপীনি হায়নৈ মীওইবদা নুপীমুক ইকাই খংদবা লৈতে। নুপীমুক থৌনা ফবা লৈতে। মখোযন ঙমদবা কবিবু লৈবিবগে ঙসিগী মালেমশিদা " নোংমা নুমিৎ অমদা ঐগী যুমগী নুপী মশা খবা ঙমদদুনা ডাক্তরদা চৎশি হায়দুনা নুমিৎ অফবা অমদা চৎনবা শেং শাবি। অদুবু অনকপা প্রাইমবি ডিস্পেনসৰি অমদা যেংথোকশি হায়দুনা চৎপনি ওপিডিদগী টিকেৎ অমা লৌবগা ওপিডিগী অনাবা যেংফমদা পিশিনলি। ঐখো মাঙদা মী খবা লৈবমই। মথং-মথং কৌশিন্দুনা যেংশ অনাবা। ঐগী নুপা কৌশিন্দুনা চংখি। ঐসু ডাক্তর অন্দা ঐগী নুপীগী অনাবগী মবমদা ব্রা খবা মতে পাংগে খন্দুনা চংবা যাওই। অদুবু ঈগী লৈনা ওইবানন, মখোযগী অনাবা যেংনং কা অদুদা লাও হাযদুনা কৌশিনখি। কা অদুদগী থোবক্লগা ঐবু কৌশিল্ল ডাক্তরনা মখা তাবকই - অনাবসে কবিনো খবা চিংনবা লৈবে হায়দুনা বিম্সং চৎলু হাযদুনা তাকপিবকই। ঐনা হং ই ঐগী নুপীদা, মখোযনা কযাইনা যেংগে কবি অশোইবা লৈববজাৎনো হাইনা। নুপীনা খুল্লকই, অঙাং তোইনা লৌথোক্লবাদি মামদো শোইদনা লৈনা ওনলক্কনি। মবম অদুনা হুন্দক্কী অসিং অঙাং ওইবা য়াই। অদুবু অতোপ্পা লৈনা খবা লৈবগুম তৌই। ঐগী নুপী যাদ্রু লুনা খল্লি। মবমদি মহাক অঙাং তক্কলক লৌথোকখ্রে। লৌথোকখিবা অঙা খুদিংমক থা অহুম্মা অনম্লনি। অঙাং অহনসিগী মখাদা অনিবক অমা। অনিশুব নুপীমচশিংগী মখাদা অহুমলক অমা। অহুমশুবা অঙাং নুপামচাশিগী মখাদা অঙাং অনিবক অমা, মবিশুবা নুপামচাশিগী মখাদা অনিবক অমা। অসুম্মা ঐগী নুপীনা অঙাং লৌথোকখিবা মশিং থিবকই। তৌবগীবুদি নুপা ঐগীসু অশোইব খবা লৈবা যাই অদুবু ডাক্তরনা পিবা মালাদি চাং নাইনা চাই। অদু ওইববসু

অঙাং দুম য়াওই। অঙাং য়াওদনবা ডাক্তরনা হাইবা গুলিমখে অদুম চাই অদুবু অঙাংহেক্তা য়াওই। অঙাং পোকপা থা অহুমদা অঙাং হেক্তা য়াওই। মসিনি ঐগী নুপীগী লুরিবা ? নুপী অমনা লৌরিবা অচৌবা অবাবা অসি নুপা খরনা ইখং খংদবগুম নত্রগা ইউ উদবগুম তৌই। নুপীনা হেক মিরোল্লিবা নুমিত্তগী কদায়দা করি শোয়খিগদগে হায়দুনা চাবা থকপা য়েংবা অমদি হান্নগুম্না পাংচ-চাবা মমাশিংনা কয়াদা চেকশিনজরিবা। থা মরিগী মতুংদগীদি মমা ওইবীশিংসে লেংবা হাইবা, চৎপা ব্রাবা হৌরে। থা মঙা তারুক্তগীদি মমাগী পুক্নুংদা মীওই মুর্তি শুরবনিনা অঙাং অদুনা লেংবা হাইবা য়াওনবা তোইনা তৌরক্লবনিনা মমাসু কয়াদা ব্রাজাবা। অদুগা থা শুদুনা পোক্লবা মতুংদসু অঙাং অদুবু চাওনবা হোৎনবদা খুফে অমা মতম ফংজদ্রবা মমা ওইবীশিংবু করিগী নুপা ঐখোয়না খংদবা হৌনদে। অদুদা নত্তে, নুপীশিংনা অয়ুক ঙন্না হৌরগা ব্রাইরম ইমুংগী শিং শেংলিঙৈ অমসুং কোললিক ফেংলিঙৈ, অঙাং চারা ব্রান্ননবা হোৎনরিঙৈদা অয়ুক মতম অদুম্মা অদুম কোনখ্রবা মমানি। অদুগী মরক্তা নুপা ঐখোয়না থবক চৎপা নংনবা চাক ঈশিং হোৎনরিঙৈদা করিগুম্বা মতম মিৎকুপ অমা ফংজদ্রবা মমাবু করিগী ঐখোয়না ঙাংবীরি চৈবীবি ? অসুক চাওখ্রবা য়ুম অমগী দাইত্র লৌরিবা নুপীশিংবু ঐখোয়না লুনা তৌফম থোকই। অঙাং অহুম মরি চেল্লিবা মমা অমবু ঐখোয় নুপানা থবক অতে তৌদে ঐগী হোৎনবীদে হায়দুনা ফুবা চৈবা তৌরিবসে তৌরোইদবনি।

অসুম্না ডাক্তরদা চৎলুরগা য়ুমদা হল্লক্তুনা ঙাইহাক পোথারিঙৈদা ইনাওনুপা থোকপা অমগী নুপীনা লাক্তুনা হংলে। করি তৌরে ইতে, ডাক্তরনা করি হাইরক্লে। মমানা খুমই - অঙাং ওইনি। অদুগা লৌথোকপা খরা ব্রারনি মরমদি অঙাং মশিং য়ামলে ঐনা লৌথোকপা। মনাওনুপী প্রেমমিতনা পামজনা কলক্না হায়রকই - ঐখোয়দি অমত্তা পীনবীদে, ঈশ্বরশিসু। প্রেমমিতানা হায়রক্লিবগী মরম ঐ খঙই। প্রেমমিতা য়ুম পানবা চহি তারমুক ফারক্লে অদুবু মহাক অঙাং পোক্তে। মরম অদুনদি মহাক্না ঈশ্বরদা তাইনরিবদু। মচেনা খুম্লকই - হোইনে ইনাওদসু অঙাং অমত্তা পিনবীগে হায়দে, ঐঙোন্দনা পংয়াওদা য়াওই। লাইসিসু অঙকপনি। অসুম্না মখোয় অনি ব্রারি শানৈ। প্রেমমিতনা পুক্লিং নুংশিনা হায়রকই - খংদে ইচে ঐগী লায়বকশিদা মমা অমা ওইয়ু তমদ্রমানে, ইচে অসুম্না হিক-হিক কপলকই। খুমই মমানা - করিগীনো মরাইনা য়াওজরকখিনি। অসুক য়াম্না চাওখৎলবা মতমশিদা করিগী ঐখোয়না অঙাংগী পংব্রা ব্রাকুনি।

অসুম্না নুমিৎ অদুমা নুমিৎ তাখিদুনা নুমিদাংগী চানবা করি করি খরা হোৎনরগা। মৈ শিং চুখৎতুনা ইচানুপা অহন চহি মাপনমুক সুববা ইচানুপানা লাই থুক থাউমে থাদুনা খুকমই। নুমিদাংগী চাক ঈশিং চাবা লোইরদুনা অঙাংশিং লোইনা তুমখ্রে। ঙসাইমখৈ যুমগী চান-থক্লবা হোৎনরিঙৈদা অঙাংশিংগী চাক পিজরগা তুমহন্নবা হোৎনবিঙৈদা ঐগী নাক্তা মিৎকুপ অমা ফমজবা ফংজদ্রবা মমাদো ঐগী নাক্তা চংশিলক্তুনা শ্বব শাংনা হোন্দোক্তুনা ফমথবে। ঐসু খনলি মমাসে যাম্না ব্লাবে মচা মবিসিগা। যুমগী কুপনোমসিগা মচাসু অচৌবা থবক মতেং পাংবা ঙম্বা যাওদ্রি। ঐনা মমা নঙ যাম্না ব্লাবমানে হাযদুনা মমাবু নুংশিনা যেংলগা মশাদা নানলুবদা মমাদো অব্লাবা পুম্বা মিৎকুপতুদা কোকখিদুনা ইযাং যাংই মমাদো। মসি ওইবমানে মতৌ মনাওগী নুংশিননা লৈমিন্নবা হাযবদো। মমানা অঙাং পোক্তুনা মৈনিং কুমদুনা লৈবিঙৈদা ঐনা মমাগী মহুৎশিন্দুনা যুমগী ব্লাইবম তৈবা, চেং খৈবা, ফৌ মিন্দা তকউবা, ব্লাই শিৎপা-শেংবা লোইনা ঐনা হোৎনবদা ঐহাক যাম্না ব্লাখি। অদদা নত্তে, ঐগীদি মীসু লৈজদর্বাননা অঙাংগী নিংথা ফাওবা ঐনা নিংথিনা শুবা চাম্বা লোইনা তৌবকই। লেকযগী ইনে, ইদোন্না তৌবাবা হাযবসিসু নোংমা ফাদোককীন। মৈনিং কুলিবা মমাগী চাকপা থোংগদ্রা, অঙাংশিংগী চাননবু হোৎনগদ্রা, স্কুল চৎননববু হোৎনগদ্রা, কোন-লিকপু ফেংগদ্রা ? চাইবিবা ইমুং-মাঙ্গোলবু শিংকদ্রা ? চেংবু খৈগদ্রা ? মমাগী ফত্তবা ফিবোলবু শুগদ্রা ঐ ফজনা ব্লাই। মৌনিং কুমলিবা মমাগী চাক হাযবে থেংবা যাবা নত্তে। অপিকপা অঙাং যাওবিবনিনা ইমুংদা মাথং-মযুংসু তৌশিনবা যাওবকই। মসিগী মযামশিগী শেংনবা হোৎনবা অমদি যুমগী চাকথোং ফৌসু, ঈশিং শোকপা অসুক চাওখ্রবা যুমগী থবক মযামসে নুপীতনা লোইনা হোৎনবিবনি খনলুবদা ঐ নুপীশিং হাযনিংঙাই লৈতনা নুংশিবকই। নুপাদগী নুপীনা হেন্না থবক শুই হাযবসে শেংনা খঙই। নুপী যাওদনা যুম পানবা ব্লাই হাযবসে তশেংনা চুমই। নুপী অমনা তৗবা থবক নিপা অমনা হেক্তা ইবাই লাযনা তৌবা ঙমদে। অসুক ব্লামা মতৌশিদা ঐনা মমাদা হায- মমা নখোযনা নহানমখৈ তৌবমলি থবকশিদি ইথোক্লা ব্লাখ্রবজাৎনি। মৈনিং কুমলিবা মমানা তপ্পা খুন্নকই - ঐখোযদি কবিসু খনদে নুংতিগী সুম তৌখ্রবনিনা। নুপীনা ব্লা মখা তাবকই - ঐগী ফত্তবা ফিশিংদুদি নুপানা শুহন্নিংদে অদুবু ...। অসি হাযবগা ব্লা মখা তাদে। ঐনা তপ্পা খুমই - কবি তৌই হাইগে থবকপু নুপা-নুপী খাইববা ? মী লৈতবনিন্না ঐনা তৌদনা কনানা তৌবীনি। অসি হাইনা হাইনা ঐনা অঙাংগী

নিংথা ময়াম অমদি মমাগী ফি ফত্তবা ময়াম অদো লৌথোক্তুনা পুম্রিদা পুখাদুনা লোইনা শুদোক্তুনা ফিয়ানখোক্তা ফৌই। মদু উবদা মমানা ফমুংদা কপ্পুনা লৈরম্ই। ঐনা ফি ফৌবা লোইরগা ইমুংদা চংখিবদা মমানা ফমুংদা কপ্পুনা লৈরম্ই। মদু উবদা ঐনাকৈদৌরে হায়দুনা হংলুবদা ঐঙোন্দা মুন্না য়েংলগা হেন্না কপখি। মানা কপ্পগী মরম মহাক ঐঙোন্দা হাইদে। অদু ওইরবসু ঐ খঙই। কপ্ল-কপ্লা হায়রকই মমানা - ঐমুক লাইবক ফাবা লৈতে। নহাকপু ঐগী নুপা ওইনা ফংজবা হায়বসে মমা ঐগীদি কয়াদা লাইবক ফরবনো? অসুম্না হাইবকপা অদুনা ঐনা ফাগী ওইনা খুম্ই - নুপীনা মৈনিং কুম্লবনিনা নুপনা মৈমাং কুনবা তাবনি। ঐনা মসি হায়বদা মমাদো কন্না নোকথোবকই। অসুম্না হৌখিবা অঙাং পোকপা অমদি মমানা নাদুনা লৈবা খুদিংমক্তা ঐনা য়ুমগী চাকথোং ফৌসু ব্রাই শিৎপা শেংবা অঙাং হোৎনবদা, ঐগী ব্রাজাবা অসিদা ঐনা খল্লি, মসি নুপীগী সিন অমত্তনিকো। □

মৈচাকসে কনাগীনো ?

পোকপদগীনা ঙসিফাওবগী পুন্সিদি খংলে। মিৎকুপসিদগীনা হাযেং কবি ওইনি খংদ্রি। নৌনা নুংশি লম্বীদা খোদদুনা মযুম পানলুববী প্রেমিলা, চহি কুনমুক্তা ঙাইবিবী নুপীমচানি অঙাংমচা চহি অনিমুক্তা ঙাইবিবী অঙাং অনি লৈববী নুপীনি। অন্না-মৈশা মবক্তা হিংলি, হিংসি হিংঙমদা, শিংসি শিঙমদা, অন্নাবতা মশাকক ওইবী মাগীনি হাযবদা হৌজিক কনা লৈবি ? মকু, মনেম লৈবি হাযববু -- । মচানুপা লৈখিদবা চহি অনি ফাবক্লে। মচানুপা অদুনা থমলম্বা অপিকপা অঙাং অদুসু চহি অনি মপুং ফাবক্লে। নোংম-নোংমগী থৌদোক ন্নাথোক কাংদে লৈবাক অসিদা। মচানুপা লৈবিঙৈদা মমৌবু মমৌনি খনলম্বা মকু-মনেম তানবা হৌবক্লে। মীগী মচানুপাসে চহি কুনমুক্তা ঙাইবি। মতম অমদা ইচা লৈবিঙৈদদি ইমৌ ওইবমই। হৌজক্তি ইমৌন হাযবা যাবক্লবোইদে মমা নঙবু... ? অসুম্না মকু মনেম তানবা হৌবকই। মমৌবু নুংশিদবাদ নত্তে। অসুক নৌবিবী নুপী মচা অমবু ইমৌনি হাযদুনা কযাম কুইন ফাজংদুনা থমার্দনি। অচুম্বনি মকুবোক্লা হাযবিবদু। নৌনা লুখ্রা ওইহৌবী লাইবক থিববা প্রেমিলা। মপুবোইবা লৈত্রবা যুমদুদা কয়াম কুইনা লৌখান। মচা অমা লৈজববসু নোংমগী ইনখৎলকপা লেপত্রবা নুপীমচানি। নশক মতৌ নোংমা নোংমগী ফজবা হেনলকই। মবেপ মঙান লাকই। মানা মযুম পানবা মতমদা অঙাংতা অঙাং ওইনা কেবা-নৌবা হৈত্রিঙৈদা মযুম পানলকপীনি। ঙসিদি মপুং-মবে চপ চানা ফবে। যেংবদা কনাগী থম্মোযবু হুবক্লে। নিংথিনা ঙৌববা কুচু অদুদা ঈ মচুগী ফুবিৎনা কযাদা তনৌবিবা। কোইদানবা মাইথোংদুদা মুববা শমলাংনা চোইজাইননা তানিবা প্রেমিলাগী মওং-মতৌ অসিদা শকখংদবা পাখং মচা কযাদি থোঙ্গান্দা হঙ্গৎ হন্দা গাড়ি মচা কযানি। প্রেমিলা কবম্না তুমিন্না লৈথোকপা ঙমগনি। নোংমা মফম-মবাং ইখং খংহৌদনা থম্মোয থম্মোয তু চুংলে যেংনবিবা মিৎযেং অদুদগী হোংদোক্লদে, তুং হন্না চৎলে। তুংহন্না যেংলে। শকউদ্রবা ফাওবা তুংহয়া যেংনৈ। প্রেমিলা মহৌশাগা ইমান মান্নদ্রে। নুপামচাদুসু

নোংমা উখিবা মফম অদুদা কোইথি থিবি ঙাইদুনা লৈবমগনি হাইবগী মতৌগুম। নিপা মচা পাখং অদুগী মমিং মনদিব কৌই মমা-মপানা মথন্তা পোকই। মপাসু অচৌবা থবক অমা তৌই। মচা নিপা মথন্তনি খবসু কেনা যোকই। মনদিব প্রেমিলাগী ব্রাখলদা তৌফম ইথং খংদে। প্রেমিলাবু হেক উবম্বা মিংকুপতা থম্মোযদা ফাউখিবা হাযফম খংদবা নুংশিবা অদুবু নিংশিদুনতা লৈ। প্রেমিলাগী মবি মাখোং থিবক্তুনা প্রেমিলাবু উনবা হোৎনবকই। প্রেমিলাসু অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা নুংশিবা অমগুম নুংশিকই মনদিব হাযফম খংদনা। অহানবা উনবা নুমিৎকী প্রেমিলা অমসুং মনদিব বা অমতা ঙাংনদে মিৎতা মিং যেংলে। বা খবা হাইনিংবনা মখোয অনিমক। চিনবাল চোংনে। মশা পুম্বা থক-থক নিক্লে। যাম্না বানা কিনা মিং হুংলবই মনদিবনা। প্রেমিলানা তপ্না খুমই প্রেমিলা, বাহৈ অদুমখক্তনি প্রেমিলানা খুমলকপা অমুক ব্রা-মখা তাবকই যাম্না কিনা। ঐগী মিংদি মনদিব কৌই। ইমা পাবানা ইথন্তা পোকই হাম্বদুনা প্রেমিলা হৌখিবা বাবি খনা নিংশিংলকই। প্রেমিলাগী অহাম্বা লুহোংবা নিপাদো মথন্তা পোকই। লুহোংবা কুইদনা থৌদোক অমাদা, লাইবক থিখি। থম্মোয শেংনা নুংশিনন লুহোংখিবনি। অসম্না হৌখিবা বাবিদা, প্রেমিলা মংলান অমদা, লৈখিদুনা মথন্তা মী লৈ হাযবা কাওথোকখি। মিৎলু পিবাং শিন্নবই। মতৌ অদু উবদা মনদিবনা মথন্তা শাখল অমদা পাখৎচে। মানা ঙাংখিবা বাহৈশিং অদুবু অনানবা যা ওঘ্রবা ফাংলা হাযদনা থম্মোয নিকপম্মখে পাখৎচৈ। থবায বানা হাযজবকই, প্রেমিলাদা, মনদিবনা ঐবু কবি অকাযবা বাহৈ হাযখিবা অমাতা হাযখিদ্রবলা খাল্লু। ঐনা নহোন্দা হাযখিবা হাযববু অদোমগী মিং হংজবা, অমসুং ঐগী মিং তাকচাবা বাহৈ অনি খত্তনি। ঙসি ঐনা হাযজখিবা হাযববু মনদিবগী ব্রাহৈ অদদা প্রেমিলা ভাব তাবকই। ঐগীসে যুম নহেক্লো মপুক্লিংদা খন্দুনা অমসং মী উখিবা তবে হাযদুনা মখুৎ অনি অদনা মিৎলুদগী পিবাংশিং অদু তৈথোকচৈ। অমুকসু পাখৎচৈ মীনা কবি খনখিনি হাযদুনা। প্রেমিলানা ফমলমবদগী লেপখৎতুনা তপ্না হাযবকই। ঐ ঙসিগিদি চৎখ্রগে মনদিবদি প্রেমিলানা চৎখিবা অদু ঙাইহাক লৈহননিংবনি। পুক্লিংনদি ঙাইখো হাযনা থামজে। চিনবান থোক্লা হাযজবদি ঙমজদে। নিংঙমদৈদশা কযা অমা লৈহৌবি মনদিবগী থম্মোযদা, অমুক লাককদৌবা মতম হাযখিদে। প্রেমিলানা ঙসি কপখিবগী মবমনা কবিগী? কবিগী চিংনবোই অহানবা উনবা মতমদা মানা কপলমবগী মবম তশেংনা চিংনফম থোকই। মনদিবনা নোংমা নোংমগী প্রেমিলাগী বাখলদা অঙাওবা

অমগুম ঙাইহক্তুং তুম্মিনা লৈতে, উনরূবগী হুনলকপদা ঙাইরিবা। য়ুমদা ফাউবা চংদ্রিঙৈ হয়েং অমুক চৎননবা সেমশারি পুক্লিংদা। ব্রাহং কয়া সেমলি। পাউখুম কয়া সেম-শারি নুংশি মংলান্দা তাওরি। উনবনি হায়দুনা লাক্লগা উনদনা হুনবসু কোংগাইনি। মনদিরনা তোইনা লাকচরবসু প্রেমিলাদি তোইনা থোকনিংদে। উননিংবা কয়া লৈরগসু। প্রেমিলা লৈকাইগী মীনা ঙাংনবা হৌরকই। মনাকোংদা, মীনা ঙাংনবা তোইনা তারকই। মীগী মিৎয়েং মহাক খঙই। অদুবু প্রেমিলাবু কল্লকপা লৈকাইদা মী কয়া লৈতবা নত্তে নুপা নহাদি লাইরদনা হানু নহা ফাউবা প্রেমিলাগী খোংথাং য়েংশিল্লি। মকু-মনেমদা পাউ কয়া তমশিল্লি। কা হেনবা ব্রাহে কয়া য়াওনা অদুবু মকু-মনেমদি নহানি তৌজসনু খন্দোকই। অসুক নহা ওইনা লুখ্রাবী ওইহৌরগা করম্মা য়ুম অমুক পানলোই। নুপীগী ব্রাখন ফাউরকলোই। অদুগীসু মথক্তা মশক মতৌ নিংথিনা ফজবী ইং তপ্পী নিংথিনা চংখোনবী নুপীমচানি। অদুবু প্রেমিলা নুপা নহা কনা অমত্তগা নোংমা মিৎকুপ অমা ফাউবা কৌনখিবা অমসুং ব্রারি শানখিবা লৈখিদে। অদুবু মাগী মাগী চানজবা ঈশ্বরনা পিরকপা খুদোলগুম নোংমা থেংনখিবা মনদিরগী মফমদা মহাক তুমিন্না লৈথোকপা ঙমদে। ঈশ্বরনা শাইওন তৌরকপা অমগুম শকওং শাদা, কুলৈ কুচু, খুৎচৎ লাকচৎ, ব্রাঙাং-শঙাং করিবু খেৎনবা লৈবিবগে হান্নগী নুপা অদুগা মনদিরগা করিসু খেৎনদে। খজিক্তুং খেৎনবা হায়ববু নকশিন্না য়েংলগা খদাং মখাদা শমব্রু অমা মনদিবদা লৈ। হান্নগী নুপাদুনা শম খরা খোইবগুম তৌই। অসি নত্তনা করিসু খেৎনবা লৈতবগুম তৌই। য়ুম পানবগী লম্বীদা খোংদারূরবা প্রেমিলা অচৌবা পোৎলুম কয়া প্রেমিলাগী কোকথক্তা নম্থরি। মহাক মৌনি হায়বা মনদিরদা খংহনখিদবনি। মহাক মৌনি হায়করগা মহাক্না প্রেমিলাদগী লাপথোক্কদ্রা? হাযদ্রগা কমদৌবা? হায়দবদি য়ারোই নোংমদি শোইদনা খংলক্কনি। মচা অমা লৈ হায়বসিসু খংদবা য়ারোই। প্রেমিলাগী ফজফম ইবৈ লৈতে। নৌনা লুপ্রবী ওইহৌবগী অব্রাবা অদুদা নত্তে, প্রেমিলাদা লৈরিবা বাদনাম। নুপা খাংদবী নুপা চাবা বাদনাম কয়া অমসু হায়রি। হিংবদা ব্রারবা ফজফম লৈত্রবা প্রেমিলা পুন্সিবু কুপ্না নৈনবা হৌরক্কে। লাক্কদৌবা তুংগী পুন্সি অমসুং হৌজিক ওইরিবা পুন্সি। প্রেমিলাগী ব্রাখলদা মংফম অনি শুরোই লাইবক থিগ্নাবা মপুরোইবগী য়েংবীরম্মা মিৎয়েং মখাদা মপুন্সি চুপ্পা লোইখ্রগে। পিক্লিবা মচাবু চাওনবা য়োক্তুনা অখাংকনবী টুলশিগুম খাঙজগে খনলম্বনি। অদুবু তত্তনা লাক্তুনা নুংশিবা মিৎযেং কযানা প্রেমিলাবু হৌদোক্লি। মীওইবা অমনা নুংশিনা

য়েংবীরবা ঐনসু মাবু করম্না নুংশিরোই। মসিদা লাল্লি হায়বীগদৌবিরা সমাজনা মাবু? মসিগী মিৎয়েংসিবুদি ঐদি চুমদে হায়নিংই। অসুক শাংগ্রবা মীওইবা অমগী পুন্সিবু করম্না হিংগনি নুপা নুপী য়াওদনা? নৌনা য়ুম হেক পানবগা লুখ্রাবী নত্রগা পাখ্র ওইহৌরিবা চহি অনি অহুম লৈমিনরম্লগা অমনা লাইবক থিদুনা শিখিবা লৈহৌরিবা নুপা নত্রগা নুপী মসিগী পুন্সিসে ৱানা তাইবং মিংয়েংনা করম্না য়েংবীরিবা। নুপানা পাখ্রা ওইহৌরগনা নুপী অমা থিনবা হোৎনবা। চহি ফাদনা নুপীবুনা ফত্তনা ঙাংনবা মসিনি ঐনা তশেংনা য়ানিংদ্রিবা? ময়ুম পানলুরবী নুপী মনা ময়ুম পান্দনা সুম লৈবসিসু সমাজনা করিসু ফনা ঙাংনদে। অসিগুম্বা ফত্তবা ৱা ঙাংনবা হায়বসিদবু নুপীনা খৱা হেনলি, নুপীনা নুপীগী পাউ শন্দোকই। নুপীনা নুপীবু ওৎপা হেল্লি। মকুবোক ফত্তবা থোইনা লৈতে। মনেমপোক ফত্তবদি চাম্মাদা মৌদ্রানি। অসুম্না নোংম-নোংমগী হৌখিদুনা মনদির অমসুং প্রেমিলা নুংশি মবি চেৎ শিল্লকই। প্রেমিলানা ঙসিদি মাগী মফমদা ঐ মৌনি, লুখ্রাবীনি, ইচা অমসু লৈরবীনি হায়দুনা থম্মোয় শেংনা হায়দোক্লগে খনলি। মাগী মফমদা ঐ করিসু মিনল্লবোই খন্দুনা থম্মোয শেংনা লিথোক্লগে খনলি। অদুবু মনদিবদি খংনবা কুইদনা লুখ্রাবীনি অমসুং মচা অমা লৈরবীনি হায়বা হান্না খংখ্রবনি। লুখ্রাবী ওইববসু মনদির প্রেমিলাবু থম্মোয় শেংনা নুংশি। মনদিবনা খনলি কৌদৌই হাযগে হৌজিক্কী মতমশিদা। ঙন্না ময়ুম পানলুবগী অমসুং নৌনা লুখ্রাবী ওইহৌবগী ফত্তবা বাদনাম অদুতনি। খেৎনবা কৈসু লৈত্রবা ঙসিগী মতমসিগী লৈশাবী অমসুং মৌ নহানি। অমনা ফোংনা ময়ুম পানলুবগী ৱানি। অদুগীসু মথক্তা মহাক নুপা লৈত্রবীনি। মানদিবনা খনলি থবক অমা তৌবা তাববদি মীৱা খবাদি খাঙবা তাবনি। উনবাগী তাঞ্জা ফংলদুনা প্রেমিলানা মাগী পুন্সিগী ৱারি পুম্বা অমত্তা চিথাদনা লৈবি। মানদির মাগী ৱাবি অদুদা মিৎলুদগী পিনা খজাই অনি অদো লোয়না পুংচোৎ চোৎলি। প্রেমিলাসু হিক-হিক কপলকই। মনদিরনা তপ্না হাইরকই - প্রেমিলা ঐদি হান্না নঙগী মবমদা লোইনা খংখ্রবনি। নঙনা লাইবক থিহৌবা অদুদাগীনি ঐনা নঙবু হায়নিংঙাই লৈতনা থম্মোয় শেংনা নুংশিরিবসে। মীনা মাগী-মাগী নুংশিনজবা অদুদগী ঐনা নঙবু নুংশিবনা শকক চাম্মা-চাম্মা হেন্না নুংশিরিবসে অদুননি প্রেমিলা। মনদিরগী থম্মোয় শেংবা অদু উবদা প্রেমিলা হায়ফম খংদনা নুংঙাইজে। তৌবগীবুদি মানদিবসু ময়ুমদা মীৱা মৈশা লাংদবা নত্তে। মমা মপানা মথন্তা পোকচবা নুংঙাইবা ইমুংগী মচানি। মমা মপানা ইবুংঙো ঐখোয়গীদি নথন্তনি

অনিশুবা নত্তে। ইচানা পাল্লিবা নুপী মচাদো মৌনিনে। অদুগীসু মথক্তা লুখ্রাবী মচা লৈববীনি হায়নে। য়াবগদি ইবুংঙো মা নত্তবা অতৈ নুপী অমা হাযযু নমাদা ঐখোযনা চাওনা লুহোংবীগে হাযদ্না কষা কযানি মচাবু থেমই। মচানা মমা-মপাদা হায়, ইমা বাবাখোইনা হায়বিবদো নচাবু নুংশিবগী তাকপিববনি হাযবা নচাসু খংই। মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু কদাযদা কবি সোইখিগদগে খন্দুনা মতম চুপ্পদা, মমা মপানা য়াজে। খংদবদি নত্তে নচা ঐসু। মানদিবনা মখা অমুক তাবকই। কবি তৌই হাইগে ইমা? হৌজিক্কী মতমসিদা প্রেমিলাসু লৈশাবী মচা অমগম্বনি। মহাক অঙাং ওইনা চহি তাবাগা মঙা তকক্তা মযুম পানলে। মাযুম পাম্বা চহি অনি খবা হেনলকপা অদুব্রাইদা খংহৌদনা থৌদোক অমদা প্রেমিলাগী নুপা লৈখিবে। পিক্লিবা মচা থা তকক তবেৎতা ঙাইবা নুপীমচা অমা থমলম্মী। হৌজিক প্রেমিলা চহি কুনমুক্তা ঙাইবি। অসুক নৌবিবী নুপীমচা অমবু কবম্না হিংণ্ডু হাইবিবনো ঙসিগী সংশাবশিদা? ইমা বাবখোযসু য়াবি লাইবিক কযা তাবিবনি লাইবিক কয়া পবিবনি। মহাভবতকী য়াবী কযা তাববিনি। ঙসি ফাওবগী পৃথিবীদা অফাওবা মমা কযাগী য়াবি তাবি ঊবিবা নত্রা? মানদিবনা মমা-মপাদা ওনশিন্দুনা পাউত্তাক কযা পি। মমা-মপাসু খনবা যাবমখৈ খনলগা মচাগী অপাম্বদা মমা-মপা ঐখোয অমত্তা যেৎলবোই। ইচাগী অপনাম্বা অদুনা সমাজগী যাইফবনি হাযবগদি হাযদুনা মমা-মপাসু মচাদা অযেৎপা থমদ্রে। থম্মোয শেংনা যানিংবা অদুদি নত্তে। প্রেমিলাগী ইমুং-মনুংগী বাপিদি অবাবগী মথক্তা অবাবনা মীগী মীবা কযাদগী শাওবনা হেল্লবা প্রেমিলাগী মক্-মনেমগী অশাওবা কযাবু ফাথবগা অসুম্না তানবি। মকুবোক্রা অসুম্না হাযবকই, মমা কবিবু কান্ননি, মীগী নুপীমচা অমবু ইমৌনি হাযনা ফজন্লগা ইচানুপা লৈত্রবা মফমশিদা মী মচানা কম্না কুইনা লৈযু যাগান। ঐখোযগী হাযলবু ইশু নুপীমচা অসি যোক্কনা ইচাগী মাইথোং যেংবগুম যেংদ্না লেঞ্জবা নত্তনা কবি লৈবি। মকুখোক্কী য়াহে অদুদা মনেমবোকতো মচানুপা কৌইন কয়া কপলকই। মচা লৈত্রবা মীওইবনা কবম্না হিংনিংগনি ঙসিগী মালেমসিদা কনাগী খন্দ্না হিংবা পামখিনি। অদুবু পিক্লীবা মশুনুপী মচা চহি মবি মঙ হাযবক্রে। মশুনপীবু যেংদুনা হিংজবগে খনলে। অহন অনি য়াবি শায়বা অদু প্রেমিলাসু তাবম্লনি। লোন্না ফমুংদা চংদুনা লৈখিদ্রবা মপুবোইবগী ফোটো অদু যেংদুনা কপ্পা যাবামখৈ কপলম্লগা মপুবোইবগী ফোটো অদু কোন্দুনা তুমখখি। মনেমবোক্না মমৌনুপীগী মখোয তাদে হাযদুনা মাগী কাদা চংদুনা যেংলকপা .. পাগী ফোটো কোন্দ্না তুম্লম্মা অদু উবদা তুমিন্না

ব্রা ঙাংদনা মিংলু পিবাং ইবোইননা থোবকই। মনেমবোক্কী মতৌ অদুদা মকুপোক্লা হংবদা নচাগী থনাই যাওদ্রনা ফোটো অদু কোন্দুনা নমৌ নুপাদো তমহৌই মদু উবদা ঐ হৌদোকলমদ্রবনি হায়দুনা তমলে। মকুবোকসু পি তাবকই বা অমত্তা ঙাংনদে। মাগী মাগী সুৎ সুৎ কপনদুনা লৈনৈ। কবম্মা মচা মমৌবু হেক থাদোকপা ঙমগনি। মচানপা লৈখিদ্রবসু মচাগুম্মা নোংমত্তা বাহে অকনবা হার্যাদ্রবা মমৌনি। থিংবা যাবমখৈ থিংলম্বনি। হায়না যামখৈসু হায়বনি। অদুবু ইনখৎলকপা মতম ওইবনিনা মকু-মনেম্মা খবাসু মচা নিংঙোলগুম খবাসু থাদোকউবে। নোংমা নুমিৎ অমত্তা চৎথোকউ যাদবা লৈকাইদা লিলা, দ্রামা, ঈশৈ যেংউস্ যাদবা। ইমুংদগী অদুম মপান থোকউ হায়বা শুকযা যাদবা অদুদা যেংবা নুংঙাইত্রদুনা মকু-মনেমক্লা মপুবোইবগী ব্রাখল খবা কাওথোক্লবা হায়দুনা মনেমবোক্লা কম্মি হবাও যেংবা নম-নমদুনা যেংবা পুথোকপনি অমসুং লৈকাইদগী থাবল চোংবা যাওহনবনি। প্রেমিলানদি যাজদবনি অদুবু অমুক অনির্বাক্তি যাবমদ্রবা প্রেমিলা মমৈথংদদি যানিংখি। মশক মতৌনদি ফজবনিনা যেংবদা ঙাওদবা নপা অমত্তা লৈতে। নুপী অমা ওইবগী চপ চাবা শকচানি, ফিভম মার্তানি। অবাৎপা অমত্তা লৈত্রবা প্রেমিলানি। কনানসু প্রেমিলাবু মৌনি হায়বা খংনদে। লৈকাইগী মী কাংবা মৌনি হায়বা কাওপোক্লখ্রে মপুবোইব লৈখিদ্রবানিনা। নোংম-নোংমগী খবা খবা অহোংবা লাকপনা অনৌবা নুংশি বাখলদা ইবাক্লবি প্রেমিলা। কনাগুম্মা খবানদি ফত্তনা খনলক্তুনা প্রেমিলাবু লক্ল বা যাওবকই। মদবু অশেংবা পামজদবানেনা মনিবক হন্না কনা অমত্তা প্রেমিলাবু লক্লবকপা যাওদে। মাগী নুংশিবা মওং মতৌ অসিদা মকু মনেমসু কাপ্নো তৌফম খংদনা মমৌগী অপাম্বদা যেংখিদবনি। ঙাসদি মমৌনা মনৌবা বাখল লক্লবা মতম অসিদদি মকু মনেমসু মমৌবু মীগী ওইখ্রদবা খনবদা পাম্মু নুংশি বাখলনা থম্মোযদা অনৌবা মৈচাক অমা বাম্মেগুম ঢালক্লে। মচানুপা অদবু নৌহৌননা নিংশিংবা হেনহনলে। অসুক ব্রাবা মৈচাকসিবু তাইবং কনানা খঙবা ঙমগনি। প্রেমিলাসু মকু মনেমগী মতৌ অদু যংবা নুংঙাইত্রদুনা ঐহাক শুম অমুক পাল্লবোই খনলকপা মিৎকুপ্তা অমুক মপান-ইপান থোবক্লবা মতমদা মানদিনগী মওং-মতৌ, মলবু নুংশিজবা ব্রাখলনা তৌবক্লিবা মওং অদুদা শনলবোই হায়বসু ঙমদে নদিবগী ব্রাখল। খংনকবা কৌবনিনা নুংশিকবা থম্মোযনা তুমৈন্না লৈবা ঙমলক্তবে। প্রেমিলা মকু-মনেমগী বাখলনে মানদিবগী বাখলনে হায়ফম তৌফম খংদ্রবা অব্রাবা অমা ওইবে প্রেমিলাগী লাইবক। অসুক বাবা মৈচাকশিবু কনাগীনো ? □

সুনিল

সুনিল পিশক পিক্লা মমা-মপাগা কাইনখি। ময়াম্বা অমা লৈবমই অদুসু পাখং মপুং ফাবক্লবা মতমদা চাংদা উখায়বা চৎপদা মেলেবিয়াগী কাংনা চিক্লনা শিখি। চাওববা মৈতৈ য়ুমজাও অদুদা সুনিল মথন্তা লৈবি। নুপামচা ওইবিবা মতমনি। চহি তবাগাতবেৎ (১৭) মুক্তা ঙাইবি। মাগী শাগৈ নাতৈসু নোংমা ফাদোক যেংবা নত্তনা নুংতিগী য়েংশিনবা ঙমদে। মাগী মাগী হোৎনবিঙৈদা কনানা কনাবু যেংনদে। লৌ ঈংখোলসু লৈতে মাগী লৈবিবা হাযবু লৈবিবা য়ুমজাও অদুগা সুমাং মতেক অদুগা য়ুমগী মনিংদা লম মবি শাংবা লম তক্কমুক পাকপা লম অদুখক্তনি মমা-মপানা থম্বীবম্বা হায়ববু। সুনিল হিংননবা হোৎনবদা অৱাবা মতৌ অমনি। হিংদবদি যাদে মমান্নবা কযা তিনবকই কৈবোই লৈকাই মমান্নবা কযাগী শানফম ওইবকই। ওক্তবা কযাগী লৈফম ওইবকই। সুনিল নোংমগী চানবা হোৎনবদা মথন্তাগী চাক ওইববসু নোংমগী সুফম চাফম লৈতবনা অৱাবা হাযবদো ওইবকই। ইনখৎলকপা নুপামচশিংগী হৌনবী চাবিবা মখৈ ওক্তবা মতমনি। ফজবা ফিবোল পান্নকপা মতমনি। অবেম্বা ৱাখল লৈত্রিবা ৱাখল মপুং ফাদ্রিবা সুনিল নোংমা অসুম্না খল্লি, য়ুমগী মনিংদা লৈবিবা লম মচেৎ খজিক্তুংসে যোম্হোক্কে। অদুগা হিংননবা কবিনো খবা তৌগে অসুম্না সুনিলনা লৈনবা মী থিবদা লৈনবা মী থোবকপদা মাগী মবি মতানা থিংই। ঈংখোল মচেৎ অমত্তা যোনবা যাবোই হায়না। সুনিলগী মবি মতানা নোংমদা সুনিলবু কবম তৌবি, চাবিববা, কবি চাবি হাযবদি নোংমতা কনামত্তা হংবীবক্কে। অদুগা ঈংখোল মচেৎ অমা যোনগে হায়বা মতমদদি সুনিলগী মবি-মতা হেক্তা চোংথোবকপদা সুনিল উপায় লৈতে। ফত্তবা মী কয়া লোযনবা হৌবকই। আইননা যাদবা থবক তৌবা হৌবকই। মশানদি কযা পামদে অদুবু উপায় লৈত্রবা সুনিল নহাবোলগী সংস্থানদা য়াওখি। থবক কয়া তৌবা হৌবকই। পৈশা থোকফম খংলকই। নোংম-নোংমা হৌখিবনা সুনিল নোংমদি ময়ুমদা লাকনিংখি। মাগীনি হায়বদা কনা অমত্তা লৈহৌদ্রবা মৈতৈ য়ুমজাও অদু নুংশিবকই। মমা-

মপানা পিশক পিক্লা য়ুমদুগী মনুংদা থম্মীবম্বনি। সুনিলদি থবক শুরগা লৌ ঈংখোল কোইরগা হিংবা পুক্সিদো য়াম্না পামজবনি। অদুবু, নহা ওইনা নুপামচা অমা ওইনা অরেপ্পা ব্রাখল লৈত্রিঙৈদা মমান্নবা খবাগী থৌউনর্শিন অবালবা বাখল অদুদা সুনিল মতম খবা লৈরুই মতম খরা লৈরুরবা মতুংদা সুনিল ময়ুম উনিংলক্তুনা মখোয়গী মীদা হায়রমদনা কনা অমা লৈহৌদ্রবা ময়ুম অদুদা লাক্লি। সুনিল মাগী য়ুমজাও অদু চহি কয়া থদোকলম্বগী নুংঙাইতবা থম্মোয়দা ফাওরকই। সুনিল নুমিদাংব্রাইরম অমদা মাগী পোকফমদা থুংলরে। গারিদগী প্রপ-প্রপ কুমথরগা য়ুমনা লৈরমলিবা মওং-মতৌ হেক উবদা সুনিল পুক্লিং নুংশিরক্তুনা পি তারকই। সুনিল কপ্প-কপ্পা মাঙ্গোল কাখৎলি। মতম কুইনা মী লৈত্রবা য়ুমনিনা নোংসু খবা য়ুবাগী মাঙ্গোলদো ইকাই কাইরে। নাপী খরাসু ইব্রাং ব্রাংনা হৌরি। য়ুমগী ফক্লাং অদুসু মচেৎ-মচেৎ নিংখাইরে নোংমা য়ুশিনবগী হৌনবী। সুনিল য়ুমগী মনিং ময়া চভুনা যেংলকই। মপু লৈত্রবা য়ুমনিনা উরি-ব্রারি, নাপি কযানা কুর্পশিন্দুনা লৈবমলিবা মাগী য়ুমগী মতৌদুদা সুনিল থম্মোয় শোক্লা কপলকই। সুনিলনা নোংমা ময়ুম থাদোক্তুনা চৎলমদাইদা অপিকপা সো অমনা য়ুমগী থোং অদু লোল্লর্স্বনি। ঙসিসু অপিকপা সো অদুনা চাওখ্রবা য়ুম অদো থিংদুনা লৈবমই। তপ্প-তপ্পা সুনিলনা সো লোনলম্লগা সোজৈ থেৎলম্বা য়ুমগী শাইজিন পরেং অদুদা সোজৈ থিরকই য়ুমগী ব্রাদা থেৎলম্বা সোজৈ অদু থেংনবে। মদু উবদা সুনিল অমুকসু কপলকই। সুনিলনা তপ্পা চংশিন্দুনা থোঙগী সো অদো হাংদোক্লবা হোৎনবি। মতম কুইনা হাংদ্রবা সোনিনা কোহ্লিং খরা কাশিন্দুনা সো হাংবদা বেবা খবা তৌই। সো হাংবদা য়াবদুনা সুনিল ইমুংদা চংই। সুনিল ইমুং চংবদা অকিবা নুংঙাইতবা খবা ফাওই। সুনিলনা যেংলকই মমা মপা অনিগী কানিকো খন্দুনা থম্মোয়দা কপনিংবা অমা যাওনা। ফামেন কাদা খাবিবা অহন অনিনা তুম্লম্বা ফমুংদুগী মথক্তা ফিবোল ফাওবা খবা তাশিন্দুনা থম্লম্বা অদুদা হৌদোং মপিনা মচা মরি মখোম পিথক্তুনা লৈবমই। মদু উবদা সুনিল স্বাই লাওই। হৌদোং অদু সুনিলনা লোইবম্বা হৌদোংনি। সুনিলবু হেক উবদা হৌদোং অদু ঙ্যাও-ঙ্যাও খোংলকই। সুনিলদা মুন্না য়েংদুনা সুনিলসু হৌদোংদা মুন্না য়েংই। সু শনা খনলি - ও ! হৌদোং নহাক্লা ঐগী য়ুমশে শংলমই। অদুবু হৌদোং ন াক্তী চাক কনানা পিজৈ। হৌদোংনা মচা মখোম ইনলম্বদগী থোরক্তুনা সুনিলগা মখোংদা হৌদোংনা মকোক্লা ঙারে। মদু উবদা সুনিল থম্মোয় শোক্লা কপলকই।

অসুম্না মতম খরা হৌথি। পাখং মপুং ফারবা সুনিল ময়ুম মখে খরা শেম শাজিল্লি। ঈংখোল মচি খরা মনা-মশিং খরা থজিল্লি। লৈকায়গী মচন, মানে কয়ানা সুনিল ময়ুম পানশিল্লো হায়বা কয়া অমা য়াওরক্রে। সুনিলবু নুংশিবীবা কয়ানা সুনিলসু পান্নবনি নুপী থিজিনবা। অদুবু ব্রাখল কয়া অমা খল্লি। য়ুম পানবা হায়বসে অরাইবদি নত্তে। মীগী মচানুপী অমা লৌরুগা তুমিন্না লৈবদি য়ারোই। অঙাং য়াওরক্কনি। নোংমগী চংবা পৈশা হেনগৎলক্কনি। মীমান্নবসু হোৎনরক্কনি। অদুবু লুরিবদি পৈশা থোকফমশিনি। অসুম্না খন্না হিংলি। সুনিলনা লম্বী অমা চৎলম্বা ভাব তাদবা ব্রাখল কয়া অমনা সুনিলবু য়ুমদা লৈবা য়ারোই। থবক চেনগদৌবনি হায়দুনা মখোয়গী ওর্গনাইজেসনগী মীওই খরনা তত্তনা হায়রি। মদুনি সুনিলগী অব্রাবা ব্রাখল। পামদ-পামদা য়াওখিবা ওর্গনাইজেসননি। অদুবু সুনিল মখোয়গী মথক থংবদা হায়জবগে ঐ থবক চেনবা তোকচরগে। ঐগী মী কনা অমত্তা লৈতে। হযেং তুংফাও ঐগী ঈ মুৎখিবা য়াই মরম অদুনা ঐহাক ওর্গনাইজেসনদা চে থারগে হায়বসে সুনিলগী ব্রাখলদা চপ য়ুংনা খনলে। অদুবু অমুক য়াম্না লুবিবদি সুনিলগী মথক্তা সবকারগী আইননা য়াদবা থবক কয়া তৌরম্বগীদমক মহাকপু আর্মি অমসুং পুলিস কয়ানা থিবিবা মীওই অমানি। সুনিল সরকারদসু সেবেন্দব তৌবগে অদুগা মহাক নুপী অমা থিজিন্দুনা তংতাবা পুন্সি অমা হিংগে হায়বগী ব্রাখলদা মহাক চপ য়ুংনা লেপ্পবা ব্রাখলনি। অদুবু লুরিবদি মখোয়গী ওর্গনাইজেসননা করি হায়রক্কনি কিজবা অসিনি। সরকারগী ওইনদি সরেন্দর তৌবদি অব্রাবা খরা লৈবগসু কবিসু অয়েংপা লৈরোই । মসিনি সুনিলগী ব্রাখলনা পোত্থাফম খংদনা লৈরিবসে।

---লোইরবা---

কা অমদা

মতম অমদা ঐখোযগী লৈবাকসিদা ফম্মাইবা নিংথৌ পাল্লিগী অমসুং নুপীনা মপান থোকপা পাম্মদ্রিবগী অমসুং নুপীনা লাইবিক তম্বা মহৈ শঙদা চৎপা নোক্লবিগী মতম অমদা থোকখিবা অমসুং হৌজিক হৌজিক থোকপা যাওবিবা থৌদোক অমনি।

মথন্তা পোকপি মচা নুপীনি লৈবাক অদুগী হাযফেৎ ইনাক-খুনবা ইমুংনি। অপোকপী মমা অঙৌসনা কৌই। অপোকপা মপানা চাওবেল কৌই। মচানুপী বানিসনা কৌই। চাওবেল নুপী অহুম মতম খবা লৈবগা লুহোংলকই। নুপী অহনগী মচাদি নুপীমচা বানিসনা মথন্তা পোক্লগা মখা তানা অঙাং পোকখিদবে। চাওবেলগী অকোনবা লৌবকপা নুপী অহুম্মক মচা নুপা ঙাক্তা পোকই নুপী অমত্তা যাওদে। যুম তোঙান-তোঙান শাদুনা চাওবেল নুপীশিং থমই। চাওবেল মাগী নুপী অহনগী মচানুপী বানিসনাবু যাম্না লুনা তৌই। মমা মবি অদুনসু যাম্না লুনা তৌই। মপানা মচানুপী অদুবু ইমুংদগী হেন্দোকহননিংদে। মচানুপীবু মাগী চাওববা যুমদুদগী হেন্দোক্তনবা মমা অপোকপী অমদি মমা অতোনবী অহুমদা কননা শিন্নে। বানিসনা লৈশবী ফাবক্লে চহি তাবগামবি মঙা হাযবক্লে। যেংবদা,যাম্না নুংঙাইবে চহিগা, মশাগা খেৎনবে। মতম অদুগী ইনাক খুনবসে নিংথৌ শাগৈগুম্বা মীনাই থমই, নিংথৌগুম্বা মচিনসু চৎলি। চাওবেনলনা মাগীদা মীনাই ওইনা লৈবিবা, থবক ইংখাং সুবিবা, নিপা তোম্বাগী মচা নিপা অদুবু চাওবেলগী মচা নুপী বানিসনাবু ঙাকসেন্ননাবা হাইদুনা বানিসনাগী মীনাই ওইনা থমই, বানিসনা পিশক পিক্লীগৈদগী হৌনা নিপা হাইবদো উহনদে, মপা চাওবেলনা। অসুম্না কেনা লুনা থমজবী মচা নুপী বানিসনা, ব্রাখল ইবাং লাকই। নিপা পাখং উনিংলকই। বানিসনাগী মতাবোই ইন্দুগা তোইনা মতম চুপ্পদা চাবা থকপা লোইনা তৌমিনহনবা বানিসনাগী সেবাগীদমক মীনাই ওইনা থমলিবা নুপীনি। বানিসনাবু ঙাক সেললিবা পাখং নোংলিলবু বানিসনানা তোইনা মাগী মনাক্তা লাক্লনবা হায বানিসনা, নোংলিলবু যাম্না নুংশিবকই। বানিসনা অথেংবা অহিং কযাদা মীনাই নোংলিলবু, মাগী লৈকোলদা পুথোক্তুনা

শান্নবি। থাবল ফববা অহিং কযানি, মখোযনা শানবিবা, ইনখৎলকপা মতম ওইবনে বানিসনা হাযফম খংদনা নুংশি ব্রাখলদা তাওবি নোংলিলবু মতমপাক্তা ফমনিংলকই। বানিসনা ইকাই ইকি খংলক্তে। অদুবু নোংলিলদি কিজবনা মিপাইজে। নোংলিলসু মশক মতৌদি যাম্না থি, মীসু অপিকপা মীনি, পিকপসু ফিবম চাদনা পিকই, কবিগীদমক অসুক থিগ্রবা মীনাইসু ওইবিবা, থিবতা নত্তনা ফিবম চাদনা পিশক পিকপা মীনি, য়েংবদসু যাম্না নুংঙাইতে। অসিগুম্বা নিপা অসিবু বানিসনা কবিগী পামলিবনো ? বানিসনাগী মিৎতা অহানবা উবা নিপানি। বানিসনা মপুং-মবে ফগৎলকপা ব্রাখল ইবং লাকপা মতমনি। নিপাবু য়েংনিংলকপা মতমদা, মীনাই নোংলিল নত্তনা কনা অমতা উহনদে বানিসনাগী মমা মপানা মাবু ঙাক সেলনবা থমলিবা নিপা মীনাই নোংলিল নত্তনা? মচা নুপীগী মওং মতৌ, মমা মপা, কবি-মক্তা খংদবগুম তৌবি। নোংলিল অমসুং বানিসনাগী মবী অসি ইন্দুদি যাম্না মুন্না খংই, অথেংবা অহিং কযাদা থাবল ফববা অহিং কয়াদা, লৈকোলদা থোক্তুনা নুংশি ব্রাবি শানবিঙৈদা ইন্দুবু মী য়েংহনলিবনি। বানিসনা মপুং মবেপ ফাবে থাজবা যাবে হায়দুনা মমা মপা তান্নবা হৌবকই। লৈবাক অদুদা লৈবা ফমনাইবা নিপা অমগী মচা নুপাগা হাযনা শিংনদুনা লুহোংনবা সেম শাবকই। ব্রাফম অসি মমানা মচা নুপীদা, খংহলকই লুহোংবা মতম লেপলে হাযনা। নোংলিল অমসুং বানিসনা নুংশিনবা হেনজনলকই লুহোংবা মতম লেপগ্রে হাইবা তাবদা নোংলিল হায়ফম খংদনা বাবকই অদুবু কবি উপাই লৈবি, ইমা পাবুং যাথং ইনখ্রো হাযবা নত্তনা কবি হাইগনি। নোংলিলনা ফনা যাম্না হাইজববসু বানিসনাদি যানিংদে। মখোয অনিগী মওং মতৌ অসি ইন্দু নত্তা কনা অমতা খংলমদবা অদু ঙসি চিংনবা ফাওবক্তুনা লৈবিঙৈদা। নোংমা তাঞ্জা অমদা, বানিসনা অমসুং মীনাই নোংলিল মখোয় নুংশি ব্রাবি শাদুনা অবোল অথুপ লৈতবা মওং অদু নোংমা মপানা উখি। নুমিৎ অদুদগী মপা চাওবেলনা মমা মবীদা, চৈবা হৌবকই, কবিগী খংদ্রিবনো নচা নুপীগী মওং মতৌ হাইদুনা ? মখোযদা মীনাই ওইনা লৈবিবা মপা মচা অনিবু ফুবা চৈবা হৌবকই। কবিসু খংজদবা তোম্বা মচাগী মবিদগী অবালবা মী অমগুম চৈ কযা চাগ্রে চৈনা ফুবদা নত্তনা মখোয মপা-মচাবু হাৎননবা অতোপ্পা নুপা কযাগা ব্রা তানগ্রে।

নুংশি মসুংলাংগীদমক অৱাফমদা তাবিবা মপা মচাগী পুন্সি কনানা যেংবা ঙমগনি। যুমগী মীনাই ওইনা লৈবৱসু ইমুং মনুংগুম লৈমিন্নবম্বা, ঙসিদি তমথিবা যেক্লবা,ওনখ্রে। নোংলৈল ফুবা যাবমখৈ ফুবগা ষনগোন্দা পুসন্দুনা উপ্রাকনা উপফল্লগা পুন্দুনা থমই। অদুগা ষন মাযাম হোইজন্দুনা নেৎহনলি অদুদা পেন্দ্রদুনা মখুৎ অনি অদু পুনলিবা থৌবি অদু পাইদুনা শগোলদা থৌবি পুলসনলগা শগোল অদুবু চিংহনলি সোনক অমদি নুংদুম অকাইবা মবক্তা। তৌবিবা মতৌ অদুবু মমিৎ পেন্না যেংঙু হাইদুনা মচা নুপীবু যেংহনলি। মদু উবদা বানিসনা খঙবা ঙমদবা মাতৌ উৎতুনা তৌবীনু হাযদুনা কন্না হাইজে। অমসুং মমা মপাদা, খুকমদুনা হাইজে। অদুবু কবিসু কনবা ফংদ্রে মপাগী অশাওবা মৈবিনা, তৌবিবা মা ওং অদু যেংহনলগা বনিসনা ইমুংদা পুসনখি। বানি ইমুংদা চংসি যাদে ফ্রি, ফ্রিং চোংই, খা অহিংবনা মৈথক্তা চোংবঙুম। মমানা মচা নুপীদা থেমই ইমগী ইরেন্মা নঙনু ঙাওনবা মীনাই মচা ওইবতা নত্তুনা নচগী মীনাইগীদমক, নংগী ননাক্তা নঙবু ঙাক সেনহনলগা নঙনা মাব কন্মা নুংশিক্লবনা [illegible] অনিদা লৈবিবা নিপা মশক ফজনা মমাম লৈনি। মচা নুপীনা [illegible] ঐব নপা মশক [illegible] ঐবু যুমগী কা অমদ [illegible] [illegible] লৈকালগী ইমা পাব [illegible] চৎপা খজখ্রদুনা [illegible] অমদ [illegible] নচগী বালনা ইবাং লাক্কুনা নিপা নহা [illegible] [illegible] নাবু নিপা অম ত্রা উইনদ্রিবনা হাত [illegible] নুং ডইনা থমনিনা [illegible] [illegible] মী [illegible] এব ইমুংদগী হেনদাকতন্দবনি। [illegible] মচা ডাইহক শাওনে। নুপী মচা অমনা ইনখৎলকপা মতমদ মামানাবা [illegible] কয়া [illegible] মতমদা নচানু লুনা তৌবানি। নুংডাইনা [illegible] হাইদুনা সনা লুপানা [illegible] ইমুংগী কাদগী হেনদাকহন্দে অযুক নুং [illegible] লে ইনা। [illegible] মীনাই নোংনিল অমাসু হুন্দ [illegible] কনা লে ইনদে। [illegible] মুসন মুবা, সাইন হবা মী [illegible] হেন্না [illegible] পিকপা নিপা। মীনাই পাখ, অসিদা বানি নাগা থবাই লুপখিবানি। [illegible] নিপা হাইবসে [illegible] খবা খংদে টাববা মান ই নোংনিল অসিখক্তান [illegible] অহন্না উত্তবা ফংলবা নিপগী শকতম। বানি নোংনি নদা থবাই লুপাখি। বনিগী মপান্না পুম্বা অবোলবা ঙথুপ্পা থমখিদ্রবা মখোয অনি। বানিগী মপা চাওতলনা নোংনিল মপা মচাবু তোঙাল তোঙাল খাইদোক্তুনা থমখ্রে। নোংনিলবু ফুবা যাবা ফুবে। লাক্লাবা যাবা মাখৈ লাক্লবে, ঙসিদি শাওবা হেনগৎলকতুনা মপানা নোংনিলবু হাৎনবা

য়াথং পিখ্রে। অমসুং চেকনা চনসন্দুনা হিংনা হাৎননবা য়াথং পিখ্রে খুৎ হৈবা কয়া কৌদুনা লৈবাক্কী মীয়াম খংহন্দনা চেকনা মশা পুম্বা লৈবোল চনসনখ্রো হাইনা য়াথং পিখ্রে মচা নুপী রানিসু লুহোংগদৌবা নুমিৎ হুমনিতা ঙাইরক্লে। নোংনিল ফুবদা ব্রা ঙাংবা থোকত্রে । মশাদগী তরকপা ইখেংতনা মশা পুম্বা ঈনা পুঙাং ঙাংই। নোংনিল কা অদুদা চেকনা চনসননবা সেম শারি।

রানিসনা নোংনিলগী মশক উখিদবে। উপাই লৈত্রবা বানিসনা মখোল থোক্তনা নিংঙোল কাদা কপলি।

.... লোইবে..........

"চানিংলগা মীঙোন্দা চোংশিনবা"

নোংনা চিফেৎ-চিফেৎ চুরী থল্লান থা। মতম অসি মীওইবা পুম্বা ল্লানবা মতমনি। ফৌ খর-খরা কৈদা লৈরম্বা কয়া লোইনরকপা মতমনি। নুংঙাইতা নুংঙাইবা খরা নত্তনা অতৈদি ল্লানবা মতম ওইরকপা অমদি ইংখোলদা মনা-মশিং কয়াসু লোইনখিবা অমসুং অনৌবা মনা-মশিং কয়া থানবা য়ানদবা মতমনি নোংনা চিফেৎ-চিফৎ চুবনা মতম অসিবু অহনশিংনা মমাংঙৈদগী হায়নে চাক-মমৈ সিং-মমৈ। নোংমা লৈকাইনী কৈথেল মচাদগী ঙা মচা খরা লৈদুনা পুরকই শাখি। শাখি য়াম্না ইনাক খুন্না ইমুংগী নুপীদি নত্তে. অদুম ওইরগসু চাবা থকপা অদুম বাৎতবা ইমুংনি শাখিনা চানিংনা লৈরকপা ঙাদো থোংগে থন্না নুমিৎদাংগী সেম শারি অদুবু, শাখি ঙাদো থোংবা হৌরকপদা শাখি, খংহৌদনা থবাক ফুল্লে হায়দুনা চাক থোংলম্বদগী ল্লান্থখি মাগী নিপা অমসুং মচাশিং চেলশিল্লত্তুনা ময়াম চংদুনা লাক্লার শাখি। শাখি, মমিৎ মনা য়ুংখৎলি ময়াদা কোংগোল কারকই, মচাশিংনা মমাগী মতৌ অদু য়াম্না পাখত্তুনা ডাক্তর কৌদুনা হোৎনৈ ডাক্তর অদুসু লৈকাইদুদা লৈবা মীনী। য়াম্নমক ফবা নত্রগসু মীনা খরা অদুম থাজবা ডাক্তরনি। অদুবু শাখিগী লাইওং অসি মাসু হায়ফম খংদে. অসুম্না ময়াম লাংনরিঙৈদা মাগীসি নুশিৎ চংবা মাল্লি হায়না হায়নরকই। ডাক্তরনদি থাজদবনি অদুবু ময়াম্না নুশিৎ চংবনি হায়নরকপা অদুদা, মচা নিপা অমা থাদুনা মাইবা তোম্বা কৌননবা হায়রকই। য়াম্না লাপ্না লৈবা মাইবা নত্তে লৈরক অনি লাল্লগা লৈবা মাইবনি য়াম্না থুনা মাইবা লাকই, মাইবনা খুৎদাং হেক পাইবগা অনাবা শাখি, অয়ো... অয়ো পাইরক্কনু হায়দুনা লাওরকই। ঙসাই মখৈ ল্লা

ঙাংদনা মশা পুম্বা তুমিন্না লৈরম্বনি অদুবু হিংচাবী চংবা হায়বদো তাসেংনা ওইরে। মাইবনা খোংগী খুমিৎতা পাইরকই শাখিনা পাইরক্কনু হায়দুনা ফ্রিং-ফ্রিং চোংলকই। মাইবা তোম্বানা অদুদি নঙ কনানো হায়দুনা হংই নুংশিৎ চংলিবা শাখিদা। শাখিনা হায়রকই হনুবী মখোল ওন্দুনা, হায়রকই তোম্বা নঙ ঐবু মশক খংদ্রবরা? খংসন্নদবা শানু হায়দুনা নুংশিৎ চংলিবা শাখিনা হায়রকই। মদু তাবদা লৈরিবা মচা মান্না অমদি লৈরিবা মীসিং অদু নোক্নরকই। মরমদি শাখি মৌ নহা অমনি অমসুং মাইবা তোম্বদি য়াম্না অহননি। শাখিনা মাইবা তোম্বাদা মিং পন্দুনা হনুবী মখোল ওনলক্লীবগী মরমদি, শাখিদা চংলিবা হিংচাবী নুপী অদু অহননি মাইবা তোম্বনা মিং কৌনবা নুপীনি। মরম অদুনা শাখিগী মওং অদুনা অঙাওবী নুপীগুম হায়রকপা অদুদা ময়াম্না নোক্লীবনি। মাইবা তোম্বনা মথা অমুক তারকই, অদুদি হায়য়ু শাখিদা, তেংলিবা নহাক কনানো হায়য়ু হায়য়ু? হায়দুনা মাইবনা মখুৎতা পাইরিবা অপিকপা পোৎশক অদুনা শাখিদা থেংই। শাখি মদুনা হেক থেংবগা ঐ হায়রগে হায়রগে হাইদুনা ফিং ফিং চোংই। শাখিনা হায়রকই তোম্বা ঐ, থম্বাল লৈবিকনিনে নঙ ঐবু খংদ্রবরা? অপুন্না অনাবা শাখিনা হায়রকপদা, লৈবিবা মীসিং অদু অমগা অমগা য়েংনরগা খোলদি থোকতনা নোক্নি। তানে লোরক্নী হংলে থম্বাল লৈরিকনি। মাইবনা হাই থম্বাল লৈরিক নঙদি নমৌ শাখিদাদ কনিগী চংলিবা, কুইনা চংবীগনু নুপী মচা শাখিদা। শাখি হৌজিক থম্বাল লৈরিকী থব্রাইনা চাংসল্লিবনিনা থম্বাল লৈরিকমক্না পাংবগুম ঙাওলে। তম্বানা হায়রকই থম্বাল লৈরিক, নঙনা চানিংবদো হায়য়ু? লৈরিক্না অহল ওইবরনিনা ময়াম মমাংদা হায়বা ইবাই কোন্না হায়গে মাইবনা মনাক্তা লৈরিবা মীসিং অদু মরুমদা লৈনবা হায়রকই, ময়াম অদুসু থোংজাল মরুমদা লুপ্নদুনা তানে তুমিন-তুমিন নোক্লিংবা খাঙনদুনা তোম্বানা হায়রকই কনাসু লৈতে হায়রোসে লৈরিক, লৈরিক্না হায়রকই নঙ মীঙোন্দদি হায়দোক্কনুকো ঐ য়াম্না ইকাই, মাইবনা খুমই হোইনে ঐ কনাদসু হায়দোকলোইনে, হাইরোনে? লৈরিক্না ঐদি ঙারাংসু চাক পুক থনদে চেং লৈতদুনা অদুনা চাকসু য়াম্না লামই, অদুনা য়েন খোংবদো মফে মফে চিক্লীংই। মাইবনা

হায়, অদুক অহল ওইরবী নওনা য়েনবু কমাইনা চাদোইনো? লৈরিক্লা হাইরকই ঐদি য়েন চাদ্রিমখৈ শুংচৎ চংলোই। ঙশাই মখৈ থোংজিন ময়াদা লুমদুনা তানরিবা ময়ামদো তুমিন তুমিন নোক্লারকই। মরমদি শাখিনা থম্বাল্লৈরিকগুমনা ব্রা ঙাংলকপা অমদি থম্বাল লৈরিক্তা লৈরিকগুম্না ব্রা ঙাংলকপা অদুদনি। মাইবনা হায়রকই নও য়েন্দো চারগদি চংকদ্রা? লৈরিক্লা খুম্লকই য়েনবু পীজরবদি ঐ সোইদনা চংকনি, চাকস্থু ময়াম্ম্যা চানিংই। অস্থুম্না মাইবনা হায়রকই শাখিগী ইমুংগী মীদা, য়েন অমা পীজদ্রবদি য়ারোইদৌরী, অদুনা নখোয়গী য়েন লৈরগনা অমা থোংলগা পিজখ্রো লৈত্রগনা কনাদগীনো অমা খিরুরো হায়দুনা শাখিগী ইমুংগী মীদা হায়রকই। শাখিগী নিপানা ইশাগী য়েন লৈ য়াম্না থুনা থোংননবা তৌরগে হায়দুনা মাগী মচানুপা অদুগা য়েনগোন্দগী য়েন ফারগা শেম-শারী। মাইবনা শাখিগী নিপাদা হায়রকই ঙাক্রা অমদি লৈরুরো হিংচাবীগী মখৌ লোইশিনশি হয়েং মতুংদা অমুক চংদনবা হায়দুনা মাইবনা হায়রকপা অদুদা অতোপ্পা ইমুং মনুংগী নুপা অমা থাদুনা কৈথেল্দগী ঙাক্রা লৈরুনবা হায়রকই। ইমুংদগী শাইকন ইম্থোক্তুনা পৈশা পুরগা ঙাক্রা লৈবা য়াম্না থুনা চংনখি। লৈরিবা লৈকাইগী মী অমদি ইমুংগী মীনা ঙাংনরকই হিংচাবী হৈবী নুপীসে নিপা ফাবা হে হায়নে। অমনমুক হায়রকই নুপা ফানবা মন্ত্রা তমলুবদগী হৈরকপনিস্থু হায়নে। অমনস্থু হায়রকই হিংচাবী হৈবিশিংগী মচানুপীশিংশিগী মরক্তগী নুপী অমদি শোইদনা মমাগী হিংচাবী অদু হৈ হায়নে। মসি চুমদি চুম্না জাৎনি আ খুৎনৌদগী হিংচাবী হৈবী অমাগী মচা নুপী অতোনবীদো ঐখোয়গী লৈকাইগী মৌ ওইরিয়ে, মসিনা ঙাহানদি মেমদী চংবীদুনা ইনথোক্লা খিনা লাক্লখ্রে। অমনমুক হায়রকই অদুগী ৱাবুদি ঐখোয় শৱাইদা ফানা য়াম্না লৈরে হে, হিংচাবী হৈবী নুপী। অসুম্না ঙাংনা ঙাংনা ঙাইহাক লৈরগা ঙাক্রা লৈরুবা মীসু হনলকই, ঙাক্রা অদুসু লাই খুরুম্নগীনি হায়রুবদা খুৎপিমুক্তা চাওবা ঙাক্রাদুদা, লুপা য়াংখৈ (৫০) লৌহৌই হাই ঙায়োনবীসু লাইদা খুদোং চাবা লৌহৌই।

য়েন থোংবা অমসুং চাক লোইরক্তুনা মাইবদা কামাইনা তৌসিগে চাক্লা হান্না পিজগদ্রা? মাইবনা চাক হান্না পীজবা তাবনি। থোংলিবা য়েন

অমসুং চাক অদো মানা ওকএ হায়দ্রি ফাওবা পীজদোইনি নখোয়না মচেৎ অমা ফাওবা হান্না চাবা য়াদে, হোরেল অমুক নখোয়না হান্না চাখ্রে ঐ চাররোই হায়দুনা হেক্তা হায়দোইজাৎনি। ইনথোক্লা ৱাখ্রবা জাৎনি হিংচাবী চংবা অসুম্না য়েন থোংবা খাংগা লোইনা থাংদোকররকই চাক পিক থলবা কোনপাক অমগা মদু মাইবনা নিংথিনা হায়দুনা ইমুংগী মীদা পীজহনলি। য়েন থোংবা অমদি চাক অদু চারো হায়দুনা শাখিগী মাংদা, হেক থাংদোক্লকপদা, শাখি ফমুংদগী ফুং হৌগৎতুনা য়েন থোংবা অমদি চাক অদু চখোম চাওনা চাওনা হিংচাবীগি চাকচাদা চাকচাদৌনা চাই মরু য়াওবা য়াওদবা লৈতে, সাইবোই সাইদবোই কুৎ-কুৎ য়োৎসনলি মদু উবদা, লৈরিবা মীসিং অদু থবাক য়ৈনরকই। শাখিদি হান্না য়েন চাবা নুপীসু নত্তে ঙা ফাওবা চাদবা ঙা য়াওরিবনি শাখি অদুক হংগোই চাওখ্রবা শাখিনা ঙসি হিংচাবী চংবদা চাবা য়েন থোংবদো উবদা, অউবা মী খুদিংমক ঙকনৈ। অসুম্না চাবা লোইরদুনা মাইবনা হাইরকই থম্বাল লৌরক, ওক্লবরা? লৈরিক্লা হায়রকই ওকএ পুক থন্না চারে, অদু তোম্বা ঐ য়েন চাই হায়বা মীঙোন্দা হায়দোকনুকো? মাইবনা লৈরিক ঐ কনা অমদা হায়দোকলোই। অদো হৌজিকতি নওগী ঙাক্লা অমাসু পিরগে অদুনা নহাক চৎখ্রোকো থম্বাল লৈরিক্লা, চৎলগে ক্লা মপুম অমত্তগা পিজরো অদুগা ঐ তুমিন্না চৎখ্রগেকো? ক্লা মপুম অমগা মনা অমগা পিবদা ক্লা অদো খাইদবীগী পুম্না হুপচর্নাখ অদুগা পোরোক পোরোক সাইরকই অদুগা ঐ চৎলগে হায়দুনা ফমুংদগী সাখি, থম্বাল লৈরিক শাদুনা খোকখি থোঙ্গান লৈরক লোমদা, মাইবনা হায়রকই মানা চৎখ্রিবা অসি তপ্না ইন্নৌ মানা হেক তুবগা নখোয়না কোনলগা পুসনলকউ হায়বগা তৌবগা শাখি থোংগান্দগীনা থম্বাল লৌরক্কী য়ুম চৎফম লোমদা খরা চৎলগা তুসনলি। হেক তুসনবগা শাখিগী নুপা অমদি মচা নিপানা শাখিবু কোল্লগা ইমুংলোমদা পুসনলকই। ইমুংদা হেক চংলকপগা ঙাইহাক ফমলগা শাখি করিসু তৌদবগুম ৱা ঙাংলকই।

মসিগী লৈনাশিসু অঙকপনি অমগী থৱাইনা অমদা চোংসনলগা তৌরিবা মওংসে থৱাই ৱানা নোক্লিংবা অমনি। মওং চাদ্রদি শিবসু থুখুবা জাৎনি মসি হৈরিবা মশাদি খংদেসু হায়নৈ। মশানা হিংচাবী নুশিৎ হৈ খংবসু য়াওইসু হায়। নমসনলগা থম্বা কযাসু য়াওনৈ হায়নৈ। অদুগা য়াম্না সাথিবা মীসু য়াওমানে। ঐদি মী চান মী চাদ্রিখৈ সুংচৎ ১৫লোই হাইদুনা অদুম লৈবা মীসু য়াওই হায়নৈ মসিনি য়াম্না ল্রিবদি? হিংচাবী মসিগী চৎনবীসে লৈকাই লৈকাইদসু অদুম খরা লৈনবা জাৎনি। মসি মীওইবদা হেক-হেক চংগনবসি চাবা থকপা খন্না ৱাবা মতমদনা খরা হেনলি হায়নৈ মসিগী নংশিৎসি হৈ শায়বা ইমুংগী মচা-মশু ফাওবা মাগী মচাদো নুংশিৎ হৈবনি কোইবগু হাযবসু য়াওদবদি নত্তে। হিংচাবী হৈবী নুপী চানিংলগা মীডান্দা চোংশনবা।

"মংলোল অহুম"

নুমিদাংগী চাক চারগা ঐহাক তুমলগে খন্দুনা ফমুংদা কাথংলগা কাংখন অদো নিংথিনা ফমুংগী অকোইবদা য়েপসিনলি। অদুগা ঐহাক হুয়েংগী তৌগদবা থবক ময়ামদো নিংশিংদুনা ঐহাক তুম্বা য়াদনা ফমুং মথক্তা থরো-থরো ওল্লি। অদুবু পোৎ-চৈ খরা থানবা হায়দুনা য়োৎপাক পায়দুনা কন্না তৌরুবনা ঐহাক তুম্বা য়াদনা লৈরম্বা অদু খঙহৌদনা তুমথখি। তুমলবনিনা মং কয়াসু মংখি অদুবু ঐনা ঙকপা অমনা মং অদুদা, মং অমা মংই, মংদুদা মং অমগী ৱারী লিরম্মি। নোংমা নুংতি থুদিংগী নুপী অহুম্না চাক থোংলগা ঐবু পীজরমই। অয়ুক অমনা চীংগী নিংঙোল্লা নুমিদাং অমনা মুসলিম নিংঙোল্লা অয়ুক অমনা মৈতৈ নুপীনা। অদুগা লাইনি হায়বা লাইগী শক্তম মান্না অমনা ঐঙোন্দা অস্থুম্না হংখি, নঙনা চারিবা চাক ইম্বাংদো হাওবরা? অদুগা করম্বা নিংঙোলনা থোংবনা নহাক্না হেন্না হাওবগে? হায়বদো ঙসিদি সেংনা হায়য়ু হায়না হংলম্মি? ঐনা খুম্লম্মি, ঐনা নুংতিগী চারিবা চাকসে জাতি তিন্নদবা নিংঙোল অহুম্না থোংবা চাক্লি ঐনা চারিবসে, অদুবু মহাওদি চপ মান্নে। চীংমী নিংঙোলনা থোংবা চাকস্থু চাক্লি, মুসলিম নিংঙোলনা থোংবা চাকস্থু চাক্লি অদুগা মৈতৈ নিংঙোলনা থোংবা চাকস্থু চাক্লি। মথোয় মালেমসিগী মমা ঙাক্তনি হায়না খুমখি। ঐগী ৱাদো তাবদা মথোয় য়াম্না হরাওই, খরা অমনা ঐবু শাওই। অদুবু ঐঙোন্দা হংলিবা লাইদুনা ঐঙোন্দা হায়রমই, নহাক্না খল্লিবা ৱাখলদো অফবা থবক্নি, তাইবঙ মী পুম্নমক্না অদুম্না খংগদৌবনি হায়রমই অদুগা অফবা থবক তৌবা নহাক্তি পুন্সি তেনগনি অস্থুম্না মং অদুদা মং অমা মংই মং অদুদা মংদুগী ৱারী লিরম্বা অদো ঐহাক মংফাওনখি। মতম অদো নোংঙান্দৌবা কুইদ্রে য়াহৌ

ঙনবা উচেক খরদি মীকপ থোক্লরমলে। ঐনা খল্লি ঙসি ঐগী মংদো ইম্থোকপা মংনিদা। খন্না-খন্না ঙাইহাক নোং ঙাল্লগা ঐনা তৌগদবা থবক ময়াম অদো খলবা হৌরকই। কোবী হব্রাই খরস্থু ইংখোলদা থারক্লগা থবক অতৈগী ওফিস সারস্থু উন্নবা চৎকদৌরিবা। অদুবু ঐনা হোরেল ওফিস সারদুদা, করম্না হায়বা? ইথন্দা হংজবা ব্রাহংনি। ঙনগদবা ওফিস সারদি অনি অহুম স্থরি করম্বদা হান্না চঙসিগে হায়দুনা ঐ মতম সেমদোকই অমস্থুং হান্না উন্নগদবা ওফিস সার খংদোকই। অদুগা ঐনা হোরেল ওফিস সার অদুনা করম্বা ব্রাহে হায়বা' অস্থন্না খল্লিঙৈ নোং পমঙান ঙান্দুনা লৈরমই, অফিং অপাই ওইনা ফুক হৌগত্তুনা মপাল থোরক্লুগা নুমিৎ খুর স্নদা অস্থন্না হায়রকই সার অমুক্তা চংজরক্কে, ঐহাক খংনো নোক্লকই নুমিত্তা সাব হাযরুবগী। তৌবগীদি ঐহাক নুংতি নুমিৎ খুদিংগী। ঙস্না হৌগৎলকপা খদিংগী অঙানবা নুমিৎপু খুরুমজে। ঙসিস্থ ঐ নুমিৎ খুরুম্বনি অদুবু হৌগৎলমদাইদা ওফিসার উন্নবগী বাখল খল্লুবদুনা ঐনা তুম্না তৌগত্তুন নুমিৎ খুরস্নদা সার হাযরুবনি। ঐনা নোকপা অদুদ ঙসাযদগী তুলসিংবা বাই তৌবিবী মমানা ইপা পখৎনা হাযরকই কৈদৌবে নুমিৎ খুবস্লগা পংনোক্তা নোক্লিবদি' ঐন খুমঠ নুমিৎতা সাব হাযনা খুরুম্লুবে ঐগী ব্রাদো তাবদ মমাস্থ হৌনা নোক্লকই। মমানা মখা অমুক তারকই, মীনা তাববদি ঙাওবে সোইদনা হাযনর্বানি। নোক্লা-নোক্লা মমানা ঐনা তুম্না হৌগৎলকপদা নুব চফু উখিবা তাবে হাযদুনা মতুংদা লোৎসিল্লিবা নবা চফু অদো পুখোক্লনা ব্রাই মখা তৈবা হৌবকই। ঐস্থ হকচাং সেংদোক্লনা য়োৎপাক অমা পাইবদুনা কোবী পাল্লী খবা থাবমগে থন্দুনা খুত্তা যোৎপাক পাইবদুনা মনিং হংখেল অদোমদা চৎলি। ঐনা কোবী কাংখুল হন্ন হন্না হল্লি ঙসি ঐগী মংদো মংলোন অহান্নকো? অদুমাই অমুত্তা ঐগী পুন্সিদা মং মাখিদ্রি? অহানবা মংগী মতৌদুনা করি? অনিস্থবা মংলিবা মংদুনা কারিনো? মংদনা মংগী ব্রারীস্থ লীরি। ঐঙোন্দা মংলিবা মং অস্থন্না মীঙোন্দস্থ মংবা জাৎলা? মংলোল অহুম হায়বা লাইরিক অমা ইবগে খল্লি। মংলোল অহুম॥

- লোইরবা -

"মতম অমগী, ঙসিনা ইয়া নুপা"

ঙসিগী হাৎনা স্নুনবা থৌদোক ৱাথোক কয়ানা পৃথিবী অসিদা মসিং লাকঙমদনা থোক্লি লৈবাক চাওবগী মতিক ৱাথোকস্ম চাওই। মীয়ামস্ল্ক্লিবমখৈ থৌদোক ৱাথোকস্ম চাওবা মশানা তাৰ্বনি। পীকখ্রবা মানপব অসিদস্মু নোংমা নুমিৎ অমত্তা কাংদে মীস মীনা কয়ানা মচি-মচিদা থোক্লবা। অসিগুম্বা থৌদোক ৱাথোক কয়ানা অফবা মচা নৌনা মপান্স অমসুং পোন্ন-পোন্না লৈৱাং কযা কেমখি সিঙেল কযা অবেম্নদা মপুন্সি লোয়খি। ইনাব খুল্লগা নুংঙাইনি খল্লম্বা, ইনাক খুল্লগা তুমফম চাফম খংদরে। লাইববা মীস্ম হীংহৈদবে। অস্মুক ৱারবা লমদম অসিগী খুল মচা, মচা কয়াদস্ম থৌদোক কয়া থোক্লি। থম্বাল চীংযা কৌবা চীং অসিগী হাযথখিবা লম্পী মখাদা নিংথিনা ফজরবা পাৰ্নি লৈরিবা। চীং অসিগী মমাং থংবা শকক মখৈ অকংবা লমদাম্নি। মফম অসিদা হাযফেৎ চাওবা খুল অমা তাই, খুল অসি লাইরবা থোইনা লৈতে। মরমদি স্মুফম নোমফমস্ম অদুম লৈ, তনব্ তন্দ্রগদি নোংমগী পৈশা অদুম থোক্লবা মফম্নি। লমদম অসি লাইরিক হৈবস্মু য়াম্না লৈ। মফম অসি য়াম্না চন্নবা পুন্সিনি অদুবু লাইরবা অমবু ইনাক-খুনবা অমনা খবা নুংসিদে। লাইররবা ইমুংদা মচা পীনিংদবা হায়বসিমদি মী অমা লেবগদি অদুম চৎনরমই। হায়রিবা লমদমসিদা প্রীয়ো কৌবা নিপা অমগা প্রীয়া কৌবী নুপীমচা অমগা য়াম্না নুংসিনরকহ অঙাং ওইরিঙৈদা অদুম শান্নমিন্নরকই স্কুল এ,মি মফম পুল্লকই। নোংম-নোংমগী চাওরক্লনা প্রীযা অমমুং প্রিয়ো মখোয় অনি হায়ফম খংদনা

নুংশিনরকই, প্রীয়া ইনাক খুনবা ইমুংগী মচানি। প্রিয়োগী ইমুংদি অদুক হাক্লা লাইরবা ইমুংদি ওইদে অদু ওইরবস্থ প্রীয়াগী ইমুংগা প্রিয়োগী ইমুংগা য়েংনবদা প্রীয়াগী ইমুংনা খরা হেল্লি। মরম অদুনা প্রীয়াগী ইমুং-মনুংনা প্রীয়াবু প্রিয়োদা পীনিংদে। অহনশিংনা য়েংনৈ পৈশা পাইবা ইনাক খুনবা মশা-মশাদগী হেনবা। অহেনবা মীনস্থ মখা তাবদা হেক্তা মচা-মস্থ হেক্তা পীনিংদে। প্রিয়োগী অহনশিংগা প্রীয়াগী অহনশিংগা মুক্রুবা হৌরকই। প্রীয়াবু পোকপা মমা মপানা প্রিয়োদা পিনিংদে মখোয়দগী ঐখোয়না ইনাক খুনবা হেল্লি হায়দুনা মচা নুপীব অতোপ্পা নুপা খুন অদুদা লৈবা ইনাক খুনবা নুপা অমগী মচা নুপাদা পীনিংদুনা লুহোংনবা শেম শারকই। প্রিয়োগী ইমুংস্থ মীনা লাকচবা য়াবা ইমুংদি নত্তে, প্রিয়োগী মযাম্না অনি লৈ। প্রিয়োগী মচিন-মনাও অহুম্মনি। মপাল লৈবাক্তা লাইরিক তম্লকপা ময়াম্বা ঙাক্তনি। প্রিয়োস্থ মপান্দা লাইরিক তম্বা থানবা মমা মপানা কন্না হোৎনরি। মমা মপাগী আসা প্রিয়োস্থ মদুম থুংহনবনি। প্রিয়ো অঙাং ওইরিঙৈদগী লাইরিক অদম ফবকই তোৎনবা শাম্না বল্লি। নিংখ্বদি ফংদনা খক তোক্তে। প্রিয়ো অমস্থং প্রীয়া মখোয় অনিগী উনফমদি থম্বাল চীংগী মতোন্দনি। চীং শসিগী হেক মতোন্দা থম্বাল লাইবেম্রীগী মন্দির মচা অমা লৈ মন্দিব অসিগী লৈমাংদা মখোয় অনি চপ মান্ননা ফমলগা নুংতি নমিৎ খুদিংগী উনফমনি। উনবা লাকপা খুদিংগী লাইবেম্বী অসিদা হেক-হেক খুরুমই চৎলমদাইস্থ খুরুম্লম্মি নোংমা নমিৎ অমদি থম্বাল চীং অসিদ প্রিয়ো অমস্থং প্রীয়া নুমিদাংবাইরম অমদা চীং অসিগী মনিং মখা পাংনা লৈরিবা খরুং পাৎ অসিদা চাক্তারিবা উচেক কয়াগী শক্তম অসিবু খৎ থিন্দুনা তাক্লরগা, উচেক্কী ফজবা চেক্লাগী নুংসিবা শক্তম অদুবু তায়নরদুনা নুংশি ৱারী শানরকই। খরুং পাত্তা চাকতারিবাদ উচেক্তা নত্তে মীস্নি। নুমিৎ মানা মকোন্দা চংগদৌরবদা খরুং পাৎ অদদা শৈদাংলিবা মীওইবা কয়ানা মানা মানা ফারকপা ঙা অমস্থং থরো থরিকথা থাংজিং কয়া অদুবু কৈথেন্দা পুখৎতুনা য়োনবা নংনবা খোংকাপ লাওন-লাওনা হীগী চৈঙাক তোয়ন-তোয়না ইল্লি নংহৌররোই হায়গুম্না। অসিগুম্না ময়াম অসি য়েংলিঙৈদা প্রিয়ো অমস্থং প্রীয়া নুংশি ৱারীদা নুমিৎ তাখিবা খংহৌদে। অস্থুম্না নুমিৎ কয়া হৌখে প্রীয়াগী মমা মপানা প্রীয়া লুহোংনবা শেম-শাবা লোয়খ্রে

লাক্লিবা ফাইরেলগী মঙানী পানবা ফাইরেল পনচমী নুমিৎতা প্রীয়া লুহোংবা তাখি অদুবু ঙসিদি ৱাকচিংগী থাশিনি। প্রিয়োগী মমানা মচানুপা অতোম্বগী মতৌ খঙই। প্রিয়োগী মমানা নুমিদাংগী কৈথেল কারুরগা, য়ুমগী লাইদা অথুম-অহাও থরা কৎকে অদুগা থোইদ্রিং অমুবা কবোকসিনা অৱাং কৌব্রুদা ওন্দুনা থুরুমলগা কৎলগা চারবদি পুন্সি সাংই অৱা অনা কোকই হায় মরম অদুনা প্রীয়োগী মমানা থোইদ্রিং কবোক অদু কৌবুদা কৎলগা মচানুপা প্রিয়োদা পীজে। ময়াম্বা অনিগী শরুকস্থ খাই। অস্থুম্না হৌথিবনা ঙসি প্রীয়াগী লুহোংবা নুমিৎনি। নুমিৎ অসিদা প্রীয়া অমস্থুং প্রিয়ো মখোয় অনিগী মতৌ কন্নানা য়েংবা ঙমগনি। খঙনৈ মীনা প্রিয়োগী মাইথোংদা। প্রীয়াগী মতৌ অদুনা মীয়াম্না হায়নরকই। অস্থুম্না প্রিয়ো নুংশি মৈনা চাক্লবস্থ পুন্সিদি মতিক চাদবা য়াদে মীওইবনা সোন্নবা পন্সি অমা ওইদবা য়াদে খন্দুনা মপাল লৈবাক্তা লাইরিক তম্বা চৎখি। চহি অহুম লোইরগা এম.এ, ইংলিস লোইরগা হল্লকই, প্রিয়োনা এম,এ, লোয়রগা হল্লকপদা প্রিয়াদি মচানুপী অমা পোকপা চহি অহুম ফাদৌরে। অস্থুম্না নোংমা কথা হৌখি প্রিয়ো থবক অমা ফংলে কোলেজগী ইংলিস ওজা ওইনা। প্রীয়াগী মচানুপী নোংম-নোংমগী চাওরক্তুনা ক্লাস টেন তম্লে ওজা প্রিয়োদা প্রাইভেৎ তমহ অদুবু প্রীয়াগী নুপানা শাওই ওজা প্রিয়োদা মচানুপীনা তুইশন তৌবা অদু, অদুবু মচানুপীনদি ওজা প্রিয়োদা অদুম তমগনি হায়দনা অদুম তমই। অদুবু প্রীয়াগী মচানুপীগী খতাদা ওজা প্রিয়োনা শৈরেং ওই বারেং ওই খরা ইখি মদু প্রীয়াগী নুপানা থেংনরুবদগী ইমুং অদুদা অচৌবা লাঞ্জাও অমা থোকখি। অদুনা মরম ওইরদুনা মচানুপীবু ওজা প্রিয়োদা তুইশন চৎপা য়াররোই হায়না য়াম্না কন্না থিংখি অদুবু লৈশাবী মচা ওইরবস্থ নুংশি নুঙওন ফাওরক্লবনিনা প্রিয়ো অমস্থং প্রীয়াগী মচানুপী রাধা ওজা প্রিয়োগা নুংশিনরকখি। প্রিয়োস্থ নোংমদি খল্লকখি মচা নুপীসে মাগী ওইদবা য়াদে মরম অদুনা রাধাগী থম্মোয়বু হুনবা মশা মথন্তনা ওজা প্রিয়োবু নুংশি হায়রকখি মসিনি প্রিয়োস্থ ঙাইরিবা। প্রিয়োগী ৱাশক, হোৎনবা কনবা মতৌ। নিংবু নিংথ্রবা ফংদনা থক তোকতে। প্রিয়ো অমস্থং রাধা নুংশি ইচেন কনখৎলকই রাধাগী মমা প্রীয়াগা হায়নিংঙাই লৈতনা নুংশিনরম্মী হায়বা রাধাস্থ খঙই ওজা প্রিয়োনা মচানুপী রাধাদা ৱারী লি। মচানুপী

রাধাগা ওজা প্রিয়োগা নুংশিনরে হায়বা খংলকপদা রাধাগী মপানা রাধাবু কয়াদা থেনা চৌখবা অমস্থং ইমুং—মনুংদা মহি কন্না লাংনখিবা অদুবু ওসিদি রাধা অমস্থং ওজা প্রিয়োগা পুন্সি লৈপন ওইরে। 🕮

"ওজা থানিল"

নোংমা অযুক অনা পাং ময়াদান। নোংস্থু য়াম্না কন্না চুাব পুর্নিমা অমস্থং তখৈল্লে কি মখাগী লেপলগা পংয়াইদা ভু ফারী। নোং কন্না চুককপদগী মনাঙদা লৈরিবা লৌতং সং অদুদা ঙাইহাক নোং তাংলম্নি তাখদুনা হি অদু লৌগাং শংলোমদা চেনাশল্লি। সং অদুদা ঙাইহাক নোং ... চংলোমনা নপা অমস্থং, মদোমদা হিদো কন্না। হানজিল্লবক মং ... পানমনা হায়নকই ... তখৈল্লে ম্যা-দা লাকিবাস বসন্ত মান্দা তখৈল্লেনা খুমাংই ... সাংদনা ওইগাদা বসন্তস্থু ... লাংকখ্নান। পুর্নিমানা মাপান হিসে সোমদা তোল্লকই শংসি তন্না লাবক মাল্লে। তখৈল্লেনা অমুক বা মবক থংলি। ঙাইখোকো ঐখোয় লা লাইসি ঐখোয় লেবসে উবদা মতাক চংলক্লরোই। বসন্তনা হি অদো সং মখোংদা থমলগা নৌ অদুনা হি অদ ঙাকশন্নগা সং অদ কাখৎলকহ। পুর্নিমা অমস্থং তখৈল্লে লৈরম্মা উবদা য়াম্না চক্লা ইকায়না হল্লগে হায়। পুরিংদা ঙাইহাক লাং তক্লবিঙেদা পনিমানা কৌরকই কদায় চৎপীরবনো দা বসন্তা তখৈল্লেস্থ ব্রা-পাংসল্লকই নোংনস্থু পমচোৎ চোৎলমানে বসন্তনা পাউথম পীরমদনা নখোব নোং তাংলম্লিবরা হায়রম্মুগা বসন্তা খোংলৈ থুনা হল্লগে খন্না সংদগী হিদা হেক কাখৎকে তৌবদা খঙহৌদনা হিবান্দা নাম্বদুনা তুখিরম্মী। তখৈল্লেনা ও তুরেনে হায়দুনা মখোয় অনি চংনা চিংখৎকে তৌই, বসন্তনা য়াম্না ইকাইনা যানিদা, হিবান্দা নেৎলুদুনা তৌবনি। নোংসিস্থ ইন্থোক্রা কন্না চুরি। পুর্নিমা অমস্থং তখৈল্লে মখোয় অনি চপ মান্ননা হায়রকই দা বসন্তা ঙাইহাক্তুং লৈবিখো নোংসিস্থ য়াম্না কন্না চুরক্লি. ছাতিনস্থু

য়াওদবনিনা লোয়না চোৎলনিয়ে। বসন্তনা য়াম্না হঙ্গোইনা য়ানিদা হায়রগা সং মনুংদা চাসল্লকই। পুর্নিমানা সে ফমফমস্তু হুপ অকংবসে নত্তনা করিস্তু লৈতে, সিদা ফম্বীয়ু? বসন্তনা য়ানিদা লৌতাংসংসিদবু। অস্তুন্না মখোয় অহুম ঙাইহাক নোং তাংদুনা লৈনরবা মতুংদা মখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা শানমিন্নখিবা অমদি ওজা অমদা পুন্না টুইসন তৌমিন্নখিবা অমস্তুং স্কুল অমদা পুন্না লাইরিক তম্মিন্নরকপা কয়া অদো হায়নরক্লগা নোক্লে অমস্তুং কপ্পরকপস্তু য়াওই। মরমদি থম্মোয় য়াম্না সেংবা ওজা অমা লৈরই। মখোয়বু য়াম্না লুনা তৌবীবা অমদি থম্মোয় সেংনবশিং অদুদা ওজানস্তু মখোয়বু কয়াদা লুনা তৌরকপা অদুগা ওজাবু মীনুংসি খংদনা মীওই খরনা হাৎখিবনি মখোয় হৌখিবা থৌদোকশিং নিংশিংনরকই। ইংলবা ৱাকচিংগী মতম্নি উলনা পুঙৌ ঙৌনা তারি। অঙাং ওইরিঙৈ মতমগী ৱারিনি। পুর্নিমানা হায়রকই ঈশিংসে ইংদরা? ৱাকচিংদদি পাৎসে লোইনা উল ওল্লি। অমনমুক হায়রকই ইংজসনু ওজাগী য়ুম য়ৌরগা লোইরে। অমনা হায়রকই দা বসন্তা ঐখোয় অমুক হোনগে হিসে, বসন্তনা নখোয় নখুৎতো য়াম্না ইংলনি ঐ স্তুম হোনগে হায়রকই। নোংমা থাশিগী থেংলবা অহিংনি মতম অমগী নিংশিং ৱারী ওইদুনতা লৈরগদবা মী লাই অনিগী পুক্রিং হুনিংঙাই ওইরবা মহৌসা পাৎকী থরো থম্বাল মরক্তা অমম্বা অহিং অদুদা ওইরবোই নিঙই মীৎ তাংলবা সংসার অমা। খোঞ্জেলতমক তাবা শক্তি উবা ফংনদবা মতম্নি, মতমদুদা পিক্লবা তন্দল কৌবা জিবনা তাক্লি তনিকপা মৈরি পুদুনা পাৎকী নাচোম ওইদুনা পাৎকী লাইরেম্বী ইমাগী শমজিদা তমফা থিনবগুম ঙাল্লি কুপফেৎ-কাফেৎ তন্দলগী মঙান্দা অহিংগী মমৈ ওইরকপদা পাৎতা চাক্তাজবা জিবশিংনা অমদি পাৎকী ঙমখৈ ওইরিবা লোইবী চীংগী নবোমদগী চেক্ল কৌবী চেক্লা চা কয়ানা নুংশিরবা খোঞ্জেলগী স্তুরদা পাৎ অসিদস্তু পুংনিল নিল্লি। তুমথরুবরবা খুলচা মীওই কয়াগী নাপ্পদা পাওজেল্লি। মরক অদুদা অরুবা ইরোন্নুংদা য়ারেকপা লৈম্লে ঙাজাও ইনয়াইদগী হঙ্গেন্দা থেংজিন্দুনা খংপ্রেক খংদুনা চোংখৎলকপদা ইশিংনা পুর্নিমা মমাইদা চোংই, খংপ্রেক খংদুনা হৈমা হৌজিক্কীদুবু কনানো? মনাক্তা মী লৈবদৌনা হায়রকই। ঙাইহাক হিথক অদুদা উইথরুবরবা পুর্নিমানা মখুৎনা থাংমৈ লেমটর্ন অদু থেংলুরমান্নে, ঈশিংদা তাখি মখুৎ অদুনা ঈশিং ইয়াই অদুদা থাংমৈ লেমটর্ন

থিরকই। মরক অদুদা য়াম্না লাপনা হি হোনবা অমগী মখোন তারকখি য়াম্না ঙক্না কিনা ই কনানো? মতম চাদ্রবা অহিংসিদা হি হোল্লক্লিবসিবো? মথন্তা অমুকসু খঞ্জে হৌজিকসিবু লাং কায়বা মী লাক্লবজাংলা? হুং মতমসে য়াম্না ঙল্লিনা, নম্রগা লোন্না লাং কাইবা মীরা? হি হোনবা অদু নকশিল্লকই, পুর্নিমা কিবা হেল্লকই। এঃ হি অমদি সোমদা লাকপা মাল্লি। চিংনবা অমা হায়নিংঙাই লৈতনা ফাওরকই থাশিগী অহিংগা ওইবনে পাৎয়াই অদুদা। পুর্নিমা থব্রাই ব্রাবা হেল্লকই ফরে মী ওইরে লাই ওইরে কনানো? হায়বদুদি খংলগে য়েংদদি য়েংলগে হায়না হায়না পুর্নিমা ঈনজিংফম লম্বী অদোমদা হি অদো হোঙ্জিল্লকই, হি হোনবগী মখোন্দি হি অদু থুনা হোল্লকপা মাল্লি। পুর্নিমা ঈল চিংলিবা ময়া খজিক্তুং চৎথোক্লগা হৌবা সিংনাং ওই, হুমলাং ওই তৌবা মরক, উচেক য়াগী য়ারেকফম ওইরিবা মরক অদুদা পুর্নিমা হি হোন্দুনা লোৎপোই করিবোই লৈরি মরমদি লাক্লিবা মীশক্তু ফত্তবা মী ওইরম্লগদি খন্দুনা। উচেকশিং অদু তুম্বা কাইহল্লি। মরক অদুদা কিনিংঙাই ওইরবা মওংদা নোং খাক্লকই। থামম্বা অহিং অদো নোং খাকপা মঙান্দা মী মশক উহৌই। নোংসু মীকুপ খুদিং খাক্লকই, অকি তুজুংবনা হেল্লবদি যেংনিংবসু হেল্লি হায়বদুনি অদুবু সিংনাং মরক অদুদগীদি থোরকপা কিরম্মুই। মরক-মরক্তা কুপলকপা নোংথাংগী মঙান্দা উরকখি মালেম শিন্না থুংনা থরো থম্বাল মরক্তা অশংবা থম্বালগী মরুমদা মশম মনা ইফা ফা থামম্বা অহিং অদুদা হিদেন তম্না লাকপা উরকখি। পুর্নিমা চিংনবা অমগা লোইননা নিংশিংলকখি অহনশিংগী ব্রারীদা পাৎ অসিদা লাইরেম্বী অমা হি হোন্দুনা হেক-হেক চৎলি হায়বদো অসুম্না খল্লিঙে মরক্তা য়ৌশিল্লকই ফিবম কাইরবা শক্তম অদো পুর্নিমা পাখৎনা লাওই হোইমা কনানো নঙবু? তখৈল্লেনা অব্রাবা খোনফমগা লোয়ননা হায়রকই ঐবু অমুক্তা কনবীয়ু? পুর্নিমা তখৈল্লেগী মখোল মাল্লকপদগী তখৈল্লে হায়না কৌরকই, তখৈল্লেনা অব্রাবা খোলফমগা লোয়ননা নুমিৎ অদুদগী তখৈল্লে পুর্নিমাগী য়ুমদা লৈহনখি নুমিৎ অদুগী অহিংমক্তাদা তখৈল্লেগী মপা ময়ামগীনা ওজা থানিল মীফক্তা থরনা হাৎখি। তখৈল্লেবুসু ইজৎ লৌননবা হোৎনরমখি। অদুবু ঈশ্বরনা থৌজানবদগী মখোয়গী মখুত্তগী নাম্থোক্তুনা মফম খংদনা তখৈল্লে হিদা তাওবোই হোনবোই পাৎয়াইদা ঙাইহাক লৈরুরবা মতুংদা

তখেল্লে মাইকে খংদনা হি হোল্লকখি অদুবু ইশ্বরনা থৌজানবীদুনা নুমিৎ অদুগী মীকুপতুদা পুর্নিমা হিদেন তাফমদা থেংনখি। নুমিৎ অদুগী নোং ঙাল্লকপদা মীয়াম্না ঙাংনরকখি লাইওইরবা খোংনাং মখোংদা ওজা থানিলবু মীনুংসি খংদনা হাৎতোকপিরমখি। করিসু খংদবা ওজা সান্তদা তাইশিন্দুনা ওজা সান্তি জেল্দা থমখি। মসি পুম্নমকাস থোক্লবা ওজা কালনজোইনা সিনবনি। মরম স্কুল অমদা মখোয় ওজা ওইমিন্নে ওজা থানিলনা হেদ মাষ্টরনি অদুগা ওজা কালনজোইনা সেকন্দ মাষ্টরনি অদুগী মথক্তা ওজা থানিল য়াম্না ফবা ওজা অমা ওইবগী মতিক চাবা মথৌদা পুক্লুং চংবা শাস্ত্রগী য়াম্না খলবা ওজা অমনি মরম অদুনা ওজা থানিলবু মাংনবা ওজা কালনজোইনা ওজা থানিল হাৎপনি। ওজা কালনজোই লমদম অদুগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা মীনি ইনাক খুনবা মী হায়বাসদবু মাগী মীয়াম্না লৈগল্লি মরমদি ইনাক খুনবা মীগী লৌউবা ফংবা অমসুং পৈসা পাইবা মীশিতবু মাওইবনা খরা কিগাল্লি। মখোয়নস লাইরবা মীয়াম্না মাগী মখা থম্নবা হোংনে। লমদম অদুদা মী অমত্তা অফবা লৈগাল্লংদ মখোয়গী তেন লোইনা হোন্নগই অদুনা মরম ওইদুনা ওজা থানিলবু হাৎনবা মাফম্তা নাই শরদা পেশা পীরগা হাৎলকনবান। মাগী হাৎপগী দথা পুম্নস ওজা সান্দ তানবসু শিনখিবনি। মীয়াম্না চাংনা-চানবা ওজা কালন জোইদা কার অম হায়বা ঙমদে। খংদি খংনৈ হাযববু কনা অমত্তা চীন থোক্লবা ঙমদে। অদুং ওজা থানিলনা লুনা মচামাক্ল খন্না য়োকচবা চন্দ্রা মফম খংদনা মাংখ। ওজাগী কম্মা লোইবা নুমিৎতগী অসুম্না পুর্নিমা অমসুং তখেল্লে মখোয় নুমিৎ অদো তাশিল্লকপা খংহৌদে। অসুম্না হৌখিবা থোদোক কয়াগী ৱারী লিনখি।

বসন্তনা ফরে, নোংসু লেপখ্রে নুমিৎসু তাখদৌরে ঐসু চৎখ্রগে, তখেল্লে নহাক কপকনু ঐখোয় ময়াম লৈরি। নোংমদি নখোয়গী চন্দ্রসু সোইদনা থোরকখিনি। তখেল্লে হায়ফম খংদনা থম্মোয়দা অৱাবা ফাওরকই মাগী মাংমক্তদা তমথিবা মওংদা হাৎখিবা অমদি মীনুংসি খংদবা মওংদো- -----। ওজা থানিল লৈখিদ্রবা মতুংদা স্কুল অদো নোংম-নোংমগী মুখরকখি। ঙসিদি সাত্রা য়াম্না তমদবা স্কুল অমা ওইরে। অসুবু ওজা থানিলগী মীংচৎতি নোংম-নোংমগী হেনগৎলকই, ওজা থানিলনা তৌরম্বা

ওজা অমগী চপ-চাবা মগুন। মশা লৈত্রবসু ওজা থানিলগী মপোক কুমোল খুদিং সরকারনা ওজা নুমিৎ হায়না সুতি লাওথোকখি। ওজা অসিনা তৌরম্বা থবক কয়া ঙসিফাওবা অহিংবগুম্না লৈরি। খেনবা লৈতবা চপ মান্নবা মিৎয়েং ছাত্র অমদা থম্লিবা চপ মান্নবা ওজাগী থৌজাল মিৎয়েং ছাত্রেদা কৎথোকপা ওজাগী চপ চাবা গুন চেল্লি ওজা থানিলদা অসিগুম্বা মরম কয়ানা ঙসিসু ওজা থানিলগী পালন তৌরি। অসুম্না মতম কয়া চৎখি।

নিংথিরবা পাৎকী অৱাং থংবদা উনতনা পুর্ভো-ঙৌবা চীং অসিগী নাপোম, পাৎময়া অসিদা খোং লম্বী মচা অমা লৈ. লম্বী অসি কনা অমত্তা চৎনদে মরমদি হাওনুবী শমপুবী থোকই হায়নৈ। মরম অদুনা লম্বী অসে কনা অমতা চৎনদে লম্বী অসিগী চীং মনুংদা খোংনাং পাম্বী অচৌবা লাইওইরবা অমা হৌই। খোংনাং পাম্বী অসিগী মনাক নক্লা খোং লম্বী অমা লে মাইগে সোমদা শা-ষন ফাওবা থাদোক্লদে খোংনাং অসিগী মখোংদা মীরা-লাহরা থঙদবা অমা লৈ হায়বদগী চীং অসিগী লম্বী মচা অসিদা কনাসু চৎনাখদে অদুগা অসুম্নসু হায়নরকই মুনিগী মওংদৌনা ফিসু লম্বোই মচু সের্থাল হায়নৈ মকোই মরাংসু শাঙই হায়নবদগী মীপুম খুদিংনা াকনখি। পাৎয়া অদুদা তারবা খুনসাগী মীওইনা মচা মসু নিংঙাই তৌবদা হাইরিবা চীং অদুদগী লাই লাক্লে হায়বদা অঙাং কপ্পা হেক্তা তোকই। করিগুম্বা নোং চুবা মতমদা অহং নোংয়াইদা চীং অসিগী খোংনাং পাম্বী অসিদা মীকপ মীরাওখোল তারকই। নোং মংবা মতমদা চীং অদোমদা কনাসু চৎনদে। অসুম্না নুমিৎ কয়া হোাখ। অঙাং ওইারঙৈদগী পুর্নিমা অমসুং চন্দ্রা মখোয় অনি হায়নিংঙাই লৈতনা নুংসিনরকখি। অদুবু নোংমা ওজা থানিল লৈখিদবা নুমিৎ অদুদগী চন্দ্রা অমসুং পুর্নিমা উনাখদরে। পুর্নিমা চন্দ্রাবু কাওবা ঙমদে ঙমদৌসু মান্দে অদুগী মথক্তা তখৈল্লে পুর্নিমাখোয়দা লৈরি তখৈল্লে অমসুং চন্দ্রা পোকমিন্নবা মচিন মনাওদি নত্তে অদুবু চন্দ্রাদি অঙাং ওইরিঙৈদগী ওজা থানিলনা য়োক্লকখিবনি চন্দ্রা মমা মপা কনানো হায়বা খংদনা চীংয়া অসিদা নোংমা লেরম্বনি মতম অদো চন্দ্রা ফম্বতমক হৈরি হায়, অদুবু ওজা থানিলনদি মাগী মচা অসেংবনি হায়বি তখৈল্লেগী মমাসু নৌনা তখৈল্লে পোক্লমগা লৈখিদবনি। চন্দ্রা অমসুং তখৈল্লে থা অমা অনিদমক চন্দ্রনা

হল্লমগনি। অসুম্না নুংশি চান্নানা লৈমিন্নরকপা অদুবু মীফত্তা থরনা কয়াদা তমথিনা ওৎপিরীবা? চন্দ্রা মীয়াম্না কিনৈ হায়নরিবা চীংখোং লম্বী খোংনাং মখোংদা তোইন-তোইনা লাক্কুনা নুংতি নুমিৎ খুদিং ওজা থানিলগীদমক মীৎলু পীরাংগা লোইননা ওজা থানিলবু খুরুমই। মপা হাৎখিবগী ৱাখলদা ঙাওচৎনরবা চন্দ্রা নোংমা খোংনাং মখোংদা অহিং তুম্লিঙৈদা চন্দ্রগী মমংদা অসুম্না হায়রমই। চন্দ্রা ইপা নঙবু উবদা ঐহাক তোইনা কপনিংই, ইপাগী থৱায়না অহাংবদা লৈবা ঙমদ্রে চন্দ্রা, নহাক নচলনুপী তখৈল্লেবু কাওরব্রা? চৎলু য়ুমদা। নোংমদি ঈশ্বরনা ঐখোয়গীদমক সোয়দনা ঈশ্বরনা থৌজানবীরক্কনি। ঐখোয়গী মথক্তা ঈশ্বর লৈ, ঈশ্বরনা ৱায়েল্লকপা মীকুপতো ঙাইদুনা ঐখোয় অৱাবা কয়া থাংবা তাবনি। অদুবু নঙনা চৎলমদায়দা খোংনাং পাম্বী অদুগী অহোবদা ঐগী ডাইরী অমা থম্লম্বনি নহাক্রা মদু য়েঙউ মদু হেক য়েংবদা নহাক্রা অনৌবা ৱাখল অমা লাকপা সোইদনা ওইয়ুকো অসুম্না চন্দ্রগী মমংদা হায়রম্বগুম চন্দ্রনা খোংনাং অদুগী অহোবদা মখুৎনা থিংজিন্দুনা য়েংবদা, ডাইরী অমা কোফাই কাদ্না খর-খরা পৎলগা লৈরমই মদু হেক উবদা চন্দ্রা হান্নগুম্না ৱাখল লাকখি, অঙাওবা বাখলনা লমজিংলুরবা চন্দ্রা ঙসিদি হান্নগুম্না অনৌবা ৱাখল পুদ্না হল্লকখি মচল তখৈল্লেবুসু হায়নিংঙাই লৈতনা নুংশিরকখি। নুমিৎ অদুদগী চন্দ্রা ময়ুমদা হল্লকখি। চহি কয়া অমা ককউদ্রবা শম, মকোই ইশাং-শাং খুঞ্জিনসু কুইনা ককউদ্রবনিনা হায়নিংঙাই লৈতনা শাংই। মীওইবা মরক্তগী লাপথোক্লবনা মাবু উবদা অকি হঙোইবা অমগা লোয়ননা মনাক্তা কনা অমতা চংনদে। ফিবম কাইরবা চন্দ্রগী মনাক্তা চংবদি লাইরদনা কনা অমতনা চন্দ্রবু মশক খংনদে। মতম অমদা মৈনা চাকখিবা চন্দ্রগী য়ুম অদুগী ইংখোন্দুদা চন্দ্রনা অমুক নিংথিনা শেম-শারগে থন্দুনা মৈনা চাকখিবা য়ুমফম অদুদা শেংদোক্লবা হোৎনরি। মফম অদুদা হৌরীবা উরী ৱারী কয়ানা ঈংখোল অদো ঙাক-সেনবগী মওংগুম উরী ৱারীশিংনা লোইনা কুপশিনখিদুনা উচেক উচী কয়ানা মখোয়গী মকোল শাদুনা ঈংখোল অদো শংলমই।

চন্দ্রা মাগী মচল তখৈল্লে কন্দায়দবু লৈরিগবা থন্দুনা লৈকাইদুদা লৈরিবা মীশিংদুদা হংলমই। অদুবু মশক খংদবা নুপা অমা লাক্কুনা ওজা থানিলগী য়ুমফমসি শেংদোকই হায়নদুনা লৈকাই ময়াম ঙাংনৈ অকিবসু

য়াওই চন্দ্রগী ফিবম অদুদা। লৈকাইগী অহল অমনা ইবুংঙো নঙবু কনানো? চন্দ্রনা তপনা খুম্লকই খুরা ঐ ওজা থানিলগী মচানুপা চন্দ্রানি। অহলদুনা নুংশিনা হায়রকই ওঃ ওজা থানিলগী মচানুপাদুনি হায়বা? চন্দানা খুম্লকই, অহোই খুরা মতম কুইনা রা ঙাংদনা জঙ্গলদা লৈরুবগী লোনসু খরা থৈরপ থৈরগ তৌই। নোংম- নিনি লৈরগা পুর্নিমানা য়াম্লা হরাওনা নুংঙাইনা মমুমদা চেনশিল্লত্তুনা পাউ তৌম্লে, তখেল্লে হায়ফম খংদনা নুংঙাইব। ফাওরকই মীৎলুদগী পী তারকই চন্দ্রা লাক্লে পাউ তম্বগা কপখি মচলনুপী তখেল্লে। পুর্নিমা মখোয় অনি চন্দ্রাবু উনবা চৎলি, পর্নিমা অমসুং তখেলৈ হি থমফমদা, য়াম্না থুনা চত্তুনা হি অদু হোল্লি। য়ান্না থুনা য়ৌনিংবনা তখেল্লেগী খুং মচা অদুনা ঈশিং অদুদা নৌ শাদুনা ঈশিং অদো হোৎলি। পাক্লবা ঈপাক্কী ঈয়াইদা কবোক-কংগী মরক্তা য়াম্না ফিংনা। অদুবু য়ৌনিংবগী রাখলনা হেনখিবনা চিনুংদগী ঈপাক্তা তাখি য়াম্না পাখৎনা তখেল্লেনা পুর্নিমাব খুৎশমদনা চিংখর্লি। পুর্নিমা মশা পুম্বা ঈশিংনা পুমচোৎ চোৎলি। তখেল্লেনা অমুক হাগরকই এমুক হোনগে চিসে নঙনা হোনবশে য়ৌদৌবা মান্দে? অসম্না মখোয় অনি নোগী এলথা থুজিল্লি। চন্দ্রগী মনাক য়ৌনিংবা। অমোৎ অকাই সেংদোক্লি চন্দ্রা চৈতেক-চৈরাং মরক্তা শকয়েং মীংশেন অকায়বা মচেৎ অমা তাদুনা লৈবদু উরদুনা খুনগৎলগা য়েঙই। মাগী শক্তম অদো মীংশেন্দা উবদা মহাক মশা মথন্তা কিজখি অমসুং হান্দাইজখি ঙাইহাক মাগী মিংশেন্দা তারীবা মমি অদুদা মীৎ কুপতনা য়েংলিঙৈদা। পুর্নিমা অমসুং তখেল্লেনা চন্দ্রা উরে মফম অদুদা। শকফম কাইরবা মতৌ উবদা মখোয় অনিমক চন্দ্রনি হায়বা থাজদে। পুর্নিমানা তখেল্লেদা হংলকই, অসিদি কনানো? তখেল্লেসু মবুংনি হায়বা হেক ঙমদে অদুবু পুক্লিংদা নুংসিবা অমদি ফাওই। মশম, মনা, মকোই-মরাং অকিবগী মশক্লি। অসুম্না ঙাইহাক শকখংদদুনা লৈরিঙৈদা চন্দ্রনা ফিবম কাইরবা মতৌসিদা নখোই ঐবু মশক খংদ্রবরা? অমুকসু হংলকই মচলনুপীনা মশক খংদ্রবনিনা, নখোয় ঐগী ইচল তখেল্লে উবরা? ঙাইহাক মচিন মনাও মশক খংনরুদ্রবসু মবুংনি মচিলনি খংনরকপা মীকুপতা কৌনবা ঙমনদনা কপনরকই, থম্মোয় শোক্লা মখোয় অনিমক। মবুং মচল কোনশিন্নদুনা কপনরিবা মতৌ অসিবু উরগা কপলোইদবা কনা লৈবগে? পুর্নিমাসু হায়ফম খংদনা কপলকই।

অসুম্না ইংখোল অকোইবদা মখোয়বু য়েংদুনা লৈরম্বা মীয়াম্না ঙাংনরকই, ওজা থানিলগী মচা চন্দ্রা হায়বদুনিএ, নুপী মচা অনি অসিবুদি তখেল্লেগা পূর্নিমাগনি অসুম্না লাংনরিঙৈদা অঙাওবা মানবা নুপা অমনা লাও-লাওদুনা চেনশিল্লকই, অদুগা নুপা অদুনা অসুম্না লাওবকই ঃ ঐ মীহাৎপনি, মীহাৎপা তাদবা তাহৌরো, খংদবা মী খংহোরো, ঐ মীহাৎপনি। ময়াম ইঙক ঙক্না লাওরক্লিবা অদোমদা য়েংনৈ। লাওনা- লাওনা চেনশিল্লকই, মখুত্তসু ফুমলেন থাঙ্গোল অমা পাইরকই। মীহাৎপা অদুনা হন্ন-হন্না লাওই ঐ মীহাৎপা অদুগী মীহাৎপনি মীহাৎপনি, মতম অমদা ঐবুসু মীহাৎপনি হায়দুনা জেন্দা চহি কয়া থমখবা মহাক অদো ঐনা হাৎলে, ঐগী খুৎতা পাইরিবা ফুমলেন থাঙ্গোল অসিনা মতুপ-মতুপ কত্তুনা লৈম্লে ঙাগী মচিঞ্জাক হুল্লম্লবনি তাদবা মী তাহৌরো অসুম্না লাংনারিঙৈদা, পুলিস গাডী অমা লাকই। মীহাৎপা অদুনা লাওই পুলিস সাহেপ ঐ মীহাৎপনি মীহাৎপা অদুঙৈগী মীহাৎপদো ঐনি। মতম অমদা ঐগী মরুপ ওজা থানিলবু চীংনুংগী অসুকপা লম্বী অমদা খোংনাংখোং মখোংদা ওজা থানিলবু কয়াদা তমথনা হাৎখিবা ওজাদগী চেন্থরকপা ঈতনা চীংনুং অদুদা ঈবাওখোন্দনা নিল্লবা মতমদুদা ঐনা থেংনখি মদুগীদমক ঐবু মীহাৎপনি হাযবা মখোয খরনা ঐবু চহি কয়া জেলনুংদা থম্বীখিবা নত্রা? অদুবু ঙসিদি ঐগী ইখুৎসমক্লা মীহাৎপা অদুবু হাৎলম্মে অদুগীদমক ঐগী মনা পীবো? পৈশা পাইবা ঙসিগী সংসারশিদাঃ উই খঙই হায়বীদ্রবা মতমসিদা, সান্তি পাম্বা ঐখোযগী হিংফম কৈদনো? অদুগা অমুকসু ঐনা জেলদা লৈরিঙৈ মরক্তা ঐগী অমওা ঙাইরবা ইচানুপী অদুবুসু মখোয়না ঈজৎ মাংহনবীবদা নত্তনা থরায় ফাওবা মাংহনবীখি। মদ পুন্নমক লমদম অসিগী পৈশা পাইবা ইনাক খুনবা মখোয় শাগৈনা মখোয়গী পৈশানা লোইনা মাংহনবীবনি অদুবু খঙউ মীওইবশা ঐকোয়সু মীহাৎপা ঙম্মি, অদুবু মী হাৎনিংদে সান্তি পামই।

পুলিসশিং অদুনা নুপা অদুবু গাড়ীদা হাপলগা পুখি। অদুবু ঙসিদি ওজা থানিলগী মংফমদা ফুরা অমা শাদুনা ওজা ধর্ম্মগী নিংশিং ফুরা অমা থমজবা নুঙনা শাদুনা থম্লি। চিথেক মরিগী মমাইদা, ওজা থানিলগী নিংশিং ফুরা অমসুং ওজা থানিল হায়না ইদুনা লৈবি ওজা থানিল।